ꯃꯥꯔꯖꯤꯡ ꯈꯨꯅꯊꯣꯛꯂꯣꯟ

মারজিং খুনথোকলোন

মালেম চুকখোং পুয়া

ইরাবোৎ নিংথৌজা

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇ

'মারজিং খুন্থোকলোন'

মালেম চুকথোং পুয়া

তইবা :
ইরাবোৎ নিংথৌজা
লৈহৌ নুঙহৌ শঙলেন, চীংমৈরোং মনিং লৈকাই, ইম্ফাল ।

ফোঙজারিবা ঃ

লৈহৌ নুংহৌ পেনা লোইশঙ
চিংমৈরোং, ইম্ফাল
৪৬ সুবা ওইনা অহানবা ওইনা ফোংবা - ।।

মারজিং খুঙোকলোন
মালেম চুকখোং পুয়া

অহনবা ফোঙবা	:	জনুৱারি তাং ১৭-০১-২০১১ ইং
অপুনবা কোপী মশিং	:	১,০০০/-
মমল	:	লুপা ২৫০/-
ফোংবগী মতম	:	ইমোইনু ঈরাৎপা নুমিৎ, অয়ুক
অইবা	:	ইরাবোৎ নিংথৌজা

লাইরিক নমফম : তোকঙা প্রিনটিং প্রেস, পাওনা বজার, ইম্ফাল



IRABOT NINGTHOUJA

MANIPUR HISTORICAL SCHOLAR

1ST FEB. 1956 (DOB)

CHINGMEIRONG MANING LEIKAI, IMPHAL

LEIHOU NUNGHOU SHANGLEN

REGD. NO. 01477/S.P.M/T

ESTB. 1981

SECRETARY:

IRABOT NINGTHOUJA

LEIHOU NUNGHOU SANGLEN,
KONGPAL KHAIDEM LEIKAI, IMPHAL.

ꯄꯥꯎꯃꯤꯊꯨ

ꯑꯔꯤ ꯁꯥꯌꯥꯛꯀꯤ ꯇꯥꯡꯍꯥꯛꯀꯤ, ꯑꯔꯦ ꯁꯥꯌꯥꯛꯀꯤ ꯇꯥꯡꯁꯟꯀꯤꯅꯕ, ꯀꯤꯅꯕ ꯁꯥꯡꯂꯣꯛ ꯀꯤꯅꯖꯤꯕꯤꯡꯒꯤ, ꯃꯦꯗ ꯅꯦꯟꯗ-ꯍꯧꯔꯗ ꯂꯃꯆꯕꯌꯥꯡꯗ ꯃꯌꯨꯝꯕꯤꯡꯒꯤ ꯂꯩꯁꯥꯕꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯇꯥꯡꯁꯟꯀꯤꯅꯗꯦ-॥ ꯀꯤꯕꯤꯗꯦ ꯃꯇꯧ ꯍꯧꯗꯕꯤꯒꯤ ꯁꯦꯗꯦ-॥ ꯂꯩꯁꯕꯦ ꯃꯌꯨꯝꯒꯤ ꯆꯥꯂꯤꯡ ꯅꯥꯕꯤꯕꯁꯤ ꯃꯇꯧ ꯌꯗꯧꯃꯕꯗꯦ-॥ ꯄꯨꯕꯨꯝ ꯃꯌꯨꯝꯕꯤꯡꯒꯤ ꯌꯥꯕꯁꯤꯡ ꯇꯥꯌꯥꯒꯤ ꯇꯥꯡꯁꯦꯟ, ꯍꯧꯅꯕꯥ ꯌꯥꯡꯕꯦ ꯃꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯂꯦꯇꯄ-ꯇꯥꯁꯄ, ꯆꯥꯕꯝ ꯆꯥꯁꯤꯕꯒꯤ,ꯃꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯌꯥꯡꯒꯂꯤꯁ ꯂꯦꯇꯄ-ꯇꯥꯁꯄ ꯆꯥꯕꯝ ꯆꯥꯄꯅꯦ
ꯌꯥꯅꯕꯤ-॥

ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕ ꯃꯌꯨꯝꯕꯤꯡꯒꯗ ꯃꯇꯧ ꯌꯗꯧꯃꯕ ꯌꯥꯂꯤꯁ ꯇꯥꯕꯤꯕ ꯃꯂꯤꯡ ꯇꯥꯡꯖꯤꯡꯃ-ꯁꯨꯕꯦꯕ ꯇꯤꯕ ꯀꯔꯦꯒꯤ ꯃꯦꯒꯤ-ꯃꯦꯒꯤ ꯍꯧꯒꯁꯕ ꯆꯥꯕꯃꯇꯒꯤ-ꯇꯥꯁꯄꯇꯒꯤ ꯀꯔꯦ ꯃꯌꯨꯝ ꯒꯥꯅꯕꯒꯤ ꯅꯨꯡꯌꯥꯒꯁꯒꯤ ꯌꯨꯝꯆꯥꯡꯍꯧꯗ ꯃꯤꯌꯥꯅꯕꯁ ꯍꯧꯡꯌꯥꯡꯕꯤ-॥ ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯇꯥꯁꯄꯇꯒꯤ ꯆꯥꯁꯕꯦꯅꯕ ꯃꯤꯌꯥꯅꯕ ꯌꯥꯄꯅꯗ ꯂꯕꯨꯡ--꯲꯰ꯁ ꯷ ꯂꯨꯗ ꯁꯄꯌꯥꯡ ꯖꯥꯃꯁꯪ, ꯃꯤꯌꯥꯅꯕ ꯌꯥꯄꯁꯅꯗ ꯍꯨꯡꯌꯥꯅꯗꯗ ꯆꯃꯕ ꯖꯤꯡꯁꯗꯦ-॥

ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕ ꯃꯌꯨꯝꯒꯤ ꯇꯥꯁꯄꯇꯒꯤ ꯌꯥꯁꯨꯃꯕ ꯇꯥꯡꯑꯣ ꯀꯔꯦꯁ ꯃꯌꯨꯝ ꯌꯥꯅꯕꯗ ꯌꯥꯕꯤꯕ ꯍꯧꯅꯥꯡꯒꯤ ꯁꯥꯁꯄ-ꯁꯥꯂꯤꯡ ꯂꯨꯗ ꯌꯥꯡꯒꯂꯤꯁꯕ ꯗꯄꯍꯧꯪ-॥ ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕ ꯃꯌꯨꯝꯒꯤ ꯆꯥꯂꯤꯒꯨꯕ ꯍꯨꯡꯍꯧꯗꯗ, ꯌꯆꯅ-ꯌꯑꯣꯪꯒꯤ, ꯆꯥꯄꯦꯅ-ꯂꯦꯇꯄꯇꯒꯤ ꯌꯥꯅꯕꯁ, ꯃꯂꯦꯗ-ꯃꯂꯦ ꯄꯁꯗ ꯇꯃꯕꯪꯒꯤ ꯇꯃꯑꯣꯡꯗꯁꯨꯗ ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯁꯥꯁꯄ-ꯁꯥꯆꯦ ꯂꯨꯁꯪꯌꯪ-॥ ꯃꯤꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯌꯥꯡꯒꯂꯤꯁ ꯆꯥꯕꯝ-ꯆꯥꯄꯦꯅ, ꯂꯦꯇꯄ-ꯇꯥꯁꯄ, ꯆꯌꯥ-ꯄꯦ ꯄꯦꯅꯕꯗ ꯍꯇꯅꯕ ꯌꯥꯡꯒꯂꯤ ꯌꯥꯅꯌꯪ-॥

ꯃꯌꯨꯝꯦ-ꯃꯃꯦꯗ ꯃꯁꯦꯕ ꯗꯨꯡꯂꯤꯕꯒꯨꯝ ꯃꯁꯦꯗꯁꯤ ꯃꯃꯦ-ꯃꯌꯨꯝꯦ ꯗꯨꯡꯂꯤꯕꯒꯤ ꯂꯕꯨꯡꯂꯤꯡ ꯑꯪꯋꯇꯤ ꯌꯄꯌꯥꯡꯗ ꯑꯦꯅꯕꯁꯤ, ꯑꯦꯅꯃꯒꯕ ꯑꯦꯅꯕꯁꯨ ꯌꯥꯅꯄꯕꯪ-ꯗꯤꯡꯖꯤ-॥ ꯇꯦꯅ ꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯇꯥꯁꯄꯇꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯂꯦꯇꯄꯇꯒꯒꯂꯤ *ꯃꯦꯕꯁꯤꯡ-ꯄꯨꯒꯆꯥꯌꯇꯒꯤ* ꯀꯥꯕ ꯇꯦꯅꯕꯤꯌ ꯌꯂꯤꯗ ꯃꯔꯪꯌ ꯂꯪꯡꯗ ꯍꯧꯌꯇꯤ-॥ ꯰ ॥

ৱাহৌদোক

হয়ি চক্কী লাংহৈকোন, হয়া চক্কী লংদাইরেন, লাংবা কোনবা চকলোন, চকশিংকোন্দি লাংদাইরেন। মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা মপুরেন শিদবগী খুরুম লংদাইকোননি। কৌরৌনা মালেম তাইরিঙৈগী ৱানি। শিদবা মপুগী থৌশিল ওইরিবদি মালেম অনেম্বনি। খুরুম মপুরেল ওইবগী লাংওন লাংদাই, তাইবং পানবা মীওইবগী শাজৎ-লিচৎ, থৌরম থৌদারোল, মীওইবগী পুন্সিদি শাজৎ লিচৎ, থৌরম থৌখাইনা ওইরি। লাই ওইবা মপুরেননা মালেম অনেম্বা অসিদা লৈরিবা জিবা লাক্ষ কয়াগী মাগী মাগী তৌগদবা থৌদারোল, লিচৎলোন কয়া মপু ওইবগী নুংলোন্দগী পুথোক্কুনা মীওইবদা তাকপিরি। লাই ওইবগী লিচৎলোন থৌখাইবু মীওইবা ঐখোয়না শরুক ১০ কাদা, মঙা পুন্না চৎপা ঙমদে। মীওইবা ঐখোয়না তুংতাননা থম্বা ঙাক্কনি। লাই ওইবা মপুগী লিচৎলোন অচুম্বা লোন ওইখিদবা নত্তে। লাই ওইবা মপুগী থৌশিলবু তুংতাননা, অথোই নাপল থৌখাই, তাইপং শাচৎলোন ওইপদি মশানা মশা খঙদনা লমবেল লমফাংনদুনা লাই ওইবগী চৈচৎ শুদেএ। মীওইবগী পুন্সিদি থৌরম থৌখাই, শাজৎ লিচৎ, থক খা খায়বনা, তোলোইবা পুন্সি ওইয়ে। মমা মপানা মচাপু নুংশিপকুম মচাদি মমা মপাবু নুংশিবদি অৱাৎপনা মহেল্লে। লাই ওইবগী লিচৎলোন মীওইবগী শাজৎলোল অসি মারচিং খুঙ্গোকলোল কৌবা লাইরিক অসিনা ময়েক শেংনা তাকল্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯋꯥꯍꯩ

"ꯃꯅꯕꯤꯡ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤꯗꯨ" ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ "ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯁꯦꯡꯕ" ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛꯇꯤ ꯏꯄꯨꯔꯣꯌꯒꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯥꯔꯦ ꯊꯥꯒꯠꯄꯤꯔꯤ ꯇꯥꯔꯦ, ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯦꯝꯕꯤ ꯃꯤꯔꯣꯜ ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯇꯥꯀꯄ ꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯂꯨꯍꯣꯡ ꯄꯨꯅꯕ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯀꯨꯊꯥꯛꯀꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯒꯤꯗꯃꯛ,

ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯁꯤꯡꯗꯥ ꯋꯥꯡꯈꯠꯂꯕ ꯃꯄꯨ ꯌꯥꯝꯅ, ꯃꯇꯝꯗꯨꯗꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯅꯕ-ꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ (ꯇꯩ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ), ꯅꯨ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯑꯣꯏꯗꯨꯡ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯀꯣꯇꯨꯡꯂꯥꯒꯤ, ꯀꯨꯄꯨꯝ-ꯀꯨꯁꯨꯝꯗꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯋꯥꯡꯈꯠꯂꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯃꯄꯥꯡ ꯂꯣꯏꯅꯅꯕꯗꯨ, ꯃꯇꯝ-ꯃꯥꯏ ꯁꯦꯡꯕ, ꯌꯥꯏꯊꯪ-ꯀꯥꯡꯊꯣꯛ, ꯀꯥꯡꯂꯣ-ꯌꯥꯏꯐꯕ, ꯇꯥꯀꯄꯤꯔꯝꯕꯁꯤꯡ ꯀꯣꯇꯨꯡꯂꯥꯒꯤ ꯃꯄꯨ ꯌꯥꯝꯅ, "ꯃꯅꯕꯤꯡ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤꯗꯨ" ꯑꯁꯤ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯇꯥꯔꯦ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯏꯕ ꯀꯥꯏꯅ ꯂꯨꯕꯥꯏꯔꯤ ꯇꯥꯔꯦ, ꯃꯅꯕꯤꯡ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯡ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕꯗꯨ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤ ꯂꯨꯍꯣꯡꯕ ॥ ০ ॥

ꯊꯧꯗꯥꯝ ꯕꯤꯔꯃꯪꯒꯜ ꯁꯤꯪꯍ

ꯋꯥꯡꯈꯩ (ꯑꯃꯥ) ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯃꯤꯍꯨ

ꯂꯨꯕꯥꯏꯔꯤꯛ ꯃꯍꯩ ꯇꯥꯀꯄ, ꯀꯥꯡꯄꯣ ꯀꯣꯟ

থাগৎচরিবশিং

মারজিং খুঙ্গোকলোন কৌবা লাইরিক অসি পুথোকপীরকপা ওজা ইবুঙো ইরাবত নিংথৌজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা ঐখোয়না থাগৎচবগা লোয়ননা মৈতৈ পুয়া, মালেম চুকখোঙলোন, চকশিংকোল, লাইয়াম খুঙ্গোক, উমংলাই খুঙ্গোকলোন, লাইরেম্বী নোংকুমলোন, চকশিংকোল মারজিং খুঙ্গোকলোন কৌবা লাইরিক অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মতুং তাবদা মৈতৈ পুয়াবু নুংশিজবা, ঐখোয়নসু ওজাগী ঙম্বা মখৈ মতেং পাংজবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবশিং

১) নিংথৌজম মঙ্গী মৈতৈ -এলাংবম লৈকাই।

২) য়েংখোম ইবোতোম্বী সিংহ - য়াইস্কুল।

৩) নিংথৌজম মনিহার সিংহ- কেংপাল খাইদেম লৈকাই।

৪) খুমল্লম্বম তোম্বী সিংহ - চিংমৈরোং মমাং লৈকাই, ইম্ফাল।

৫) লৈশাংথেম নিংথেমজাও সিংহ - লাইফম খুনৌ মখা লৈকাই, ইম্ফাল।

৬) নাওরোইবম রনজিৎ সিংহ - খুরাই পুথিবা লৈকাই, ইম্ফাল।

৭) মণিখোম্বা থৌচোম - খুরাই সলানথোং, ইম্ফাল।

৮) মৈস্নাম অনিলকুমার সিংহ - হৈরাঙ্গোইথোঙ মনিং লৈকাই, ইম্ফাল।

৯) নিংথৌজম মনিহার সিংহ - চিংমৈরোং মনিং লৈকাই, ইম্ফাল।

১০) য়ুম্নাম ইন্দ্রাজিৎ সিংহ - নম্বোল।

১১) ফিজম তোম্বা সিংহ - খুরাই পুথিবা লৈকাই, ইম্ফাল।

১২) নোংমাইথেম সুরজিৎ সিংহ - খুরাই, ইম্ফাল

১৩) লাইশ্রম ধনেশ্বর সিংহ, খুরাই নিংথোবুং, ইম্ফাল।

চৎনরোল	লাতন

১)	কোরৌ থৌখাই	১-৪
২)	চকশিংকোন কোরৌহনবা	৫
৩)	নোংদম্বা চকশিং	৬
৪)	অতিয়া শিদবা চকশিংকোন	৭
৫)	সোরারেন ইনুংকোন	৮
৬)	লৈমা শিদবী হিরিকোন	৯
৭)	সনামহি লাংহৈকোন	১০
৮)	পাখঙবা লাংদাইকোন	১১
৯)	ফৌওইবী লাংহৈকোন	১২
১০)	ইমোইনু লাংহৈকোন	১৩
১১)	পান্থোইবী লাংদাইকোন	১৪
১২)	নোংথাংলৈমা লাংহৈপুং	১৫
১৩)	চিংজ্রোইবী লাংদাইকোন	১৬
১৪)	সনামহি লৈশেমলোন	১৭-১৯
১৫)	মারজীং থেলোন	২০-২৩
১৬)	হুম্মুলৈমা মরানলোন	২৪-২৭
১৭)	কৌরৌ লাইয়াম থৌখাইরোন	২৮-৩১
১৮)	মমোম তরেৎ লাংদাইনুং	৩২-৩৫
১৯)	নোংকুমলোন	৩৬-৩৯
২০)	তোলোংখোম্বা মীংখৈরোন	৪০-৪৩
২১)	হুম্মু লৈমা পিবুকথেন	৪৪-৪৭
২২)	তোলোংখোম্বা শাফোংলোন	৪৮-৪৯
২৩)	মারজিং খারৈকোল	৫০-৫৩
২৪)	তোলোংখোম্বা নাওথেমলোন	৫৪-৫৮
২৫)	থাংজিং থেলোন	৫৯-৬২
২৬)	কৌব্রু লাইশা	৬৩-৬৭
২৭)	তোলোংখোম্বা লানথেংলোন	৬৮-৭২
২৮)	কৌব্রু মারজিং শারিকোন	৭৩-৭৬
২৯)	কৌব্রু লাংকোইরেন	৭৭-৮০
৩০)	লাললোই শঙ	৮১-৮৪
৩১)	ৱাতাই পুঙ	৮৫-৮৮

৩২)	তোলোংখোম্বা লালপুঙথেল	৮৯–৯১
৩৩)	লোইবী লোইয়া চীং	৯২–৯৬
৩৪)	চীংখৈ লালথেঙ চীং	৯৭–১০০
৩৫)	নুংথেঙলৈমা শারিকোন	১০১–১০৩
৩৬)	কৌব্রু মমোমলোই	১০৪–১০৭
৩৭)	কৌনুথেল	১০৮–১১২
৩৮)	লোয়ারাকপা থাংমাইকোন	১১৩–১১৭
৩৯)	মারজিং হরাওথেন	১১৮–১২২
৪০)	তোলোংখোম্বা ফম্বাললোন	১২৩–১২৭
৪১)	তাওবী খারৈ চীং	১২৮
৪২)	চীংখৈ খিংলোই চীং	১২৯
৪৩)	তাংবা উরেন মৈরেন চীং	১৩০
৪৪)	পাওশি পাওদম চীং	১৩১
৪৫)	য়াংবা শারম চীং	১৩২
৪৬)	অঙান লুরুক চীং	১৩৩
৪৭)	নোংপোক মৈরেন চীং	১৩৪
৪৮)	কাইরেন তোকপা চীং	১৩৫
৪৯)	লাইতিন রাঙম চীং	১৩৬
৫০)	থাংমাই পাউচিথেন	১৩৭
৫১)	হালোয় রাঙম চীং	১৩৮
৫২)	পাউশু কাইরেন চীং	১৩৯
৫৩)	শাবা লময়াং চীং	১৪০
৫৪)	শাকোক মৈথাং চীং	১৪১
৫৫)	লমদাই পুংকোই চীং	১৪২
৫৬)	ঙাইরেন লমতাই চীং	১৪৩
৫৭)	পাংলৌ লৌশি পাং	১৪৪
৫৮)	খিংলোধ তাওরোই খোং	১৪৫
৫৯)	সনামহি লৈশেমকোন্দা শাকোন হৌরকফম	১৪৬–১৪৭
৬০)	লাইয়ামশিংদা শাকোন শিন্নখিবা	১৪৮
৬১)	থাংজিংদা শাকোন শিন্নখিবা	১৪৯
৬২)	লাইয়ামশিংদা শাকোনগী মতিক ময়াই	১৫০
৬৩)	শাকোন কাংজেরোন হৌখিবা	১৫১–১৫২
৬৪)	মারজিংগী শাকোন কাংজেরোন	১৫৩–১৫৪
৬৫)	লোইয়ারাকপা খোরিফাবা কাংজেরোন	১৫৫–১৫৬

৬৬)	শাকোন কাংজৈ কননা পুথোকখিবগে	১৫৭-১৫৮
৬৭)	লাইয়ামগী কাংজৈরোন	১৫৯-১৬০
৬৮)	নিংথৌরোন হাক্তা অহানবা কাহজৈরোন কনানো ?	১৬১-১৬২
৬৯)	কাংজৈরোনদা শরুক য়াখিবা নিংথৌরেন কয়ানো ?	১৬৩-১৬৪
৭০)	কাংজৈরোননা করি কানবা লৈবগে ?	১৬৫-১৬৬
৭১)	করম্বা শকোন্না কাংজৈরোন য়াওগনি ?	১৬৭
৭২)	কাংজৈরোন মখন কয়া শুবগে ?	১৬৮
৭৩)	লাই হরাওবা কদাইবু কৌবগে ?	১৬৯-১৭০
৭৪)	হরাওবা মখন কয়া শুবগে ?	১৭১-১৭২
৭৫)	নোংমাই হরাওবনা ফোংদোকলিবশি করিবুনো	১৭৩-১৭৪
৭৬)	অহানবা হরাওবা কননা থৌশিখিবনো ?	১৭৫-১৭৬
৭৭)	কংলৈ হরাওবা মীওইবগা করি মরি লৈনবগে	১৭৭-১৭৮
৭৮)	লাইফি মেৎপা, ইকৌবা থৌরম করিনো	১৭৯-১৮০
৭৯)	লাইপৌলা করিগী থৌরমনো ?	১৮১
৮০)	জগোয় খুথেক ৬৪ বু করি কৌবগে	১৮২-১৮৩
৮১)	হেইরৌ-হোয়া, অনোইরোন করিনে	১৮৪-১৮৫
৮২)	মীকোন থাগোন কদাইবু কৌবগে	১৮৬-১৮৭
৮৩)	হিজিং-হিরাও ঔগ্রি-হংগেন করি থৌরমনো	১৮৮-১৮৯
৮৪)	লাইরেন মথেক, পাতোন করিগী চংলিবনো ?	১৯০-১৯১
৮৫)	শাবা লমথোক কোইনা লময়েংবা করিগীনো	১৯২-১৯৩
৮৬)	শারেই খাংবা অমসুং শারেন করিনো ?	১৯৪-১৯৫
৮৭)	তাংখুন নুরাবী কনানো	১৯৬-১৯৭
৮৮)	লাই হরাওবা মীওইবদা কদাই ফাওবা কান্নবগে	১৯৮-১৯৯

চক মরিগী চৈশিং :

হয়ি চক (সৈত্যা)- চহি ১৭,২৮,০০০

হয়া চক (ত্রেতা)- চহি ১২,৯৬,০০০

খুনুংচক (দ্বাপুর) - চহি ৮,৬৪,০০০

কোনবা লাংবা চক (কলি) - চহি ৪,৩২,০০০

কচ্চবা

মারজিং খুন্থোকলোন কৌবা লাইরিক অসি ওজাশিংনা লারোল নাইনা থম্বীরম্বা, ‘‘উমং লাই খুন্থোকলোন’’কৌবা পুয়া লাশিং২৮২৩ লারোলদগী লাশিং ৭৫ দং লৌখৎচরগা মীয়ামগী মফমদা, ‘‘মারজিং থেলোন, থাংজিং থেলোন ,ব্রাংব্রেন থেলোন, কৌব্রু থেলোন, লোয়ারাকপা থেলোন, তোলোংখোম্বা ফম্বাললোন, খোরী ফাবা থেলোন, কৌনুথেল, অয়াংলৈমা খুন্থোক ,অনাল চনু লাংদাইকোন ,হমুলৈমা মরানলোন কোরৌ লাইরেম্বী মালেম নোংকুমলোনবু’’,মারজিং খুন্থোকলোন কৌবা লাইরিক অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। লাইরিক অসি ওজাশিংগী মতেংদগী মীয়ামগী মফমদা কংচরিএ।

(উমংলাই খুন্থোক পুয়া মালেম চুকখোংলোন পুয়া)

ইরাবোত নিংথৌজা

চিংমৈরোং মনিং লৈকাই , ইম্ফাল

কোরৌ থৌখাই
(চুকখোং লাংদাই)

হয়ি চক্কী লাংওননি, হয়া চক্কী লাংদাইরেন, খোরুম মপুরেল ওইরিবা অতিংকোক মরুরেল শিদবা, কোরৌ লাইগী লাইরমলেন, হেলোইবনা লাংহৈকোন্দা, মপুরেন শিদবনা চিংউবা লাইয়াম পুম্ববু লাইতিন পুংগী পুংকোইরেন মকৌনা, মপুরেল শিদবনা। কৌরৌ লাইয়াম লাইতিন পুংগী পুংকোইরেনদা লাইয়াম পুম্বা মথুংএ। মাগী মফদেংদা, ফম্বাল লাংদা লাইয়াম পুম্বা ফমদেংলে।

চীংউ লাইগী মপুরেন অতিংকোকলেন শিদবনা কুরু ফম্বাল য়াইদা ফমদেংলে। লাইয়াম পুম্বসু কোরৌ লাইরমলেনগী লাইতিন পুংদা মশুনা তিল্লবদা লাইয়াম পুম্বা য়েংলগা মপুরেনদী শিদবা অতিংকোকলেনা মহায়রক্লে। কৌরৌ লাইয়াম ফম্বাললেনও, অতিংকোক মরুলেন ঐনা লাইতিন পুংকোইদা লাইয়াম্বু মকৌবদি অতৈ য়াৰা অমগী নৎতেএ।

কৌরৌ লাংহৈকোনদি হয়ি চাকশিংকোন মওইরি। লাইয়াম পুম্বনা খোয়ুমগী শিঙ্গা লাংহৈ পুংদা লাংদাই পুংকোই ওইনবা, চকশিংকোনগী লাংদাইরেন হয়া চকপু মপুথোকসি। মসি য়াৰা লৈবনা লাইয়াম পুম্বগী লাংদাইকোন ওইফৈএ মহাইনা, মপুরেন শিদবা অতিককোক মরুরেননা মতাকপিরে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মপুরেন শিদবগী য়াৰাবু খোরুম লাংহৈকোন মওইরগে মহায়রে। লাইয়াম পুংকোইরেন্দা অতিংকোক শিদবনা লাইয়াম্বু য়েংলগা তাবীহৈনা লাইয়াম পুম্বা। হয়ি হয়া চকলোননা লৈথক লৈখারোন মওইগনি। অৰাংবা অনেম্বা হায়না মরৈগনিএ।

কৌরৌগী লাইয়াম পুম্বনা মপুরেনগী য়াৰাবু মতাদুনা, চকশিংকোন লাংহৈদা, হয়ি হয়া লাংদাই পুংকোই মওইনি হাইনা মতাইবা য়াৰালেনবু, লাইয়াম পুম্বাহোইয়ারে। মরুলেন শিদবনা লাইয়াম ফম্বাললোনবু য়েংনা মহাইরে।

কোরৌ চকশিংকোন লাংহৈদা মপুরেন শিদবগী য়াথংলেনবু, কৌরৌ ফম্বাললেন লাইয়াম পুম্বনা হোয়াজৈএ। লাইয়াম্না মপুরেনবু য়েংলগা হঙ্গচৈএ। মপুরেল শিদবনা য়াইবিকোনগী লাংদাইরেনদা, চকশিংকোনগী লাংহৈদা, লাইয়াম পুম্বা মপুথোকপীএ।

মপুরেল শিদবা খোইয়ুম ফম্বাল য়াইওইবনা লাইয়াম খিবিক মপুথোকপিবা, লাইয়াম হরাও মথোই মকাজৈ। হয়ি হয়া চকশিং মতাইবদা লাইয়াম ফম্বাললেন ঐখোয়বু, খোরুম শিঙ্গা পিবিও মহায়জৈনা লাইয়াম্না। চিংউবা লাইয়াম পুম্বগী য়াৰা খিবিক তাবদা মপুরেলনা মহায়এ।

তাবা থিবিক ওইবিও, লাইয়াম পুম্বা তাফেএ। মপুরেন শিদবা ঐগী য়াৰাদি লাইয়াম থৌখাই মওইবিও, খোরুম শিম্বা মপাংসে। হৈ হয়া লাংদাইসে, লৈথক লৈখা লাংহৈসে খোরুম মপুংরে মওইসে লাইয়াম্বু য়েংলগা মহায়এ মপুরেনদি কায়ফ দ্রবা চকশিংকোনগী লাংহৈদা, মপুরেন অতিংকোক য়াৰাবু লাইয়াম হোয়ানরক্লে। লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ।

চিংউবা লাইয়াম পুম্বনা হয়ি হয়া চকশিংকোন, লৈথক লৈখারোন লাংদাইদা খোরুম লাইয়াম পুম্বনা লাংহৈ পুংকোই মওইগদবা, খোইরুমগী মীংথৈরেন মহায়গে, লাইয়াম পুম্বা তাফেএ। য়াৰা অসি কৌরৌ লাইয়াম্বু য়েংনা শিদবনা য়াৰা মহাইরক্লে।

কোরৌ ইনুং লাইকোনুং, লাইয়াম ফম্বাল য়াইতোংবা, মপুরেনদি শিদবনা লাইয়াম্বু য়েংনা মহাইএ। কোরৌ য়াইবী ইনুংকোনগী লাইয়ামও। হৈয়াগী লাংদাইকোন মওইজৌও, খোইরুমগী মীংথৈ মপীবিএ, তাইফে দো লাইয়াম, অসুম মপুরেন মহায়রে লাইয়ামদা।

খোরুম ফম্বাল ঙালোইবা মীংথৈ নুংগী অঙানবা, কৌরৌ হনবা ৰাংলেনবা, মালেমবু শিন্না ঙানবনা, খোরুম শিম্বা মওইজৌও। হয়া কোনগী লাংহৈদা কোরৌহনবা থৌদা পাংজরো, নতিক্লা ময়াই হেলোই, অঙম অঙান ওইজরো।

হয়ি হয়া লাংদাইরেন খোইরুম মপুংয়াই লাংহৈকোন, পুংলেন মাবু মখনজৌ, থৌদা মাবু ফংজববু খোরুম মঙম ওইজৌনা। মসি য়াৰা মহায়না মপুরেন শিদবগী লাংহৈকোন্দা, লাংদাই মপুং ওইরিবা কোরৌ হনবা মীংথৈ লাংহৈনা খোরুম শিম্বা মওইখরে।

মপুরেন শিদবনা ফম্বাল লাংহৈ ওইরিবা চিংউবা লাইয়াম্বু কোয়না য়েংলকলে। কৌরৌ থৌদা পুংকোই খোরুম মতিক ময়াই হেলোই, নুমিৎ থাগী শাওংলেন্দী কোরৌ মপু ওইরিবা শিদবগী লাংহৈবু, খোরুম মাগী মীংথৈরেনবু হয়াগী লাংহৈকোন, অতিয়া শিদবা হায়না খোরুম মীংথৈরক্লে। লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজৈনা।

লাই মরুরেন শিদবনা কোরৌ য়াইবীকোন লাংহৈ ওইখিবা,চীংউবা ফম্বাললেন মতাইরিবা, সোরা ৰাংবা লাইবু য়েংলগা মহাইরকলে। তারো সোরা ৰাংবা, হয়ি চক্কী লাংহৈকোনদা লাংদাইকোন ওইরিবা শিতপা ঐগী য়াথংলেন, হয়া লাংহৈকোনদা লাংদাইকোন মপুং ওইজৌও,খোরুম মীংলেন ফংদুনা শিম্বা মপুংলেন পাংজৌও।

অতিংকোক শিদবগী য়াবাবু ইনজরিবা লাইনিংথৌদি সোরা ৰাংবনে। মপুরেন শিদববু কোকনোঞ্জনা মহাইজৈ। চীংউ শিদবা খোয়ুম লাংওন পাংলিবা সোরা ৰাংঙমলোন, ঐগী ফম্বাল

মশক খংহনবীগে, ফম্বাল অথৌবা শিন্নবীগে, লাংওন মশক খংবনা শিঙ্গা মাবু মওইজৌ মহাইনা তাকবীবা, পঙ্গাবা য়াৰা লৈতনা মপুরেনগী য়াৰাবু লাইওইবা সোরা ঐনা মঙাইজরিএ।

মরুরেন শিদবনা লাই ফম্বাল ইতোংলিবা সোরাবু য়েংনা মহাইরে। খোয়ুমগী লাংওন খংজরো, হয়া লাংহৈকোনদা কোরৌ মালেম লাংদাইকোন ওইজৌ। লাংওন শাইওন লাংদাইরেন, হেলোইবা লাইদি সোরারেন মীংথোনদুনা খোয়ুম লৈঙাক মপু ওইজৌও। মপুরেনগী য়াৰা তাবদা লাইওইবা সোরারেন হরাও মথোই কাজৈনা ।।

অসিনসু মদোমদে, লাইয়াম পুম্বা লাইতিন পুংদা লৈববু ময়েংদুনা, ঙৌরেন লাইবু য়েংলগা মহাইরকলে। তারো লাইরৈপাক্কী লাইওইবা ঙৌরেনবাও, খোয়ুম মীংলেন মীংখৈ পীরাগে, লাংওন শাইওন তাকলগে, তাফৈদো। মপুগী য়াৰা তাবনা লাইওইবা ঙৌরেনবনা মপুরেন শিদবা কোকনোঞ্জনা তাকপীরো হায়না মহাইরকলে।

লাইওইবা ঙৌরেনববু য়েংলগা মহাইরকই। ঙৌরেনবা নংলেন ফম্বাল মশক খংহনগে, লাংওন মশক তাকলগে, হয়ি হয়া অনিগী লাংদাইকোন পীরগে, তাফৈএ ঙৌবরেন। ঙৌবরেন্না মপুদা তাকপীও মহাইরবদা মপুরেন শিদবনা মহাইরকলে।

তারো খোয়ুম ঙৌবরেন, লাইওইবা খোয়ুম নংলেন লাংদাইরেন সোরা ৰাংবগী মপারী লাংওনলো, হয়া লাংদাই ওইজরো, খোইয়ুম লাংহৈকোনগী লাংদাইদা সনা লিরেন ঙৌবরেল মীংখৈ ফংজৌও। য়াৰা তাবদা ঙৌবরেন হরাও মথোই কাজৈনা।

মপুরেন শিদবনা চকশিংকোনগী লাংহৈদা, লাইতিন পুংগী পুংকোইরেন্দা লাইয়াম লক্তাগী কোইনা লৈদুনা য়েংলগা খোইয়ুম ফম্বাল লাংলিবা অচিবা লাইনিংথৌবু য়েংনা মহাইরকলে। খোয়ুম লৈঙাক মপুরেল মীংখৈ লাংদুনা ফম্বাল লাংও। চীংউ নতিক নয়াই হেলোইবা, চীংউ লাংওন লাংদাইরেন মওইনা, লাংওন মাবু খংজৌও। খোয়ুমগী কোলোই হেলোইবা, অচিবা মীংখৈ ফংজনা,ফম্বাল লাংবু মফংজৌও।

মপুরেন শিদবা লাইয়ামবু য়েংদুনা মহাইরে তাফৈদো খোয়ুম লাইয়াম। অৰাং কৌবা হেলোইবা মালেম চুকখোং লাংদাইরেন খোয়ুমলেন ফম্বাল লাংবদি অৰাং কৌবু চুকলেনবা, চীংউগী মতিক ময়াই হেলোইবা, কৌবা হেলোইবা মীংখৈনা, খোয়ুম শিঙ্গা পাংফৈনা। নতিক্কা নয়াই ৰাংথোইবা, খোয়ুম শিঙ্গা ফংজৌও। মপুরেল শিদবগী য়াথংবু, মালেম শুমলেন পুবা মপুরেন কৌবনা হৌয়ারে।

মালেম চুকখোং লাংহৈ মওইরিবা লাইওইবা থাংমাইরেনবু ময়েংনা মহাইরে। মপুরেনগী য়াৱাবু চুকখোংলেন পুরিবা খোয়ুম শিদবনা খোইদাজৈ। হাদা মপুরেন শিদবও, চুকখোং, থেংখোং, লাংপোং, ইচিক-ইরিল তমজবদি মপুবু মশক খংজবা ওইএ। মপুরেনগী য়াৱদি খোয়ুম লৈঙাক পুজবনা, মালেম চুকখোং মতাইবনা, খোয়ুম শিঙ্গা ওইজগে।

কোরৌ লাইপুংথেলদা লাইয়াম তিনবা লাইতিনপুংদা, মপুরেন্না লাইয়ামবু য়েংনা ফম্বাল মশক তাকল্লে। মালেম চুকখোং লাংদা, লাংদাই পুংতাই ওইরিবা লাইয়ামবু য়েংলগে মহাইনা, তারো খোয়ুম মালেম চুকখোং মতাইও,কোলোই নংগী মীংলেন্দি, ৱাংপু হেলোইবা মীংখৈনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংফৈনা। মপুরেন শিদবগী য়াৱাবু চুকতাইখোং লাংদাইরেন মপুনা হোয়াজৈনা, মপুরেন শিদবগী য়াথংলেনবু।

থাংলোই য়াংবা লাইবু য়েংলগা, খোয়ুম লাইয়ামলক্তগী ফম্বাল পীগে মহাইরে। খোয়ুম শিদবনা মপুরেনগী য়াৱবু হোয়াজৈনা। য়াৱারেন ফম্বাল লাংদুনা চুকখোং লাংদাই ওইজৌও, মতাকপীরে শিদবনা। য়াইবী লোক্কী লাংহৈদা লাংদাইরেন পুংকোই ওইরিবা খোংলেম্বা লাইবু য়েংলকলে। শিদবা মপু ওইবনা মপুরেন্না মহাইরে খোয়ুম লাইয়ামলক্তগী খোংলেম্বাবু য়েংলগা মহাইরকলে, লৈঙাক নোংতম ওইরোদো,নোংদম্বা হায়না লাংহৈরে, মসি য়াৱা হাইনা লাংহৈ পোংদোং ওইরক্লে।

কোরৌ লাইয়াম য়েংদুনা হয়াগী লাংহৈ ওইরক্লে,মপুরেন শিদবনা মহাইরে। চকশিংকোনগী লাংহৈদা লাইয়াম পুম্বা শিঙ্গা লাংওন ফম্বাল মপিরেদো। লাংদাই মশক খংবনা লাংওন মাবু মউজৌও, মহাইবীরে মপুরেনদি শিদবনা। মপুরেনগী য়াৱা ফম্বাললেন লাই ওইবনা হরাও মথোই কাজৈনা। লাইওইবা ফম্বাল ওইবনা মপু শিদবদা থাগৎচরে। মপুরেননা খোয়ুম লাংওন মীংখৈ মতাকপীরে, মপুরেনগী লাংওন লাংদাইদা লাইয়ম পুম্বা খোরুম থৌপু থৌকাংজগে ,মপুনা খোরুম লিক্লম, চুকখোং তাপিয়ু, কোরৌ লাইয়াম্না মহাইজৈ। লাইয়াম পুম্বগী য়াৱা তাবদা মহাইরে শিদবনা। তারো লাইয়ামশা, তুংদানবা লাংওন লাংদাইবা খোয়ুম শিদবা ঐনা লাংহৈগে।

লাংবা লাইগী চকশিংকোন্দা মপুরেন শিদবা ঐরেন থৌশিল লাংওইবা চকশিংকোন মওইগনি লাইওইবনা খুভম লাংএ হাইনা লাংওইবা চক মকৌকনিএ। লাইওইবা সোরাগী মপারী ঙৌবনা মলেম লৈশেম্ তুশেমগনি। কোনবা চকশিংলোন লাক্কনি। লাইওইবা লাংবা চক্তা লাইগী ফম্বাল লৈরগনি। কোরৌনা মালেমগা অনিগী লাংদাইকোন, খোয়ুমগী চুক তাকলবনিনা খোয়ুম লাইয়ামশা, নগাই ফমলেন ইতমসি, মসি য়াৱা মহাইরে। লাইপুংথেনগী লাইয়াম পুম্বা মগাইফমলেন তমখরে,কোরৌগীদি লাইফমলোন।

চকশিংকোন কোরৌহনবা

হয়ি চকতি চকশিংকোন, হয়া চকতি চকতাইরোন, লাংবা কোনবা লাংদাইকোন, মৈনা তাংনা শমথরকপনা, লাইগী চকলোন লাংদাইদা মপুরেন শিদবনা কোরৌ নোংগী য়াৰাবু অনেম্বা মালেমদা লাংদাইগে পাইমা নুংদা মখল্লকলে। হৈ হয়া শিদবা মপুরেনদি অতিংকোকনা, কোকলেনবগী মগাইফমলেন, ইকোক কোকলেন অতিংকোক শিদবদি মপুনা কোরৌ নোংগী য়াৰারেন, পাইমা নুংলোন মতমখিপাপু, খোয়ুম মংফাওনবগুম, অনেম্বা মালেমদা শাফোংগে, পাইমা নুংদা মখনলকলে। কোরৌ মপুরেন শিদবা অতি ংকোকতি মপুরেননা খোয়ুম মংদমনখরে।

পাইমা নুংগী পীবুকনুংদা লৈথক লৈখা পুম্বগী চীংউবা লাইয়াম পুথোক্লগে, পাইমরেন নুংলোন তমখরে। অতিংকোক মপুরেনগী য়াথংলেনদগী য়োইদা ঙানবা অঙাবা, কোরৌহনবা মপুথোকলে। অঙম অঙান খাইরকলে। নোংদম খোংলেনবা মপু শিদবা পুথোকলে। লাই ওইবা শিদবা শিদবী অনিবু কোরৌথক্তা মপুথোকরকলে। শিদবগী নুংলোন য়াইদগী অতিংঙা শিদবা, অতিয়া শিদবা, লাইনিংথৌ পুথোকলে। লাই পুম্বগী মপূরেন অতিংকোকতি শিদবনা মপুথোকলিবা কোরৌগী লাইয়ামবু শিন্থা পীরগে, নুংলোন য়াইদা মখনলক্লে। কোরৌহনবা অমম অঙান খাইরিবা মপুবু মপুগী মগাইফমলেনদা খোংদোই হুল্লকলে।

মপুরেন শিদবা অতিংকোকপু কোকনোঙ্গনা মহাইরকলে। ইপুরোইদি শিদবনা কোরৌহনবা ঐহাকপু কোবীববু করি য়াৰা তাকপীগদবা মহাইজরে কোরৌহনবা। কোরৌহনবাবু য়েংলগা মপুরেন শিদবা অতিংকোকনা মহাইরে। কোরৌ হনবা নংহাকপু ঐহাক্লা কৌবদি অতৈ অমাগী য়াৰা নৎতেএ। নংহাকপু ঐহাক্লা পুথোকলে, চকশিংকোনগী লাংহৈ অসিদা। নুংগী লাংদাইকোন তাকলগে হায়বগী কোরৌহনবা নংহাকপু ঐহাক্লা কৌবনি।

খোরুম পরিং লাংহৈকোনদা অঙম অঙান খায়দুনা খোয়ুম শিন্থা পাংবদো, কোরৌহনবা নঙম পোংদা শিন্থা মপুংলেন ওইজৌও। অঙম অঙান খাইবদি লৈথক লৈখারোন, কোরৌ মঙান নশেক ওইনবা, লৈথক লৈখারোন কয়া অঙান পরৈ হুনজরো। কোরৌহন নহাককী নঙানতনা মালেম অসি শিনবা থুংনা ঙানবনা, মালেম অনেম্বাদা লৈবা জিবা কয়াগী হিংবা ঙমজবা ওইগনি। নশাদগী থোকলকপা মঙানতনা জিবা কয়ানা, মালেম পোৎশক কয়া উজবা, লেংলি পালিবা, উপান-ৰাপান, মনা মশিং কয়ানা হিংজগনি। কোরৌগী মঙালতনা মালেম অনেম্বা অসিদা লৈরিবা জিবা কয়া অসি হিংজবা ওইরসনু। অসি থৌখাই কাওফদেএ।

নোংদম্বা চকশিং

চকশিংকোন লাংহৈ পুংকোইদা মপুরেন শিদবা, ইপুরোইদি শিদবনা চীংউবা লাইগিদি লাইকোননুং, কোরৌরেনদি লাইরমলেন অৱাংবা কোরৌ থকওইরেনদা, চৈচৎ চৈশিং, পুংকোই পুংতম মওইরেনগী থৌদা মপুংংলেন ওইনবা নোংবু তমলে। চৈচৎ লাংহৈরেন ওইনবা, ইপুরেন শিতপনা নুংলোন য়াইদগী নোংতম খোংলেম্বা মপু থৌকাংববু মপুথোককে মখলবদা ,য়াইবিকোনগী য়াইবিরেন শিদবনা ইনুং খাইনা মতাইরকলে। লাই মপু শিতবান নোংতম খোংলেম্বা মপু ওইববু য়াইবিকোনদগী মপুথোক্লে। লাই ওইবগী মতিক ময়াই ওইপনা অঙম অঙান য়ুথক পুংকোই মপুংংলেন মওইনবা খোয়ুম লাইগী মপু ওইরিবা ইপুরোই শিতপনা নোংতম্বা লাইবু মপুথোকপীরে।

নোংতম খোংলেম্বা লাইওইবনা, কোরৌলেনদি লাইরমলেন, লাইয়ামগীদি থেনখৌ পুংকোইরেন, শিদবা মপুরেন ওইবগী য়াইবী কোনগী নোংতম্বানা মপুরেন শিদবা মগাই ফমলেন ওইবদা খোয়ুম য়াথোক তমদুনা মপুরেন শিদবা ইপুরোই শিদবদা কোকনোনজরে। ইপুরোই শিদবগী শাখাইরেনদগী মপুথোকপা নোংতম্বা লাইবু য়েংদুনা মহাইবীরে ইপুরোইনা। তারো তারো নোংতম্বা নহাকপু ঐহাক্লা কোরৌ লাইয়ামলক অসিদা, য়াইবীকোনদগী পুথোকপদি অতৈ করি অমগী নংতেএ। অতিংকোক মপুরেন ঐহাকনা পাইমা নুংলোন তমখিবা য়াৱা অমা লৈবনা, খোয়ুম ওইবা নোংতম্বা নংলেন, ঐনা মপুথোকপা য়াৱা ইহুন তমলগে। খোয়ুম ওইবা নহাক, য়াইওইবা ফম্বাল পীরগে হায়বগী নোংতম্বা মীংলেন খোয়ুম পীবীনা খোরুম ওইবা নশিনজা পুম্বা লাংহৈবীরগে, মপুরেন শিদবা ঐহাক্লা।

তারো তারো নোংতম্বদি লাইওইবাও, নোংতম্বা নংলেন নশিনজাদি, কোরৌ অৱাংবগী মালেম অনেম্বা পুম্বা চৈচৎ লাংহৈ লাংদাই মপুংয়াই মতমও। লাংহৈ, পুঙহৈ, পুংতাই, লাংতাই, য়ুথক পুংকোই মপুংংলেন মতমও। লাংহৈ পুংগী মপুংয়াইদা নোংতম্বা শিঙ্গা মওইজৌও। নোংদম খোংলেম্বা নংলেন মঙম পুংদা কোরৌ মালেম পুম্বাগী থৌখাইরেন মপুং ওইও। মালেম অনেম্বা লাংহৈকোন্দা পুংচা লাংজা, য়ুথক লাংহৈবনা নোংগী কোরৌ নোংতম্বা পুংকোই মওইরককনি। অনেম্বা মালেম পুম্বাদা লাংহৈ লাংদাই ওইরক্কদবা জিবা লক্ষা কয়াগী চৈচৎ লাংহৈ, য়ুথক পোংকোই ওইরদো খোয়ুম শিঙ্গা মপুংয়াই মতমজৌও। লাংহৈ লাংদাই অসিদা খোয়ুম নোংতম্বা নংলেন শিঙ্গা মপুং ওইবদো, শিদবা ঐগী লাংহৈদা নোংতম্বা লাংদাই পুংকোই মওইজৌও, অসি য়াৱা কাওফদেএ।

অতিয়া শিদবা চকশিংকোন

লাংহৈকোনদা চকশিংকোন,লংদাইরেন ওইরিবা ইপুরোইদি শিদবনা চীংউবা লাইয়াম মপুথোককী ৱানে। মপুরেন শিদবগী নুংলোন য়াইবীকোনদগী মথং মনাও নাইনা খোরুম শাফোংবীরিবা কোরৌগীদি লাইয়ামনি। লাইয়াম পুন্বানা কোরৌথক্তা খুঙ্গোকঙৈগী ৱানে। মপুরেন শিদবা ইবুংঙোনা কোরৌগী লাইয়াম পুন্বা মশুনা মপুথোকলগে পাইমা নুংদা মখনদুনা, অহাং কোরৌ থক্তা নুমিৎকুম মশোং কা, থাগুম মঙান লৈবা, মতিক ময়াই ওইরিবা মপুরেন শিদবগী শাখাইনুংদগী, অতিয়া শিদবা পুথোককে পাইবা নুংলোনদা থল্লকলে। খোয়ুম মপুরেন শিদবগী য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফদবা য়াৱা ওইবনা খোয়ুমগীদি কোরৌলেন, নোংথৌ কোরৌ হালোইবা, য়োইদা ঙানবা মপুরেন, অতিয়া শিদবা খোরুম মীকপ থোকলকলে।

খোরুম মতিক ময়াই অকন, লাইয়াম লক্তগী অথোইবা, অতিংকোককী লাংদাইকোন, মপুরেন শিদবগী লাংহৈদা অতিয়া শিদবা মপুথোকলে। খোয়ুম ওইবা অতিয়া শিদবা, শাওং লাইমিৎ অতিয়ারেন, মচু মমেন অহেনবা নোংদোমবীরে ইপুরোইনা, অতিয়া শিদবা মপুং য়াইদা লাই ওইবা শিদবনা কোরৌথক্তা ঙানথোইবা লাইয়াম পুন্বানা মপেনজে।

মরুরেন শিদবগী চকশিংকোনদা লাংদাই মপুং ওইরিবা অতিয়া শিদববু য়েংলগা ইপুরোইদি শিদবনা য়াৱা খোনথোক তমলকলে। তারো তারো খোরুম অতিয়া মপুরেন, নোংদম খোনগী লাংহৈদা নংলেন লাংহৈ মপুং ওইরেদো। খোরুম ওইবনা অতিয়ারেন নঙম পোংদা নথৌ খনজরো। য়াৱা অসি মতারো। খোয়ুম ওইবা নংহাককী লাংহৈ মপুং ওইবদি, কোরৌ লাইয়াম পুন্বাবু লাংওন লাংদাই মপুংয়াইদা, খোয়ুম শিঙ্গা পাংজরো। অসি মঙম ওইবসে অতিয়া শিদবগী থৌপাং মপুং ওইজরো।

সোরারেন ইনুংকোন

থিংঙদ্রবা চৈশিংকোন খোয়ুম লাইগী লাংদাইকোন, মপুরেন শিদবগী লাংওনপুং, অৰাংবদি কোরৌনি। হয়ি চক্তা লাংওনবা, হয়া চক্তা লাংদাইবা মপুরেনদি য়োইদা ঙানবা অঙানবা, য়াইবীকোনগী মপুনি। ইপুরোইদি শিদবা, শিদবগী য়াইবীকোন, কোরৌথকতি য়াইবীকোন, নুংলোন লৈশি ইরিককোনদগী শিদবা লাই লাইনিংথৌদি সোরারেন মপুথোকলে, ইপুরোইদি শিদবনা, লাই ওইবা সোরারেননা, মপুরেন শিদবা য়েংলদুনা খোয়ুম শিঙ্থা নিরকলে, সোরারেনদি লাইনিংথৌনা। ইপুরোইদি শিদবা লাইয়াম পুন্নমক্কী মপুরেন, কোরৌ লাইয়ামলক্তগী সোরারেন ঐবুসু মপুথোকপীরে। খোয়ুম ওইবা ঐহাককী মপুংলেন থৌবু থৌপাংজরগে, নোংদমবীরোদি, ইপুরোইন।

ইপুরোইদি শিদবনা সোরারেনবু ময়েংনা মহাইবীনা শিদবনা। তারো সোরারেন নংহাকতপু ঐহাক্লা লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরম অসিদা পুথোকপদি অতৈ করি অমগী নৎতেএ। লাই ওইবা নংহাক্লা পাংগদবা থৌরমলেন কয়া লৈবনা নংহাকপু ঐহাক্লা পুথোকপনি। নংহাক্লা থৌরম পাংগদবা মপুরেন শিদবা ঐহাক্লা মহাইরগে, নাপা চিক্লা তারোদো। নংলেন তুংদানবা লাংওনদা মপু ওইবা ঐহাক্লা, লাইওইবী অমা মপুথোকনি। লাইওইবা, লাইওইবী নখোয় অনিনা, অনেম্বা মালেম পুম্বগী মপুরেন ফম্বাল ফংনবা, লৈশেম তুশেম পাংনবা, খোরুম ওইবা নংলেন শিঙ্থা ওইজৌও।

শিদবা লাই মপুরেন, ইপুরোই য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌদি সোরারেন হরাও মথোই কাজরে। মপুরেন শিদবদা কোকনোঙ্গনা মহাইজরে সোরারেন। ইপুরোইদি শিদবা ও, সোরারেন ঐগী ইঙম পোংদা মথৌ খনজগদবা পুম্বা ইপুরোইনা মপিবীরে। ইপুরোইগী য়াথংবু ইকোক নোলনা হোয়াজরি। চককী চকশিং লাংহৈকোনদা মপুরেনগী য়াথংলেন ওইবাবু সোরারেন ঐহাক্লা হৌয়াজরি। কোরৌ লাইয়াম লক্তগী সোরারেন ঐগী ফম্বাল পীবীবা অনেমবা মালেম লৈশেম্বদা মঙম মথৌ থৌপাংও, তাকপিরিবা য়াৰা পুম্বা হোয়জৈদো, সোরারেন মপুগী য়াথং মইঞ্জে।

লৈমা শিদবী হিরিকোন

চকশিংকোনগী লাংহৈদা ইপুরোইদি শিদবনা চীংউবা লাইয়াম পুন্বা মথং মনাও নাইনা য়াইবী লোক্কী ইনুংলেন্দগী অসুম অসুম মপুথোকপনা লাইনিংথৌদি সোরারেন তুংদানবা লাংদাইকোনদা লৈম্মা শিদবী লাইওইবীবু মপুথোকলে। শিদবী লাইওইবী য়াইবী লোকতগী খোয়ুম মীকপ থোকলকপদা, চীংউবা লাইয়াম পুন্বা কোরৌগীদি লাইপুংলেনদা মউরকলে লাইওইবী। চীংউবা লাইয়াম পুন্বানা মাগী মাগী থৌরম থৌদা কয়া পাংলকলে। মদু নোংগী য়াৰারেন ইপুরোই শিদবগী মফমদা খোয়ুম ঐগী শিন্থা পাংজরগে হায়বা য়াৰা খোনথোকতু মতমলগে পাইমা নুংলোন তমলকলে। ইপুরোই শিদববু য়েংলগা লাইওইবী মহাইজরে।

ইপুরোইদি শিদবা, শিদবগী য়াইবীকোনদগী লৈমা শিদবী ঐহাকপু পুথোকপীরে। শিদবী ঐগী ইঙম পোংদা থৌকাংজরগে। শিদবা ইপুরোই হোয়া য়াথংলেনবু মপীবীরো হায়না শিদানুবীনা মহাইরকলে। শিদনুবীবু য়েংলগা শিদা নুবী লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেন অসিদগী নহাকপু মপুরেন ঐহাক্না পুথোকপদি অতৈ য়াৰা অমগী নংতেএ। মহাইরগে লাইওইবীও! কোরৌ লাইয়াম লক্তগী লাইওইবী নংহাকতবু মপুথোপদি, কোরৌ অৰাংবগী মালেম হায়বা অনেম্বা লৈশারোন অসিদা চীংউবা লাইয়াম পুন্বা খুন্থোকনবা, লাইওইবী শিন্থা পাংঙমনবা, শিদবা পাইমা ঐনা মখল্লে।

মদু নোংগী য়াৰা চকশিংকোনগী লাংহৈদা, মালেম নোংকুম মওইবদা, খোয়ুম শিন্থা পাংজরো। শিদবদি ইপুরোইগী য়াৰা লাইওইবীনা মতারবদা হরাও মথোই কাজনা খোয়ুম শিন্থা ফংজরে। পাইমা নুংলোন তমলকলে, শিংনুবী লাইওইবী। অদু নোংগী য়াৰারেন ইপুরোইদি শিদবগী খোনথোকলোন, পাইমা খৈনা হোয়াজৈ। লাংওন লাংদাই ওইরিবা শিদবী শাখাইরেন লাইওইবীদি শিদনুবী, মালেম অনেম্বা লৈশেম তুশেম ইনুং খৈনবা, মপুরেনদি শিদবা লাইনিংথৌদি সোরারেন মগাইফমদা ইতমদুনা, লৈমা শিদবীনা, লাইনিংথৌ সোরারেনগী ওইগী তালোই মতমখিএ। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিনা লাইগী লৈপাক লাইরমলেন কোরৌথক্ত মপুগী শিন্থা হোয়াজখি।

সনামহি লাংহৈকোন

চকশিকোনগী লাংহৈরেনদা মপুরেন শিদবা, ইপুরোইগী য়াথংলেনবু হোয়াজৈনা। লাইনিংথৌ সোরারেন লৈমা শিদবী অনিনা মগাইফমলেন অৱাংবদি কোরৌরেন। লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেনদি কোরৌনি। কোরৌগী লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনিনা অসুম অসুম লাংহৈ লাংদাইরকপনা, সোরারেনগী মগাইফম কোরৌদি অৱাংবা। লাংহৈ মপুং ওইবদো মপুগী শিঙ্গা পাংজবা, থৌরম মপুং ওইবদো, লিকলম মাবু কাইগদ্রবা, লাইনিংথৌ লাইওইবী অনিনা পাইমা নুংতা খল্লকলে। চকশিংকোন লাংহৈ মপুংয়াইদা, খোয়ুম লাইওইবা মঙমবু মথৌ পুংলেন খঞ্জবা, করি লাংহৈ লাংদাইবা মপুংয়াই ওইগদগে নুংলোন য়াইদা ইতমলকলে।

ইপুরোইগী য়াথংদি হোয়াজবী লাইওইবা লাইওইবী অনিনা খোয়ুম চাথাং লৈতবনা, অনেমবা মালেম লৈশেম্বাদা মপুগী লিকলম কাইখ্রগনি মখনজনা, লাইনিংথৌ লাইওইবী অনিনা শিদবা মপু ওইরিবা ইপুরোইদি শিদববু, কোরৌ লাইগী লৈপাক্তা থৌনি, থৌরম পাংলকলে। লাইওইবী লাইওইবা অনিনা ঈরাৎ থৌনি পাংজবা কুমজা লাংহৈ লাংদাইরকলে। শিদবদি ইপুরোইনা পাইমা নুংদা খল্লকলে। লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেন অসিদা মপুরেন ঐবু কৌবদি করি লাংহৈ মপুংনো, নুংলোন য়াইদা খনলকলে।

শিদবা শিদবী অনিনা ইরাৎলিবা মগাইদা ইপুরোইদি খোংদোই হুল্লকলে। ইপুরোইনা মহাইরে। শিদবা শিদবী অনিনা খোরুম মপু ঐহাকপু কৌবদি করি য়াৱা মহাইনিংঙি। শিদবা শিদবী অনিন মহাইজৈদো মপুরেনদা। পারী অমা নোংদমবীয়ু মালেম লৈশেম্বা খোরুম তেংপাং ওইনবা, মহাইজৈনা শিদবা শিদবী অনিনা। হোয়াবীরে ইপুরোইদি শিদবনা, নোংদম খোনগী মপুরেনগী য়াৱদি মাংবা য়াদবনা য়াৱা ওইবনা, ফুহিং নুংদগী মপারি অমা ফংজরে। হরাও মথোই কাজরে। লৈশেম্বা মমি তমলগনি, শিদবা শিদবী খল্লকলে।

পাখঙবা লাংদাইকোন

চকশিংকোনদি লাইরমলেন, কোরৌ অৱাংবা লাংদাইকোনদা, মপুরেন শিদবনা লাংদাইকোন ওইরিবদি কোরৌনি। শিদবুনুবী মপারী ফুহিং নৱা ওইবা সোরারেনগী মগাইফমদা চায়োক নাওরোক মতমলকপনা লাংহৈ পুংকোই ওইরকলে। সনা মচু লাংদাইবা, মহিরেনদি মপারী, কোরৌ লাংদাইকোন মওইরে। মপারী শকলেন উজবদা শিদবা শিদবী অনিদো হরাও মথোই কাজরে। চককি লাংহৈ লাংদাইকোন, মপারী সনা মহিরেন অসুম লাংহৈ লাংদাইরকপনা মপুং মরৈ ফারকলে। চীংউবা লাইগী শকলোন ওই, সনা মহিরেন মপারী শকওইতবু উজবদা শিদবা শিদবী অনিনা হরাও পুংকোই মতমনা, লৈশেম লোনগী লাংহৈদা, মপুরেন শিদবগী খোয়ুম তেংপাং ওইরনি, নুংলোন য়াইদা মখললকলে।

নোংতম খোংলেম্বা ইপুরোই শিতপগী থৌশিনলোন, লাংহৈ পুংকোই ওইবদা চৈচৎ পুংগী চকশিংকোনদা শিদনুবী লাইওইবী, খোইয়ুম পীবুক নুংদা তাওজিং মমি মীতমলে, লাইওইবী পীপুকনুংদা, খোয়ুম মীতমলিবা লাইওইবা, থাশিং চৈচৎ লাংহৈরকপনা, থাজা ৫ ফারকলে। থা ৬, থা ৯, থাজা ১০ ফাদুনা খোয়ুম মীতমলোন মপুং ওইদুনা, পিবুক নুংগী লাইওইবা খোয়ুম মীকপ খোকলকলে। শিদবা শিদবী অনিদো মপারী শকওই উজবদা হরাও মথোই কাজরে।

মপারী শিংখোং অতোনবা অসুম অসুম লাংহৈরকপা লাংদাই মপুং ওইরকলে। মপারী অতোনবু কোরৌ মীংথোনবীরে। কোনবা তোন(কোনজিন তুথবা) হায়না শিদবা শিদবী অনিনা মীংথোনবীরে। মচিন মনাও অনিদো চকশিংকোনগী লাংদাইকোন, লাংহৈ পুংকোই মতমলে। মপারী শিংখোং হালোইবা সনা মচু মহিরেনবু, মপন পঙৌ ওইবনা শিঙ্গা পীবা লাংহৈ ওইরল্লুবা, মগাই ফমলেনদা শিদবনা মকৌবীরে সনা মহিরেনবু । সনামহি মহিরেন মপনদা কোকলোনজনা মহাইজৈ, ইপন পঙৌনা মতাকপীয়ু। অনেম্বা মালেম, লৈশেম্বা মহৌরোদো পারীও। সনা মহি মহিরেলনা মপলগী য়াথং হোয়াননা, অনেম্বা মালেম লৈশেমখ্রে।

ফৌওইবী লাংহৈকোন

লাইগী লৈপাক লাইরমলেন, কোরৌলেনদি অৱাংবা, লাংওন শাওইন লাংদাইকোন, মপুরেনদি শিদবা লাংহৈ মপুং মওইরেন। লাংদাই পুংগী পুংকোইদা ইপুরোইদি শিদবনা, লাইরেনবী লাংহৈ মপুথোককে নুংলোন য়াইদা মখললকলে। শিদবা মপু ওইরিবনা, য়াইবী হিরেন পুংকোইদগী শিদনুবী লাংদাইকোন, চকশিংকোন লাংহৈদা, অনেম্বা মালেম খুম্হোকপী, লাইচাক তিনচাক লাংহৈবী, মীংথৈ লাংওন লাংদাইবী, ফৌরুংলেম্বী (ফৌওইবী) মপুথোকলে য়াইবীকোনদগী লাইওইবীদি ফৌরুংলেম্বী খোয়ুম মীকপ থোকলকলে। শিদবা মপুবু পুনেমজৈ, চীংউবা লাইয়ামলক্তা লাইতিনদুনা মতাইরে।

ফৌরুংলেম্বী ফৌওইবী চীংউ লাইগী লাইরমলেন, অৱাংবদি কোরৌদা লাইয়ামলক্তা লাইতিন, হরাও মথোই মরৈজনা মকাজৈনা লাইওইবী। লাইওইবীদি মগাইরেন কোরৌগিদি লাইরমলেন, ফৌরুংলেম্বীদি লাইওইবী খোইয়ুম শাফোং তমলকলে। মপুরেন শিদবনা ফৌরুংবী লাইওইবীবু য়েংলগা মহাইরকলে। তারো তারো লাইওইবীও, য়াইবী ইনুং খংকোইদগী লাইরম অসিদা শাফোংলিবী, খোইয়ুম ওইবী লাইওইবীও। মালেম অনেম্বা লাংহৈকোনদা খোইয়ুম শিঙ্গা পাংনবা ফৌইওইবী নংলেন মপুথোকলে। নশানা নশাবু খংফনা, খোইয়ুম শিঙ্গা মওইজৌও। লাংওন মশক তাকফৈএ, অসি য়াৱা মতাকপীরে,শিদবদি ইপুরোইনা।

ফৌরুংলেম্বী লাইওইবী, মপুগী শিঙ্গা কাওদবী, লাংওন য়াম্বী লাইওইবীনা, শিদবা মপুগী য়াথংতবু মঙাইজৈনা লাইয়মলেনদা লাইওইবদি ফৌরুংলেম্বী। নুংলোন য়াইদা মখনজনা, করম্বা লাংদাই পুংকোইদা, চককী লাংহৈ পুংকোইরেনদা, লাইওইবী ঐগী লাংদাই মপুং ওইগবা, অসি য়াৱা খনদুনা, লাইরমলেনদি কোরৌদা লাংহৈ মপুং ওইরকলে। শিদনুরি লাংহৈকোন, ফৌরুংবিদি লাই ওইবি,মপুরেন শিদবগী য়াথংতবু মঙাইজৈনা কোরৌদা। কোরৌ লাইয়াম পুম্বাবু মপুগী য়াথংতবু ঙাইজরিএ।

ইমোহনু লাংহৈরেন

লাংহৈরেন লাংদাইকোন ওইরিবা,চকশিংকোনগী মপুরেন, শিদবদি ইপুরোইনা, কোরৌ থক্তা লাংদাইকোন ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুন্বাগা, লাংহৈ পুং মতমঙৈগী য়াৰানি। খোয়ুম লাংদাই পুংকোইরেন, লাইগী লৈপাক লাইরমলেন। থৌশিনলেম্বা মপুরেন্না অৰাংবদি কোরৌথক্তা, চীংউবা লাইয়াম পুন্বাবু য়াইবী ইনুংলোনদগী মপুথোককী ৰানে। খোয়ুম শিদবা ইপুরোইদি মপুরেনা লাইয়াম পুন্বা লাংদাইঙৈগী ৰানে। চকশিংকোনগী লাংহৈদা মপুরেনগী লাংদাইকোন, লাংহৈ মপুং ওইরিবা খোয়ুমলেনদি শিদবনা।

কোরৌগিদি অৰাংবা লাইগিদি লাইরমলেন, মপুরেন শিদবগী য়াথোং পুং, হয়ি হয়া লাংহৈকোন, য়াইবী ইতম নুংলোনদগী লাইওইবী লাইরেনবী মপুথোককে হায়না, মপুরেন শিদবগী নুংলোন পাইমা তমলকলে। খংদা উদা লৈতবা, পুন্নমকপু শেম্বীবা ইপুরোইদি শিদবনি। শিদানুবী ইরিক্লোন লাংদাই পুংকোই ওইরিবা, খোয়ুম ওইবী লাইওইবী,অহোংনু খোয়ুম মীপাংবীদুনা, মপুগী শিঙ্থা মপুংয়াই লাংহৈ পোংদোংনরকলে। মদু নোংগী য়াৰাবু অহোংবীদি লাইওবী, নুংলোন য়াইদা মতমলকলে। কোরৌগীদি লাইয়ামগা খোয়ুম মাইয়োক লাংদাইরে। লাইওইবদি অহোংবী মপুরেন শিদবগী ময়াথং ফংজরবনি খন্জবা, পাইমা নুংদা মপেনজে। মপুরেন্দা মহাইজৈ, লাংওন মশক তাকপিয়ু। খোয়ুম শিঙ্থা নিজরি ,অসি য়াৰা মহাইনা লাংদাই পুংকোই ওইরিবা অহোংবিদি লাইওইবিনা। ইপুরোইদি শিদবনা অহোংবিবু ময়েংনা, খোয়ুম শিঙ্থা মহাইবিরে। হাদা লাইওইবী অহোংবিৰও,কোরৌথক্তা ঙালোইবি, লাংদাই পুংকোই ওইরিবি, নংঙম পোংগী নথৌরেন, লাংহৈ পুংকোই ওইবদো,খোয়ুম শিঙ্থা মপিগে।

হয়েং তৈরেন ৰাংওইবদা লাংওন লাংদাই ওইনবা অনেম্বাদি মালেমদা, থৌকাং মপুং ওইজৌ, মশি য়াৰা কাওফদ্রাবা, শিদবা পাওতাক ওইজৌ-ও, লাইরেনবীদি অহোংবি।

পাঙ্হৌইবী লাংদাইকোন

চকশিংকোনদি মপুংয়াই, লাংদাই পুংকোই ইতমলেন,শিদবগী লাংহৈপুং, য়াইবী লোকশা নামিখোন। লাইয়াম পুম্বাগী হৌনা পুং, কোরৌথক্তি লাইরমলেন। শিদা নুপী ইরিককোন, লাংওন লাংদাই পুংশিকোন। ইরিক সনা লাইরিকোন। কোনপুং ইরিক নোংদমখোং, খোংহৈ পুংকোই হৌজিকোন, মপুরেনদি শিদবগী লৈকোননুং, চীংউবা লাইয়াম পুম্বাবু য়েংলদুনা শিদবনা, লাইরেনবী শাকোক ময়েংঙে। লাইওইবী মশিং মৰাৎনা মউরেদো শিদবনা, নুংলোন য়াইদা মখনলে। য়াইবী কোনগী লাইওইবী, খোয়ুম মীকপ থোকহনলগে, শিদবা নুংলোন তমখরে। য়াইবী লোককী লোকশাকোন, লাইওইবীগীদি লাইকোন্নুং, খোইয়ুম লাইওইবী মীকপ থোকলকলে। মপুরেন শিদবগী য়াৰাদি কাইফদবা ওইবনা লাংদাই মপুং ওইরকলে।

কোরৌ লাইয়ামলক্তা খোয়ুম মায়োকে থারগে নুংলোন পাইমা মতাইরকলে। পানদা ৰারেন থৌকাং, অথোইরেনবী লাইওইবী, মাগী কোলোই মীংলেনবু অপানথোইবী কোলোই লাংহৈনা খোইয়ুম লাংদাই মপুং ওইরকলে। অপানথোইবী লাংহৈকোনবু ময়েংজৈনা শিদবা মপুরেন ইপুরোইদি শিদবনা। মপুরেন শিদবনা অপানথোইবীবু ময়েংননা মহাইবীরে লাইওইবীদা। হাদা লাইওসবী শিদানুবী, কোরৌ লাইরমলেন অসিদা খোয়ুম শাফোং তমলবনিনা, লাইওইবগী নতিক নয়াই, লাংওন লাংদাই মখং-ও! লাংওন মাবু খংজবদি, খোয়ুম মতিক নয়াইনি। অসি নোংগী য়াৰাদো কাওফরোইদো লাইওইবী। মপুরেন শিদবগী য়াথংলেন তাবদা য়াইবীলোককী লাংহৈ মপুং ওইরিবা অপানথোইবী লাইওইবী পাইমা নুংদা হরাও মথোই মকাজৈএ।

মপুরেন শিদবনা লাইওইবীদা লাংওন লাংদাই মতাকপীরে। খোইয়ুম শকলেন খুংজগে ময়াইজৈনা লাইওইবী। তারো তারো লাইওইবী, লাংদাই মপুং মওইনবা খোইয়ুম মখৈ ফংজরো, হাদা নুংবী লাইওইবী, কোরৌগীদি য়াইবীকোন লাংহৈ মপুং ওইরিবী লাইরেনবীদি অপানথোইবী,লাংওন লাংদাই পুংকোইদো মহাইরগে ঐনদি। নশা শাহু খংজৌও, হৌরকফম লংদাই উজৌও, করি নুংগী য়াৰানো হাইফদেনা লাইওইবী। কোরৌদগী লাংদাইনা, অনেম্বাদি মালেমদা লাইরেনবী লাংওন ওইফৈনা। লাংওন মমিং থিঙমদনা লাংকোই মপুং ওইবদা খোয়ুম লাইরেনবী শিন্থা ওইজৌও। লাংওন মপুং য়াইদবু লাংদাই পুংকোইরেন মওইনা অনেম্বা মালেম লাংদাইকোন, লাইরেনবী ননিং মওইজৌ-ও। অসি য়াৰা কাওদবা, মপুরেল নিংজবা ওইজৌ-ও। অপাঙ্হোইবি লাংহৈ মপুং ওইজৌ-ও।

নোংথাংলৈমা লাংহৈপুং

লাংহৈপুংদা লাংদাই পুংকোই ওইরিবা কোরৌগীদি লাংদাইরেন, শিদবা মপু ওইবগী লাংদাইকোন, ইপুরোইদি শিদবনি। য়াইবী কোনগী লাংহৈদা, কোরৌগী থৌদা ওইরিবা, লাইয়ামলক্কী লাংদাইকোন মপুরেন শিদবগী লাংহৈনি। ইপুরোইদি শিদবনা কোরৌগী লাইয়ামলক্তুগী লাইরেনবীগী লাংদাইকোন খোয়ুম লাংহৈরিবা চীংউবা লাইয়ামবু য়েংলগা য়াৱা অসুম্না মহাইরে। কোরৌথককী লাইওইবীও।

শিদবা মপু ওইরিবা ইপুরোইদি শিদবনা কোরৌ লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইবীরে। তারো চীংউ লাইওইবী পুন্বাও, খোয়ুম লাইয়ামলক্তুগী লাংদাই পুংকোই ওইনবা লাইরেনবী অমা লাংহৈরে। য়াইবী লোককী লাংদাইকোনদা খোয়ুম পুংকোই মওইরেনবী লাইওইবিদি নোংথাংনে। থকওইরেন্বী লাইওইবিনি। লাইওইবনা কোরৌগী লাইয়ামলক্তা লাংহৈ মপুং ওইরকলে।

কোরৌগী লাইরেনবী লক্তুগী লাংদাই পুংকোই ওইরিবি নোংথাং লৈমা লাইওইবী, মপুরেন শিদবগী য়াথং ইনজনা খোইয়ুম লক্তা লাংদাইরে। শিদনুবী লাংদাইকোনদা লাংওন মপুংয়াই ওইরিবী নোংথাং লৈমা লাইরেনবীনে। লাইওইবিদি নোংথাংনা মপুরেল শিদবগী ময়াথং মঙাইজরিএ লাইরমলেন।

লাইগী থৌকাংলেনদা লাইরেনবী পুংকোই মঙাইজববু, শিদবা মপুরেননা মউরবদা, য়াৱা অসুম্না মহাইবীরে। শিদানুবী লাংদাইকোনদা লাংহৈ মপুং ওইরিবা কোরৌ নোংথাং লাইওইবীও, নংলেন লাংওন লাংদাইকোন মহাবীগে ঐরেনবনা, য়াৱা ইনুং খৈরেনববু তারোদো লাইওইবীও।

কোরৌ নোংথাং থকওইরেনবী লাংওন নুংগী লাংদাই পুংকোইদা খোয়ুম থৌদা থৌপাংবদি মপুরেন শিদবাবু খংনা লাংবা ওইসনু। কোরৌ মালেম অনেম্বাদা লাইরেনবী খুম্হোক মতমঙৈদা লাংওন মপুং ওইবদো নংগী লাংহৈ ওইরসনু। খোইয়ুম লাইওইবী নগাইরেন কোরৌ নোংথাং লৈমা লাংদাই পুংকোই ওইবদা লাইয়াম পুম্নমক্কা লাংহৈবা চীংউ মীংখৈ ফংজবা মওইজৌ-ও।

চিংজ্রোইবী লাংদাইকোন

চকশিংকোনগী লাংহৈকোনদা, লাংদাইরেন ওইরিবা, শিদবদি ইপুরোইনি। ইপুরোইগী লাংহৈপুংদা খোইয়ুম মপুরেন শিদবা ইচিককোন লাংদাইনি। হয়ি হয়া চকশিংকোনদা লাইরেনবী লাংদাই ওইরিবী য়াইবীকোনগী লাইওইবীনে। মপুরেনগী থৌদাং কোরৌগীদি লাইরমলেন। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা অৰাংবদি কোরৌরেনদা মপুরেন শিদবা ইপুরোইদি শিদবনা লাংদাই পুংকোইদা মপুথোকপীরে। কোরৌগী লাইয়াম পুম্বা মাগী মাগী খোয়ুম শিন্থা মণ্ডাইজরি। মপুগী য়াথংতবু, লাংহৈ লাংদাইকোনদি চকশিংকোননি।

খোয়ুম লাংওন মপুংয়াই লাইরেনবীগী লাংদাইকোন,কোরৌরেনদি অৰাংবা, শিদবগী য়াৰা পুংথেন, লাংদাইরেনগী হৌরকফম,শিদনুবিগী লাইকোননুং, চকশিংকোনগী লাংহৈদা, লাইরেম্বী লক্কী লাংহৈকোন্দা য়াইবি ইনুংকোনদগী খোয়ুম লাইওইবি চীংজ্রোইবি লাংদাই পুংকোই মওইরক্লে। লাইগী লাইপাক ওইরিবা, অৰাংবদি কোরৌদা লাংদাই মপুরেন শিনবী লাংহৈরে।

খোয়ুম লাংওন লাংদাই পুংকোই ওইবি উম সনা চিংজ্রোইবী লাংহৈ মপুং ওইরকলে। চীংউ লাইয়ামলক্তা লাইতিঞ্জরকলে। উমা সনা চিংজ্রোইবী কোলোই মীংখৈনা লাইরমলেন লাইয়াম লক্তা লাংদাইরে। লাইওইবীদি লাইরেনবীনা লাইরমলেনদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্নমক ৰাতাই শংদাই মওইরকলে। লাইপুং থেনকৌ পুংকোই মপুং ওইরকপদা শিদবা মপু ওইরিবা ইপুরোই শিদবা পাইমা নুংলোন খোয়ুম লাংদাই ওইরকলে।

চীংউ লাইগী লাইরমলেন, কৌরৌ থকক্তা উমা সনা চিংজ্রোইবী লাংওন লাংদাই পুংকোইরে। লাংহৈ মপুং ওইরিবা চিংজ্রোইবীনা খোয়ুম মপুরেন সিদবাবু কোইনা থিবা মহৌরে। লাইওইবীনা লাইয়ামলক্তা মপু শিদবাবু মথিরকপনা ইখং খংহৌদনা মপুরেন মউরকলে। লাইরেনবী শেম্বী মপুবু য়েংলগা কোকনোঞ্জনা মহাইজৈএ।

ইপুরোদি শিদবা, লাইরেনবী ঐহাকপু লাইয়ামলক অসিদা পুথোকপীরে। লাইওইবী ঐহাক্কী থৌদা থৌশিন্দা চিংজ্রোইবী। হয়েং চকশিং লাংহৈকোনদা খোয়ুম লাইরেনবী নহাক্তা লাংদাই, মপুরেনগী ওইগী ফম্বাল লাংবদা খোয়ুম শিন্থা ওইজৌও, অনেম্বাদি মালেমদা য়াৱা অসি কাওফরোইএ।

সনামহি লৈশেমলোন

সনামহি লাইইকোন, হয়ি হয়া চকলোনদা লাংহৈ মপুং ওইরিবা কৌরৌগিদি মপুরেন, ইপুরোইদি শিদবগী য়াথংলেনবু পাংজরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌনা মালেম নোংকুমঙৈগী ৱানে। অনেম্বা মালেম ওইবদা মপুগী শিল্পা ইঞ্জরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌনা মালেম নোংকুমদুনা, অনেম্বা মালেমবু কোইনা লৈননা য়েংলকলে। লাইজা ঈশিং ঈমাই চোন্না লৈরিবা, মালেম লৈনা-থেকনা, খোইনা য়েংলকলে। করি করম্বা লাংহৈনা অনেম্বা মালেম অসি শেমশিগে হায়না পাইমা নুংদা শনামহি মখললকলে।

লাইজা ঈশিংনা ঈমাই থন্না লৈরিবা মালেমবু করি করম্না মপুং ফাবা মালেম ওইগদগে মহাইনা পাইমা নুংদা তোইনা মচিংশনলি। সনামহিদি লাইনিংথৌনা লাইজা ঈশিংবু ঈমাথেন য়ৌনা লৈববু মাগী লাংহৈকোনদা চীংউবা লাইয়াম খোংলোই কয়াগা মতাইন্না মচিন ঈরেন খোংবা কয়া ঈফাৎ তমদুনা লাইজা চিংথোকপা মহৌহ্-এ। ঈরোন নুংলোন তরেৎতগী লৈনা খোইনা লাংহৈনা নুংলোনগী মালেম লৈশা মপুখৎলে। চীংউ খোংলোই লাইয়াম লাইনিংথৌ তেংপাং লাংহৈরে।

খাগী, ৱাংগী, নোংপোক, নোংচুমলেন, চুকলেন মরিগী লাংহৈদা চুকতাই মরি, শুমলেন লাংহৈ পুংকোই মতমলে। লৈনা খোই লাংদাইনা মালেম অনেম্বা লৈশানুংগী লৈরোন লৈশা কয়া পুখত্তুনা লাইজা ঈশিং কয়াবু মালেম লৈশানা ঈথৈ নোংথৈ মতমলে। থেনখোং, লাংখোং, লৈশাখোং, নুংখোং, তরৈখোং, লৈশা লৈরেন, খোংলেন, ইতুংখোং নুংশাখোং মালেম লৈশা খোংনুংদগী মালেম লৈশা কয়াবু খোয়ুম ওইবা লাইনিংথৌদি সনামহিনা মালেম লৈশেমকোন মতমলকলে। লাইনিংথৌগী থৌগনলোনবা লাইওইবা কয়াগা লোইননা অনেম্বা মালেম লৈশেম্বা মহৌরকলে।

অনেম্বাদি মালেমদা কোরৌথককী লাইওইবা সনামহিদি লাইনিংথৌনা মালেম নোংগুমঙৈগী ৱানে। সনামহিদি লাইনিংথৌনা মালেম লৈশেম তুশেমঙৈগী ৱানে। নোংগুম ইতমঙৈগী য়াৱানি। লৈশেমকোনগী ইরিককোন লাংহৈ মতমঙৈগী ৱানে। সনামহি নোংকুমলেন থেংখৌ, লাংখৌ, ইচিংখৌ, শাখৌ, শরাং, খৌরেন, পুংকোই লাংখোই, য়ুংচি, লাংচি, হিরি, পাংকোই, চাখোং, মাংচি, হুইমি, য়োংলি, প্রিখোং চৈরেন খোং, লৈশাখোং, লাইজা ঈমাই ইতমলিবা অনেম্বা মালেমবু লৈশেম তুশেম মহৌরকপনা ৱাংগী লাংহৈকোনবু মালেম লৈরোন নাইনা লৈশারেন মপুখৎলে, সনাহিংদি লাইনিংথৌনা।

অনেম্বা মালেম অসিবু লাইজা ঈশিং ইমাই চোনববু মাংহনদুনা মপুরেনগী য়াথংবু ঙাকচরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌনি। লৈশেম কোনগী নুংলোনদা মালেম অনেমববু লৈশেমলিবা সনামহিনা নোংপোক মরম খৈরেনদা, মালেম অনেম্বাগী নুংলোনগী লাইজা ঈশিং মচিথোকনা, লৈনা লৈনা মালেম লৈশাবু পুখত্তুনা লৈশেমকোন লাংহৈ মপুং ওইরকলে। নোংপোক খৈরেন মরমলেন, শৈশারোন কয়া লৈরোন নুংদগী মপুখৎলে। লৈশেম মপু ওইবনা, মশিং লাঙমদ্রাবা মালেম লৈশানা নুংলোনদগী পুখৎতুনা মপৈ মপৈ লাংদাইয়ে। লৈশা মপৈ মপৈনা নোংপোক মাইকৈ পুম্বাদা মরোন মরোন নাইনা লৈশা পরেং নাইখরে।

মপুরেনগী থৌশিল থৌদা পাংজরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌনা নোংপোক মাইকৈ লৈশেম মপুং মওইরকলবদা, অনেম্বা মালেমগী লৈশারেন মাইকৈ য়েংলকলে। নোংচুপ মাইকৈ পাংলকলে, লাইজনা ঈমাই চোনলিবা অনেম্বা মালেমগী নোংচুপ খৈরেন মগাইরেন, সনামহি থেনখৌ লৈশা তমলকলে। লাইজা ঈশিং ইমাইবু কোইনা লৈনা ঈতমনা, নুংগী লৈশা পালোইনবা খোয়ুম শিঙ্গা পাংলক্লে। লাইনা থক্তা লাংদাইকোন ইতম ইহৌ ৰাইদুনা, মালেম লৈশা ফংনবা চীংউবা শিঙ্গা পাংলকলে।

মালেম লৈরোন নুংলোন ফংনবা থৌকাংলি সনামহিদি লাইনিংথৌনা। সরেন নুংগী নুংলোনদগী থিঙদ্রবা লৈশানা অনেম্বা মালেম ইমাইদা মপুখৎলে লৈশাদো। য়েংবদা মীফম তাম্লবা মালেম লৈশারোন কয়ানা মপৈ মপৈ পৈদুনা লাইজা থক্তা লৈরকলে। লাইজনা লৈফম খংদনা অকুৎপা মফম থিরকলে। অসুম নোংচুপ মাইকৈ মরম খৈরেন ,মালেম লৈশেমকোন মপুং ওইরক্লে। লাইজা ঈশিং কংলক্লে। লৈশানা ঈশিং মাংহল্লে।

অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোনদা লৈশেম মপু ওইরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌ, চুকলেন মরি চুকফানা, নুংলোন লৈশা ইতমনা মাইকৈ লাংহৈ পুংলোইরেন ময়েংজনা লৈশেমলকলে। চুখোং মরিগী লাংহৈদা চুকলেন অহুমদি ৰাং, নোংপোক, নোংচুপলেনদি লৈশা মপুং ফাখরে। মাইকৈ অমা য়েংলকলে, খাগী মাইকৈ পাংলকলে। লাইজনা ইমাই চোল্লবা পুম্নমকী চিথফম খাগী মাইকৈ ওইখরে। ৰাংগী মাইকৈরেনদগী লাইজসু, নাংপোক মরম খৈরেদগী চিথরকপা লাইজসু, নোংচুপ মরমলেনদগী ইৰাইনা খাগী লাংহৈদা পুম্নমক ইতিনখোং ওইখরে।

খাগী লাইজা উবদা মপুরেন থৌশিন থৌপাং ওইরিবা সনামহিদি লাইনিংথৌনা, মালেম লৈশা উবা ফংদ্রবদা লাইজা অদুবু কোইনা লৈনা ইতমলে। লাইজা মানা ঈহৌরকলে। উমং ৰামং ইতমলে। ইরোন নুংদা ময়েংনা লৈশা থিবা হৌরকলে। লৈশা থিবা ফংদ্রবদা নুংলোন য়াই কুমদুনা, মৈ-ঈশিং, নুংশিৎনা ইতমদুনা, লৈশা লৈরেন ওইববু অনেমবা মালেমদা পুখৎলে। লাইজনা ঈমাই চোল্লবা খাগী মালেম লৈশাকোনবু মশিং লাকঙমদ্রবা লৈশানা অনেমবা মালেমগী লৈমাইদা মপুখৎলে লৈশেম্বনা ।

লৈশেম্বা মপু ওইরিবা ইবুংঙোনা মাগী লাংহৈকোনদা লাংদাই মপুং ওইদুনা মালেম লৈরোনুংদুদগী মপুখৎনা লৈশারেন্না, ঈশিং ঈৰাইগা লোইন্না লাই ওইবা শিদবা সনামহি লৈশেমকোন ওইরকলে। আনেম্বদি মালেমদা, লাইজা নুংগী লৈশা ইমাই থক্তা লৈরকলবদা খাগী লাইজা অয়াম্বা মাগী মাগী ইতিনফম য়েংদুনা চেনখ রে। অসুম অসুম লৈরোন নুংলোনদগী লৈশা কয়া ইনখৎলকপনা লাইজা ইমাই ওইরম্বা মালেম অনেম্বাদু মালেম খুঙ্গোক পুংকোই ইতমলকলে। লাইজনা অকুৎপা মফম য়েংদুনা ইতমখিবা, লৈশানা মালেম ইকারকপা, মালেম লৈশা মপুং মওইরকলে। লৈশেম তুশেম্লীবদি অনেম্বাদি মালেমনি। লৈশেম তুশেম লাংহৈরেন ওইরিবাদি সনামহি লাইনিংথৌনি। শেমলিবা মালেম লৈশেমকোনবু কোইনা লৈনা য়েংদুনা অনেম অৰাং উরকলে। নিংথিরবা মালেমবু হন্না হন্না য়েংদুনা অসোই-অঙাম পুম্বাবু শেমজিন শাজিন থৌপাংলে। মালেম লৈশেম থৌপাংঙৈগী লাংহৈদা, লাংদাই মপুং ওইরিবা, মপুগী শিঙ্গা পাংজরিবা, শিদবগী লাংদাইরেন সনামহিদি লাইনিংথৌনি। খংহৌদনা মালেমদা মপুরেনগী থৌকাংনা মনা-মশিং, উপান-ৱাপান, মশিং লাংঙমদা উরকলে।

কৌরৌ থক্তা লৈরিবা, লাইয়ামলক্তা শংকাই পুংকোই ওইরিবা, মশানৌদি পাখংবা, পলেম পঙ্গৌ অনিগী ময়াথংবু লৌজনা অনেমবা মালেমদা খোংদোই মহুনলকলে। অনেমবা মালেমবু য়েংলগা মশানৌদি পাখংবনা ময়ামবুং সনামহিনা লৈশেমলিবা মালেমবু পাখংবনা লাইথিংগাই হৌরকলে। পাখঙবদি (কোনজিন)না অসুম অসুম মালেম অনেম্বদি লৈশেমকোনদা লৈথিংগাই ওইরকলবদা, ময়াম্বুং সনামহিনা, পাইমা নুংদা খলকলে।

ইশানৌদি পাখংবনা, ঐনা শেম্বা মালেমসে লৈথিংবা মওইরকলে। থিংহৌদবা লাংদাই ওইরবদি লৈশেম মহৈ য়াল্লরোই,পাইমা নুংদা খল্লকলে। মদু নোং উজবদা, মশানৌ লাই পাখংববু য়েংলগা য়াৰা অসুমনা মহাইরে। ইশানৌদি পাখংবও, করি মতৌ কৌবগে, য়াম্বুংবু মান্না ময়েংউ, নশানা নশাবু খংজৌও। ইপনগী য়াথং কাইফ দে, ইমাগী থৌদা পাংফৈদো, অনেম্বা মালেম ওইবসে লাইয়াম ঐখোয়গী খুঙ্গোকফমনি।

য়াৰা অসি মহাইরবদা, পাখংবদি মশানৌদো মশানা মশাবু খংলবদা মহন ফমদা হনজিনখিএ, লাইগী মখৈ ফংজখি। সনামহি লৈশেমকোন মালেম নোংকুম লাংহৈদা মপুরেন শিদবসু নোংকুমএ। সনামহি লৈশেম মাংওইনা, চুকলেন চুখোং মালেম পুংময়োন লাংহৈবা, লাই মরি, মার, কৌবা,থাংলোই, ৱাংপু মপুরেন লাংদাই মপুথোএ। চুকলেন মরি লৈফাইএ। সনামহি কোইনা লৈনা মালেম লৈশেম মপুং ওইএ। কোরৌ লাইয়াম পুম্বাদো হরাও মথোই কাইএ।

মারচিং থেলোন

হয়ি চককী লাংহৈদা কোরৌ অৱাংবদগী মালেম অনেম্বদা চীংউবা লাইনা নোংকুমদুনা, মালেম অনেমবা লৈশেম তুশেম লাংদাইকোন লাংহৈ মপুং ওইরিবা শিদবগী লাংদাইকোনদা খোয়ুম লাংহৈ ওইরিবা চিংখৈরেন মার থাংমাই হালোইবনে। মালেম অনেম্বগী চুকখোং চুকতাই ফমনাইরেন, চীংউবা লাংওন লাংদাইকোনদা লাংহৈ মপুং মওইরিবা মার থাংমাইরেবনে। অনেমবা মালেম লাংহৈকোনদা, লাংদাই মপুংলেন ওইবদি শিদবা মপুং লাংহৈবা মায় থাংমাই হনবনে। চীংউবা লাইনা নোংদম্বা লাংওন মপুং ওইরিবা অনেম্বদি মালেমদা, খোয়ুম শিঙ্গা পাংলিবা মার থাংমাইহনবনে।

হয়ি হয়া চকশিংকোন লাংওন লাংদাই মপুরেন, মার থাংমাইহনলোইবা চিংউবা মতিক ময়াইরেন ৱাংখৌরেনবা থাংমাইনে। থাংমাইহনবা লাইনিংথৌ লৈশেমকোনগী মপুরেন শিদবগী লাংওননে। অনেম্বাদি মালেমদা,চীংখৈ মরম খৈরেন্দা খোয়ুম য়াথোক মতমএ। মতিক ময়াই অঙানবা নুমিৎ থাগুম মশোং কা, নুংবু পানবু মউরেন, খঙদা উদা লৈতবা,মতিক ময়াই হেলোইবা, ফম্বাল য়াইবু ফমদেংবা,মীংখৈরেনবা লাংদাইবা, মার -থাংমাইহনবনে।

খোইয়ুম মাইথোং লাংহৈনা, নুমিৎ থাগী শাওংনি। খুংশা লাংহৈ মওংনা, কোরৌ লাংদাই মপুংনি। খোংশা লাংহৈ মপুংনা অনেম্বা মালেম লাংদাইনি। পীবুক শাওং ওইবনা, লাইজা ঈশিং ইরেননি। চরৈ ফীদম মহাইনা, কোরৌ নোংথাং খিকলোইনি। সনা লোংখুম চিনাইরেন শিদা মপু তাকপনে। লুতুং শমলেন ওইবনা, তুংদনবা খংবনে। সনা লুংখুম চিনাইবা, য়েৎকী সনা লোংখুমলেন। ওইগী লোংখুম চিনাইরেন, লুপা লোংখুম মওইএ। সনা ফিগে খ্বাংথোল্লে।

নমখ্বাং অতিয়া খ্বাংকোইরেন, সনা চোমজাও লৈরিকনে। লুথাং ৩ নাইবনে। খদাং কোইনা নাহুইএ, লিকফাং অহুম ফংলোই থোন, কোরৌ থাজা লিকফাংনে। পাম্বোম লুফাং লিরিনে। খুৎশু থাংদি থাংনাইবা, সনা চিরেন চিনতুম্বা খোংলেন খুদুং খোংনাইবা। খুৎসু হিরি পাওশাবা লুপা মচু নাথাংবা, মচু ৩ সুনাইবা, কোরৌ খেকলোই ৱাংঙমবা, ময়া য়াথং তরং থাং, কোরৌ খেকনা খোনথোকপা থাংনে।

থাংগৈ লাংহৈ পুংকোইরেনদা, মকোন লৈশা মতাইনা মরৈঙৈগী খোনথোকতা, লাংহৈ মাবু ওইবদি, থাংনা মখোন থোকপনি, থাংগী খেংখৌ মতাকএ। মদু নোংগী মহৈদি শাগি লানগী লানপাউএ। থাংগী খোঙ্গোক মাইথোংলেন মতমদা,লাইথোং লাইজা ঈরিক কাবদি, অনেম্বা মালেম লাইজা ঈহৌএ। লাইথাং মাগী কোলোইদি কোরৌ থাংহোই মীংকৌএ।

অনেমবা মালেম লৈশেমকোন লাংদাই মপুং ওইরিবা, চীংউবা লাইয়াম পুন্বানা খুঙ্গোক ইহুন মতমঙৈনে। লাই ওইবা পৌরেমবা পৌমাবা অনিনা মপুরেনগী য়াথংবু ফংজনা অনেম্বা মালেমদা খুঙ্গোক্তুনা চীংউবা লাইগী থৌদা পুংকোই মওইরকলে। কোরৌ ৰাঙবা ইতম পুংদা পুরেন শিদবনা মালেমগীদি অনেম্বা লাংওন লাংদাই পুংকোই মওইঙৈগী ৰানে। পৌরেম্বা পৌমাবী মচিন মনাওদি শায়োন লাংওন মপুংয়াই মওইবা লাইওইবনে। লাই ওইবা মচিন মনাওবু শিদবা মপুনা খোয়ুম শিঙ্গা পীগে হায়বগী মকৌবদা, মচিন মনাওনা মপুরেনগী য়াথংবু মইনজখিএ।

মপুরেনগী ময়াথং ফংজরবা পৌরেম্বা পৌমাবী মচিন মনাওনা নুমিৎ খেংলোই, থাজা লাংদাই পুংকোইরেন মতাইরে। খেনখোং লাংখোং, লাংচিংখোবা শিঙ্গানে। কোরৌ নোংথাং য়াংওইবনে। শা ওনগে মনিংনে লাই ওইগে মনিংনে। মসি লাহৈ মউবদা মপুরেন শিদবনা, লাংদাই অমনা মপুংয়াই ওইহনগে খল্লকলে। লাইনিংথৌগী থৌখাইদা ,থৌখাই মপুং ওইনবা খোয়ুম মচিন মনাওসে অয়াংবা শাবু লাংওন তমহনগে, নুংলোন য়াইদা মখনলকলে।

অনেম্বদি মালেমদা চীংউবা লাইয়ামনা খুঙ্গোকপা, লাইয়াম লক্তাগী ৰাঙম্বা পৌরেম্বা পৌমাবী অনিদো মপুগী শিঙ্গা ফংজরদুনা, লাইগী শাবু লাংওনলগে মখলদুনা লাংওন মপুংয়াইদা, খোয়ুম ওাংদাইরেম্বা শাগী লাংওন হৌরকলে। পৌরেনবদি লাইওইবনা শাগোন শারাং অয়াংবা, খোংশা মরি চুকতাইখোং, কোকশা কোকলেন য়াতশ্রা, মীৎলু মিসনা তরুবা, মশোং চোমলাং চাইজেংবা, মমৈ মৈতোন পুন্বা য়াংলেন কোরি লিরুংবা, মচু মমেন ঙাংওইবা, লাংওন পুংকোই ওইদুনা, খোয়ুম লাইনা শাদমদে, মাংবা য়াদ্রবা শাগোন শানি। শাওইবনা মপুরেন থিরকলে। অসুম অসুম মথিরকপনা, মালেম অনেম্বাগী খাগী লাংহৈকোনদা পৌরেম্বা লাইনা লাংওন শাগোন ঙাংওইবা মপু পুথাং থেংনজদুনা, থৌগন থৌখাই পুজরে।

পৌমাবদি লাইওইবনা ময়াম্বুং মতুং ইনদুনা, লাইগী শাদি ঙৌরেনম্বা, সনা খুম্মাং য়ৈবা, লুপা লুখুম হুকপা, মথা ঙাংজেংনবা, মমৈ মৈতোন পুন্বুম্বা,মমাই মাইতা লৈরোং থেননারেনবনা হুমাইনি, পিসুম লিরুং পানজুম্বা, মসোং চোমলাং ৰাতাবা, ময়াং য়াংবী তেমথেনকোন, খোনজেন খোংথোক খাকওইবা, লাইগী শাদি শাওইবা, লৈশারেনদি শাগোন শা, ঙৌরেনবা লানঙলেনদো পোকপদি লাইওইবনে। মপু ওইববু অনেম্বা মালেমদা কোইবা লৈনা য়েংলক্লে। নোংপোক চিংখৈরেন পাংবদা শানা মপু থিরক্লে। শাবু ঙাইদুনা লৈরিবা মার থাংমাইহনবনা মথেংনরে। শাগোল য়াইশা ঙৌরেনবনা থাংমাই থৌগন ফংজরে।

লাইনিংথৌদি মার থাংমাই হালোইবগী লাংদাইকোন ওইরিবা অনোংম্বদি মালেমনি । সনামহি লৈশেমকোন তুংদারেন লাংহৈদা, লাইতিন পুংগী মরমখৈরেনদগী চীংখৈগিদি লাংহৈকোন, লাংদাইরেন

মপুং ওইরিবা লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনি। মপুরেন শিদবগী লাংদাই ওইরিবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইনা মগাই ফমলেন চীংখৈরেনদগী খোয়ুম লৈঙাক শাদি শাকোন ঙৌরেনবা তোংদুনা মালেম অনেমববু কোইনা লৈনা য়েংলকলে। শিদবগী লাংদাই পুংকোইদা, মালেম্বু লৈশেমকোন লাংহৈদা লাংদাই মপুং ওইখ্রবদা, অনেমবদি মালেমদা মপুরেন্না পুথোকলিবা উপান, ৱাপান, মনা মশিং, হৈরাং লৈরাং কয়া মালেম শিনবা থুংখরে। মদু নোংবু মুউবদা লাইনিংথৌদি মার থাংমাই হনবনা হরাও মথোই কাজেনা। শাগোন অয়াংবা ঙৌরেনববু তোংদুনা মালেমদা অসুম অসুম লাকপনা চীংউবা লাইয়াম মায়োকনরে।

অনেমবদি মালেমদা খুন্থোকলোনদি তমলিবা চীংউবা লাইয়ামগা ৱাতাই শংদাই ওইরকলে। থৌজান হৈবা লাইওইবা লাইনিংথৌদি মার থাংমাই হনবনে। মতিক ময়াই অহেনবা চীংউবা শিদবা মপুগী লাংদাইকোনদি ওইরিবা মার থাংমাই হনবনে। মলেম অনেমবদা লৈরিবা খুন্থোক মাবু তমলিবা লাইয়াম পুম্বানা মার থাংমাই হনববু খোয়ুম মায়োকনদুনা শাথেং লানথেংনদুনা মাইথিবা পীনবা খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা ৱাতাই শংদাই ওইখরে।

খোয়ুম লাইদি লাইনিং মার থাংমাই হনবনা, অনেমবা মালেমদা মপুগী থৌদবু ইজনা, থৌকাংলিবা লাইয়ামনা লাংথেংননবা থৌওংবু মার থাংমাই হনবগী খুবম মুনগে খনখরে। মদু নোংবু মউরবদা চীংউবা শিঙ্গা নৎহৈদনা, শিঙ্গা মাবু পাংথোককে মখললিবা লাইয়ামদা মতিক ময়াই অহেনবা, নুং পান মউবা, অফবতা থৌকাংবা, খোয়ুম শিঙ্গা ওইরিবা, মপুরেন লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা অসুম অসুম মহেনজলকপনা লাইয়ামবু মাইথিবা পীরগে, হুইরেন লানবু লোইশিনগে, কোরৌগী লাইয়ামসু খংলসনু মহাইনা, লাইনিংথৌদি মার থাংমাই হনবনা, খোয়ুম লাঙ্গেং হৌরকলে।

মালেম অনেম্বাগী লাইয়ামগা মার থাংমাইহনবনা খোয়ুম লানথেংবা হৌরকলে। অয়াংবা শগোন তোংদুনা খুংতা থাংলেন পাইদুনা, খোয়ুম শাথেং লানথেনরকলে। লাইয়াম পুম্বা মখৈদো কাই কাইদুনা চেন্নরকলে। লাইয়াম পুম্বা মার থাংমাইহনবগী মায়োকনবা লানফমদা, মায়োকনবা ঙমদনা মাগী মাগী হিংজনবা মাইকৈ খংদনা চেল্লকলে। অনেমবা মালেমদা লৈরিবা চীংঙুবা লাইয়ামনা মাইথিদুনা লৈফম খংদ্রবদা, কোরৌগী লাইয়াম কুম্লকতুনা ৱাকাই শংদাই ওইরকলে। পেনবী হৈবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা, লাইয়াম পুম্বাগা হোয়ানরক্লে। লাইয়াম পুম্বানা মার থাংমাইহনবগী মতিক ময়াই খঙজরে।

কোরৌগিদি লাইয়াম, অনেম্বা মালেমদা খুম্নোকলিবা লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইরকলে। লাইয়াম পুন্বা তাবীহৈনা (তারোদো)। চীংখৈ মার থাংমাইহনবগী মায়োক্তা লানও ওইবদি খোয়ুম মাইথিবা ওইগনি। কোরৌ নোং অসিদগী খংহৌরে। মার থাংমাই হনবদি শীদবগী লাংওননি। অনেম্বা মালেম অসিগী মপুগী শিনথা ওইদুনা খোয়ুম চুকলেন পুরিবনি, চীংখৈ নিংথৌরেন থাংমাইনি। লাংওন লাংদাই পুম্বদসু লাইয়াম নখোয়না মারবু মাইথিবা পীঙমলোই। শিংনরিবা পুম্বাদো হগৎনা য়েংবা তাগনি। লাইগী লিচৎ ওইফদে। অমুক হন্না তাফেএ, শাদা লানদা অথৌবা হৌবা লাইবা মশানি। শাজেন লাঞ্জেন হালোইবা, নুংবু পানবা মউবা চিংউবা, মতিক ময়াইনা মপুরেন শিদবা থৌজাননি। খোয়ুম মাবু শিংনবা, তাথি তাওইনবদি, খোয়ুম লাংওন মতমজনি। নশানা নশাবু খংওনা, মপুশিনথা কাওফরোই। অসুম য়াৱা মহাইরে অতিয়া শিদবনা কোরৌ থেকনা লাইয়ামদা থাংমাইগী থেলোন পুন্বা মহাইরবদা, লাইয়াম পুম্বনা মার থাংমাই হনবদা চংজখিএ। লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবনা অনেম্বা মালেমগী লাইয়ামবু নুংশি চান্না খুম্নোক মতমমিনখি।

কোরৌ লাইয়াম পুম্বাগা মার থাংমাই হনবগা ৱাতাই শংদাইনদুনা হোয়াননা, লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইয়ামদা,কোরৌগী লাইয়াম পুন্বা হনখ্রবদা, অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা চীংখৈ ফীদুপ ঙাল্লিবা, মার থাংমাইহনবা মশাইকোনদা লাংহৈনরকপা, অনেম্বা মালেমগী লাইয়ামনা মার থাংমাইহনবগী খোয়ুম তেংপাং ওইরকপা, লোইবী লোকশাকোন ওইরিবা, লাইজা ঈচেন তমলিবা, মালেমগীদি অনেমবা, চীং খুম্নোক লাংলিবা, মার থাংমাই হনবনা শাগোন য়াইশা ঙৌরেনবা তোংদুনা কোইনা লৈন্না য়েংলকপা, হৈরাং লৈরাং পুন্বা মালেম ইমানা মপুথোকপা মদু নোংবু উবদা পেজরিএ থাংমাই নিংথৌ মার হনবনা।

শাগোন অয়াংবা তোংদুনা অসুম লাংহৈ লাংদাইনরকপনা, চিংখৈরেনদি মপু শিদবা, কুরু মশাইকোন নোংপোক চীংখৈরেন লাংহৈকোন মগাইফমলেন মউরকলে। কুরু শিদবা মগাই ফমলেনদা লোইবী লোকশা নাহুইকোন, কোনখৌ লাংকোই চীংমাইথেনদা, লাইজা ইরিকখোং, থেনবু পুং য়াইরেন থেলোং চীংমাইদা,লৈরাং লৈশাৎ তম্বাবু লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবনা শগোন য়াংথক্ত কুমথদুনা লাইজা ইরিকখোংদগী লাইজা ইতমএ। ঙৈহাক পুংকাই অৱা পোথাদুনা মরৈঙৈদা, চীংমাই থেলোংদা লৈশাৎ লমলিবা লৈরাংগী লৈনম লাকপদা কদাইদগী লৈরাংগী লৈনমনো। করম্বা লৈকোদগী লাকলিবা শৈঙে ন লৈরাংগী লৈনমনো। অসুম্না লৈরাংগী খোঙ্গুল থিরকলে।

হুম্মুলৈমা মরানলোন

সনামহি লৈশেমকোন অনেম্বদি মালেমদা, চীংউ খুঙ্হোক লাংহৈরিবা শিদবগী লাংদাইকোনদা, চীংখৈ নোংপোক খৈরেনদা, কোরৌ লাংদাই ওইরিবা চীংখৈরেন শিদবা কুরুনা মশানৌদি য়াংলোই লৈমাগা, অনি লাংহৈ পুংকোই ওইরকপনা মমোম অমা ফুইদুনা (পোক্তুনা) লাংহৈ মপুং ওইরিএ। লাই লৈপাক লাইরমলেন অনেম্বদি মালেমদা চিংখৈ করু শিদবা কোরৌগী মসেক ওইদুনা, থাজগি মঙাল ফংলিবদি মপুরেন শিদবা শিদবী অনিগী লাংওননে।

কুরুলেন শিদবগী মমোইলোই হুমু লৈম লাইওইবী, শিদবা শিদবী অনিনা লাইগী লিচৎ-শাজৎলোন, কোরৌ মালেম থৌখাইরোন পলেম মমা শিদবী থৌশিন । পলেম পঙ্গৌ অনিনা লাইগী লিচৎ তাকপীবা, অদুতনা শিঙ্গা ওই, লাইরেনবিদি হুমুনি। হুমুলৈমা লাইওইবীনা শিদবা শিদবী অনিগী য়াথংতবু ইঞ্জনা মালেম অনেম্বা লাইওইবাশিংনা তমজনিংঙাই লাংতাইনি। শিদবিগী মমোমলোই হুমুলৈমা লাইওইবী, কোরৌ নুমিৎলোই খুদিংগী শিদবী য়াথংতবু মঙাইজা খোইয়ুম শিঙ্গা পাংজরী।

শিদনুবী মমোমলোই হুমুলৈমা লাইওইবীদো মপুং মরৈ ফারকলে। চীংখৈ কুরু শিদবা মশাইকোনদি নোংপোক চীংখৈরেন। নোংপোক লৈশা চীংশাংখোং, চীংমাই থেলোং য়াংবীরেন, লোকশা চিংচুম খোংমাইথেক, থেলোং পুংমহি লাংচিথোন, উহৈ ৱাহৈ, হৈরাং লৈরাং কয়ানা মপুগী খুশেম লাংহৈকোন মপুং মরৈ মফানা, তাওজিং হৈরাং কয়ানা লোইবী চীংগী চীংমাইথেনদা উপান হৈ পান থক্তা ঙঙান্না মপানবা, চেকলা চহি মাইঙৌবী, কোরৌ থেকনা মতাইবী,পোম্বী চেক্লা কয়া কাইদোংউপাল ওইজবা, হৈরাং কয়া চিনদমনা চেক্লা পুন্সিতাজবা, মপগীদি হৈকোনদ।

নিংথিজবা লৈকোনদি কোরৌগী মশেক য়ৈবদা, তনিকপা লৈরাং মতৌ উবদা, লৈশেম্বী মালেম ইমানা হরাওজবা, লৈকোন পুংগী লৈরাংনা লৈরাং ফুগাইনা শাৎচবা, লৈশক শুনা হৌরিবা নোংপো মরম খৈরেননি। চীংখৈ ফীদুপ হুনফমনি। লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরৈপাকনি লৈশেমকোন। য়োইদা ঙানবা অঙানবা, কোরৌহনবা ইবুংঙোনা ঙঙান্না থোকলকপা ইমাগী অনেম্বা মালেমবু শিনবা থুংনা ঙানহনবা, লাইগী লৈপাক লাইরৈপাক।

চীংখৈ করু শিদবগী মমোমলোই হুমুলৈমা লাইওইবী খোয়ুম মাইথোং অহেনবী, লৈরাংলকতগী হেলোইবীনি লাই ওইবীও। কোইতানবী মাইথোংলেন, ৱাংথোইরেনবী শাওংনি। খুৎপু খোংশা য়েংলগা সনা মীয়েং মীতাবীনে। সনা ফীগে চরৈ ফিশেৎ তম, খ্বাচেৎ চুমথাং মচুনে। সনা

চোমজাও য়ানবীনে, লিকলাং লিরি অহুম লিকফাংনি। তাংজবনা কুরুনি। খুৎচি লাংচিথেন লাংমাইনি, সনা কুপত্রেং মচুনে। মাইথোং লকা থাজনি। লাইওইবী হুমুলৈমনি। লৈমালক্তগী অথোবী চীংথৈ কুরু শিদবগী মমোমলোই লাইরেনবীনে।

শিদবা শিদবী অনিগী য়াথংতবু ঙাইজবা, চীংউবা শিঙ্গা পাংজরিবা লাইওইবীদি লাইরেনবীনে। হৈকোন লৈকোন শেঞ্জবা, লৈরাংনা মকা ফনা লৈকোনদা শাৎচবা উরগা হরাওবী লাইওবীনে। মপুরেন সিদবনা মপুথোকপা অনেম্বদি মালেমদা জিবা লাক্ষ কয়া, শা উচেক কয়াবু উজরগা পেঞ্জবা লাইরেনবীদি হুমুলৈমনি।

হৈকোন লৈকোন মগাইরেন, শিংখুল কোরৌ খুদিংগী লৈরাং মখোং সোমজবা, লৈরাং চারা শেমজবা অদু নোংগী ময়াথং পাংজরিনা লাইওইবীনা। য়েৎহৈ লাংন লাংতাইনা মালেম লৈবু লৈতোনা, লৈশারোনবু মশেনা, লাইরেনবী শিঙ্গা পাংজবা, লাইরেনবী মগাই ফমলেননে। উপান থককী উহৈনা মপুং মরৈ ফাদুনা মালেম থক্তা কেনজবা ঙঙানবা হৈরাংদো, আনেম্বা মালেমগী খোংশা মরি পানবা জিবা কয়াগী মচিনজাক ওইনা চাজবা, জিবা কয়ানা চাবা উরগা, পেঞ্জরিদো লাইরেনবীনা।

নিংথিজবা মালেমদা লোইবী চীংগী চীংমাইথেন লৈরাং পোমশাৎনবা কয়াসু মাগী মতমতবু ঙাইবা, লৈরাং ওইবা পোমশাৎনবদো, মাগী কোরৌ মশুনা লৈশাৎ মপুং ফারকলে। লৈরাং লৈশাৎ তমলগা মাগী পুন্সি লোইদুনা লৈখোংদা লৈরাং চোইনা তারকলে। অদু নোংবু য়েংলগা লাইরেম্বীদি হুমুলৈমানা, মালেম অসিদা লৈরিবা থৱাই পানবা পানদবা অচৎ চৎতা জীবা কয়া অসি মাগী মাগী মতম লোইরগা, অসুম লৈখোকএ, মাসু মাংখি। অনৌবা য়েনিং লাক্লবগা মপুগী থৌগন ফংগনি।

কুরু শিদবা মশাইকোন লোইবী চিংদি চীংশাংকোন, হৈরাং লৈরাং লৈশিকোন। লাইরেনবীদি হুমুনা, কোরৌ শিংকুম খুদিংগী হৈরাং লৈরাংগী পুন্সি ময়েংজবা, লাইরেনবী নুংলোনদা খল্লকলে। শিরগা পোকপা মপোকসি লৈরাং মপোকসু ওইরেদো, লৈরাং নংসু ঐনা সেমজবদি মপুগী লৈকোনদা শাৎচবা, ইমাগী তম্পাকতা চাওজবা লৈরাং নংবু মাংফরোই, সেম্বী নাক্তা য়ৌবনা লৈরাং মপোক তাওজৌও। লৈরাংগী লৈনম শিনবনা ইমানগী লমন শিংজৌও। অমু লাইরেনবী ইমানা, লৈরাং মাগা ৱাতাইথেন মওইবীরে।

চীংথৈ ফীদুপ মগাইফম শিদবীগী মমোমলোই হুমুলৈমা লাইওইবীনা, মপন কুরু শিদবগী লৈকোনদা লৈরাং নাচোম মশেমলিঙৈ, নোংতম্বগী নোংদমখোনদগী চীংথৈ ঙালোই মার থাংমাই হনবনা

অয়াং শগোন লাইশারেনবা তোংদুনা কোইনা অশুম লাকপনা করু শিদবগী মশাইকোন লৈরাংকোনগী মগাইরেন তমলকলেদো থাংমাইরেন। অয়াংবা শগোন থমদুনা লৈকোন নুংদা চংলকপা, লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎতুনা লৈরম্বাদু মউরে। মদু তবা উবদা হরাও মোমোন নোকচনা থৱাই য়াইপী মপেনজে। অঙকপগী লাংহৈনি। মপুরেন মাগী খুশেমনি। নোংদমখোনগী নোংদমনি। লৈরাং লৈকোন নুংদা অসুম অসুম চংলক্তুনা লৈরাংবু য়েংজবা।

খংহৌদনা লৈরাং লৈশাৎ তমলিবা লৈকোন নুংদা লাইওইবী অমনা মদোম লৈরাং নাচোম শেমদুনা লৈরম্বা মউরকলে, লাইনিংথৌন। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা লৈরাং লৈকোনদা লৈরম্বা লাইরেম্বীবু য়েংলগা মহাইরকলে। লৈরাং লক্তা লৈশাৎ তমনা নদোম কনা য়াওদনা লৈরাং নাচোম শেমদুনা লৈবাবু, লৈরাং পাংখক ওইরীবি লাইওই নংহাকপু কনানো, অদু য়াৱা তাকপীয়ু মহাইরকলে লাইনিংথৌনা।

ইকাই নুংশি হোয়ানা লৈরাং মাবু য়েংলগা অসুম লাইনিংথৌদা হনগৎচরে। ঐহাক অসে, লৈকোন অসিগী মপুনি। লৈরাং মাবু শেমজবা লাইরেনবী ঐগী থৌখাইনি। ঐবু পোকপা পঙ্লৌদি চীংখৈ কুরু শিদবগী মমোমনি। ঐগী কোইলোই মীংলেনা হুমুলৈমা মীংকৌএ। অসি য়াৱা হায়না লাইনিংথৌদা হনগৎচরে।

হুমুলৈমা লাইরেনবীগী য়াৱা মীংখৈ তাবদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবনা য়াৱা অমা হায়রকলে। হাদা লাইওইবী লাইরেম্বীও,খোয়ুম নপাওরৌ তাবদা লাইনিংথৌ ঐনা পাইমা খৈনা ইতমলে। লাইনিংথৌ ঐগী কোলোইদি মার থাংমাই হনবা কোইলোইএ। হাদা লাইওইবী লাইরেনবীও, ঐগী লাংওন লাংদাইকোনদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাই ঐগী ওইগী ফম্বাল লাংবদো হুমুলৈমা ননিং ওইজৌও। লাইরেনবী নঙকী পামজবা য়াৱা অমা হায়ফৈনা। লাইনিংথৌবু য়েংলগা লাইওইবীদি হুমুনা অসুম য়াৱা মহাইজৈ।

তাবীয়ুদো লাইনিংথৌ, ঐবু পোকপা পঙ্লৌরেন, ঐবু পোকপী পলেমনু, অনিগী মরুম থুপনা লাইরেনবী ঐনা লৈজবনি। পলেম পঙ্লৌ অনিগী য়াথংতদি লৌজগে, য়াথং মানা হোয়রবা, লাইনিংথৌ নাচোম ওইজগে। লাংওন পুন্না লাংদাইবা মপুনা নোংতমবীবা ওইসনু। অসি য়াৱা মতাইরবদা, লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবসু হোয়ানরে। লাইরেন লংদাইরেন ওইরম্লগা, তন্না কোরৌ খোংদোইরককে য়াথংলেনবু হোয়ানরো, ইগাইরেনবু পাংলগে, য়াৱা অসি মহাইনা, শাগোন অয়াংবা তোংদুনা থাংমাই কোনদা হনখরে, লাইনিংথৌ মারনা।

কোরৌ ইনুং মতাইরকলে। শিদবা শিদবী অনিবু কোকনোঞ্জনা হনগৎচৈএ, লাইরেনদি হুমুলৈমা। চিংখৈরেন কুরু শিদবন মমোমগী য়াৱা তাবা হোয়াবীরে। মপনা, য়াৱা অমদি মহাইরে, মমোম ওইবী হুমুলৈমাদা। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, তম্বা লাইওইবা মহাক্তি মতিক ময়াই লৈবা, শাদা লানদা অথৌবা ফম্বাল নাইবা মপুনি। মপু ওইবা মহাককী, থৌগন তবা নংহাক্লা ফংজবদি, ইপানা নংহাকপু য়োচবগী,মপুগী লৈকোন ফংজবনি। মসি য়াৱা পুম্বা মপন্না মহাইবীরে মমোমদা । মপনগী য়াৱা তাবদা হরাওজৈনা মমোমনা।

হাইনরিঙৈ মগাইরেন, শাগোন অয়াংবা তোংদুনা নোংপোক মরম খৈরেনদি চীংখৈ কুরু শিদবা মগাইফমলেন য়ৌরকলে। মার থংমাই হনবনা, মদু নোংবু উবদা লাইরেনবীদি হুমুলৈমনা, মারনা খোংদোই হুলকলিবা মগাইফমলেন চেনথোরক্তুনা মপন য়াৱা তমজরে। হোয়ানবা তুংদাইনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা ৱাতাই শংদাইদুনা মারচিং থাংমাই হনবগা, হুমুলৈমা লাইওইবী মরান লুহোং তমখরে। মালেম অনেম্বাদা লৈরিবা চীংউ লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজরে। হুমুলৈমা লাইওইবীবু মারজিং মগাই ফমলেদা থিনখরে। মারচিং কোনদা লৈখরে, লাইরেম্বী ফম্বাল ফংখ্রে।

কোরৌ লাইয়াম থৌখারোন

সোরারেন ফম্বালোন :- কোরৌগীদি অৰাংবা, লাইয়ামগীদি য়াইবীকোন, লাইনিংথৌ সোররেন ফমদেংকোনদি ফম্বাললোন। লৈমানু সোরারেন অনিনা লাংহৈ মপুং ওইরকপনা লাংদাই পুংকোই মতমলক্লে। মদু নোংগী য়াৰারেনদা, লাংওনবদি অনিনা কোরৌ থক্তা লৈরিঙৈ, লাইয়ামলক্তা তিনলিঙৈনে। ইপুরোই য়াথংলেন ইনজরিবা শিদবা শিদবী অনিদো, লাইগী লাংওলন উদ্রবদা, মপারী মমোম শাৎত্রবদা, কোরৌরেনদি খুদিংগী লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেনদি কোরৌদা, শিদবা মপুরেন ইপুরোইগী থৌপাং থৌরম থৌকাংঙে। শিংগুম মশিং নাইদনা মপুরেননা য়াইবী লোক্তগী ইতমলক্তুনা সোরারেন মগাই তমলক্লে। সোরারেন লৈমা শিদবী অনিবু য়েংনা মহাইরে।

লাইরেম্বা লাইরেনবী নখোয় অনিনা ঐবু কৌববু করি য়াৰা হায়নিংবা লৈবগে। খোয়ুম পুরেন ঐঙোন্দা হায়নিংবা য়াৰা মহাইয়ু হায়না, ইপুরোই শিদবনা মহাইরে। ইপুরোই শিদববু কোকনোনজনা হনগৎচৈএ, লৈমা সোরারেন অনিনা। ইপুরোই শিদবন চীংউ লাইরমলেন অসিদা মপুথোকপীরে অদু নোংবু, খোয়ুম ওইবা ঐখোয় অনিগী ইপুরোই লাংদাইকোন থৌখাই মাবু পাংবদা থৌপাংবদা সোরারেন ঐগী লাংদাই মপুং ওইজগে, মসি য়াৰা লৈবনা ইপুরোইবু কৌজবনি, মহাইজৈনা লাইনিংথৌদি সোরারেন্না।

সোরারেন লৈমা শিদবী অনিগী য়াৰা মপাও তাবদা, পেনবী হৈবা মপুরেন ইপুরোইদি শিদবনা হোয়াবীরে লাইরমলেনদা। মদু নোংগী য়াৰা মওইরবদি লৈমা সোরারেন অনিমক খোয়ুম ওইবা নখোয় অনিগী নিংজবা পনসা লাংহৈদা মপুং ফাবা ওইজরো। মদু য়াৰা মহাইবীরম্লগা কোরৌগীদি য়াইবী লোকতা ইতমখরে ইপুরোইদি শিদবা। শিদবা মপুনা পীরম্লবা য়াৰাদি কোরৌ মালেম তাইফদবনা ইখং খংহৌদনা কোরৌ নুমিৎলোইদা, নৰা পুকক চউনা তম, লাইরেন তরেৎ পুরক্তুনা সোরারেন লৈমা শিদবী অনিদা মশিন্নরে। লাইরেনবী তরেৎ অদু উবদা সোরারেন লৈমা শিদবী অনিদো হরাও মথোইজরে। লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরম লেনদি অৰাংবদা, হনখরে, মগাইফম ইপুরোইদি শিদবা লৈমা শিদবী সোরারেন অনিনা মমোম ওইবী তরেৎতা শিল্লম শিনতাকপীদুনা লাইগী লিচৎ তম্বীনা, খোয়ুম লাংদাইকোন ওইরকলে অৰাবদি কোরৌদা।

কোরৌগীদি লাইরমলেন, সোরারেনগী শঙগাইনুং, মমোম ওইবী তরেৎপু লাংগোইঙৈগী ৰানে। লাইওইবীদি তরেৎনা পলেম পঙ্গৌগী য়াথংন্নে লাইরেন শিঙ্গা পাংজরি। মমোম তরেৎপু য়েংলগা কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোইদা, লৈমা নুংপী শিদবীনা, য়াৰা অসুম্না মহাইরে। ইমাগী ইমোম লাংলেননু খোইবু লাইওইবী নচিন ননাও তরেৎতা ইমানা য়াৰা অমা মহাইগে, নাপা চিক্লা তারো। লাইরেন নচিন ননাও তরেৎনা লাইয়াম লাইরমলেন অসিদা খোয়ুম শিঙ্গা পাংবদো, ইমানা অমুক্তা ময়েংগে, মপনগী পেনজবা ওইসনু। য়াৰা অদু তাবদা লাইরেনদি মমোম তরেৎনা পলেম মমা লৈমা শিদবীগী য়াথংবু হোয়াজরে লাইওইবী।

খোয়ুমগীদি শিনদমলেন, পূংকোই য়াইদা থোক্তুনা, পলেম মমা শিদবগী য়াথংতবু ইনজবী মমোম লাংলেন তরেৎতা খোয়ুম শিঙ্গা পাংলক্লে। পলেম মমানা তাকপিবা শিংকোই, শিলেন, শিংতাইরে। লৈশি, কোংফাং ইতমনা, কোরৌ লাংওন মউনা, লাংহৈ পোংকোই ওইনা লাইরেনগী শিঙ্গা পাংজাবা মদু নোংবু মউবদা মপন পঙ্গৌ সোরারেন্না মমোম তরেৎপু য়েংলগা হরাও মথোই কাজরে। মমোমগী শিলম উবদা।

পলেম মমা ওইবীসু,মমোম তরেৎনা শিনকাংবা মদু নোংবু উবদা, শিলমলেনগী শিনপাং শঙ লাইরেনবীগী শিনদমশঙদা, মশঙদা, অসি থৌপাং ইনবা শিলম মাবু মতাকখিবা মপুং ফানা মহৈরবা, মমোম ওইবী তরেৎকী শিনকাংবু উবদা মপুগী থৌরম থৌকাংদা ইমোম ওইবী তরেৎনা থৌসু মাবু শংজবা মপুগী মহৈ ফংলপানি নুংলান য়াইদা খল্লকলে। মমোম তরেৎপু য়েংলগা পলেম মমা শিদবী য়াৰা অসুম মহাইরে। ইমাগী ইমোম ইবেম্মা, ইমানা নখোয়, রেৎতা তাকপিখিবা শিলমদো অমা হিক্তি চিৎথদনা ইমোম তরেৎনা থৌকাংবা, ইমানা নখোয় তরেৎপু পোকপগী মহৈদো মপুনা খংবা ওইসনু। কোরৌ সিগীদি লাংদাইরশি, অসুম য়াৰা হায়দুনা মমোম তরেৎপু লোইন্না মপন শঙ্গাই তমখরে।

সোরারেনগী মমোম ওইবী তরেৎনা, মতারোইশিংগা লোইননা লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেনদা ৰাতাই শিংদাই মওইরকলে। খোইবু লাইওইবী কয়াগা লোইনদুনা ৰাতাই পুংদা লাংহৈনরকলে। কোরৌ লাংহৈ লাংদাইদা সোরারেনগী মমোম তরেৎনা লাংহৈ পুংকোই লাংদাইরে। চীংউবা লাইরেনবীশিংবু য়েংলগা সোরারেন মমোম তরেৎনা য়াৰা অদুম্না লাংহৈরে। হা খোইনৌরেন ইতা লাইরেনবীও, শিঙ্গা পুংগী পুংকোইদা ইপনগী য়াৰা হোয়াননা, মঙমদা পোং মথৌ খনজবদি, লাইরেনবী ঐখোয়গী ইসিনজানি। অসি খংনা থৌকাংবদি, মপুরেন শিঙ্গা ইনজবনি।

লাইরেনবী লাইয়ামলক্তগী লাইওইবী অমনা মহাইরে। হাদা ইতা খোইনৌরেনশা, লাইগী লৈপাক ওইরিবা অৱাংবদি লাইরেন অসিদা, লাইরেনবী খোয়সু খুম্বোক তমলেমদো। মপুগী শিম্বা ইনজনা, লাইরেন ঐখোয়না থৌকাংগদবা থৌশিন কয়া থৌদা পাংজরেদো, লোইনাইদ্রবা লাইরেনগী ঐখোয়গী থৌদানি। থৌদা থৌরম পাংজবনা মপুগী শিম্বা ইনজবনি। অসি হায়না লাইরেনবীনা। মখোয়নৌ ওইবী লাইওইবীশিংদা, মানা মানা পামজবা য়াৱা কয়া পাওমেননাজৈ। লাইয়াম লক্তগী অনিতুনা ৱাতাইরকই। তাবীয়ুদো ইতাশা, খোইনৌরেন ঐখোয় অনিগী য়াৱাসে।

খোয়ুম ওইবা লাইরেনবী ঐখোয়গী কোরৌ থৌপাং ওইবদি অনেমবা মালেমদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বা তমজনিঙাই মওইনবনা লাইরেনবী ঐখোয়গী থৌপাং ওইফৈএ। থৌরম থৌদা থৌপাংবা শিম্বারেন মপুংয়াই মওইবা, খোয়ুম লিচৎ শাজৎলোন লাংহৈ মপুং ওইবদো, লাইয়ামলককী অথোইবা, মপুরেন শিদবনা মউজবা, মদু নোংগী থৌকাংবা লাইরেনবী লিচৎলোই ওইফৈএ।

মপু ওইবনা ঐখোয়বু অৱাংবা কোরৌগী লাংদাইবা, লাইগী লৈপাকক্তা তিহনবা, লাইরেনবী ঐখোয়গী লাংওনসে মশক খংনা থৌকাংবনা মপু থৌজাল ফংগনি। লাইগী লৈপাক ওইরিবা অৱাংবদি কোরৌদা লাইরেনবীদি সোরারেনগী মমোম তরেৎকা,মখোইনৌ লাইরেনবী কয়াগী ৱাতাই শাংদাই ওইখরে। হোয়ানরে লাইরেনশিং কোরৌগী লাইয়াম পুম্বাসু হৱাও মখোই কাজরে। লাইরেন্বী থৌকাং উবদা লাইরমলেনগী লাইওইবিশিং মাগী মাগী মগাইফমলেন তমখরে। লাইগী লাইপাক লাইরমলেন্দা।

কোরৌগীদি লাইরমলেন, সোরারেনগী শঙগাইনুং অঙম অঙান খাইরিবা লাইগী লৈবাক লাইরৈপকনি। কোরৌরেনদি হেলোই শিংকুম লাংহৈকোনদি মপুংয়াই, খোয়ুমগী লাংদাই ওইরিবা লাইনিংথৌদি সোরারেন, লৈমা নুংবী শিদবী অনিনা লাংহৈ লাংদাই ওইরিবা মমোম তরেৎপু য়েংলগা য়াৱা অসুম্বা মহাইরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা নচিন ননাও তরেৎমক ইপাগী য়াৱা তারোদো। ঙসি কোরৌ লাংহৈদা নতারোই কয়াগা লোইননা ইপাগীদি মাথৌপুং, লাংহৈ পুংকোই ইতমফম, মগাই ফমলেন অসিদা লাইগী জগোই মকৎচৌ , অসি লাংহৈ ওইবনা লাইরেনবী থৌপাং পাংজরো। অসি য়াৱা মহাইরে, লাইনিংথৌদি সোরারেন য়াৱা অদু তাবদা সোরোরেনগী মমোম তরেৎ হোয়ানদুনা, মখোইনৌ মতাইরোই, চিংগোই মপাওমেন, খোয়ুম শিম্বা পাংখ রে। মখোইনে মগাইবেন তমখরে।

লাইনিংথৌদি সোরারেন ফমদেংদুনা মরৈঙে, মমোম ওইবী তরেৎনা মতাইরোইশিংগা লোইননা মপনগী মগাইফমলেন খোংদোই ইতম হুল্লকলে। মখোইনৌশিংগা লোইননা সোরারেনগী মমোম তরেৎনা শিদবা শিদবী অনিদা কোকঞ্জজরে। মদু নোংবু উবদা কোরৌগী লাইয়াম পুন্বাসু হরাও মখোই কাজৈনা, লাইরেন্বী পুমবা লাইতিল্লে। সোরারেনগী মথৌ পুংকোইদা মমোমশিংবু য়েংলগা লাইনিংথৌদি সোরারেন য়াৱা অসুম্না মহাইরে। ইপাগী ইমোশা পুম্নমক মশুরবনি, ইপাগী মথৌপুং অসিদা লাইগী জগোই শাবদো ইপাগী লাংহৈকোনশিদা লাংদাইরেদো ইমোমগা, য়াৱা অসুম্না মহাইরে। মপনগী য়াৱা তাবদা লাইরেনবীদি মমোমশিং খোয়ুম শিল্পা পাংলগে, লাইগী জগোই শারগে, পাইমা নুংদা মখনলকলে।

কোরৌগী লাইরেনবী পুন্বানা সোরারেনগী মথৌপুংদা লাইগী জগোই থেক্তুনা কোরৌথক্তা লাংহৈনরকলে। লাইপুং থৌখাইরেম্বা তানথা য়ৈনা লাংহৈরে। অৱাংবদি কোরৌগী চীংউবা লাইয়াম সুনা তিল্লকলে। লাইগী জগোই ওইরিবা খুথেক লানথোক থকওইরেন, খোংবু লাংহৈ পুমথিন্না লাংদাই জগোই লাংক্লে। চেনচোং লানচোং থিকলেননা থেলোই থেংখৌ মওইরে। লাংদাই ইরিক হুনলেবা,য়েংজম লুরেন চিংখোইবা, লাইগী লৈপাক লাইরমলেন , লাহয়াম পুন্বা ঙকচানরে। মদু লোংবু উবদা হেলোইবা চরৈ ফীতমনা সনা ফিগে ফীশেৎনা খ্বাংচেৎ ফিকোই লাংদাইনা, কোলেন পুন্না ইতম্না, শামেং শাথুম নাহুইনা, লাংই পুংকোই ওইরিবা, মথৌপুংদি সোরারেন, মগাইফমলেন খেলোংদা লাইরেনবী জগোই শারক্লে। লাইগী জগোই মরোইরে। থেনখৌ লাংখৌ ইতমখ্রে। লাইয়াম পুন্বাদা কোকনোঞ্জে ,জগোইরেন্দি লাইরেনবিনা।

মমোম তরেৎ লাংগোইনু

লাইনিংথৌ সোরারেনগী মমোইলোইদি তরেৎনা লাইরেনবী শিন্তা পুংদা লাংহৈ মপুং মতমঙৈ, অৱাংবদি কোরৌনি। লাইগী মচিন মনাও শিলম শিঙ্খা মপাংঙৈ, মখোই পোকপা পঙ্খৌরেন লাইনিংথৌদি সোরারেনা মমোম তরেৎপু খুৎলাম তোইনা মকৌরকলে। মচিন মনাও তরেৎনা মপনগী খোনজেল তারকলবদা, শিন্তা পুংকোই থাদোক্তুনা মপননা লৈবা মগাইরে, খোংদোই ইহুন মতমলকলে। মপনগী মগাই য়ৌরকলদুনা, মপন পঙ্খৌবু কোকনোজনা মাইজৈ, মমোমলোইদি লাইরেনবীনা। ঐখোয়বু পোকপা পঙ্খৌও, নমোম তরেৎপু কৌবীববু করি য়াৱা তাকউগবা অপোকপা, মহাইজরে লাইরেনবীনা।

মমোম তরেৎপু য়েংদুনা মপন পঙ্খৌ সোরারেন্না য়াৱা অসুম্না মহাইবীরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, ইপানা নখোয় তরেৎপু কৌবদি অতৈ করি অমগী য়াৱা নৎতেএ। য়াৱা অদু মহাইরগে, নচিন ননাও তরেৎমক নাপা চিক্না তারো। য়াৱাদি অসিনি। ইপানা য়াৱা অসি মনুং মতম চারগা হায়গে হায়না থম্লকপনি। হৌজিক্তি হায়বা য়াৱা মতম ওইরকলে। মমাং চৎতসু থোকতিবা য়াৱানি। তুংলম চৎতসু অমুক হননা থোকলোইদবা য়াৱারেননি। তারো ইমোলোই নখোয় নচিন ননাও তরেৎমক। হয়ি হয়া চককী লাংহৈদা কোরৌগীনি য়াইবীকোন, মপুরেনদি ইপুরোই শিদবনি য়াৱা অসুম তাকপীখি।

নমোম ওইবী তরেৎসে চাউরা শারেপ ফারগা কোরৌ অৱাংবা লাইরমলেন অসিদগী মালেম অনেম্বদা খুঙ্গোকহনগনি হায়না সোরারেন নংহাক্না ৱাশক পরৈনজৌও, মহাইনা নপল পঙ্খৌ ঐহাক্না ইপুরোইগী মফমদা ইমোম তরেৎনা চাওবা শরেপ ফারকলবা মতমদা অনেম্বদি মলেমদা, অসি য়াৱা হায়দুনা ইপুরোইগী মফমদা ইমোম ওইবী তরেৎপু ইপুরোইগী য়াথং ঙাকচনা, মালেম অনেমবা নোংগুমহজগে। অসি হায়না ইপানা চীংউবা লাইয়াম মমাংদা শারি ৱাশকনা লাংহৈ অদু লাংদাইনখি। চীংউ লাইয়াম পুম্বসু হোয়ানখ্রে। লাহৈরে। মসি মরম লৈখিবনা ইমোম তরেৎপু ইপানা নখোয়বু কৌবনি।

ইমোমশিংগী অপাম্বাসু ইপাদা অদু মহাইয়ু হায়না, মমোম তরেৎনা য়াৱা মপাও চিংগোইবীরে। মপনগী য়াৱা তাবদা খোইবু লাইরেনবী তরেৎতো পাইমা নুংফনরকলে। মীলু লাইজা ইহৌনা সোনথাংনবা য়াম্নানা মপনদা অসুম্না হনগৎচৈএ। ঐখোয়বু পোকপা পঙ্খৌও, তাকপীরিবা য়াৱাদি, নমোম তরেৎপু কোরৌশিগদি অৱাংবা, লাইগী লাইরম অসি থাদোক্তুনা, ইপনবুসু থাদোকতুনা

মালেম অনেম্বদা খুঙ্গোকউ হজায়বা য়াৰা অসিদদি নমোম তরেৎতা তাকপীগনু। নমোম তরেৎ হোয়াজবা ঙমজরোই। য়াৰা অসি হায়দুনা মপনদা মমোম লাইরেনবী তরেৎনা কোকনোনজরে।

লাইনিথৌদি সোরারে, মমোম তরেৎকী য়াৰা মপাও তাবদা পাইমা খৈন্না নুংফংনরে। মপন পঙ্গৌ সোরারেন মীৎলু লাইজা ঈহৌনা মমোম তরেৎপু য়েংলগা য়াৰা অসুম মহাইরকই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা। ফরে নখোয় নচিন ননাও তরেৎনা হোয়দ্রবদিঅদুমঙাইরে। ইপাদি হায়দোকখ্রবা য়াৰাদি, কোরৌ মালেম তাইফদবা য়াৰা ওইবনা, ইপাদি লাংওন অমা তমখ্রাগে। ঐহাক লাইরমলেন অসিদা লৈররোই। নখোয় মচিন ননাও তরেৎমক কোরৌ লাইরমলেন অসিদা লৈহৌরো। অসি য়াৰা হায়দুনা মপন পঙ্গৌনা, মমোম তরেৎতা চিংগোইরকলে।

মপন পঙ্গৌগী য়াৰা মপাও তাবদা মমোম ওইবী লাইরেনবী তরেৎতো, মিৎলু লাইজা ইহৌনা মপাবু মাইথোং য়েংঙমদা, কোকলেন লুরুকনদুনা লাইরেনবী লাইকোন তমখরে। মচিন মনাও তরেৎনা লাইরেনবীগী লাইকোনদা ফমদেংদুনা, ৰাখন ফুৎবুংনরিঙৈ, লাইরেনবী তরেৎকী অতোনবী লৈমা খোমদোন্না, মচেম ৬ পু য়েংলগা য়াৰা অসুম্না মহাইরক্লে।

ইচেম তরুমকী মফমদা ননাও খোমদোননা য়াৰা অমত্তা হায়জগে, ননাওনা হায়জবা য়াৰাসি ইচেম তরুকনা হোয়াবীয়ু হায়না খোমদোনা তোইনা য়াৰা মপাও চিগোইরক্লবদা, মচেম তরুক অদুনা মনাও খোমদোন লৈমাবু য়েংলগা য়াৰা অসুম্না হাইরকএ। ইচেমগী ইবেম্মা অতোনবী, নচেম তরুক্তা ইনাওনা হায়বা য়াৰাবু নচেমশিং করম্না হোয়ারোইদগেনে ইবেম্মা। ইনাও খোমদোন অতোনবীনা অপাম্বা য়াৰা পুম্বাদো, নচেম ৬ তা অদুক য়াৰা মপাও শেংঙুগবা ইবেমা, হায়বিনিংবা য়াৰা চিংগোইয়ুগবা।

সোরারেনগী মমোম তরেৎকী অতোনবী খোমদোন লৈমানা মচেম তরুকপু য়েংলগা য়াৰা অসুম্না মহাইরকলে। ফরে ফরে ইচেম তরুক্লা হায়য়ু হায়বা য়াৰা তাকপিরবনিনা ননাও খোমদোন হায়জগে। ননাওনা হায়জগদৌরিবা য়াৰা অসি হোয়বীগনি হায়না ইচেম তরুক্লা শারি ৰাশকপীয়ু হায়না লৈমা অতোনবীনা মচেম তরুক্তা হংগৎচরবদা। মচেমশিংনা মনাও অতোনবীবু য়েংলগা মহাইরকলে। ইচেমগী ইবেমা অতোনবী , শারি ৰাশক্ত্রবসু, ইনাওনা হায়বা য়াৰাবু নচেম তরুক্লা করিগী হোয়াদনি হায়বগে, মচেম তরুক্লা খুমজখি।

মনাও অতোনবী লৈমানা ফ রে ফরে ইচেম তরুকনা শারি ৰাশক পিদবনিনা ননাওগী য়াৰাশিং হায়জররোই, অরেম্বা য়াৰা ওইখ্রাসিনু মহাইনা মচেম তরুক্তা হঙ্গৎচরবদা। মচেমলোই তরুকসু পাইমা নংফুংনদুনা, মনাও খোমদোন অতোনবীবু য়েংলগা মহাইরকলে। ফ রে ফরে ইনাওনা ময়াদ্রবনিনা নচেম তরুকসু ইনাওগী নিংজবা থুংনবা, শারি ৰাশকলগে, কোরৌগী লাইয়াম পুম্বাসু তাহৌরসনু মহাইনা, লাইরেনবী মচেম তরুক্কা চীংউ লাই মপুরেন পনদুনা ইনাওনা হায়বা য়াৰা পুম্বা ইনগনি হায়না লাইনিংথৌ সোরারেনগী মমোম তরুক্কাল, খোমদোন অতোনবী মমাংদা ৰাশকখি।

খোমদোন অতোনবীনা মচেমশিংগী ৰাশক তারবদা, মিৎলু লাইজা ইহৌনা মচেম তরুকপু য়েংলগা য়াৰা অসুম্না মহাইরকলে। তাবীরোদো হাদা ইচেম তরুকমক, ননাওনা য়াৰা হায়জরগে। ঐখোয়বু পোকপা পম্বৌ ইপাসে লাইগী লৈপাক লাইরমলেন, ঐখোয়বুসু থাদোক্তুনা মপোক লাংওন অমা তমখ্রাগনি। ইপানা লাইরমলেন অসিদা লৈত্রবদি মমোম ওইবী ঐখোয়না লাইরৈপাক অসিদা লৈরুবগী করি কান্নবা লৈগদগে। ইপাগী ৰাশক কাইদনবা মমোম ওইবী ঐখোয়না থৌপাংনা ঈপন পম্বৌগী য়াৰাশিং হোয়ারসি, ইচেম তরুক্কা ননাও খোমদোন অতোনবীগী য়াৰা অসি হোয়বীয়ু।

মচেম তরুক্কা মনাও অতোনবী লৈমাগী য়াৰা মপাও তাবদা ইখং খংহৌদনা মিৎলু লাইজা ইহৌনা মাইথোং মকা মকশিন্না, মনাও অতোনবীবু য়েংলগা য়াৰা মপাও চিংগোইরক। ইচেমগী ইবেমা খোমদোন অতোনবী, নহাক্কী য়াৰা নপাও তাবদা ইচেম তরুক্কা ঙক্তবা ঙমদে। ঐখোয় তরেৎ পোকপগী মনুংদা ইপন পম্বৌবু হেন্না নিংবসে খোমদোন অতোনবী নহাক্কা মহেললে। ইপনগী ৰাশক ঙাকলগে, ইনাওগী নিংবসু থুংজরো।

সোরারেনগী মমোম অতোনবী খোমদোন লৈমনা মচেম তরুক্কী য়াৰা মপাও তাবদা, মিৎলু লাইজা ঈহৌনা মচেম তরুক্তা কোকনোনজনা মহাইরকলে। ইচেম তরুকনা ননাও অতোনবীগী য়াৰাবু হোয়াবীরসি, কোরৌগী লাইয়াম পুম্বাসু খংজহৌরসনু। সোরারেনগী মমোম অতোনবীনা, মচেম তরুকতা ৰাশকহনদুনা, মপাগী য়াৰাবু হোয়ানখি হায়বা য়াৰাশিং লৈহৌরসনু। ইচেম তরুক লৈজবগী মপাননা ননাওনা লাইরৈপাক অসিদা খোরুম মাইথোং মহেল্লিবনি। হৌজিক্তি ইচেম তরুকনা হোয়বীরবনিনা ইপন পম্বৌ ফম্বালকোনদা খোংশান্দুনা ইপনদা য়াৰাশি হঙ্গৎচনা, পম্বৌ ইপাগী য়াৰা পুমবা হোয়জরে মহাইরুরসি মহাইনা মচেম তরুক্তা হঙ্গৎচরে।

মনাও খোমদোন অতোনবীগী য়াৰা মপাওবু হোয়ানদুনা লাইনিংথৌদি সোরারেনগী মমোম লাইওইবী তরেৎতো মপনগী মগাইফমলেন তমলকলে। মচিন মনাওনা লাকপনা, মপনগী ফম্বাল মগাইফমলেন য়ৌরকলে। মপন পম্বৌদি সোরারেন ফম্বাল থক্তা ফমদুনা, মাইথোংনা অনেম্বা মালেমদা

নোলুকননা লৈরমবদো উবদা, মমোম ওইবী তরেৎনা পুক্লিং খেনবুং লাংদুনা লুরুকননা মমোম ওইবী তরেৎনা তপনা তপনা চংশিঞ্জদুনা মপনগী ফম্বাল মমাংদা মমোম ওইবী তরেৎনা লেপলদুনা মপনগী মাইথোং য়েংলকলে।

সোরারেনদি লাইনিংথৌ, নুংফংননা লৈরিঙে, মমোম ওইবী লাইরেনবী তরেৎনা কোকনোনজনা মিৎলু লাইজা ইহৌনা য়াৱা অসুম্না হগৎচরে। ইপন পঙ্থৌ অপোকপা, নমোম ওইবী তরেৎনা কোকনোজনা হায়জরি। নমোম ওইবী তরেৎনা ৱাখন খেনবী ওইখিবনা লুমাং তাবা শমলাংনা লুতুং ওইখিবা, লুতুং তাবা শমলাংনা লুমাং ওইখিবা, লালবা কাদা ঙাকপীয়ু। সোইবদা কনবীয়ু। ইপন পঙ্থৌগী য়াৱা কোরৌ মালেম তাইফদে, নমোম ওইবী তরেৎপু অনেম্বা মালেম নোংকুম্মু তাকপীবা য়াৱারেন,

নমোম ওইবী তরেৎনা ইপনগী য়াৱা হোয়জগে মসি য়াৱা মহাইনা, লাইরেনবী তরেৎনা মপন পঙ্থৌদা কোকনোজনা মহাইজরে। মমোম ওইবী তরেৎকী য়াৱা মপাও তাবদা নোংফুংননা লৈরিবা লাইনিংথৌদি সোরারেন, ইখং খংহৌদনা খোমলেন মীকপ থোকপগুম মমোমগী য়াৱা তাবদা পাইমা খৈনা হরাওজরে। হায়নিংঙাই লৈতনা পেনজরে। মমোম ওইবী তরেৎমকপু য়েংলগা মপন পঙ্থৌ সোরারেননা য়াৱা অসুম মহাইরে, ইমোম তরেৎ নখোয় তরেৎ ইপানা পোকচবগী মহৈ য়াল্লে। ইপুরোইগী য়াথংসু ঙাকলে।

নোংকুমলোন

লাইনিংথৌদি সোরারেনগী মমোমলোই খোইবু লাইরেনবী তরেৎতো মপন পঙ্গৌগী য়াথংলেন ঙাকচরেদো মমোম্না, মপন পঙ্গৌ সোরারেন, মমোম তরেৎপু য়েংলগা য়াৰা অসুম মহাইরকলে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, লাইগী লৈবাক ওইরিবা, লাইরমলেনদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাসু মপনগী য়াৰা হোয়াজবী মমোম ওইবী তরেৎনি, লাইয়াম পুম্বা খংখরে। ইপুরোই শিদবগী য়াথংলেন নখোয় তরেৎ পোকচবগী, নখোয়বু ঐনা য়োকচবগী মহে ওইরেদো ইমোমলোই। ইপানা হায়নিংঙাই লৈতনা লাইরম অসিদা লৈরিঙৈ,খোয়ুম শিঙ্থা পাংলিঙৈ, ইচাশিংনা থৌপাংনা লাইয়াম পুম্বাসু খংজহৌরসনু। মপন পঙ্গৌগী য়াথংবু মমোমশিংনা হিকখিদে, মপনগী য়াৰা ইনজখি, লাইয়াম পুম্বা উজহৌরসনু।

হাদা ইমোম ইবেম্মা, লাইরেনবী লাংদাইকোন শিংপুংলেন্দি কোনফারেন, মৈথাং কোংপি ইতাইরেন, লুক্‌লেন শঙপুং চংদুনা, নচিন ননাও তরেৎ শংলৌ মথেন লাংনা, তরা লুকলেন হৌজরো, অসুম য়াৰারেন ওইববু তাকপীরেদো মপননা। মপন য়াথংতবু ঙাইজরিবী মমোম ওইবী তরেৎতা, চাকথোং লুকলেন কাদা তমখরে। মৈথাং লাংহৈনদুনা তরা চাকলেন থোংখরে। মচেম নুপী অহননা, মখা তাবা মনাওরেনখোইবু লাইরেনবী তরুক্না শংলৌ মথেন শেমলকলে।

সোরারেনগী মমোমলোই খোইবু লাইরেনবী তরেৎনা চাকথাং কাদা লুকলেন হৌবা লোইরদুনা চাকমাই তানা চাকথিরে। শংলৌ মথেন মকোইদো, থিঙমদ্রাবা মথেননে। মমোমলোইনা লাংজবা পালেম মমা শিদবী, মপন পঙ্গৌ অনিবু মকৌজেনা মমোমলোইনা। চালুক চাকোই সুনাথা মাংচোক ফমেন য়েংদুনা সোরারেনগী শংগাইনুং লুকম লুকলা থাখরে। পলেম পঙ্গৌনা য়েৎ ওই ফমদেংবীরে। মমোম ওইবী লাইরেনবী তরেৎনা ওই ওইননা ফমদেংনা লুকলেন শংলৌ মথেনবু মপুরেন শিদবদা কৎচরে। মপুরেনা,ফংখিবা, তরা লুকলেন শঙলৌ মথেন পুম্বাদু মপুগী মীংথৈ লাওদুনা মপুগী লুকলেন ফংলকলে। হরাও মথোইগা লোইন্না পলেম মমা শিদবী মপন পঙ্গৌ, মমোম ওইবী তরেৎকা লোইননা লুকলেন ফংবা লোইরদনা। ফমদেং য়ারাক ৱাংওইবদা, শিদবা শিদবী ফমদেংখ্রে। মমোমনা শিঙ্থা পাংজখ্রে। লাইরমলেনদি কোরৌনে।

লাইরমলেনদি অৱাংবা লাইগী লৈবাক লাইরৈপাক, অমম অঙান খাইরকলে, কোরৌগী মসেক ওইরকলে। য়োইদা ঙানবা অঙানবা তাওদনবদি মপুনা মঙান মশেক ঙাল্লকলে। মপুগী শিঙ্থা পাংলকলে। লাইগী লৈবাক লাইরমলেন। লাইনিংথৌনি সোরারেন খোয়ুম কননা লাংদাইকোন

ওইদ্রিবদি মফমলেন,ফমদেং কোনদি ফম্বালকোন,ফমদেংলিনা লাইনিংথৌনা। মপন পঙ্গৌ সোরারেনা মমোমলোই তরেৎপু য়েংলগা য়াৰা অসুম মহাইরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্ম, নচিন ননাও ৭ মক ইপাগী ইনাক্তা খোংদোই হুল্লকউ ইপা য়াৰা অমা মহাইগে।

মপনগী খোনজেল তাবদা শোরারেনগী মমোম ৭ তো খোংদোই হুনলক্তুনা মপন পাঙ্গৌদা কোকনোঞ্জেনা মমোমনা। য়াৰা অসুম মহাইজে। ঐখোয়বু পোকপা অপোকপা, নমোম ওইবী ৭ পু কৌবীববু করি য়াৰা তাকপীগদবা, তাকপীয়ুনে অপোকপা মমোম ৭না হায়জরে। মমোমবু য়েংনা মহাইজে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা নচিন ননাও ৭ পু ইপানা কৌবদি অতৈ করি অমগী য়াৰা নৎতেএ। নখোয়দা ইপানা য়াৰা অমা মহাইগে, নচিন মনাও নখোয় ৭ মথং মনাও নাইনা, পরেং শান্না ফমথেংঙু ইপাগী ফম্বাল মাংওইননা, মপননা য়াৰা তাকপীরে।

মপন পঙ্গৌ সোরারেনগী য়াৰা মাবু ইনজনা মচিন মনাও ৭ তো পরেং শানা ফমদেংঙে। মখোয় ৭ পু য়েংলগা মপন পঙ্গৌ সোরারেননা অসুম য়াৰা মহাইরে। ইপানা হায়গদবা য়াৰাসি নচিপ ননাও ৭ মক মথং মনাও নাইনা ইপানা য়াৰা চিংগোইরগে, চিংগোইগদবা য়াৰাদি অতৈ নৎতেএ। নখোয়না হয়েং মালেম অনেম্বাদা নোংকুপ্লবা মতমদা নশানা নশাবু খংজবা, লাংওন মশক উজবা, মীংখৈরেনবু খংজবা, লাইগী লিচৎ ওইবনি। মদু মরম লৈবনা ইপানা নখোয়বু কৌবনে।

হাদা ইমোম হালোইবীও, ইচাগী হান্না য়াৰা মপাও তাকলগে নাপা চিকনা তারো। হয়েং ইচানা মালেম অনেম্বদা হেক য়ৌরব,মতমদা থুলুগদবা মফমদি লৈশেম মপুনা লৈশেমবিথিবা, অনেম্বদি মালেমগী, অৰাংবা চীংপুরোইদি ওইরিবা, লাইয়াম খুঙ্গোক চীংমাইথেন মফমলেন অদুদা ইচানা হেক থুংগনি। মফমলেন অদুদগী খাগী লাংহৈকোনদা কংলৈ পুংময়োন লৈগনি। ইচানা লাংওন তমগদবদি মাইকৈ মরি, চিরা ৬৪ দা লাংদাইকোন ওইগনি লাইগী লাইচাক, মীওইবগী চিঙ্গাক ইচানা মপুথোক্কনি। ইচাগী কোলোই মিংলেন ফৌওইবি লাইরেন হায়না মীংথোনগনিএ। ইপাগী য়াৰাশি কাওফরোইকো ইমোমলোই।

লাইনিংথৌদি সোরারেন মমোম অনিসূবিবূ য়েংলগা য়াৰা অসুম মহাইরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা অনিশুবীদি লাইওইবী, ইপানা ইচাগী লাংওন মহাইরগে, মীংখৈ মশক তাকলগে। নাপা চিকনা তারো। হয়েং কোরৌ অৰাংবদগী মালেম অনেম্বা নোংকুপ্পাদা, অনেম্বাদি মালেম হেক য়ৌবদা লাইতিন পুংকোই অমা লৈরমনি। মফম অদুদা ইচানা থুংলুগনি। ইচানা অনেম্বাদি মালেমদা লাইনিংথৌ সনামহি য়ুমাশারোন লাংহৈ লাংদাইরগনি। নমু য়ুমশা তমলক্কদবা, য়ুমশাগী নুংলোন য়াইদা ইচানা লৈরগা য়ুমজাও লাইরেম্বী মীংকৌনরগনী। হি য়াইগী মপুনি, লাইরেনবীদি হিরৈমা লাংদাই মওইজৌও, ইমোম অসি য়াৰা কাওফরোই।

ইপাগী ইমোম ইবেমা অহুমশুবী লাইরেম্বী ইচাগী লাংওন তাকলগে, মীংখৈরেনবু হায়গে, তারোদো ইমোমলোই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা কোরৌদগী মালেম অনেম্বদা হেক য়ৌবগা লাংওন মাবু ঙাইফৈএ। লাংওন নংগী লাংদাইদা, চককী লনগী মবেম্মা, হি-য়াইগী মপুরেন লাইওইবী অহোংবী লাংওন অসি খংনা মীংখৈয়ুকো ইমোমলোই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা মরিসুবীদি লাইওইবী ইচানা হয়েং মালেম অনেম্বদা লাংওনগদবা ইচাগী মীংখৈরেনসু মহাইরগে। মালেম অনেম্বা হেক য়ৌবগা লাংওন লাংদাই পুংকোইদা, খোয়ুম লাইগী লাংদাইরেন লাংওন মওইরেন লাংদাই মপুং ওইবদি অপাম কাদা লাংহৈবা, নুংশি কাদা লাংওনবী,লাংওন য়াম্বী লাইরেনবী, হিপুরেনবী হিরৈম্মা লাংদাই অসিগী কোলোইরেন অপানথোইবী লাংওনসু, লাংওন অসি কাওফারোই।

ইপাগী ইমোম ইবেম্মা মঙাশুবী লাই ওইবী, ইচাগী লাংওন মহাইগে। মীংখৈ মাসু মহাইগে, অনেম্বাদি মালেমগী কংলৈ পুংকোইদা মী লাংহৈনরকনি। লাংদাই অদুগী ইরিককোনদা মৈদিংকোন লাংহৈদা লাইরেন চোমাই ইতমগনি। মাগী কোলোই লাংহৈদি সনা কৈথেল মথোলজবনি। পানদা ইচানা লৈরগা কৈথেল লাইরেম্বী কৌগনী। নুংদা ইচানা লৈরগা কোনশংবী হাইনা মীংগৌগনি। ইচাগী লাংদাই পুংকোইদা ৱাতা পাদবী হিপু য়াইপুবী লাংহৈনি। মসি য়াৱা কাওফরোই। ইমোমলোইদি লাইওইবীও।

ইপাগী ইমোম ইবেম্মা খোইবু লাইরেবী ৬ শুবীও ইচাগী লাংওন ইপানা তাকলগে, মীংখৈরেনসু হায়গে নাপা চিক্লা তারো। হয়েং ইচানা মালেম অনেম্বদা হেক লাংহৈরকপদা ইচানা কোরৌদা লৈরগা নোংথাংলৈমা লাংওলো,লাইজা নুংদা মালেমদা ইরাই লৈমা মীংখৈরো,মালেম তাইপং পানবগী পলেম শকনা নাওকোনলকউকো ইমোম্না য়াৱা অসি কাওফারোই।

ইপাগী ইমোম অতোনবী ৭শুবী ইমোমলোই, ইমোম ৭কী মনুংদা পঙৌ ওইবা ঐহাকপু খাইদগী নিংবীদি ইমোমনী। ইচানা হয়েং কোরৌদগী মালেম অনেম্বা হেক থুংলুবদা, অহানবদা ইচানা থুংলগদবা মফমদি লোইবী চিংশাং লাংহৈকোন, কৌবরেন চীংগী লাংহৈদা, ইচানা অহানবা লাংদাই ওইগনী। ইচাগী লাংদাইকোনদা লাংহৈনরক্লবদি কালৈ পুংগী পুংকোইদা, ফম্বাল লাংলিবা লাইনিংথৌ কোলোই মীংলেন হাইরগা নোংদা লাইরেন পাখংবা হাইনা কোলোইগনী। লাইনিংথৌ ওইগী ফম্বাল লাংগনী। ইচাগী কোলোই মীংলেন লাইসনা হাইনা কোলোইগনী। চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী নীংথৌরেনবু ওইগনী। খোয়ুম লৈঙাক মপুরেন ওইগনী, ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, নচিন ননাও নখোয় ৭ কী লাংওন শায়োন মীংখৈরোন পুম্বা ইপানা তাকলেদো। ইপাগী য়াৱা পুম্বাসে কাওফরোইকো ইমোমশা। অসুম্না মামোম ওইবী ৭পু চীংউ মীংখৈ পীরেদো, লাংওন মশক তাকলেদো।

ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, হয়েং ইনুং তৈনা ঙাল্লগা কোরৌ অৱাংবদগী মালেম নোংকুমলগানী। ইপানা ইমোম ৭পু নদোম মালেমদা থাফরোই ইপাসু লাংদাইরেন ওইগনি। অসুম য়াৱা হায়দুনা মমোম ওইবী ৭ সু লাইরেনবী মগাইফমদা হনজিংখরে। লাংহৈ অদুগী লাংদাইদা, অমম্বাগী লাংদাইকোন ওইরকলে। য়োইদা ঙানবা অঙানবসু লাইগী লৈপাক লাইরমলেন, মতমলকলে কোরৌহনবনা, ইনুং তৈন্না ঙালক্লে।

লাইরেনবী ৭না খোমলেন য়াতা তমলিবা নগাইফমলেনদা, তুবী শাংনা য়াতারীবা-লাইরেন শাংনা য়াহিপ তমলীবী মমোম ওইবী তরেৎতো, তুবী মীকপ থোক্লে। লাইরেন শাংনা য়াথোক্লে চারি পোরোন শৎতুনা, থোংগী নাতৈ কাংলকলে। মপন য়াৱা মইনজনা,লাইজা ইরু শাদেংনা, ইমু ময়োন তাইখরো। চারৈ অনৌবা ফীশেৎ তমজদুনা, মমোম ওইবী তরেৎনা মপনগী মগাইরেন তমলকলে।

মপন পঙ্গৌ সোরারেন সনাগী কৈরাক লুপাগী কৈরাক পুথোরক্তুনা মচিন মনাও ৭না সনাগী কৈরাক মথক্তা ফমদেংখরে। মমোম ওইবী ৭না,মপনগী য়াথংবু মইনজবী লাইরেনবীদি ৭নি। লাইনিংথৌদি সোরারেনা মমোম ৭পু য়েংলগা য়াৱা অসুম চিংগোইরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা,ইপাবু ৱারৌগনু নখোয়না। হৌজিককতি ইপানা সনাগী কৈরাক খুজিং থারগে, লুপাগী,খুজিং থারগে। অসি য়াৱা হাইদুনা সনাগী খুরজিং থাদুনা কোরৌ অৱাংবদগী মালেম অনেম্বদা সনাগী কৈরাক থারকলে, সনা লুপাগী কৈরাক মালেম য়ৌরক্লে।

য়াৱা অসুম্না কোরৌদগী মপন পঙ্গৌনা মহাইরে। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা মালেম অনেম্বা য়ৌরব্রা, নমোমশিংনা খুমজখি,য়ৌজরে পাঙ্গৌ অপোকপা।

ইপাগী ইমোম ইবেম্মা,ঙসি ইচাশিংনা মালেম অনেম্বদা থিলক খিবা ইপাগী সনাগী কৈরাক হয়েং উমংলাইনা হরাও মাথোই কারকপদা লাইরোই তানবা কোরৌদা, হা ইপা সোরারেন সনাগী কৈরাক থাদবিরকউ, লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনি কোরৌ নোংকারনে হাইরকল্লে। য়াৱা অসি হায়দুনা ,লাই নোংকাবদা থৌখাই অসি লৈহৌরসনু,ইমোম ওইবী নখোয় নচিন ননাও, কৌবা চীংগী চীংদোন্দা থুংলবনী, নখোয়গী লাংওন ঙাইদুনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংজরো,ইপাগী সনাগী কৈরাক চিংখৎলগে হায়দুনা সোরারেন্না সনাগী কৈরাক চিংখৎখি। লাইরেনবীশিংনা মালেম অনেম্বদা নোংকূমদুনা খুঙ্গোকখি।

তোলোংখোম্বা মীংখৈরোন

মারচিং থৌখাইরোন : চকশিংকোনগী লাংহৈদা অনেম্বাদি মালেমদা খোয়ুম লৈঙাক ওইরীবা মার থাংমাইহনবনে। লাইনিংথৌ মার হনবনা নোংপোকা চীংখৈ মরমখৈদা খোয়ুম ফম্বাল লাংলকপা, মশানৌ লাইওইবীদি হুমুলৈমা লাইরেনবীগা অসুম ,লাংদাইকোন ওইরকপনা,লাংহৈ মপুংলেন মওইরক্লে। লাইগী লৈবাক লাইরৈপাক অনেম্বাদি মালেমনে। মপুরেন শিদবগী লৈকোন্নে,মার থাংমাই হনবগী লাংদাইকোনা চীংখৈরেননে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহম্বগী তালোইরেনদি হুমু লৈমা চীংউ নোংদমখোন্দগী খোয়ুম পীপুকলোনদা খোয়ূম লাইওই অমা মীতম পুংকোই তমলক্লে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা হুমু লৈমাগা লাংদাই চৈচৎ লাংহৈদা মপারী অমা মমি উদ্রাবা, মমোম অমা উদ্রাবদা,খোয়ুম লাইনিংথৌ মার থাংমাইনা পুক্লীং খেবুম লাংহৈনা লাংদাই মপুং ওইরকপা, চহি লিশাং থাখরে। মপারী শাৎতবদা মমোম ফুইদ্রাবদা, লাইনিংথৌনা মপুরেন শিদবা ইপুরোইবু থৌনিজরকপা কূমজা কয়া লাংহৈনখ্রে।

নোংদম্বগী নোংদমখোন্দগী হুম্মুলৈমাগী পীবুক নুংদা খোয়ুম লাইওইবা মীতমলকলে। য়াৰা অসি লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা খংজরকপদগী কয়াদা হরাও মাথোই কাজবা,পাইমা নুংদা খল্লকলে। কোরৌ মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু খোয়ুম থৌখাই পাংলগে পাইমা নুংদা খল্লকলে । মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমা লাংদাইনা ৱারেপ ৱাতাই ওইখরে।

লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনা, মশানৌবু য়েংলগা য়াৰা অসুম্না মহাইরকলে। ইশানৌদি লাইওইবীও, ঙসি কোরৌ অসিদগী কোরৌ মালেম লাইয়াম পুম্বা থৌনি থৌখাই থাজা তারা থৌখাইরসি। মরম খিবিক হায়গে, লাইরেন নুংগী পীবুকনুংগী খোয়ুম ওইবদো লাইয়াম লক্তা অথোইবা মওইরেন,থৌজান ফংনবা , লাইতাই থৌরম থৌখাইরোই পাংলসিদো লাইরেনবীও।

লাইনিংথৌগী য়াৰাবু মশানৌদি হুমুলৈমানা হোয়জনা খোয়ুম থৌনিরোল পাংজবনা পীবুককী নৱা খোইয়ুমদো, মতিক ময়াই থৌখাইনবা, খোয়ুম থৌনিরোন পাংনবা, শিনজা লাংজা হৌখরে। লাইগী পোৎলম পুম্নমক শুনা থারে থেলোংদা চরৈ লাংহৈ পুমথারে নাহুই হৈরাং হৈকোকথা, লৈরাং লৈপুন লৈচললে। লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনা চীংউ নোংদম খোংলেম্বা মপুবু ইরাৎ থৌনি পাংজরকলে। কোরৌ অৱাংবদগী নোংদম্বা লাই মালেমদা নোংকুমলকলে। মার থাংমাইনা কোরৌহনবদা লাংহৈরে, কোরৌহনবনা মহাইরকলে। খোয়ুম ওইবা মারও, করি নুংগী ঐবু মকৌবনো হায়বদা, লাইনিংথৌ মারনা খুমখি।

কোরৌহনবা মপুরেনবু থৌখাই মাবু পাংজনা মকৌজবদি অতৈ করি নৎতেএ। খোয়ুম ওইবা ঐহাককী তালোইরেনদি হুমুদো খোয়ুম লাইওইরেন মীতমলে, পীপুক লাংদাই ওইখরে। খোয়ুম মীতম পোংকোইসে, কোরৌহনবা মপুনা থৌজান ইরিক মতমপীয়ু হায়ইবগী কোরৌহনবা মপুবু কৌজবনি। য়াৰা অদু তাবদা কোরৌহনবা মপুনা মারগী য়াৰা তাবদা অসুম্না লাংহৈনরকলে। চীংখৈ মার হনবও, পীপুক নুংগী নৰাদো কোরৌহনব ঐগী থৌজান ইরিতগী কোরৌগুম্বা মঙান লৈ, থাজাগুম্না লাংতাইও, অথোইবা খোইয়ুম ওইরসনু। মসি য়াৰা হায়রমলগা কোরৌহনবা মপুরেন মগাইফমদা হনখরে।

অনিশুরকপা লাংদাইকোনদা চীংখৈরেন মার থাংমাইহনবা মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমাগা লোইন্না চীংউবা নোংতম খোংলেম্না মপুবু থৌখাই ইহুন তমদুনা হৈরা লৈথারোন লাংজনা, খোয়ুম লাইগী লাইকোন্নুং মার থাংমাইহনবগী মগাইথেনদি থেলোং পুংকোইদা থৌরম-থৌখা পাংলক্লে। নোংতম্বা লাইসু মারগী থৌখাইদা মপুংয়াই ওইদুনা মগাইফমদা লেপলরে। মারবু য়েংলগা হাইরকই নোংতম্বা মপু ওইবনা। মার থাংমাইহনবও, ঐবু অদুক কৌববু খোয়ুম শিঙ্গা থৌকাংগদবা লৈবগে, নোংতম্বা মপূনা মহাইরে।

নোংতম্বা মপুবু য়েংলগা, মার থাংমাইহনবনা মহাইরে। নোংতম্বা মপূ ওইববু মকৌজবদি অতৈ য়াৰা নৎতেএ। খোয়ুম ওইবা মার থাংমাইহনবা ঐগী তালোই হুমুলৈমাগী পিবুকনুংদা খোয়ুম লাংদাই পুংকোই ওইখ রে। মসি মরম খিবিকলেন্দা পীপুকনুংগী লাইওইবা, নোংতম্বা মপূনা থৌজাল মীৎয়েং তম্বীদুনা, মতিক ময়াই হেলোইবা নোংদম্বীয়ূ। য়াৰা অসি লৈবনা খোয়ূম নোংদমববূ থৌকাংজবনি।

মার থাংমাইহনবা য়াৰা তাবদা নোংতম খোম্বা মপূ শিদবনা,মহাইরে। মদু নোংগী য়াৰা ওইরবদি খোয়ুম নোংতম্বা ঐহাক্না হুমুলৈমাগী পীপুকনুংগী লাইওইবদো, নোংতম্বা ঐগী নোংতমখোলনা থৌজাল চৈচৎ লাংহৈ পুংকোইদা, মতমলেন পুংহৈ লাংহৈদা, অথোই অহেন পাঙ্গনবা থৌখাই লাংহৈ মপুংদা খোয়ুম ওইরসনু য়াৰা অসি মহাইনা থৌজাল থৌখাই মপীরমলগা নোংতম্বা মপু ইবুংঙো মগাইরেন তমখরে।

চকশিংকোনগী লাংহৈদা, মলেমগীদি অনেম্বদা চীংউ খুঙ্গোক তমলিবা মার থাংমাইহনবা মশানৌদি লাইওবী হুমুলৈমাগা লোইন্না, কোরৌহনবদা লাংহৈরিবা খোয়ুম মপু ওইরিবা, মপুগী থৌদা পাংলক্লিবা চীংউ লাইওইবশিং থৌজাল ইরিক লাংহৈনা, থৌকাং মপুং ওইববু লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা অনেম্বা মালেমদা থৌরম থৌদা পাংলক্লে।

মার থাংমাইহনবা, তালোইরেন্দি হুমুগা অনিনা থাওইনরকপা থাশিংদা, ইরাৎ থৌনী পাংদুনা অতিয়া শিদববু থৌকাংলকলে। অতিয়া শিদবনা কোরৌথকক্তা লৈঙমদা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমলকলে। মার থাংমাই মশানৌ লাইওইবী হুমুলৈমা অনিনা থৌখাই মপুং ওহরিবা মগাইফমলেনদা তমলকলে। ইরাৎ পুংগী লাংদাইদা লেপলরেদো অতিয়া শিদবা মপুরেন্না। মপুরেন অতিয়া শিদবনা মার থাংমাইহনববু ময়েংননা মহাইরে। মালেমগীদি অনেম্বা লাংহে মপুং ওইরি মার থাংমাইহনলোইবও, করি য়াৰা লৈবনা খোয়ুম ওইবা অতিয়া শিদবা ঐবু মকৌবনো, মহাইরকলে অতিয়ানা।

মপুরেন অতিয়া শিদববু ময়েংনা, মার থাংমাই হনবনা মহাইজে। অতিয়া শিদবা মপুরেনবু মালেম অনেম্বদা মার ঐনা কৌজবদি অতৈ করি অমগী য়াৰা নৎতেএ। অনেম্বদা খুঙ্গোকলিবা মার হনবা ঐগী তালোই হুমুলৈমা পীবুক্তা খোয়ুম মীতম লাংদাইখরে। খোয়ুম মীতমখোং মাগী লংদাইদা, অতিয়া শিদবগী মতিক ময়াই ওইববু থৌজান মীৎয়েং লাংহৈনা, চীংউ হেলোইবা নোংদম্বীয়ু হায়বা য়াৰা লৈবনা, মপুরেন শিদবা অতিয়াবু মার থাংমাইহনবা ঐহাক্না ইরাৎ থৌনি পাংজদুনা কৌজবনি মহাইরে।

মার থাংমাই হালোইবগী য়াৰা তাদা অতিয়া শিদবা মপুনা, মহাইরে। মদু নোংগী য়াৰা ওইরবদি লাইরেনবী হুমুলৈম্মা পীপুকথেনগী খোয়ুম লাইওইবদো অতিয়া শিদবা ঐগী থৌজান মীয়েংনা মতিক ময়াই অহেনবা, লংদাই মপুং ওইবদো খোয়ুম লাইওবগী থৌখাই ওইরসনু হায়না অতিয়া শিদবা মপুরেন, কোরৌ লাংহৈকোন থৌখাই ওইরসনু হায়না অতিয়া শিদবা মপুরেননা থৌজান ইরিক তম্বীরম্লগা, অতিয়া শিদবা মপুরেন কোরৌ লাংহৈকোন লাংদাই মপুংলেন ওইখরে।

থা ওইনবা চুকতাইখোং মরিদা মালেম অনেম্বদা খুঙ্গোকলিবা লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবগা মশাদি লাইওইবী হুমুলৈমা লাইরেনবীগা লাংদাই পুংকোই ওইবদা চীংউ থৌখাই থৌরমলোন লাংদাই পুংকোই ওইরকলে। লাইনিংথৌদি, কোরৌ থককী লাংদাইকোন মপুরেনদি শিদবা লাইনিংথৌরেন সোরান শিদবাবু মকৌজগে, মহাইনা মার থাংমাইহনবগা মশানৌদি হুমুলৈমগা অনিনা মালেম অনেম্বদা চীংউ থৌরম থৌখাই মাবু পাংলকলে। থৌখাইরেন মাবু পাংজবনা কোরৌরেনদা লৈরিবা লাইনিংথৌদি সোরারেন অনেমবা মালেমদা নোংকুমলকলে। লাইনিংথৌদি সোরারেননা অনেমবা মালেমকী চুকখোং লাংহৈ মপু ওইরিবা মার থাংমাই হনবগী থৌজান পুংকোই ঈরাৎথেনদা য়ৌরকলে।

কোরৌ লাইদি মপুরেন সোরারেনদি লাইনিংথৌনা অনেম্বা মলেম লাংহৈকোন, মার থাংমাইহনবগী ইরাৎ পুংদি পুংকোইদা, থুংলরেদো মপুনা। মার থাংমাইহনববু য়েংলগা লাইনিংথৌ সোরারেন্না চিংগোই মপাও মহাইরে। সোরারেন ঐবু অনেম্মা নগাইফমলেনদা কৌববু করী য়াৰা লৈমগে।

মপুরেন মার থাংমাইহনবা চীংগোইনা সোরারেন। লাইনিংথৌ সোরারেনগী য়াৰা মপাও তাবদা, মহাইরকলে লাইনিংথৌদি মারথাংমাইহনবা লাইনিংথৌবু মার থাংমাইহনবা ঐহাক্কা কৌজবদি অতৈ অমা নৎতেএ, মার ঐগী তালোইরেন অনেম্বা মালেমদা খুম্নোকলিবা হুমুলৈমা লাইওইবীদো পীপুক নুংদা খোয়ুম লাংদাইকোন ওইখরে। থাওইনরে চুকলেনদি চুকখোংথেন মরি লাংদাই মপুং ওইখরে। মপুরেন শিদবা সোরারেন্না থৌজাল ইরিক ইতমনা, মতিকময়াই নোংদতম্বীয়ু হাইবগী লাইনিংথৌবু মকৌজনি।

মার থাংমাইহনবগী য়াৰারেন তাবদা লাইনিংথৌ সোরারেনা পেল্লদুনা, মদু নোংগী ওইরবদি খোয়ুম পীপুকনুংগী লাইওইবদো সোরারেন ঐগী থৌজালনদগী মতিক ময়াই অঙানবা খোইয়ুম ওইবা মহাক্কা মীৎপাংলকপা লাংদাইদা খোয়ুম ফম্বাল লাংদাইবা ওইরসনু অসি য়াৰা মহায়না খোয়ুম লাংদাইকোন ওইরম্লগা, লাইরমলেনদা লাইনিংথৌ সোরারেন লাংদাই পুংকোই ওইখরে।

অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোনদা লাংদাইকোন মপুং ওইরিবা মার থাংমাইহনবনা, মশানৌদি লাইওইবী হুমুলৈমাগা লোইন্না থৌজাল ইরিক ইতম পুং, থৌখাই পুংকোই লাংদাইদা, থাওইনবা থাজদি চকশিংকোনগী চুতাইখোং মঙাদা, লাংদাই মপুং থৌখাই ওইরিবদি মালেম অনেম্বদা খুম্নোক লাংহৈবা নোংপোক অচি য়াংবা লাইওইববু ইরাৎ থৌনী মপাংনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা লাংদাই পুংকোই হৌরকলে। নোংপোক অচিববু ইরাৎ থৌখাই লাংনা, মালেম অনেম্বদা চীংউ খুম্নোক তমলিবা নোংপোক অচিবা মপুরেননা মউরকলে। মার থাংমাইহনবনা ঐবু ইরাৎ থৌনিবা, করি থৌখাই লৈবরা, নুংলোন য়াইদা খল্লক্লে।

নোংপোককিদি অচিবা মপু শিদবনা মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন, ইরাৎ থৌনি পুংকোইদা য়ৌরকলে। মার থাংমাইহনবগা হুমুলৈমা লাইওইবীগা অনিনা ফমদেংনা ইরাৎ থৌনী পাংবদো উরকলে। নোংপোককিদি অচিপনা,অচিবদি শিদবনা মার থাংমাইহনববু য়েংলগা মহাইরে। চুকতাইখোংগী মপুরেন মার থাংমাইহনবও, নোংপোক অচিবা ঐবু কৌবদি করি য়াৰা মহাইনিংবা তাকপিয়ুদো। থাংমাইহনবা হাইরকলেনা, অচিবা মপু ওইবা, নোংপোক অচিবগী থৌজাল অমতা নিজগে, মরম অসি লৈবনা কৌজবনি ঐহাক্কা।

হুমুলৈমা পীবুকখেন

চকশিংকোনগী লাংহৈদা অনেম্বদি মালেমদা চীংউবা লাইনা ৰাতাই শিংদাইঙৈগী ৰানে। লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবগী নুংলোন থেলোন য়াৰানে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী য়াৰা মপাও তাবদা মহাইরকলে। করি মরম খিবীক লৈবগে তাকপীয়ু হায়না মার থাংমাইহনবদা মহাইরকলবদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা খুমজখি। ঐগী তালোইরেনদি হুমুলৈমা লাইওইবীগী পীবুক নুংদা খোয়ুম লাংদাইকোন ওইখরে। মার থাংমাইহনবা ঐগী লাংদাইকোন মপুং লাংহৈ ওইনবা খোয়ুম লাইওইবা পীবুকখেনগী নৱারেনগা মীকপ থোকলকপা লাইহুইরেন থৌজান লাংদাইকোন ইরিক মতামবীয়ু। মতিক ময়াই হাপপীয়ু অসি মরম লৈবনা, নোংপোক অচিবা শিদবাবু মকৌজবনে, মহাইরকলে, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনগী য়াৰা মপাও তাবদা হৱাও মোমোন নোকচনা, মহাইরকলে অচিবনা। মপুরেন শিদবনা থৌজানবিসনু। নশানৌগী পিপুক নুংগী লাইওইবদো, শাথেং লানথেং পুংকোই, খোয়ুম মঙম থৌজান ওইবদো, লাই ওইবা নোংপোক অচিবা ঐগী থৌজান ইরিক ফংজবা ওইরসনু। অসুম খোয়ুম থৌজান কুবীরম্লগা অচিবদি লাইনিংথৌ চীংউগী খুভমবলেন তমখরে।

অনেম্বদি মালেমগী খুহোক লাংহৈ লাংদাইরিবা মপুরেনগী লাংহৈদা লাংদাই মপুরেন ওইরিবা, লাইনিংথৌ মার থামাইহনবা মশানৌদি হুমুলৈমা লাইরেনবী, হুমুলৈমগা লোইন্না থাংমাইকোনগী মরমলেন, থৌখাই পুংকোই মওইরেদো,চীংউবা লাইতাই-শিংতাই ওইরিঙৈগী য়াৰানে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা ইরাৎ থৌনি পুংকোইদা নোংপোক হুমোইরেম্ববু ইরাৎ থৌনী থৌপাংলি।

মার থাংমাইহনবগা হুমুলৈমা লাইওইবীগা অনিনা ইরাৎ থৌনী পুংকোইদা, নোংপোক হুমোই য়াংবনা মগাইফমলোপুং লৈঙমদনা, মারচিং থাংমাই হালোইবগী মগাইফমলেনদা চীংউ খোংদোই মহুললকলে। নোংপোক হুমোই য়াংবনা, মার থাংমাইহনববু য়েংলগা, য়াৰা অসুম্না মহাইরে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবানা নোংপোক হুমোইবা ঐবু মকৌববু করি খোয়ুম শিঙ্গা লৈবগে মহাইরবদা,মার থাংমাইহনবনা হুমোইববু য়েংলগা মহাইরকলে।

নোংপোক হুমোইরেম্বাও, খোয়ুম ওইবা নংহাকপু কৌবদি অতে করি অমা নৎতেএ। মার থাংমাইহনবা ঐগী তালোইরেন হুমুলৈমানা খোয়ুম পীপুকলেনদা ইনুংখৈখিবা থাজারেন চ্নাতাইরোন তরুক মসুখরে। পীপুকনুংগী লাইওইবা মতিক ময়াই ওইববু ইনুংখৈবীয়ু মহাইগে হায়বগীদমক থৌনি ইরাৎপুংদা লাংহৈজবনি। মারগী য়াৰা তাবদা নোংপোক হুমোইবনা, লাইনিংথৌনা নিংজবা লাংহৈদো খোয়ুম ইপুরেন শিদবনা নোংদমবীরসনু । মসি য়াৰা হায়দুনা খোয়ুম মগাইফমদা তমখরে।

অনেম্বাদি মালেমনি লৈশেমকোনদি লাংদাইরেন, মপূরেন শিদবগী লৈকোননি, খোয়ুম চীংঙৈ ঙালোইবা মার থাংমাইহনবনা মশানৌদি হুমুলৈমগা অনিনা থৌখাই ইরাৎ পুংকোইবা, খোয়ুম থৌনি পাংলকপা থাওইনবা থাজরেন তরেংশুবা লাংদাইদা, থৌজান ইহুন মতমবীনবা, লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা, লাইনিংথৌ কৌরেনববু থৌখাইরেনমাবু পাংজনা, লাইনিংথৌদি কৌবরেন মগাইফমদা লৈঙমদনা মারচিংকোনদা খোয়ুম খোংদোই হুলকলে। অসুম অসুম খোংশালকপা মার থাংমাই হনবগী মগাইফমলেন য়ৌরকলে। লাইনিংথৌ কৌবরেন্না মারগী মগাইফমলেন চংলকতুনা খোয়ুম মারবু কোইনা লৈনা য়েংলকলে।

মার থাংমাইহনবগা তালোইরেনদি হুমুলৈমগা অনিনা খোয়ুম ফমদেংনা ইরাৎ থৌনি পাংজবদা লাইনিংথৌ কৌররেনা মউরবদা মহাইরকই লাহনিংথৌনা। লাইনিংথৌ মার হনলোইবাও, কৌবরেন ঐবু মকৌবীববু য়াৰা করি খোয়ুম শিঙ্গা মতাকপীগদবা মরৈবগে। তাকপীয়ু হায়না লাইনিংথৌ কৌবরেনা হায়রকলবদা। চীংথৈ নিংথৌ মার থাংমাই হনবনা, কৌবরেনবু য়েংলগা অসুম য়াৰা চিংগেইক্লে। লাইনিংথৌদি কৌবরেনও, খোয়ুম ওইপাপু মার ঐনা মকৌবদি অতৈ য়াৰা নৎতেএ। মার ঐগী তালোইরেন হুমুলৈমা লাইওইবীনা খোয়ুম নুংলোন পীপুকতা লাংদাই পুংকোই ওইরকপা থাওইনবা থাজরেন ৭ শুবা লাংদাইকোন মওইরকলে। থাজা মাগী লাংহৈদা খোয়ুম মরুপ লোইপনা, নচন পীপুক লাইওইবা,নচা অসিনা খোয়ুম মিকপ থোকত্রিঙৈ, মপুং মরৈ ফাদ্রিঙৈ, মরুপলোইকী থৌজারেন সনা ইরিক অহেনবা নোংতম লাংহৈবীয়ু হায়বগী মকৌবনে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী য়াৰারেন তাবদা,লাইনিংথৌ কৌবরেন হরাও মথোই কাজবা মার মরুপলোইবু য়েংলগা হায়রকই। হাদা খোয়ুম মরুপলোইরেনবও, ইচনলেন হুমুলৈমাগী পীপুকনুংগী লাইওহপসে, হয়েং মানা মীকপ থোকপা লাইয়ামলক্তা তিনপদা, অথোই পাঙ্গাল হেনলেনবা থৌজাল হৈবা মওইজৌও। মপূরেন শিদবনা পীনবীবা ওইসনু। মসি য়াৰা হাইবদা, কৌবরেনা, মচন ইপেমা হুমুদা থৌজান মীংয়েং থৌখাইগীএ, লাইনিংথৌ কৌবরেন্না।

হুমুলৈমা লাংদাইকোন, মার থাংমাইহনবগী তালোইরেন্দি লাইরেনবীনি। থাওইনরকলে পীপুকনুংগী লাইওইবনা। থাজা নিপাল লাংহৈকোনদা নোংপোক চিংথৈরেন ঙালোইবা মার থাংমাইহনবগা মশানৌদি হুমুলৈমগা, ইরাৎ থৌনি পুংকোইদা,থৌনি থৌখাই পাংলকলে। লাইনিংথৌ খোয়ুম লাংঙ্গাই ওইরকলে। অনেম্বদি মালেমদা চিংউ খুঙ্গোক তমলিবা চুকতাইখোংদি মৈরমলেন। চীংউ লাইদি ৰাংপু হালোইবা মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন তমলকলে। মগাইরেনদা লৈরিবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা, মশানৌদি হুমুগা, ৰাংপূরেন খোংদোই মহুলকলে খংলদুনা লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা, ইরাৎ থৌকাং পুংদা কৌশিন্দুনা ফমদেংহল্লে।

লাইনিংথৌ ৰাংপুরেন শিদবনা, মার থাংমাইহনববু য়েংলগা মহাইরকলে ৰাংপুনা, খোইরুম করি শিঙ্গা লৈবগে ৰাংপু ঐবু কৌববু মহাইরকলে লাইনিংথৌনা। ৰাংব্রেনগী য়াৰা তাবদা মার হনবা লাইনিংথৌনা মখুমজখি। মরুপলোই ৰাংপুরেন মার ঐনা থৌনি থৌখাই পাংদুনা মখৌজবদি অতৈ করি অমগী নৎতেএ। ঐগী তালোই ওইরিবা হুমুলৈমা নচনসে, চৈচৎ লাংহৈকোন লাইওইবীগী পীপুকনুংদা খোরুম লাংদাই ওইখিবসি থাজা নিপাল লাংহৈখরে। মরুপ লোইদি ৰাংপূদুনা, থৌজান মীয়েং লাংহৈনা, পীপুকনুংগী নৰাগী মতিক ময়াই ওইববু থৌজাল মীয়েং নোংতম্বীয়ু হায়পগী লাইনিংথৌপু মার থাংমাইহনবা ঐহাক্না মকোইজবনে। মসি য়াৰা হাইদুনা মারনা ৰাংপুরেনদি লাইনিংথৌদা খোয়ুম পাওশানক্লে।

ৰাংপুরেনদি শিদবনা, মরুপলোইএ মারগী য়াৰা খোনথোক মনুংশি মপাও খোঙ্গোক তাবদা হরাও মোমোনগা লোইন্না, থৌজাল মীৎয়েং নোংতমলকলে। হুমুলৈমা পীপুকথেনগী নৰানা খোয়ুম মীকপ থোক্লবা, মতিক ময়াই হেলোইবা থৌরম থৌপাং লাংজিল ওই, অথোইরেনসু ওইরসনু, শিনবা থুংনা চীংউবা লাইয়াম্না খংবীরসনু। মসি য়াৰা মহাইনা ইরিক ইতমলকলে। ৰাংপুরেনদি শিদবনা মার থাংমাইহনববু য়েংলগা মহাইরকলে। হৌজিক্তি চীংউ থৌখাইরোন লাংহৈনরবনিনা, ঐসু লাংদাইকোনদা মহাঞ্জারগে, মহাইনা লাইনিংথৌদি ৰাংপুরেন শিদবনা মগাইফমলেনদা তমখরে। মার থাংমাই হালোইবা মশানৌদি লাইওইবী থৌনী পুংগী পুংকোইরেনদা অদুক লাংহৈ লাংদাইরকলে।

অনেম্বাদি মালেমনি, চীংউবা লাইয়ামনা খুঙ্গোকলেন লৈশেমকোনগী লাংহৈতনি। মপুরেন শিদবগী লাংদাইকোনদা, লাংহৈ মপুং ওইরিবা অনেম্বা মালেমদা খুঙ্গোকলিব চীংউবা লাইয়ামগী পুংকোইনি। মপুরেন শিদবগী লৈকোননুং, চুকতাইখোংগী মপুরেন মার থাংমাইহনবনে। মশানৌদি লাইওইবী হুমুলৈমা লাইওইবীনা খোয়ুম পীপুকথেনগী লাংহৈদা থাওইনবা থাজদো, থাজা মাপনগী লাংদাই পুংকোই ওইরকলে।

থৌপাং পুংগী লাংহৈকোনদা লাইনিংথৌদি মার মশানৌদি হুমুলৈমাগা ইরাৎ থেনকোই পাংলকলে। খোয়ুম লাইওইবা মপিচাদি থাংলোই হনলোইবাবু মকৌজগে মখকলে। অসুম লাংহৈ পুংকোইদা লাংদাইরেন ওইনা খোয়ুম লাংহৈনবা ইরাৎ থৌনি থৌপাংনা চীংউ লাংদাই পাংলকলে।

মারচিং থাংমাই হালোইবগী মগাইফমলেনদা, খোয়ুম মপিচারেন মওইরেনবা, লাইনিংথৌদি থাংলোই হালোইবনা মগাইফমলেনগী খোয়ুম মার থাংমাইহলোইবনা, ইরাৎ থৌপাং লাংহৈ পুংকোইদা লাংদাইরেনা ওইরিবা মফমদা, থাংলোই হালোইবা লাইনিংথৌ খোংশানলক্লুনা মার থাংমাই হানলোইগী মগাই ফমলেন ময়ৌরকলে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইগা, থাংলোই হনবা লাইনিংথৌবু মকৌরেনগী য়াৰাদো মহংলকলে লাইনিংথৌনা।

লাইনিংথৌ মারনা থাংলোইহনবা লাইনিংথৌ মপিচারেন য়েংলগা য়াৱা অসুম্না মহাইরে। মরুপলোইএ থাংলোইবাও, খোয়ুম ওইববু মকৌজবদি অতৈ করিগী নৎতেএ। ইশানৌদি হুমুলৈমসে থাজারোন থাবু মাপন, খোয়ুম লাংদাইকোন ওইখরে। নচন হুমু লাইরেনবী পিবুকথেনগী খোয়ুম লাইওইবনা লাংইদাইকোন ওইরকপনা, খোয়ুম লাংহৈ ওইনবা, খোয়ুম ওইবা থাংপুরেন, থৌজান লাংহৈ কুবীয়ু, মসি য়াৱা লৈবনা কৌজবনি লাইনিংথৌ থাংলোইহনবা মারবু য়েংলগা মহাইরে। মদু নোংগী য়াৱা ওইরবদি, ইচন ইপেমা হুমুগী পিক নুংগী লাইওইবা মতিক মথৌনা হেলোইবা নুমিৎ থাকুম মঙাল লৈবা, খোয়ুম লাংদাইজাবা ওইরসনু। মসি য়াৱা হায়দুনা মচন হুমুলৈমা থৌজান ইরিক নোংতমবীরে। লাইনিংথৌদি, থাংলোইহনবনা।

চীংউগী থৌজান ফংজরবদা, হুমুলৈমা লাইওইবী হরাও মথোই কাজৈনা। লাইনিংথৌ মার থাংমাইগা, থাংলোইহনবা লাইনিংথৌ অনিনা খোয়ুম ৱাতাই শংদাইকোন মওইরকলে। লাইনিংথৌ থাংলোইহনবনা, মহাইরকলে। মরুপলোইও মার থাংমাইহনবাও, হৌজিকতি ইচন ইপেমাসু মপুগী থৌজাল ফংলবনি। খোয়ুম ওইবা ঐহাকসু ইগাই ফমলেমদা তমখ্রগে। মসি য়াৱা হায়দুনা লাইনিংথৌ থাংলোইহনবনা মাগী লাংহৈকোনদা হনখরে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনলোইবা মশানৌদি হুমুলৈমগা অনিনা ইরাৎ থেনকোই পুংকোইরেন, লাংহৈ মপুং ওইদুনা লৈহৌরে।

তোলোংখোম্বা শাফোংলোন

লৈশেমকোনগী লাংহৈদা লাংদাইরেন ওইরিবা অনেম্বা মালেমগী লাইনিংথৌ লাইরেনবীনা, চুকতাই খোংগী মপুরেন, শিদবগী লাংহৈদা মপুংলেন ওইরিবা অনেম্বা মালেমগী চীংথৌরেন লাংদাইরেন পুরীবা লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনে। মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমাগা লাংকোন মওইরিঙৈগী ৱানে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী খুঙোকলোন থেলোন য়াৱানে। লৈশেম তুশেমগী চীংউবা লাইয়াম্না খুঙোকওঙেনে। মপুরেন শিদবগী লৈকোনদা লাইওইবনা মালেম অনেম্বদা লাংহৈ মপুং ওইঙৈগী য়াৱানে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমাগা লোইন্না থাজারেল মপল ইরাৎ পুংগী থৌখাইরোন মপুংয়াই মওইরকলবদা, কোরৌ মালেম অনেম্বাদা লৈরিবা থৌজাল লৈবা লাইনিংথৌ কয়াগী থৌখাইরোন ফংজনা লাংহৈ মপুং ওইরক্লে। লাইরেনবীদি হুমুলৈমনা, মথৌ পুংগী পুংকোইরেন, থৌনী থৌখাই ইরাৎপুংদা, মপুরেন ওইরিবা মার থাংমাইহনবা মশানৌরেম্ববু চীংউ নোংদখোংলেম্বা থাজা তরা থাওইরেনদা থৌনিজেনা মপুরোইবু।

চীংউ নোংদম খোংলেমবা মার থাংমাই হালোইবা মশানৌরেন্না ফমদেংদুনা মতমলে। তালোইরেনদি হুমুনা,হৈরাংলৈরাং তমজনা, মপুরোইববু শিদবা মীংথৈ লাংদুনা ইরাৎ থৌনি তৌরকলে। মপুরেন থাংমাইনা হাইজরকই ঐশানৌগী পীপুকনুংগী নৱাসে খোয়ুম মীৎ পাংবা লাংদাইকোন ওইরক্কদৌরে। মসি লাংদাইকোন ওইবদা থৱাই য়াইকোনা লাংহৈবা পীপুক্কী ,লাইওইবা নৱাসে,অফবা লাংহৈকোন লাংদাইরেন মপু ওইহনবীয়ুকো । মপুরেননা মসি য়াৱা হাইনা থৌনি থৌকাং পাংলকপা, লাংহৈ মপুং ওইরকলে।

লাইনিংথৌ মারনা, মশানৌদি লাইরেনবীবু য়েংলগা হায়রকই। হাদা নুবী লাইওইবী, নংলেন খোয়ুম লিচৎলোন য়েংলগা চীংউবা লাইয়ামনা তমজনিংঙৈ, থৌকাংববু হায়রগা লাইরেনবী লক্কগী লুচিংবীনি। কাইদবা খোয়ুম লিচৎনা, লাংহৈ মপুং মওইবনা, নোংদম্না মপুরেন শিদবা, ইপুরোইদি মপুরেনা নোংদমবিরিবা লাইওইবনা খোয়ুম মীকপ থোকলকপা, লাইগী মচা লাইওইবা, অহেন অথোই নোংদম্বা মপুরেন শিদবগী থৌকাং মপুং ফানা লাইয়ামগা, লাইতাই শিংদাই ওইবদো পীনবিবা ওইরসনু য়াৱা অসি হায়দুনা লাইরেম্বী থৌনিজববু থৌজান ইরিক নোংতমবীখরে। লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনা।

লৈশেমকোনগী লাংহৈদা, অনেম্বদি মালেমদা চীংউবা খুঙ্গোক তমলিবা, মার থাংমাইহনগী তালোইরেনদি হুমু লৈমা লাইরেবীদো, পীপুক নুংগী লাইওইবদো থাজা তরা মপুংলেনদা, খোয়ুম মীকপ থোকলকলে। নোংতম্বা মপুগী নোংদমখোন লাংহৈকোনদা লাংদাইরে। মালেম অনেম্বাদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজরে। মতিক ময়াই লৈরবা লাইওইবা, কোরৌ মালেম অনিগী লাইয়ামলক্তগী অথোইবা, থৌরেন লাই ১০ গী থৌজান ফংলবা মার থাংমাইহনবগী মপরীদো নুমিৎকুমনা লংলবা, থাজগী মঙানবু ওইরিবা সনা অহিংবা লাংগোনবা, শক্তা চুদা মহেনবা, য়েংবদা পেনবা নাইদ্রবা, হুম্মু লৈমগী মপারী খোইয়ুম ওইবা মপোকনে।

লাইয়াম পুম্বানা মীহৌনিংঙাই ওইরিবদি লাইওইবনি। খোয়ুম ওইবা মতিক ময়াই ওইবদো য়েংলগা মপন পঙ্গৌ ওইরিবা মার থাংমাই হনবনা হরাও মথোই কাজেদো। লাইওইবা থৌথাং পুংকোই লাংহৈ মপুংয়াই, থাংমাই হনবনা, মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমবু য়েংলগা য়াৱা অসুম্না মহাইরকলে। ইশানৌদি লাইরেনবী, পারী ইবুংঙো নৱাসে, খোয়ুম মীংথৈ পীরসি লাংহৈ মাগী মপুংয়াইদা, য়াৱা অসি মশানৌনা মহাইরে।

মশানৌদি লাইরেনবীনা লাইনিংথৌবু য়েংলগা মহাইজরক্লে। কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোই অমদা পারীগী মীংথৈ পীরসি, য়াৱা অসুম্না হোয়ানরকলে। কোরৌরেনদো মওইরকলে। হেলোইবনা নুমিৎলোইনি। চীংউবা লাইয়াম পুমববু লাংহৈ পুংকোই ওইখরে। লাংদাইরেনগী মপুংয়াই মার থাংমাইহনবা মশানৌ লাইরেনবী হুমুগা লোইননা নোংদম্বা মপুবু লাংহৈজরে। ইপুরেন শিদববু কোকনোনজনা, মপারি থৌথাই নিজরো, মপুরেন শিদবনা মার থাংমাইহনবগী মপারী কোলোই মপীরকলে। কোরৌদগী মহাইরকলে।

মার হালোইবা নহাককী অমত্তা ঙরাইরবা নপারীগী কোলোই মীংলেনদি :- তোনবা, হালোইবা, খমলেনবা, শুপনা তাইনা মালেম অনেম্বদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বাসু তারকলে। হরাও মথোই কাখরে, লাইয়াম পুম্বা হনখরে, মগাই ফমলেন তমখরে। চীংউবা মীংথৈ খংখরে, তোলোংখোম্বা শাওইরে, লাংদাই মপুং ওইরকলে।

মপন পঙ্গৌ মার থাংমাইহনবগা, মশানৌদি হুমুলৈমা অনিনা খোয়ুম লাংদাইরেন ওইরকপনা মপারী তোলোংখোমবদো, চাওবা মপুং ওইরকলে। মপারী মতৌ নেয়ংবদা লাইনিংথৌ লাইরেনবী পেঞ্জেনা, মপন পঙ্গৌ লাওইবনা, মপারী তোংলোংখোমবা, খোরুম শিলম শিঙ্গা মতাকপীএ। শিঙ্গা পোংকোই নারক্লে, লাইয়ামলক্তা তিল্লকলে। থৌজান হৈবা লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগী মপারীদি তোলোংখোম্বনি। তোলোংখোম্বা লাংদাইরেন মপুং লাংহৈ লাইয়াম, মপন পঙ্গৌ মার থাংমাইহনবগী পলেম মমা হুমুলৈমাগী খোয়ুম তেংপাং হৌরকলে।

মারচিং খারেমকোন

মারচিংকোন :- লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগী মরম খৈরেনদি মালেম অনেম্বগী নোংপোক চীংখৈরেন, চীংশাংদোন লাংদাই পুংকোই লাংদাইরেন, ওইবদি মরম খৈরেননি। মশানৌএ লাইওবী হুমলৈমা লাইরেনবগা অনিনা ফংজবদি মপারী মদোম পোকচবা তোংলোংখোম্বা লাইওইবনি। মপারীতবু য়েংজবা, খোয়ুম শিঙ্গা শিঙ্গাকপীবা, লাংহৈকোনগী লাংদাইনি। তোংলোংখোমবা মপারী পলেম পঙ্গৌ অনিগী শিল্লম শিনপাং ঙমলকলে। মপারী শিংখোং ওইববু খোইয়ুম লাইগী লিচৎলোন, হৌনরেনবদি শিঙ্গারেন থৌকাং মপুং ওইরকলে।

পলেম পাঙ্গৌ ওইরিবা মার থাংমাই পলেম মমা লৈমাগী খোয়ুম তেংপাং ওইরিবা তোংলোংখোম্বা মপারীনি। মকিত ময়াই ফংলবা কোরৌগী মশেক ওইরিবা, থাজগী মঙানগুম ইংলবা, মতিক মথৌনা থৌরেনবা, ময়াইরেনদি অহেনবা, নোংদম খোংলেম্বা মপুগী থৌজান ইরিক ফংখ্রবা কোরৌগী মঙান ওইরিবা, থাজনা শাওং তাকলিবা, খোইয়ুম লাইওইবা তোলোংখোম্বনি।

কোরৌরেনদি অহেনবা অতিয়া শিদবগী মতিক ময়াই হেলোইবা, লাংহৈ মাগী পুংকোইদা খোয়ুম ওইবগী মতিক ময়াইবু থৌজান ইরিক নোংতম্বীখ্রবা তোলোংখোম্বা থৌরেম্বনি। লাইনিংথৌ সোরারেন শিদবগী থৌজান ইরিক নোংতমলেন ফংজখ্রবি হুমুলৈমা লাইওইবীগী মপারীতোন তোলোংখোম্বনি। চেংলৌ শকলেন হেলোইবা,

মারচিং থাংমাই হালোইবগী মগাইফলেমনদি থৌকাংদা হুমুলৈমা লাইওইবীগা থৌরম ইরাৎ থৌখাইদুনা, নোংপোক অচিয়াংবগী থৌপাঙ মপুং ওইবদা, লাইনিংথৌরেন অচিবগী থৌজান ইরিক ফংখ্রবা হুমুলৈমা মপারী তোলোখোম্বনি। নোংপোক হুমোই য়াংবনা থৌজান মীয়েং মতমবীবা লাংহৈকোনদি লাংদাইকোনদা,লাংহৈ মপুং ওইরিবা, মার থাংমাইহনবগী মপারী অতোনবদি তোলোংখোম্বনি।

মালেম অনেম্বগী ইনুংকোন্দা,লাংদাই কোরেন মপুংয়াই লাংহৈ মাবু ওইরিবা, চীংউ মতিক ময়াই হেলোইবা অৰাং ৰাঙম পুংকোইবা কৌবারেনদি লাইনিংথৌ, থৌজান ইরিক নোংতম্বীখ্রবা মার থাংমাইহনবগী মপারিনি। খারেম কোনগী লাংদাই মপুং ওইরিবা, ৰাংপুং হনবা লাইনিংথৌও, মতিক মঙান হেলোইরেনবা, লাইনিংথৌনে। খারমগী থৌজাল নোংতমপীখ্রবা হুমুলৈমাগী মপারিনি তোলোংখোম্বা।

অনেম্বদি মালেমদা লৈশেমকোনগী মপুংয়াইদা লাইওইবদি থাংলোইহনবা, মতিক ময়াই ,থৌজান, লাংওন, লাংদাইরেন ওইরিবা লাইনিংথৌ থৌনিবগী থৌজান নোংতমবিশ্রবা মার থাংমাইহনবগী মপারিদি অতোনবনি। হৌরেনবসু মহাকনি, লোইরেনবসু অতোননি। কোরৌ মালেম ওইবগী লাংদাইকোনগী লাইনিংথৌদি, মপুরেন শাখাইরেন, মপুগী থৌজান ইরিক ফংজরবা থোইহেনবদি মার থাংমাইহনবগী মপারি তোলোংখোম্বনি।

লৈশেমকোনগী লাংহৈদা লাংদাইকোন ইহুন মতমলিবা নোংপোক চীংখৈ ইতমলেন, চুকতাইরেন লাংহৈদা মপুরেনগী লাংদাইকোনদা খোয়ুম লৈঙাক মপুরেননি, মার থাংমাইহনবনে, মার থাংমাইহনবগী মশানৌদি লাইওইবী হুমুলৈমা লাইরেনবী অনিনা লাংদাইকোন ওইরকপা, নোংদমখোন মপুরেন শিদবগী লাংহৈকোনদা মপারী অমা ফংজবা। মপারী ওইবা কোলোইরেন তোলোংখোম্বা মীংখৈনা অনেম্বা মালেমদা খুঙ্গোকলে।

তোলোংখোম্বা থাংমাইসুগী অমত্তা পোকচবা মপারিনি। মপারী শকলেন হেলোইবা মতিক ময়াই চীংউ থৌজাল ফংলবা হুমুলৈমা লাইওইবীগী মপারীনি। লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনা শাগোল য়াইসা ঙৌরেনবা, মারচিং শাদি লাইওইবা অয়াংবদি শাগোনি। শগোল শায়াংথক্তা মপারি অতোন তোলোংখোম্বাবু তোংহন্দুনা লাইনিংথৌদি মার থাংমাইনবগী মরম খৈরেনদা, কোইনা লৈনা শাগোন থৌরকলে।

অনেমবা মালেমদা লৈরিবা লাইয়ামপুমবা খোয়ুম মীতানরকলে। মপন পঙ্গৌ ওইরিবা মার থাংমাইহনবনা মপারী তোলোংখোমবা শগোন খুরজি পাইহনদুনা,ঙৌরেন শাগোন য়াইসদো, অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন, চীংখৈরেন মরম খৈরেনদা লাংদাই পুংকোইরেন তমলকলে।

অনেম্বা মালেমগী লাংদাইকোন, থাংমাইহনবগী মশাইকোননি। মপন পনথৌ ওইবগা, মপারিদি তোলোংখোম্বা অনিনা শগোন শরাং থক্তা তোংদুনা অসুম অসুম লাকপা, নোংপোক খৈরেনবা মরমলেন, লোইবী চিংশাং নাপোমলেন, মগাইফমলেন য়ৌরকলে। লোইবী চীংশা কয়া লান্না লাকপনা, লোকতাই কয়া লানদুনা চীংশাংলেনগী নিংথিজবা মালেম ইমাগী মরম খৈরেনদা হৌরিবা উপান, ৱাপান, হৈরাং লৈরাং কয়াবু উজবদা লাইনিংথৌ মার থাংমাইনবগী মপারী তোলোংখোম্বা অঙকপা লাংহৈ মপুং ওইরকলে।

মালেমগিদি অনেম্বা মার থাংমাইহনগী মশাইকোন, লৈরিবা লোইচিং লোইয়া শিনবা থুংনা মপারীবু শগোন শারাংথক্তা তোংহনদুনা অসুম লাকপা, খোয়ুম লাইওইবগী লাইকোননুং পাৎশাং লাইচিখোং, লাইরেনখোং, খোয়ুম চাক্তা খোং পাৎ ওইরি। লাইজা ঙাংলেন পাৎ, হৈরাং লৈরাং কয়ানা লোইবী চীংগী চীংমাইথেনদা ঙঙাননা পালিবা লাইগী লৈপাক লাইরম, মার থাংমাইহনবগী মশাইকোননি।

চীংশাং নাপোম লাংহৈদা, পাৎ তু খোং কয়া ইরেন লাইজা চীংজুমলেন, উপান হৈরাং কয়ানা মপুগী লৈকোন ওইরিবা, লৈরাং লৈচু শুনা শাৎ, মপুগী থৌকাং লাংহৈকোনদি লৈকোননি। পাৎকী লাইজা নিংথিবা, কোরৌগী মশেক য়েবদা মপুগী মাইথোং পাৎ, মীরেন মমি তাবা পাৎ, ঙাংলেনবা লাইজা তনিকনা, পাৎপী মাইথোং ওইরিবা,মায়চিং কোনদি কোফারেন, হাংলবা লোইবী চীংগী চীংমাইরেনদগী, কুমদম লেনগী লাইজনা পাৎপু তমনা চেনথবা অনেম্বা মালেমগী জিবা শাদম কয়ানা পাৎ লাইজা থকচবা, উচেক ওরা কয়ানা কোরৌদগী পাইথরক্তুনা, পাৎকী অকোইবদা চাক্তাজবা লাইজা নুংগী লেমলৈনা চোং চেনদুনা শানজবা, পুম্নমক অসি উবদা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী তোলোংখোম্বাদো, হরাও মথোই কাজৈনা। মপনগী শাইগোইনুং য়েংজবদা,

অসুম অসুম শাগোন শারাংথক্তা তোংদুনা লাকপনা থৌগনলেম্বা লাইয়ামনা লাইনিংথৌবু ঙাইদুনা পাৎশাংকোনগী লাংহৈদা লৈরমলে। চীংউবা লাইয়া মনা ঙাইদুনা লৈরমলিবা মফম অদু হৈঙাং পাৎশাখোং, লোইবী থেলোং চীং নাপোমদা থেংনখিএ লাইয়ামগা। লাইয়ামনা কোকনোজনা লাইনিংথৌবু শাগোন শরাংথকতগী কুমথারকনবা খোয়ুম লাংদাইজরবদা, লাইনিংথৌনা হোয়াজদুনা শগোন শরাংথক্তগী কুমথদুনা মপারীসু শারাংথক্তগী কুমথদুনা, লাইকোন পুংকোইরেন কয়াবু চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা ময়েংলকলে লাইনিংথৌ।

লাইনিংথৌ মাপন থৌকন চীং, লাইরেনবী তরেৎ খুঙ্গোক পাৎখোং কয়াবু মপারী শিংখোং অদোন তোলোংখোম্বাদা খোয়ুমগী লাইফমলেন কয়া তাকলকলে। লাইওইবগী কাইফদ্রবা লোইবী চীংগী নাপোমদা, শুরুং কয়া লৈববু মতাকইনা মপারীদা ঙাথোং ঙারেন, ফৌসু ফৌরেন, পাৎ চীংঙাং ইরেন পাৎ, য়াংবী হিরেন খোং, লাইবী ৱাংলেন থৌসু চীং, লোকশা শাথোক চীং, খেনচোং লাইহুই চীং,ঙাইনা পুংকোই থেনচীং, মীরেন ৱাবা চীং, শারম খোং, ইরেন ইচাও চীং, মীসনা তাওবী চীং,

খোংলাই পাংসু চীং, ইতাইরেন খাংবী লোইচিং নাপোম পুসু চীং, হুরেন য়াংবী লোক, কাইরেন পনঙাক চীংথোংলাংপোম ইমাই থেন্না চিং, ইয়ুম চোংবী নাহুইরেন, খোং তুখাই নাইতু লাইজা খোং খোয়ুম চাকক্তা পাৎ, পাৎসু নোংলাইজা ইরেন হৌবী য়াইথেং পাৎ, ঙাংঙোই লাইজা ইথোং পাৎ পাৎশা খোং, লাইজা ইরেনখোং, লোইবী চিংশাং কয়াগী মীংখৈসুনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মপারী শিংখোং অদোন তোলোংখোম্বা মউননা মতাকপীএ।

অনেম্বা মালেমগী লাংদাইকোনদা, চিংখৈরেন মপু ওইরিবা, লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগী, মরম খৈরেনদা লৈরিবা লোই চীংশাংগী মীংখৈ, পাৎ কয়া খোং, লাইজা ইতমফম কয়াগী লাংহৈকোনবু মপারীদা খংহৌনা মরম খৈরেনগী মুৎফদ্রবা লাইফমলেনগী লাংহৈকোনবু মতাকপীরে। মপন পম্বৌগী য়াথংতবু ইনবীবা মপারী তোলোংখোম্বা, মপনগী লাইকোননুং থেলোন মশিং শুনা খংজরে।।

তোলোংখোম্বা নাওখেমলোন

লৈশেমকোনগী লাংহৈদা নোংপোক চীংখৈরেন লাংদাইরেন পুরিবা মার থাংমাইহনবগী মপারি শিংখোং হালোই তোনবা, তোলোংখোম্বা মপন পঙ্গৌগী মশাইকোনদা খোয়ুম লৈবাক মপুরেনগী থৌপাংবু তেংপাং লাংহৈ মওইরিএ। মালেম অনেম্বা লাংদাইরেনদা লাংহৈরেন মপুং ওইবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা, খোয়ুম লাংদাই ওইরিবা তোংলোংখোম্বা অথৌবনে । খোয়ুম লাইওইবনা মপনগী মগাইরেন থৌপাং লাংহৈ মপুং ওইএ। মপনগী থৌসুরেম্বাবু খোয়ুম তেংপাং ওইরিএ।

নোংপোক খংলোই য়াংঙমলেন, অনেম্বা মালেমগী লাংদাইকোনদা খোয়ুম শাফোং তমলিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা, মার থাংমাইহনবগী মপারী শিংখোং তোলোংখোম্ববু খোয়ুম লোইচনবা পামলমই। করি করম্না লাংহৈকোনদা তোলোংখোম্বাবু মাইথিবা মপিসিগে মহাইনা, নোংপোক খংলোই মরমখৈদা লৈবা লাইয়াম, ৰাতাই সংদাই ওইরকলে। নোংপোক খংলোই য়াংবা লাইওইবনা খোয়ুম লালোং শেমখরে।

অনেমবা মালেমগী লাংদাইকোনদা মপুংলেন লাংহৈ ওইরিবা, চুকতাইখোংলেন মপুরেন চীংখৈরেন মার হনবগী মপারী খোয়ুম অথৌববু মাইথিবা পীগে খল্লাদুনা নোংপোক খংলোইবা খোয়ুমনা লালোং অমা শেমখরে। নোংপোক খংলোইবনা চীংখৈরেন পুবা মার থাংমাইহনবগী মপারী তোলোংখোম্বাদা খোয়ুম লাইয়াম শংদাইনদুনা লাঙ্গেংনবা থৌওং শেম্বা হৌখরে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা নোংপোক খৈরেন্দা পুরিবা লাইয়াম পুম্বানা হোয়াখরে। চিংউবা লাইয়াম্না মহৈরে। নোংপোক খংলোইবা লানথৌবও, নতিক নয়াই লৈবা, খোয়ুম লক্তগীসু তেনহৈবনি।

শায়োন লাংদাই মপুংয়াই অসিদা লৈরিবা খোয়ুম কয়াগী চুকলেন পুরিবনি। ইবুংঙোনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী, মদোম পোকচবা, খোয়ুম শাফরেন তোলোংখোম্বাবু মাইথিবা পীবা হায়বসি নোংপোক মরমখৈদা পুরিবা লাইয়াম ঐখোয়সু হোয়াজবনি। লাই ওইবা মহাকপু মাইথিবা পীরবদি ইবুংঙোগী মতিক ময়াই হেনবনি। ইবুংঙোনা মতিক ময়াই হেলোইবা ওইরবদি লাইয়াম ঐখোয়গীসু ইফম ফমদোন কাবনি। অসুম্না অনেম্বা মালেমদা খুঙ্গোকলিবা চীংউরেনবা নোংপোক মরম খৈরেনগী পালোইবা লাইয়াম ৰারেপনরে। মতিক ময়াই পুম্বাদো খংহনলগে খল্লদুনা, লাইয়াম থৌপাংনবা থৌশিন পুম্বা লোইখরে।

মার থাংমাইহনবগী অমতা পোকচবা মপারি তোলোংখোম্বা, নোংপোক খংলোই থৌরেনবনা থৌশিন অমা পাংগদৌরে হায়বা য়াৰা তাবদা, পাইমা নুংলোনদা খল্লকলে। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী

করি ইরান লৈদুনা নোংপোক খংলোইবনা ঐবু মাইথিবা পীগে খনদুনা নোংপোক মরমখৈগী চীংউবা লাইয়াম খোমদুনা থৌশিন অসি পাংগদৌরিবনো, পাইমা নুংদা খল্লকলে। ইপন পঙ্গৌদা নোংপোক খংলোইগী খোয়ুম লালোং অসি মহাইরসিরা হায়না খল্লকলে। হৌমিন কামিন্নরকপা খোয়ুম শাথেং লানথেংনবা য়ারব্রা, মহাকলোইনা লালোং শিংবু ইপনদা অমুক হংগৎলরোই।

থৌজান হৈবা মপুরেন কয়াগী থৌখাই ইরিক ফংজবা, খোয়ুম মঙাল লৈরবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী, মদোম পোকচবা তোলোংখোম্বা থৌরেম্বনি। খোয়ুম ওইবা ঐহাকপু নোংপোক খোংলোই য়াংবনা খুদুম চনগে খনবনি, করি য়াৱা লৈবনো, ঐনা লানবা য়াওখিদে। খোয়ুম চৈশিং কানখিদে। ঐবু মাইথিবা পীরগা, ঐনা অৱাবা ওইরগা, খোয়ুম ওইবা মহাককী পেনজবা করি লৈজবা, খনবদি ওইফরোই। খোয়ুম মাবু মউননা ৱাতাই শংদাই ওইরগে, পাইমা নুংদা খল্লকলে।

অনেম্বদি মালেমগী নোংপোক মরম খৈরেনদা খংলোই য়াইবা পানজুম্বগী মপারী নোংপোক খোংলোই য়াংবগী মগাইফমলেন্দা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী তোলোংখোম্বা চীংউবা লাইয়াম অমতা লোইন্দনা, খোয়ুম ওইবা মহাকতো মদোম খোংলোই য়াংবগী মগাইফমলেন য়ৌরকলে। খোয়ুম ওইবা নোংপোক খোংলোইবনা মগাইফমদা ফমদেংদূনা লাইয়াম ৱাতাই শংদাই ওইরম্মী। নোংপোক্কী লাইয়াম পুম্বনা অথৌরেনবা তোলোংখোম্বা খোংদোই হুল্লকই উবদা নোংপোক লাইয়াম পুম্বা তুমিন্না লৈরমই।

তোলোংখোম্বা অথৌবনা চংলক্তুনা, নোংপোক খোংলোই য়াংবগা ৱাতাই শংদাইরকলে। তোলোংখোম্বানা মহাইরে। শামান্নবা খোয়ুমও, করি য়াৱা লৈবনা অৱাংবদি নোংপোকনা তোলোংখোম্বা ঐহাক্কী ইথক্তা খোয়ুম শাথেং-লান্নবা পামলিবনো, হায়না অথৌবনা হংলবদা, নোংপোক খোংলোই য়াংবা লাই ওইবনা খুমজখি। অনেম্বা মালেমগী চীংখৈরেন পুবা ইপন পঙ্গৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী তোলোখোংম্বাদি, খোয়ুম নোংপোক অয়াংবা ঐহাকা শামানবনিদো।

খোয়ুম শামান্নবা ওইরিবা ঐখোয় অসি খোয়ুম চাংয়েংনবা মওইনসি হায়বসু করি অকি তুজুংবা লৈমগে । অশেংবা য়াৱানা নোংপোক অয়াংবা ঐঙোন্দা পাওদমবিয়ু। নোংপোক য়াৱা খোঙ্গোক তাবদা মার মারজিংগী মপারী তোলোংখোম্বাদো, খোয়ুম মীপাংবগী অশাওবগী মশক খাংদনা লৈজরম্বদো, খংহৌদনা কোরৌ নোংখাক তম্বাগুম অশাও পরৈনরকলে।

তারো নোংপোক অয়াংবা, শাথেং লানথেনবনদি খোয়ুম অহেনবা মওইরোই। লাঙ্গেংনবদা মাইথিবা মদুতনা অশোনবা ওইফরোই, চিনফেং ফবা মহাকতো ৱাঙাং হৈবা শকফরো, খোয়ুম ওইবা ঐখোয়দি মপুগী শিঙ্গা পাংজবা, থৌরম থৌদা মপুং ওইবদো, খোয়ুম ঐখোয়গী থৌকাং

ওইগনি। অনেম্বা মালেম অসিদা লৈরিবা চীংউ লাইয়ামলক্তাগী খ্বাইদগী শামা মপুং ফাবদি খোয়ুম ওইবা তোলোংখোম্বা ঐহাকনি। হৌজিক্তি তোইনা য়াৱা হাইফরোই। থৌরম থৌখাই মানা তাকসনু।

তোলোংখোম্বানা মহাইরকলে। শামান্না লেংমানরিবা নোংপোক খোংলোই য়াংবাও, খোয়ুম ওইবা নহাকপু ঐখোয়গী থৌরম থৌদা পাংজবদি, চকশিংকোনগী তুংতারকপা, লাইওইবগী মচা মশুশিংগী হেলোইবা শিঙ্গা ওইহৌরনি। লাইগী লিকলম কাইদনা, মপুগী য়াথং ঙাকপনা খোয়ুম ঐখোয়গী থৌদানি। খোয়ুম ওইবা নংহাকতগী হেলোইবা শিঙ্গা ওইবদো পাংলগে খনজরিবা লিকলমদো, মালেম অনেম্বাদা লৈরিবা লাইয়ামনা চৎনবা য়াবা য়াৱা মওইরবদি, মপুরেন শিদবনা উবীদুনা মহৈ য়ানবা ওইসনু। মপুরেন শিদবগী থৌকাংদা অহেনবা লৌখিবা ওইরবদি লাইয়েৎনবা থোক্কনি। পাইমা নুংলোন মখনবীয়ু য়াৱা অসি মহাইরকলে। তোলোংখোম্বাদি অথৌবনা।

তোলোংখোম্বগী য়াৱা খোনথোক তাবদা মনাক নকনা লৈরম্বা লাইয়াম পুম্বাদো মায়োকনবা লাথেংনবা পামলক্তরে। মপু ওইবা অচেৎপগী য়াৱারেনদি কোরৌ মালেম তাইফদে। লাইগী লিকলম কাইফদে, লিকলম অদু উরকলে। অশাওবা পুম্বা থাদোক্তুনা থৌজান হৈবা তোলোংখোম্বা য়েংলগা নোংপোক খোংলোইবা অয়াংবগী থৌপাংজরিবা লাইয়ামনা হায়রকলে। চীংখৈ নিংথৌগী মপারী অথৌবদি খোয়ুমও, অথৌবগী য়াৱা খোনথোক তাবদা লাইয়াম ঐখোয়গী নুংলোন পীপুকসে, মপুগী থৌজান ইরিক ফংগদবা মাল্লি। অথৌবগী য়াৱাদি নোংপোক লাইয়াম ঐখোয়না ইনদবা ঙমদে। লাইয়াম ঐখোয় পুম্বা য়াজরে।

নোংপোক খোংলোই অয়াংবনা, লাইয়ামবু য়েংলগা হারকই। তারো নোংপোককী লাইয়ামশা নখোয় পুম্বা অমতা য়াওদ্রবসু ঐহাকক্তি শামানবা ওইরিবা তোখোংখোম্বা, খোয়ুম মায়োকননা লানথেং পুংকোই তমগনি। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী হায়খ্রবা য়াৱাদি অমুক হনজিনফরোই। হয়েং কোরৌ হালোইবা নুমিত্তা, নোংপোক ঐগী মরম খৈরেনগী, চীংখৈ মরম খৈরেন ফাওবা লময়ৌগদবা তংখাই ১, চিংখৈরেনদগী নোংপোক ঐগী মরমখৈরেন য়ৌগদবা তংখাই অমা ৱাৎপা মফম অসিদা খোয়ুম লাইওইবা শামান্নবা অনিনা খোয়ুম শাদম-শাথেং ওইগনি। লাইওইবা ঐগী য়াৱাদি হনজিনফরোই, অসুম্না লাইয়ামগী মাংদা খোয়ুম পাওমেনরকলে।

তোলোংখোম্বা অথৌবনা শামান্নবা নোংপোক য়াংবা নংহাকনা পাম্বা থৌখাইদো, পাংজরো, ঐগীসু ইঙম ওইরগে, পামজবা নংগী থৌকাংদো মালেম অনেম্বদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বনা খংহৌরসনু। খোয়ুম ওইবা ঐহাকতি, মপুগী শিঙ্গা ইঞ্জনা অনেম্বা মালেমদা লাংহৈজরকপা তোলোংখোম্বনি। চীংখৈ মরমখৈদা লৈবা লাইয়াম কনাসু খংহনজরো। ইদোম লাক্কে লমতাই পুংদা, মসি য়াৱা হাইরম্লগা তোলোংখোম্বা মরাংয়াই তমখ্রে।

লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগী মপারী মদোম পোকপদো মপুরেন শিদবগী য়াথংতনা খোয়ুম শিঙ্খা ওইরিবা অথৌবদি তোলোংখোম্বনি। মপন পঙ্গৌ, পলেম মমা হুমুলৈমবু কোকনোনলমলগা মরাং য়াইদগী থোকলকলগা, নোংপোক মরম খৈরেনগীনা চীংখৈরেনগী লাংদাই পুংকোই ওইরিবা অনিমক্কী থেনখোং পুংকোইদা তোলোংখোম্বা খোংদোই হুল্লকলে। লমতাই পুংকোই য়াইদা লাইয়াম পুম্বা তিদুনা লৈরমলে। তোলোংখোম্বা অথৌবদি খুৎসু-থাংসু করিগুম্বা লৈঙাক অমতা য়াওদনা, লাইয়াম তিনবা মফম, লমতাই পুংকোই য়াইদা থুংলরে। নোংপোক অয়াংবা য়ৌরকলে। নোংপোক অয়াংবদি মশাগী খুৎশু লাইথাং য়াওরকই।

তোলোংখোম্বা অথৌবা, নোংপোক অয়াংবা অনিনা খোয়ুম মায়োক থানরে। মাইগা মাইগা ওনশিনরে, শাফি লানফি শেত্তুনা, মশাদা কুপলকপা ফিজেৎনা খাংচেৎ ওইনা শেৎনরে। তোলোংখোম্বা অথৌবনা খুৎসু থাং য়াওদববু নোংপোক অয়াংবনা উরবদা, খুৎসু থাংলেন থমদুনা খোয়ুম লাইওবা অনিমক মায়োক থানরকলে। মীংকা মীংকা মীচানরে। অচেংবা শাওং য়েংলকলে। লাইয়াম পুম্বা পুমকোই কোইনা কোইশিন্দুনা খোয়ুম অনিগী থৌদোকপু য়েংলকলে।

অথৌবদি তোলোংখোম্বা, অয়াংবদি নোংপোক অনিনা চেনশিনদুনা মানা ঙমবা থৌনা লিংজেন য়েংনরকলে। অঙকপগী মতৌনি। অথৌবা অমসুং অয়াংবা লাইওইবনা লাইগী পাঙ্গল থৌনা চায়েংলকলে। খুৎকা খুৎকা, হকচাংগা হকচাংগা অনিনা লাংদাই ওইরবদা, তিল্লিবা লাইয়াম পুম্বাসু অকি তুজুংগা লোইনরকলে। মপুরেন লাইওইবা তরাগী থৌজান ফংখ্রবা তোলোংখোম্বা অথৌবনি। নোংপোক অয়াংবসু থৌজান লৈরিক ফংলবা, খোয়ুম অয়াংবনি।

অনিনা, খোয়ুম লাংদাইরকপদা অমনা অমবুসু হেন্নরকত্রে। মালেম অনেম্বদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বাসু তিনলকলে। অয়াংবনা লৌথিরকলে। মালেম অনেম্বদা তোলোংখোম্বা লাংওন অমা তমহনলগে খনদুনা য়াবী লৌগে তেমশিংলকলে। অয়াংবনা লাওন অমা লাংদাইনা, অকিবগী শাওংনি। কোরৌ মালেম অনিবুসু খংহৌরসনু মতৌগুম থেকনা-লাওনা চেনশিলকলে। মদু খোয়ুম অথৌবনা উদুনা, লাংওন অমা পুথোক্তুনা পামেন উজাও ওনদুনা লৈখরে। মদু উবদা,অয়াংবা লাইনা-কোইনা তোলোংখোম্বা থিরকলে। উজাও অদু মাংখ্রগা মৈ ওইনা মমাংদা লেপলরে। অয়াংবা, মৈ কৌবা লাইগী মনাক্তা চংশিনবা ঙমদ্রে। মদু লাইয়াম উবদা ঙকনরে। খংহৌদনা, মালেমদগী মৈনা মুৎখ্রবদা, লাইজা ঈশিংথোক্ললে। অকুৎপা মফম ওইরকলে। লাইজা ঈশিংদা অয়াংববু চিংথরগা ইরোননুংদা থমখরে। নোংপোক অয়াংবা মাংখরে। তোলোংখোম্বা অথৌবদি লাইজা ইপানথক্তা লেপনা লৈহৌরে। মদু লাইয়ামনা উরবদা অথৌবদি তোলোংখোম্বাদা চংজদুনা মহাইজরে। লাইনিংথৌ অথৌবও, নোংপোক অয়াংবগী য়াইবী থৱারদদি কনবীয়ু। কনবীয়ু হায়জনা লাইয়ামনা অথৌবদা কোকনোঞ্জবদা লাই মীরেনদি অথৌবনা হোয়াবীরে, লাইয়ামগী য়াৱাবু।

লাইয়াম পুন্নগী নিল খোংবা খোন্থোক তারদূনা মার থাংমাইহনাব মশানৌদি হুমুলৈমা অনিনা মপারী তোলোংখোম্বাবু থিরকলে। লাইয়াম পুন্নবা মফম অদু য়ৌরকলে। তৌরমলিবা থৌওং অদুবু উবদা অঙকপা ওইখরে। খংহৌদনা লাইজা ঈশিং মাংখ্রাবদা, তোলোংখোম্বা কোক নোং দুনা, নোংপোক অয়াংবনা তৌরমলিবা থৌওং অদুবু উবদা লাইয়ামসু অঙকপা ওইখরে। অয়াংবনা তোলোংখোম্বদা হায়জরকখি।

খোয়ুম ওইবা নফমদা অয়াংবা ঐনা থৌরম থৌখাই কয়া লানখ্রে। মপুরেনগী থৌদাবু তুংওইনরুরে। অথৌবনা কনবীয়ু। লাংওন অমা লাংদাইহনবীগনু হায়না তোইনা হাইজরে। অথৌবদি তোলোংখোম্বানা অয়াংববু য়েংলগা হায়রকই। তাও খোয়ুম লৌথিবা, নহাক্কী লাংওন লাংকোন ওইজনিংলবদি ঐবু পোকপা অপোকপা-ঐবু পোকপী ইমাদা হায়জৌ। খোয়ুম নংগী য়াইরেনবু ঙাকপীগে মহাইরকলে।

নোংপোক অয়াংবনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা-লাইরেনবী হুমু লৈমদা কোকনোজনা হাইজরকলে, চানবি হৈবা লাইনিংথৌনি। অয়াংববু কনবীরে। অসুম লাংহৈকোন অয়াংবা নোংপোকপু কৌশিন্না মপারী তোলোংখোম্বা কৌশিনদুনা, খোয়ুম ওইবা অনিবু অম্তা ওইবা মীয়েংনা লাংদাইকোন ওইদুনা চীংউবা তোলোংখোম্বাবু পলেম পন্থৌ অনিনা নাওথেমখি। মপারীসু পলেম পন্থৌগী য়াথং ইনজখি। নোংপোকসু মগাইফমদা হনজখি। তোলোংখোম্বানা পলেম পন্থৌগী মমাং থাদুনা মগাইফমদা তমজখিএ। অসুম লাংহৈকোনদা লাংদাইরেন ওইখি।।

থাংজিং খেলোন

অনেম্বাদি মালেমনি, লৈশেমকোনগী লাংদাইরেন মপুরেন শিদবগী লৈকোননি। লৈথক্কীদি লৈখারেন মালেম অনেম্বদা খুঙ্গোকলিবা চীংউবা লাইয়ামলক্তা লাংকোন মপুং ওইরিবা, শিদবগী নুংলোনদি, য়াইবী কোনগী মপুরেন অনেম্বা মালেমবু লৈশেমন, খোয়ুম থৌখাই ওইবদা লাহনিংথৌ সনামহি নোংকুমনা, লৈশেম শিঙ্গা পাংখিবা, লাংদাইরেন পুংকোই ওইবদা, মালেম চুকফারোন ইতাই খোংদা, শিদবগী লাংদাইনা, লৈশেমকোনগী খাগী মরম খৈরেনদা থাংজিং থকওই নুংলোনদগী লোইবি লোকশা খেলোন মপুংয়াই মপুথোকএ। কোইনা লৈরেন মতমএ মহাইবগী মিংখৈরেনবা থাংলোইবা, খোয়ুমগী মীংখৈরেননা থাংজিং কোলোই মীংখৈএ।

খোরুম ওইবা লাংদাইরেন ইশারেন মাপন খেলোন খোং নাম্বইএ, ইকোক পুংকোই শারুংথেন মাপন্না লোইবী থংলোই চীংমাই খেলোইএ। মপুরেনগী থৌশিলদা লাংদাই মপুং ওইরিবা,থাংলোই চীংলোই ৰাংঙম্বা, লাংওন লাংদাই পুংকোইবা খোয়ুম শাফোং হানলোইবা,খোইরা লিরেন ইতম্বা, লাংহৈ পুংদোং ইখমলেন, চুনাই হিরি মপু শিদবা লাংদাইবা শায়োন লাংওন মপুরেন,থাংঙা-লাংঙা পুংসু নাওইবা, ইরেন পুংসি লাংহুইবা, ইশাকোন নামি শরুংবা,উরেন খেংলোই ৰাংঙম্বা,চীংগী মীংখৈরোন ওইবদি থাংজিং লাইনিংথৌ মীংখৈরেনবনে।

লাই লাংওন ঙমথং থাংলেন সুনা পুইএ হায়পনা মতিক ময়াই অহেনবা পীনবা থৌখাই মপুনে। থৌজাল হৈবা লাইওইবনে। কোরৌ মশেক মঙাল্লে, ইরেন লাইজনা থৌজাল্লে। উপন উরেন থৌদোক নুংপীনা মউনে। লাইওইবদি থাংজিংনা, চীংগী চীংশাং নাপোমদা লাংওইবা লাংদাইকোন মওইএ। মশা শায়োন নাওইগুম চীংশাং নাপোম লৈকোল, উরেন উজাও, হৈপাল উপান, কয়ানা থিঙমদনা হৌবনা থৌজাল ইরিক মতাইএ,ইশারোন মাপন ওইবদি ফম্বাল শাওং মওইএ। লাই মাপনগী নুংলোন ফম্বাল তাকএ। য়েক সলাই নোংকুমনিএ, সলাই খাইরোন মাপন নাইকনি তাকএ,ইশা য়াংবী মাপন্না লেংফদ্রবা মপুগী খেলেন তাকপনে।

থাংজিং মপুরেন থৌখাইরোন লাংদাই পুংকোইরেন শিদবীগী লাংকোনদা, লাইনিংথৌ থৌজান লাংহৈরবা থাংজিং লাইদি লাইনিংথৌনে, ফম্বাল মাপন ফমদেংএ। লাইবু লাইরেন ইতাইরেন্না শিদানুবী লাংদাইকোন মপুংয়াই লাইরেন মকোক হনজবী, মঙান মশেক ওইবী থাজা মঙান নাইরিবী, মপুগী য়াথংতবু হোয়জবী লাইরেনবীদি অয়াংবী, কোলোই মীংখৈরেন মহাইনা অয়াংলৈমা পাঙ্গোইবীনে। লৈমালককী লুচিংবীনে। শায়োন লাংওনা য়াম্বীনে। লাংদাইকোনগী লাংহৈদা লাইনিংথৌ থাংজিঙগী ওইগী ফম্বাল লাংলিবা, লাইওইবগী শিঙ্গাতবু ঙাইজরিবী লাইরেনবীনে।

মপুরেনগী লৈকোনদা লৈরং ওইবা মপোক্তা জিবা লক্ষা কয়া থৌশিন থৌদা পুংকোইদা খাগী চুকতাইখোং পুরিবা লাইনিংথৌ থাজিং কোইরেন লাইওইবনে।

চীংখৈ নিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মশাইকোননি। লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগা মশানৌ লাইরেনবী হুমুলৈমাগা অনিনা মপারী তোলোংখোম্বা য়েংলগা য়াৱা অসুম্না মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো, ইপানা য়াৱা অমা মহাইগে, য়াৱা অসি নাপা চিক্লা তারো। য়াৱাদি অসিনি। ইপাগী শাইগোননুং লোইবী চীংশাং নাপোমলেন, লোকশা ইরেন পালোইথেন, খোংশা খোংলেন ইরেন পুংকোই উরি উজাও ইরেন চীং, থেৎলোন মীরেন য়াংখু চীং, লৈরাং লৈশাৎ চীংমাইথেন, হৈরাং পুংকোই য়াংবা থেন, নাপোম হুইরেন তাওজিং থেন মরম খৈরেন অসিদা কোরৌরেন খরানিদি ইগাই ফমলেন অসি খোয়ুম লৈঙাক ওইরম্মু। পলেম নমাগা লোইননা, নপন পঙ্গৌ থাংওইবগী মগাই ফমদা ঐখোয় অনি খোংশানলুখিগে। খোয়ুম কনাগা চিনদা পাওদারমগনু।

ইপানা ইচাগী ফমলেন হেক য়ৌরকক্তিবা ফাওবা ইশাকোনদগী খোয়ুম মগাইফমলেন অমদা খোংশান ইতম লাংতমগনু । ইপা য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফরোই, মসি য়াৱা হায়বদা মপারী শিংখোং তোলোইবা, তোলোংখোম্বা মপারীনা মহাইজৈনা হনগৎচৈএ । ইপন পঙ্গৌনা ইশাই ফমলেন অসিদা হেক য়ৌরকত্রিবা মখৈদি, পারি ওইবা ঐহাক্লা নইগাই ফমলেন অসিদগী খোয়ুম খোংশানবা তৌজরোই। পলেম পঙ্গৌ অনিনা লাকক্ত্রি ফাওবা লেংদনা অসুম লৈজরমগে। পলেম পাঙ্গৌ অনিগী য়াথংতবু নপারীনা হোয়াজরি ।

মপারীগী য়াৱা খোনথোক তাবদা, পলেম পঙ্গৌ ওইরিবা মার থাংমাইহনবা, পলেম মমা ওইরিবী হুমুলৈমা লাইরেম্বী অনিনা পাইমা নুংদা হরাও মথোই কাজরি। মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী নহাক্লা ইপাগী ইগাইফম অসিগী খোয়ুম লৈঙাক পুদুনা মতমলেন খরা লৈরম্মু। ইপাগী য়াথং য়াওনা ইপাগী ইশাইকোন অসিনা কনা অমা চংহনগনু। মদু নোংগী লৈঙাক ওইরম্মু। পলেম পঙ্গৌ ওইরিবা ঐখোয় অসি নপনগী মগাইরেল চৎলুখিগে। য়াৱা অসি হায়রমলগা মার থাংমাইহনবা, মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমগা লোইননা থাংলোইহনবদি লাইনিংথৌ, থাংজিঙ লাংহৈকোন ওইরিবা মগাইফমলেনদা খোয়ুম খোংদোই হুনখে। অসুম অসুম লাংকপা লাংদাইকোনগী লাংহৈরেন,লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিদো,থাংজিং, ইশাইকোন য়ৌরকলে।

থাংজিং কোনগী মগাইরেন, ইতম খোংদি খোংশারোন মাপনমকপু ইতমনা, লাইনিংথৌ লাইরেনবীনা লাকপনা থাংজিং লাইকোন চংলকলে। লাইকোন নুংদি মগাইকোন, লোইবী চীংশা ইরেন পুং, পুংকোই হিরেন খোংবী কোন, মগাইরেনবু য়েংনা লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা লাইকোন নুংদা চংলকপা, লাইকোই লাইয়াম লৈরমলে, লাইয়াম পুন্বনা খংলেনবা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনে। চীংঊবা লাইয়ামনা ওক্তুনা, হুমুলৈমনা পুরকপা হৈরাং লৈরাং কয়াদো লাইয়ামদবু

শিন্নরে। চীংউবা লাইয়াম হৈরাং লৈরাং পাইদুনা নাকনদবু থৌগননা, লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা য়াইদবু খোংদোই হুল্লকপা,ফম্বান য়াইদা ফমদেংনবা, থাংঙা চিংলেন অথোইবা, থাংজিং কোরেন লাইওইবনা মরুপলোই খোংদোই হুল্লকপসু মউজরে লাইনিংথৌনা।

লাংহৈকোন লাংদাইরেন ওইরিবা, খাগী পুংকোই মপুরেন শিদবগী লাংহৈদা, খাগী সুমলেন পুরিবা থাংঙা চীংপু ৱাংওইবা থাংজিং লাইদি মপুরেন্না ফম্বাল য়াইদগী কুমথরক্তুনা খোয়ুম মপিজারোই, চিংখৈরেনদি লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা ওকলরেদো লাইনিংথৌ থাংজিংনা। মার থাংমাইনবা, মশানৌদি হুমুলৈমা অনিবু ফম্বাল লৈকোই য়াইদা পুশিনদুনা সনা ফম্বালদা ফমদেংমীন্নরে । লাইনিংথৌ থাংজিংগী তালোইরেনদি অয়াংলৈমা, সুমলেন নুংদগী খোকলক্তুনা হুমুলৈমাগা ৱাতাই সংদাই মওইনরকলে । অয়াংলৈমনা হুমুলৈমা মতারোইদা ময়েংনা মহাইরকলে । হা খোইবু লাইওইবী ইতাইরোই । চীংখৈ ফিদুপ ঙালোইবী, ইরাং য়াইদা খোংদোইপিরকপদি, অয়াংলৈমা ঐনা পাইমা পেনজৈদা।

খোইয়ুম লাইওইবা লাইনিংথৌগা খোংদোই হুনবীরকপদি, থৌশিন-থৌরাং ওইবদি, করিনবু থৌশুগনি । শিংখুন খরাদি ইরাং য়াইদা লৈথিসি। হৈরং হৈচামীনন্না, লৈরাং-লৈথেৎ তমমীন্নসি, খোয়ুম ওইবগী শিঙ্গারোন লাংদাই পুংকোই ওইমিনসি, খোইনৌরেনদি লাইওইবীও । মসি য়াৱা চিনদানা হোয়ানরে লাইরেনবী । থাংজিং কোরেন লাইদি লাইনিংথৌ, খাগী সুমলেন মপুরেনগা চীংখৈ লাংহৈ কোনগী লাংদাইদা লুমলেন মপুসুওইরিবা মার থাংমাইহনবগা খোয়ুম লাইনিংথৌ অনিনা হরাও লংজিন থাদুনা খোয়ুম লাইঙাকলোন লাংহৈগী লাংদাই মপুং ওইদুনা শংদাইরে, লাইনিংথৌরেনবনা।

অসুম লাংহৈকোন নুমিৎলোই শিংকুম খরানি থাংজিং লাইদি লাইনিংথৌ, চীংখৈ লাইদি মার থাংমাইহবগা অনিনা লাংচি লাংহু লাইতাই শিংদাই ওইরকপনা, হৈরাং হৈচামীনা, লৈরাং লৈচিনমীনা, হরাও পুংকোই তমজনা লাংদাইকোনবু ওইরকলে । লাইনিথৌদি থাংজিংনা মার থাংমাইহনবা লাইনিংথৌবু য়েংলগা মহাইরকলে । লাইনিংথৌগী নপারী মদোম পোকচবা নৱাদো চাওবা শারেপ ফারল্লগনি । খোয়ুম তেংবাংবা ঙল্লগনিদো লাইনিংথৌ । থাংজিং লাইদি লাইনিংথৌগী য়াৱা খোনথোক তাবদা, মার থাংমাইহনবনা, লাইনিংথৌ য়েংলগা মহাইরকলে ঐগী পারী মদোম পোকচবদো হৌজিক্তি চাওরা শারেপ ফারে । খোয়ুম তেংপাংবা ঙমলকলে ।

মরুপলোইদি মার থাংমাইহনবও, মালেম অনেম্বা অসিদা চীংউবা লাইনা খুঙোক মপুং ওইরকলেদো, লাংকোই মপুং ফারকলে। লাইরেম্বা লাইরেনবী কয়াসু কোরৌদগী নোংকুমলক্লে মালেম অনেম্বা। চীংউবা লাইয়নুাম পুম্বসে ইগাই ফমলেন্দা, খোয়ুম ওইবা ঐহাক্না মকৌজনা, খোয়ম ঐগী লাংওন লাংদাইদো পাইমা ঐনা মহৌরগে। নচল ইবেম্মা অয়াংলৈমগা লাংওন মাবু শান্নহল্লগে, পাইমা ঐনা মখল্লকলে ।

কোইরেন লাইদি থাংজিঙগী য়াৰা তাবদা মার থাংমাইহনবনা মহাইরকলে । চীংখৈ অয়াংলৈম মরম থৈরেনদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাসু মরুপ লোইগী লাংওন-লাংদাইদা লাইয়াম পুম্বা লাংদাই পুংকোই ওইগনি। লাংওন-লাংদাই মপুংয়াই, লাইরেম্বা লাইরেনবী থৌখাইরোন, খোয়ুম ওইবা ঐখোয়রেনসু তেংপাংজগে। লাইনিংথৌগী মার থাংমাইহনবগী য়াৰা তাংবদা, চীংউবা থাংজিংনা হরাও মথোই কাজৈনা । অয়াংলৈমা লাইরেম্বীগা হুমলৈমগা অনিনা লাংদাইকোন ওইবসু খোয়ুম লাইয়ামনা থৌগন থৌখাই পুদুনা, হরাও তরাম তমদুনা, খোয়ুম মীনোক তমদুনা, লাংদাকোনবু ওইরকলে ।

কৌব্রু লাইশা

কৌব্রু লালোই :- লৈশেমকোনগী লাংহৈকোন মপুং ওইবা অনেম্বদি মালেমদা চিংউ খুম্বোক লাংওল্লিবা লাইনিংথৌদি অৱাং কৌবরেন লাইনিংথৌনি। চীংউবা খুম্বোক হালোইবা মতিক মঙান অহেনবা, নোংদম খোংলোই হেলোইবদি লাইনিংথৌনে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌবরেনদি লাংদাইকোন ওইরিবদি মপুরেন লাংহৈনি। লৈশেম কোনগী লাংদাই পুংকোইদা ইপুরোইদি শিদবনা, কোরৌ য়াইবী লোককী লাংহৈদা, লাংদাই পুংকোই ওইদুনা অনেম্বা মালেম লৈশেমনবা, লাইনিংথৌ সনামহি নোংকুম লাংদাই ওইখিবা, মপুরেন শিদবনা লাংজিন থানা, মালেম অনেমবগী চুকলেন লাংদাই ওইরিবা অৱাং লাংহৈ-লাংদাইকোনদা মপু শিদবনা ইরিক ইতমদুনা লাইনিংথৌদি শিদবা কৌবরেন কোলোই মীংথৈনা, লাংদাইরেন মপু ওইরিএ।

চকশিংকোনগী লাংহৈনি, শিদবগী অনেম্বা মালেমদা, লৈরাং কয়ানা লৈশাৎ তমবগুম মপুগী লৈকোনদা ইতমজরি। মপুগী য়াংথংলেন কাইদনা খোয়ুম থৌরম-থৌকাংলিবা, অনেম্বা মালেমগী লাইয়ামতি, অৱাং চিংশাং নাচোমলৈ। নুংলোন পীসুম লাংহৈ খোং, চীংসুম লাইজা ইরেনখোং, চীংমাই থেলোং ইতিন খোং, খোংশা লাইসু খোংবী ইরেন খোং, লোকশা ইরেন পুংকোই থেন লোইবী চীংশাং খোইরেন চীং, লাংবা চীংয়া থেন চীং, মীচীং লাইচিং নামি চীং, হিরাং পোংচি ইরেন চীং, থেনলোং লাংবা চীংশাকোন, হুংগ্রি পাওবী লাইচা চীং: মীরেন কোম্বা হিদেন চীং, ইরিক ঙাংলোই তিংলোং চীং, নাপা চিরেন খোইবীরেন চীং, লাই চীংশাকোন মাপননে। ইরেন খোংলি লাইরেন খোং তাইবী ইথিল পুংথেন খোং, লোকশাকোন চারি নিপাননি। খোংসু খোংহিনা খোংদাইখোং মরিফু নিপাননি।

চীংশাংকোনগী লাংহৈদা, লোইবী চীংশাং নাপোম, থেলোং চীংদা লাংহৈ মপুং ওইরীবদি, মপুরেন শিদবগী লৈকোন, লৈকোন লাংহৈ মপুং ওইবনা উপান-উচান উহৈ-লিরেন-উরি, লাফু লারাক থেন, লোইবী চীংশাং নাপোমদা হৈ লৈরাং কয়ানা মপুগী লৈকোন শংজরি। উরি উপান কয়ানা লোইবী চীংগী লৈকোন ওইরি। লাইগী লৈপাক লাইরৈপাক, লোইবী চীংলোন মাপননা মপুগী লাংহৈ মাপননা ইতমনা লৈঙাকলি। চীংলোন মাপননা মপুগী লাংহৈ মাপন ইতমনা লৈঙাকলি। লাইনিংথৌদি শিদবা, অৱাং-কৌবরেন শুপলেন শুমদাই ইহুন মতম্বা, লাংহৈ কোনগী মপুরেন কোকলেনবদি কৌবরেন। সুপনা তাইনা লাংহৈবা লাইয়াম খুন্দা হালোইবনি।

কৌব্রু লালোইহৈরেনদি, লাঙ্গৌই ইতমলেনদা লাংদাইরে। চীংশাংখোং লোইবী চীংমাইথেনদা লাংদাইখরে। অনেম্বা মালেম লাংকোইদা চীংউবা খুঙ্গোক লাংলিবা, লাইনিংথৌদি অৱাং কৌব্রু অসুপ্পনে। অৱাং সুমলেন মপুরেননি। লাংদাইকোনদি মপুরেন লাংহৈনি।

লাইনিংথৌদি অৱাং কৌবরেন ফম্বাল মাপন ফমদেংকোননি, তালোইহৈরেনদি ফম্বাল তরেৎ ফমদেংলিবী লাইওইবীদি কৌনুনি। খোয়ুম লৈঙাকলোন্না মপুগী শিঙ্গাতবু ইনজবী কৌনুরেনদি লাইরেনবীনি। থৌজান হৈবী লাইরেনবীনি। মপুগী লৈকোন লাংহৈকোনদা লাইরেমবা লাইরেনবী অনিনা শরি পনদোম লোমননা, খোয়ুম শরি ঙাকখিবী লাইওইবীদি কৌনুনি। কৌনুরেন লাইওইবীনা মগাই ফমলেনদি কৌনুথেনদগী কৌব্রু চীংমাই থেলোং লৈরাং মাবু হেকলিঙৈ, লাংদাইকোনগী থেলোননি।

কৌব্রুদি লাইনিংথৌগী শারি ৱাশক ঙাকচরিবি কৌনু লাইরেম্বীনা, চীংউ লাইয়ামগা লোইননা কৌনুগিদি মগাইথেন, থেলোং য়াংবা মগাইগা মরান লুহোং তমজখি। লাইনিংথৌগী য়াথংলেনবু হোয়জনা ইনজকি। মরান লুহোং হৈনা তুংইন্না কৌব্রু লাইনিংথৌগী মগাই সেলোইদা খোয়ুম য়াথোং তমদুনা, লাইরেনবী ফম্বাল ফংজখি। কৌনুরেনবী লাইওইবীনা মপুরেন শিদবীগী লাংদাইকোন লাংওন মপুংয়াই ওইরিবীনি লাইরেনবীনে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগীদি মরম খৈরেনদা লাইনিংথৌ থৌগান লাংলিবা খোয়ুম লাইওইবা লাইপুং থৌরেন মাপনি, লাইপুংথৌ মাপননা ঙাকশেনদুনা, লাংহৈ মপুং ওইরিবা কৌবরেনদি লাইনিংথৌনে। লাইপুং থৌরেন য়াংবা খোয়ুম মাপনগী থৌখাইগী মপুং ওইরিবা, ইবুংঙোগী শিঙ্গাতবু থৌপাংজবা লাইপুংথৌগী থৌখাইনি।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী তালোইহৈরেনদি কৌনুনা ওইগী ফম্বাল লাংদুনা লাইরেনবী থৌরম থৌদা থৌকাং মপুং ওইরিএ। ফম্বাললোনদি তরেৎতা ফমদেংদুনা খোইবু লাইরেনবী লাই নুৱাবী তরেৎনা থৌগনখিবা লাইওইবীনে। হিব্রু য়াইবু লাংদাইবী, থৌজান হৈবীদি লাইরেনবিনি। কৌনুরেনদি লাইওইবীনা লাংদাইকোন ওইরকপা, অৱাং কৌব্রু মরমখৈদা, মপুরেন শিদবগী লৈশেম কোন অৱাং চুখোং লাংহৈকোননি। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিগী খোয়ুম থৌসুরেন য়তাইরিবা, লাইওইবা থৌখাইরেন পুরিবদি লাইয়ামনি। কৌব্রু লাইলোই-শিংলোই, থৌপুরোই থৌপাংলোই, হিংপুরোই, লংপুরোই, চীংউবা লাইয়াম শরোই লালোই হুমফুমরিনা মপু ইবুংঙো অৱাং কৌব্রুগী থৌদাতবু ঙাইজরি।

অৱাং কৌব্রুগী মগাইথেন লোইবী লোকশা নাপোমথেন, চীংশারোন মাপন মরমখৈ, লোক তাই কয়াদা, শিনবা থুংনা লাইয়াম মপুগী শিন্থা ওইববু থৌপাংজরি লাইয়ামনা। চীংউবা লাইয়াম পুন্বা ৱাতাই-শংদাই মওইনৈ। লাইয়ামশিং থৌদারেনদি, মপু ওইরিবা লাইনিংথৌদি অৱাং কৌব্রুনা ৱারেপপি। ৱারেপনবা লাংহৈদা লাইয়াম পুন্বাসু হোয়াদুনা মপুগী শিন্থাবু পাংজরিবা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী শারোই লালোই লাইয়ামশিংনি।

মালেম লৈশেমকোনগী লাংদাইরেনদা অৱাং মরম খৈরেনগী খোয়ুম চুকতাইরেন সুমলেনববু লাংহৈরিবা, খোয়ুম মপুরেন অৱাং কৌব্রু অসুপনি। লাইনিংথৌগী মগাইরেন, লোইবী চীংশাং নাপোম থেন, লোকশা খোংদি খোংশারেন, উরা উজাও উপান থেন, হৈরাং-লৈরাং নিংথিজবনা চীংমাইথেননি। লোইবী লোকশা নাপোমথেন ইরিক খোলাও য়াংবী-থেননি। মপুরেন শিদবনা লাংহৈ লাংদাইরেন ওইখিবা অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোনদা অচৎ চন্তা জিবা কয়া পুথোকপীরে। কোরৌ থক্তা চাকতাবা, কোরৌ থক্তা য়াইহিপা, উপান থক্তা য়াতাবা, পোম্বী চেক্লা কয়া মপুরেন শিদবনা পুথোকপীরে। মপুরেন্না চেকলগী মখল কয়া অমা মালেম অনেমবদা চাক্তাবা, চীংনুং মানুংদা য়াহিপা, উপান হৈরাং মহৈ কয়া চাদুনা হিংজবা জিবা কয়া মপুথোকলে। অনেম্বা মালেমগী লাইজা ঈশিংদা চাক্তবা জিবা কয়া অমাসু মপুথোকলে। জিবশিংনা মানা মানা হিংজনবা মালেমগী মফম কয়াদা খুন্থোক তমজরি। মাগী মাগী জাৎ, মাগী মাগী শাজৎ, মাগী মাগী চাকচা য়াহিপ অমতা মানদবা জীবা লক্ষা কয়ানি। মপুরেন শিদবনা অনেম্বা মালেমদা পুথোকপীরে।

মালেম অনেম্বগী লাংহৈ পুংকোইদা লৈরিবা জীবা কয়ানা মাগী মাগী শাজৎ লিচৎ কয়া, চিঞ্জাক অমতা তিননদনা অনেম্বা মালেম অসিদা পুন্না লৈরি। লৈরিবা জিবশিং অসিনা মালেম অনেম্বা মফম কয়াদা মানা মানা হৈনজবা চিঞ্জাক কয়া অমা চাদুনা হিংলি। অৱাং কৌবরেন লোইবী চিংশাংলেনদা লৈরিবা তেংপানবা ইবুংঙোনা পুথোকপীরিবা অচৎ-চৎতা জিবা কয়া মশিং লাংঙমদনা লৈরি। লৈরিবা জিবশিং অসি মালেমগী মফম কয়াদসু অদুমক চাদা নাওদাদুনা লৈনরি। অসিতসু নৎতনা মখোং মরি পানবা শাগী জাৎ মখল মথেল কয়া অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক্লি। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী খোয়ুম লালোই-শিংলেন ওইরিবা, শিংকুম লালোই হনবনি। শিংকুম লালোই হনবা লাইওইদি লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী অচানবা, খোয়ুম লৈঙাক মপুরেনগী থৌকাং তেংপাং হালোইবনি।

নোংমা কোরৌ হেলোইরেনদা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা লালোই শিংলেন হালোইববু মকৌরবদা হালোইবনাকৌব্রু মগাইফমদা লাক্কুনা, লাইনিংথৌদা কোকনোনজরে হালোইবদি

লালোইনা। খোয়ুম লালোইহনববু য়েংলগা লাইনিংথৌনা মহাইরকলে। লালোইহনবা খোয়ুমও, খোয়ুম লাইয়াম লক্তা থৌকাংবসে, কৌবরেন ঐগী ইশাইকোন, লোইবী চীংশাং ফাংলোইবা, লোইবী চীংলোন মাপনগী খোয়ুম পনঙাকলোল ওইবসে, চীংশাংকোন লানন্দা থৌখাই নিত্রনা। লালোই হনবা লাইওইবনা লাইনিংথৌদা হনগৎচরে। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্তি মপুরেন ওইবা লাইনিংথৌগী থৌগনবা মওইবনা, লোইবী চীংশাংলোন মাপন অনিনা খোয়ুম লৈঙাক ওইজগে। মপোক মপোক খুদিংদা ইবুংঙোগী থৌগল ফংজগে, মসিতবু লাইনিংথৌনা থৌজান ইরিক নোংতথীয়ু। মসি য়াৰা হায়দুনা কোকনোঞ্জেনা, লালোইহনবা খোয়ুমনা।

লালোইহনবগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মহাইরকলে। খোয়ুম লালোই হনবাও, খোয়ুম ওইবা নহাককী লাংওন-লাংদাই খুদিংদা, লাইনিংথৌ ঐগী থৌগন ওইজগে মহাইরবনিনা, লালোইহনবা খোয়ুম শাগী লাংওন লাংদাইরো, নংহাক শাদম-তকলগে, মহাইরকলে লাইনিংথৌনা। লাইনিংথৌগী য়াৰা তাবদা লালোইহনবা খোয়ুমসু হোয়াজরে। লাইনিংথৌ কৌব্রুগী থৌজানদগী লালোইহনবা খোয়ুমনা কৌব্রু লাইসা, শামু অঙৌবা ওনদুনা লাইনিংথৌ থৌগনজরকলে।

অনেম্বাদি মালেমনি, লৈশেমকোনগী লাংদাইদা অৰাং মরম খৈরেনগী লোইবীগী চিংশাং মপননা লাংদাইকোনবু ওইরিবা, কৌবরেনদি লাইনিংথৌগী খোয়ুম লৈঙাক পুংকোইনি। মপুরেনগী লোইবীনি খোয়ুম লাইয়ামগী খুনথোক ফমলেন চিংকোইনি। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী থৌজান ইরিক ফংজরবা, খোয়ুম শাদম লাংওনবা, লাওইবদি শামু ঙৌরেনবনি। মতিক ময়াই লৈরবা খোয়ুম লালোই হালোইবনা শাওনখিবা শামু অঙৌবনে। মপুরেন ওইরিবা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পগী মগাইরেন, লোইবী চীংশা লাপোম কয়া, চীংশাংলেন মাপনবু মপুগী শিঙ্থা ওইদুনা, শা ওইবা লাইশনা ঙাকলিবদি কৌবরেন মরমখৈরেন্নি। মতিক ময়াই হেলোইবা, থৌজান হৈবা পনঙাকপা শাদমলেনদি শামুনি।

শামু য়াইসা ঙৌরেনবা লোইবী চীংগী লোক তাই কয়াদা, কোইনা চত্তুনা মপুগী থৌরম থৌখাইবু মপাংজরি শাওইবনা। শা ওইবদি শামু য়াইসা অঙৌবনা লোইবী চীংলোন মাপনদা হুইরেন লাওং, শাদম শাওং, খুদম কয়া পীবা ঙমনবা লাইওইবা শাদি শামু য়াইসা অঙৌবনে। কোইনা কোইনা চৎতুনা মপুগী থৌগন ফংজরিবা লাইওইবদি শামুনি। নোংমরেন কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোইদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মশাইকোনদা খোয়ুম লৈঙাক তেংপাংলিবা শামু অঙৌববু মকৌএ। কৌব্রু লাইশা শামু অঙৌবনা লাইনিংথৌ মগাইফমদা লাকতুনা, লাইনিংথৌবু

থৌগনলরে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা শামু লাইসাবু য়েংলগা মহাইরকই। তারো শামু লাইশা অঙৌবা, নতিক নয়াই হেলোইবও নংবু ঐনা কৌবদি, খোয়ুম শাওইবা নঙোন্দা য়াৱা অমা হায়গে হায়বগীদমক কৌবনে।

লাইনিংথৌগী শামু য়াইসা অঙৌবনা মপু ওইরিবা অৱাং কৌব্রুগী ফম্বাল থক্তা চংদুনা কোকনোনজদুনা লাইওইবনা মহাইরকলে। মপুরেন ওইবনা খোয়ুম শাদম্বা ঐহাকপু কৌববু করি য়াৱা তাকপীগদবা লৈবগে হায়না লাইসান হায়জরকলে। শামু লাইশা অঙৌববু য়েংলগা হাইরকই। খোয়ুম ওইবা শামু লাইশা ঙৌরেনবাও, খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী লাংদাইকোনদা লাংহৈনবগী, কৌবরেন ঐহাক্কা খোয়ুম লাইওইবা শামু লাইশা নংহাকপু মারজিং কোনদা খোংদোই হুল্লুসি। করি নোংগী য়াৱানো মহাইরবদা, লাইনিংথৌ মারজিংগী মপারি তোলোংখোমবা, খোয়ুম মতি ময়াইরেনতবু য়েংলুসি।

মাগী মতিক ময়াই, খংনবগী থৌওংদি, ঐগীদমক লাইওইবা নংহাক্কা মারজিং কোনদা চেনশিনগদবনি, লাইনিংথৌ ঐনা তিমেন তা পাইদুনা শা ওইবা নং হাৎনবা তানগনি। তানবা পুংফমলেন অদুদা, খোয়ুম শাদম্বা শামু লাইশা ঙৌবা নহাকনা, হায়ফম তৌফম খংদনা নশা হিংজবা চেনবদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবগী মগাইফমলেনদা চেনশিনগনি। মতমলেন অদুদা মারগী মপারী তোলোংখোম্বা, শা ফাবা য়াদে হায়না ঐখোয় অনি লাইশা নংগী মরমদা খোয়ুম খুথোকনরকনি। মসি থৌওং ইনবা খোয়ুম শাদমবা শামু লাইশা অঙৌবা, নহাক্কী থৌরাং তৌজরো।

তোলোংখোম্বা লানথেংলোন

অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোনদা অৱাং মরম খৈরেনদা লাংদাই মপুরেন ওইরিবদি লাইনিংথৌ অৱাং কৌবরেননি। অৱাং কৌবরেন অসুপ্পদি লাইনিংথৌনা, খোয়ুম লাইওইবা শামু লাইশা ঙৌরেনববু খোয়ুম শিঙ্গা পীরগে মহাইনা মকৌরবদা, লাইনিংথৌগী লাইশারেনদী শামু ঙৌরেনবু খোংদোই হুল্লকলে। কৌব্রু লাইশা অঙৌবনা, মপুরেন লাইনিংথৌগী য়াথংবু হোয়াজদুনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংজরগে মহাইরকলে।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা শামু লাইসাবু য়েংলগা মহাইরকলে। ঙসিরেন কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোই অসিদা লাইনিংথৌ মার থংমাইহনবগী মগাইফমদা শামু য়াইশা ঙৌরেনবা নংহাক্লা চেনশিনগদবনি। নংগী তুংদানবদা খোইয়ুম ঐহাক্লা শাদম্বা নংহাকপু ঐনা তানগনি। থৌশিন থৌদা পাংলসি, মসি মহাইদুনা মপু মনাই অনিমক হোয়ানরে। অৱাং কৌব্রু মরমখৈদা।

হোয়ানখিবা থৌদারোন খোয়ুম শিঙ্গা পাংলগে মহাইরকলদুনা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা খোয়ুম চরৈফী ফীদোংন্দুনা ফীশেৎ লাংহৈ ওইদুনা, খুৎতা তামেন পাইদুনা, অৱাং কৌবরেন চীংদগী খোয়ুম লাইনা লাংওনবা শামু লাইশা অঙৌববু তান্নরকলে লাইনিংথৌনা। শামু লাইশা ঙৌরেনবনা মতিং থোকনা চেনথরকপনা নারক শিংলম, মংশোং কয়াদা শাদম্বা শামু অঙৌবনা, ৱাংলবা লোইবী চিংশাংদগী চেনথরকলিনা শামুনা।

শামুনা অৱাংবা চিংদগী মশা কনজনবা হোংনদুনা অসুম অসুম চেনথরকপনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী লাইকোন তান্না চেনশিলকলে। লাইনিংথৌ লাইকোন পুংদা চেনশিনখরো। শামু লাইশা অঙৌববু ফানবা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা তিমেন তা পাইদুনা, চীংখৈ মরম খৈরেন মার থাংমাইহনবগী চাইগোননুংদা, চেনশিনখিবা শামুবু ফাননবা হোৎনরকলে। শামুনা চেন চেনদুনা কনবীনবা লৈবদু, মার থাংমাইহনবগী মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বনা উরকলে।

শামু লাইশা অঙৌবনা চেল্লকপা মাইকৈ য়েংদুনা তোলোংখোম্বা অথৌবনা শামুবু ঙাইদুনা লৈরকলে। শামুনা খংহৌদনা তোলোংখোম্বনা লৈবা মাইকৈদা চেনশিলক্কুনা কনবীয়ু হায়বগী মতাগুম মগাইফমলেনদা শামুনা লেপতুনা লৈখরে। মদু উবদা তোলোংখোম্বানা শামুবু কলগে হায়না খল্লকলে। শামু লাইশাবু ফাগদবগী তান্নরকলিবা লাইওইববু য়েংলগা মহাইরকলে তোলোংখোম্বা অথৌবনা।

ঙাইবীথো থোয়ুম পাঙ্গনবা, থোয়ুম লাইওইবা-ও। তান্নবীরকলিবা শামু য়াইশা অঙৌবসে, ঐগী শাইগোনদুদা, মহাককী থৱাই কনবীয়ু হায়না চেনশিনলক্লবনি। শা অসি তোলোংখোম্বা ঐহাক্লা মহাক্কী য়াইবী থৱাই কনজবা তারে। হৌজিক্তি শামুদি থোয়ুম লাইওইবনা কাবা য়াররোই, মহাক্কী য়াইবী ঐহাক্লা কলগনি।

মারজিং কোনাদি কোনকারেন, থোয়ুম ওইবগী লাইকোননুংদা কনবীয়ু হায়বগী মতাঙ্গুম চেনশিলক্লিবা শামুবু তোলোংখোম্বনা থোয়ুম শনঙাকলোনা ঙাক্লুনা কনগ্রবদা, লাওইবা শামু ঙৌরেনবসু মগাইরেনদা লোৎতুনা লৈখরে। তোলোংখোম্বানা ঙাক্লুনা লৈয়বা শামু অদুবু কাননবা তানরকলিবা লাইনিংথৌদি অৱাং কৌব্রুসু তোলোংখোম্বা লৈবা মগাইরেন য়ৌরকলে। অথৌবদি তোলোংখোম্বগা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগা মায়োকনরকলে। থোয়ুম অনিনা মায়োকনরকলবদা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা হায়রকই। থোয়ুম ওইবা অথৌবা নংহাক্লা ঐহাক্লা ফাগে হায়দুনা তান্নরকলিবা শামু লাইশা অঙৌবা নংগী নগাইফমদা চেনশিনখরে। মহাক অসি ঐহাক্লা তানজরকপা শানি। শা অসি ঐহাক্লা ফাদবা য়াদবনি। শা অসি ঐহাক ফাগে, ঐগী লম্বেল থিংলিবদু নংহাক্লা থাদোকউ। য়াৱা অসি মহাইরকলে, লাইনিংথৌদি অৱাং কৌব্রুনা। অথৌবা তোলোংখোম্বা, মপন থৌরেনবা লাইওইবদি অৱাং কৌব্রুনি হায়বা খংখিদে, লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মাইথোং মক লামদনা, চরৈ ফীনা খদাংচেৎ লোন লাকশিল্লা, তিমেন তা পাইনা, তোলোংখোম্বা মমাংদা লেপলরবদা, থোয়ুম ঙাকচান্ননা মহাইরকলে।

তোলোংখোম্বানা মহাইরকলে, ইপন পজৌ মগাইরেনদা কনবীয়ু হায়না চংজরকলবা শা অসি থোয়ুম কনানা কাবা য়ারোই। মহাক্কী য়াইবী কনবীবনা থোয়ুম ঐগী থৌপাংনি। কনবীয়ু হায়না চংজরকলবা জিববু কনবীবা ঐগী থৌপাং থৌরমনি। থৌরম থৌকাং পাংবনা থোয়ুম ঐগী শিল্লানি। তোলোংখোম্বগী য়াৱা তাবদা, লাইনিংথৌ শকলোংপা অৱাং কৌব্রু অসুক্লনা মহাইরকলে। নগাইকোন চংখিবা ঐগী শাবু লাইওইববু ঐনা কাবদা থোয়ুম ঐগী থৌদাংনি। ঐগী লাংদাইকোনদগী তানরকপা শামুবু ঐনা মাবু কাদনা থোয়ুম কনানা ফাগনি। ঐগী লাংকৌইরেনদি লাংদাই পুংকোই ওইবসু ঐগী লাংহে মপুংয়াইনি। ঐগী শিল্লা ওইববু ঐনা শিল্লা পাংজবা, থোয়ুম লাইগী থৌখাইনি। খংদ্রবরনে অথৌবা, য়াৱা অসি মহাইরকলে, লাইনিংথৌদি শকলোংপা অৱাং কৌব্রু অসুক্লনা।

থোয়ুম ওইবগী য়াল্লা থোনথোক তাবদা, মহাইরকলে, তোলোংখোম্বাদি অথৌবনা। ঐগী মীগী নাইদনা কনবীয়ু হায়না ইগাইফমদা চংজরকপা জীববু কনবদি থোয়ুম ঐখোয়গী থৌদাংনি। জীবা কয়াবু নুংশিবীবা, থৌজাল মীয়েং য়েংবীবা, অচাল মীরাই নাইদবা, অরান অশুই চংতবা, অউবা অঙম্বা, মীনাইবা লীচংলোন, লাংদাইদা থোয়ুম ঐখোয়গী লিচংনি। মপুরেনগী শিল্লারোল পাংজবতনা

ইসিনজা ওইজরিবা খোয়ুম লাইওইবা তোলোংখোম্বনি। ঐহাক্না হনা হনা হায়জৈ। হায়বীয়ু খোয়ুম মীনময়, খোয়ুম লৌথিবনি খংবীগনু, শা য়াইশা অঙৌবা অসিদি ইপনগী মগাইদা চংলকলবনিনা খোয়ুম লাইওইবদা শিন্নজবা ঙমজরোইএ।

তোলোংখোম্বগী য়াৱা খোনথোক তাবদা, মহাইরকলে লাইনিংথৌনা। শাগী মপু খংদনা ঐগী ওইরিবা শামু অঙৌববু নংগী নগাইফমলেনদা চংথি হায়বগী নংহাককী শাওইরবনি হায়বা য়াৱাসি মহেনবা য়াৱা ওইগনি। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী লাঙ্গোইনুংগী শানে। অতৈ অমা হাইররোই, তোলোংখোম্বা নগাইদা চংখ্রিবা শা অসিদা ঐহাকনা মহাকপু ফারগা ইগাইফমলেন পুজখ্রগে। শা অসি ঐহাক্না ফাদুনা হেক পুদ্রিবমথৈ, খোয়ুম ওইবা ঐহাকসে, ইগাইফমদা হললরোই। মসি য়াৱা হায়বদি অতৈ য়াৱাগী নৎতেএ। তোলোংখোম্বা নংহাক্কী নগাইফমলেনদা চংখিবগী য়াৱা অসি হায়বনি। মদু নোংবু নৎত্রবদি য়াৱা অসি ঐনা করি নুংদা হায়ফরোই। ঐগী শা শামু অঙৌবা পুজাখ্রগে।

তোলোংখোম্বানা মহাইরকলে, শাতানবা খোয়ুমবু য়েংলগা, হননা হননা মহাইরেনা। নহাকনা তানরকপা শা ওইরবসু ঐহাক্না মহাক্কী থৱাই কনগনি হাইখরে। চংজরকলিবা শা অসিদি ঐহাক্না শাতানবা নংগী নখুৎতা শিনবা ঙমলোই। তোলোংখোম্বা ঐহাক্কী য়াৱানি, খোয়ুম অরেপ্পা য়াৱানি। য়াৱা অসি ইন্নবনা শাদানবা নংগীসু তোলোংখোম্বা ঐগীসু অফবা ওইগনি। ইপন পঙ্খৌ মগাইরেন অসিদগী শাদানবা নংগী শাসি থমলগা নগাইফমলেনদা হনখরো, ঐগী য়াৱাশি ইননরসি। তোলোংখোম্বগী য়াৱা মপাও তাবদা, শাদানবা খোয়ুম ওইবনা তোইনা অমুকসু মহাইরে। মদু য়াৱা খোনথোকতি খোইয়ুম ওইবগী লিচৎলোন নৎতে। অথৌবগী থৌকাং ওইফরোই। য়াৱা অদু তাইওননরে। নংহাক্কী থৌওংসু নৎতবা ঐগী থৌশিনকোন শাদম্বাবু নংগী ওইগে হায়বদি হাইমনবা থোকইদা অথৌবা।

তোলোংখোম্বা মহাইরকলে শাতানববু য়েংলগা। খোয়ুম ওইবা শাতানপও, নহাককী শামু অঙৌবসে ঐনা মাবু পাম্বা ৱাফম য়াৱা নৎতেএ। ইপন পঙ্খৌগী মশাইকোনদা শামু মাবু নৎতনা অতোপ্পা জীবা কয়া চংজরকপা, জীবা পুম্বাবু কনবীবা হায়বসি মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বা ঐগী থৌদানি। খোয়ুম ওইবা ঐগী থৌদারোন, ঐনা পাংজবা ঐগী শিঙ্খানি। শিঙ্খা মাবু পাংদ্রবদি, খোয়ুমগী লিকলম কাইগনি। লিকলম মাবু কাইফরোই। মপুগী লেংদ্রবা শিঙ্খানি। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্না হায়জরিবা য়াৱা অসিনা অরোইবগী য়াৱানি। য়াৱাসিনা কাইদনা চৎনবনা খোয়ুম লিচৎ ওইগনি।

তোলোংখোম্বা, হকচিনলবা য়াৰা খোনথোক তাবদা শাতানবনা মহাইরকলে। খোয়ুম ওইবা নহাক্কী করি নতিক নয়াই লৈদুনা ঐনা তানজরকপা শাবু নংনা নগাইফমদা নখুৎ চল্লে হায়দুনা নহাকী শামু ওইরগে হায়বদি, খোয়ুম নতিক ওইরোই, অপাম্বতো হায়য়ু। শাদি ঐনা পুদবা ঙম্লোই য়াৰা অসি য়ানসি অথৌবদি তোলোংখোম্বাদা হায়রকলে। অথৌবনা শাতানববু য়েংলগা অশাও পরৈনদুনা য়াৰা অদুম্না মহাইরে। করি অমতা পামজদে, ঐনা পামজবা হায়ববু শা অসিনি। শা অসি ঐগিনি। ঐগী মরমথৈদা চাক্তাজবা শামু অঙৌববু ফাগদবা খোয়ুম কনাগী মতিক ময়াইনা ঙমগদগে। শাদানবনা মহাইরে। অথোই নাপন কাংগনু, অথৌববু নংনি খনবদি মদু য়াৰা হেনমনগনি।

হৌজিক্তি তোলোংখোম্বা নংহাক্লা শাদানবা ঐগী শামু পীয়ু য়াদ্রবনিনা, খোইয়ুম ওইবা নংহাক্কা শাদানবা ঐগা খোয়ুম অনি মায়োক্লা, চেনফদ্রাবা লানথেংলোন পাংথোকলসি। করিগুম্বা তোলোংখোম্বা নংহাক্লা ঙম্বা মতাং থোকলবদি ঐগী শামু লৌজহৌ। খোয়ুম ওইবা শাদানবা ঐনা ঙম্বা থোকলবদি, নগাইফমদা লৈরিবা ঐগী শামু লাইশাদো,ফ াদুনবু ইগাইফমদা পুজখিগে। চীংউবা খোয়ুম কনাগী তেংপাং করি য়াওনদা, খোইয়ুম মায়োকনবা লাঙ্থেংলোন পানসি। শাদানবগী য়াৰা তাবদা তোলোংখোম্বনা মহাইরকলে। খোয়ুম ওইবা শাদানবা খোয়ুম অনিনা চাইনদুনা অঙম্বা অমনা শাগী মপু ওইবা হায়বসিদি মায়োকনবা লাঙ্থেংনি। লাঙ্থেং মাবু পাংনবা থৌকাংলসি শাদানব-ও ।।

শাদানবনা মহাইরকলে, অথৌববু য়েংলগা, খোয়ুম ওইবা ঐখোয় অনিনা লানথেংলোন পাংথোক্কদবা মফমদি, নগাইরেনসু নত্তবা, ইগাইরেনসু ওইদবা মফম অমা খনদুনা খোয়ুম শারি কাইদনা থৌকাং ৰাবু থৌপাংলসি। পাংগদবা মফমদো, মার থাংমাইলমগী অরোইবা লমদাইচীং, লাইনিংথৌ কৌবরেনগী মগাইফমলেন অৰাং মরম খৈরেন্না, মারগী হনবগী মগাইফ মলেন ময়ৌদ্রিবা খোয়ুম অনিগী লাংদাইকোন ওইরিবা চীংমাই থেলোং পোংকোইরেন অসিদা লাঙ্থেং থৌকাং পাংলসি। খোয়ুম থৌজান লৈবা অমনা শাগী মপু ওইরসনু হায়দুনা, খোয়ুম অনিগী লাংদাইকোন, চীংপুং থেনদা কাখৎতুনা লানথেংননবা মায়োকনবা লালোং সেম শাদুনা লোইরকলে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী অমতা পোকচবা মপারী তোলোংখোম্বা, অথৌবা শাদানবদি লাইওইবগা অনিমক লোইবী চীংগী চীংদোনদা, থেলোং য়াৰা মগাইদা লাঙ্থেংননবগী থৌরম পুম্বা লাংবা লোইখরে।

খোয়ুম অনিনা চেনশিননদুনা, খোয়ুম শাথেং লাথেং পাংলকলে। অকিবগী মশকনি, খোয়ুমগী মায়োকনবা লাঙ্থেংদা, মানা মানা ঙাম্বা থৌনা থৌজান কয়াগী মতিক মগুন য়েংনরকনা অঙম্বা থৌনা লিংজেন কয়া পুথোকনদুনা, মশাদা করি অমত্তা খুৎলাই ঙাকথোকচবা য়াওদনা থেংনরিবা খোয়ুম লাইগী লাঙ্থেংনি। লাঙ্থেং অদুদা অমনা অমাবু হনবা লৈতে, অমনা অমবু মাইথিবা পীনবা

থৌকাংনা খোয়ুম শিস্থা ওইরি। অঙকপগী মতৌলি। অমনা অমবু ঙমবা লৈতে, অমবু অমবু মাইথিবা পীবা ঙমদে, থককী লালোং শিজিন্নে, থাগী লাম্বেং পাংথোকনৈ, অঙম্বা লাইগী লালোং শিজিন্নরকপনা, মতিক মথৌনা খোয়ুম তরাগী থৌজন্না ইরিক ফংগ্নবা তোলোংখোম্বা হনবা কৌবা লৈখিদ্রে। শাদানবা লাইওবদি মতিক মথৌনা মপুগী লাংদাই ওইরিবা কৌব্রুনা, তোলোথোম্বাবু উহল্লরোই থল্লদুনা কোরৌ থৌদা পাংলকলে। হৌজিক্তো লৈরমবা, অমুক চিকমাং মাংবা হৌরকলে। তোলোংথোম্ববু চৈথেং পীবা হৌরকলে। অথৌবনদি শাদানবা উবা ফংখিদ্রে, শাদানবনদি অথৌববু অদুমক উবা ফংলি।

কৌবা ইঙেন মীমহি থেনদা খোয়ুম অনিনা লাম্বেংনরকপা অনেম্বা মালেমগী লৈকোই পুংলেনদি নগাইফমলেন, কৌবা মারগী লাংদাইরেননি। লাংদাইরেন ওইরিবা মফমদা মার থাংমাইহনবগী মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বা অথৌবা শাদানবদি লাইওইবা, অকনবা লাম্বেং পাংলকপা লোইবী চীংমাই থেনকোইদা মালেম লাইশানা কোরৌদা লাংদাইরকলে। অমম্বা লাংদাইকোন ওইরকলে। খোয়ুম অনিগী লাম্বেংনবা থৌওংবু কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা মউরকলে। তোলোংখোম্বা অথৌবা মপুরেন কৌবরেনগা অনিগী লাম্বেংনবদি ,করি নুংগী থৌকাংবনো,কোরৌগী লাইয়াম পুম্বা ইনুং তাইরকলে। কোরৌ লাইয়াম্না মহাইরকলে, করি নুংগী নৎতেএ । মপারি ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু মতিক ময়াই হেল্লোইববু মথংগে, থৌজাল ঈরিক খংলগে মহাইপগীদমক তোলোংখোম্বা লাম্বেংলোন তম্বীবনে,মপন পন্থৌ কৌবরেননে।।

কৌব্রু মারজিং শারিকোন

হনবা কৌবা লৈত্রবা তোলোংখোম্বা অথৌবনা, শাদানবা খোয়ুম ওইববু মাইথিবা থৌকাংলকপা, শাদানবা খোয়ুমসু তোলোংখোম্বাবু মাইথিনবা থৌশিলকপা, চীংউবা অনিগী লাংওনদা অঙকপা খোয়ুমগী লানথেংনবা থৌওং মওইরকলে। মপাঙ্গল মথৌনা হনবা কৌবা লৈত্রবা তোলোংখোম্বা অথৌবনি। তোলোংখোম্বা মায়োকনবা লাঙ্থেংলোন মাপনদা, মপনগী শাওং ওইরিবা শাদানবদি খোয়ুমনা লাঙ্থেংলোন তরানিপাল থকওইরকলে। মপারী ওইবা তোলোখোম্বা অৱাবগী মাইথোং উরকলে। মশা পুম্বা হুমাং লৈরিক কাদুনা মালেম অনেম্বাদা অমুক হাইথা, অমুক হৌগৎ তৌদুনা খোয়ুম মাইথোং মকা লামদনা অৱা মৈচাক পাংবদো, উরকলেদো, শাদানবদি খোয়ুমনা। পাইমা নুংদা খলকলে। করি নুংগী মপারী তোলোংখোম্বা লাওং লাঙ্থেংনবা তম্বীরুবনে। খোয়ুম ওইবদি লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু অসুপ্পনা মপারী মতৌ য়েংঙমদ্রে। মপারী ওইবা তোলোংখোম্বদি মপল পঙ্থৌ অৱাং কৌব্রুনি হায়বা য়াৱা মথংদ্রি। হনবা কৌবা লৈথিদ্রে, তোলোংখোম্বা অথৌবনা, হায়দোকখিবা য়াৱাবু খোয়ুম মায়োক তাখিনি, খোয়ুম লাংওন ওইখ্রবসু হনবা কৌবদি লৈখ্ররোই, পাইমা নুংদা খনদুনা, লাঙ্থেংনবা থৌকাংবু পাংজরিনা অথৌবনা।

খোয়ুম লাই ওইবা অনিগী মায়োকনবা লাঙ্থেংলোন হনবা কৌবা লৈতরে। অঙকপগী থৌওংনি চীংউ লাইগী নোংদমদি। মপন পাঙ্থৌ ওইরিবা মার থাংমাইহনবগা মালেম মমা ওইরিবী হুমুলৈমা লাইরেনবীগা অনিনা থাজিংকোনদি লাইকোনলেনদা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা ৱাতাই শাংদাই ওইরিঙৈ, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগা, মশানৌদি লাইওইবী হুমুলৈমগা অনিদা মপারীনা থোকলিবা থৌদোক, চীংউবা খুদম চাংদমলোন পীরকলে। পলেম পঙ্থৌ ওইরীবা অনিদো পাইমা নুংতা চীংনবা পোকলকলে। মপারী ওইবদো করিগবু থোকলগদবা তোইনা পাইমা নুংদা খনজরকলে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা খোয়ুম চীংউ পাওদমনা, ইরাং য়াইদা হন্নবা থৌরাংলমি মহাইরকলে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগা মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমা অনিনা, থাংজিং কোরেন লাই, মশানৌ ওইবী অয়াংলৈমা অনিবু য়েংনা লাইনিংথৌ লাইরেনবীনা মহাইরকলে। পাখৌ থৌরেনবও, ইচন ইবেম্মা অয়াংলৈমা, নগাইফমলেনদা লৈরকপসে লোইদাম থাজা থাওইনরে। ঐখোয় অমুক ইরাংয়াইদা হনৱাইনা থৌরাংলগে। মপারী মদোম লৈহৌবদো, শাইগোন্নুংদা উদবা ঙমদেদো মসি মরম খিবীক লৈবনা ঐখোয় অনি ইরাংয়াইদা হনখিবা তারে হায়না, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মহাইরকলবদা।

লাইনিংথৌ থাংজিকোলনগী লাই অয়াংলৈমা মশানৌনা মহাইরকলে। ফরে অথৌবা পারী মদোম লৈহৌবনিনা চীংউবা কয়াসু পাইনুংদা পোকলবনি, হনৱাইরসি হাইদুনা, লাহনিংথৌ মার থাংমাইহনবগা মশানৌ লাইরেনবী হুমুলৈমাগা অনিবু পাইরেন থোংকান তমনা লাইনিংথৌ থাংজিং মশানৌ লাইরেনবী অয়াংলৈমা অনিনা থিনদোকলকলে। থাংজিং কোনগী মসাইকোনদা থিদোকললগা, লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা লৈহৌরে মার থাংমাইহনবা হুমুলৈমা অনিনা মারজিংকোন তানা খোংদোই হুনখরে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা, হুমুলৈম্মা লাইওইবী অনিনা, মসাইকোন অমনা অসুম অসুম লাকপানা পাইমা পীবুক নুংদা খলকলে, পারী ওইবাবু করিগাবু খোকলকগবা, অসুম খন্না খন্না লাকপনা লাহনিংথৌ মার থাংমাই হনবগী মগাই ফলেন য়ৌশিলকলে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা অসুম অসুম লাকপনা মগাই ফম উরকলবদা, মারজিংকোনগী লাংদাইদগী অৱাং কৌব্রুগী লাংদাইকোন লাংহৈ লাংদাই অনিগী লাংদাই পুংকোই খোয়ুম অনিনা লোইবী চীংউবা চীংয়াংথিক্তা খোয়ুম শাথেংনবা উরকলে। মদু নোংবা উবদা, অঙকপা লাংহৈ লাংদাইকোন ওইরকলে। খোয়ুম কনানবু ওইরিগবা মায়োকনা লাতেং শাথেংনরিবা অনি অসিবু, অসুম অসুম চংশিলক্তুনা, লাহনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা য়েংলকপদা মপারী চীংউ তোলোংখোম্বা মউরকলে।

মপারী চিংখোং তোলোংখোম্বগা খোয়ুম লাই ওইবা অমগা শাথেং লাথেংনবদু অঙকপা থৌদোক অদু উবদা, করি করম্বা লাংহৈ লংদাইনা মখোয় অনিবু কামশিগে, খলকলেদো, মার থাংমাইহনবা মপারীগা খোয়ুম মায়োক য়ারিবা, লাইওইবা খোয়ুম দুগী মনাকতানা চংশিন্দুনা য়েংলকলে। খোয়ুম অনিনা শাথেং লানথেংবা অঙকপা থৌওংদুবু মওইরে। মার থাংমাই হনবগা মশানৌ ওইবী হুমুলৈমা অনিনা কোরৌ মালেম লাংদাই লাইয়াম পুম্বা তাবা, খোয়ুম অনিসু তাংবা হায়দুনা মার থাংমাই হনবানা চীংউবা খোনথোক তমদুনা অখাক অরাওগা লোইনা মহাইরকলে।

মাইনা পুংদি পুংকোইথে, ইরাক ইঙেন চীংমাই থেনদা খোয়ুম মায়োক থাদুনা মতিক ময়াই পুম্বাবু খোয়ুম চামেং পাংলিবা মগাই ফমলেন অদুদা লাংগোইরেন শাদুনা কোইনা লৈন্না চেনদুনা তেমশিংনরিবা, মপারী ওইবা তোলোখোম্বাগা শাথেনা খোয়ুম ওইম লাইওইবা কোয়ুম মীমিং মীতানরকলে। মার থাংমাই হনবনা উরকলেলো, খোয়ুম ওইবা মপুরেনরেন অৱাং কৌব্রু অসুকপা ময়ুমালোহদি অথৌবা, মদু নোংব উবদা, পুক্লিং খোবুম লাংলদনা করিগবু থোকলগা খলকলেদো, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা খোয়ুম খোনজেন থিকলোইনা, মালেম অনেম্বদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বা তান্নবা খোনথোক মাবু লোহননা মহাইরকলে। হা খোয়ুম লাইনিংথৌরেবাও।

চীংউবা নতিক কয়াই অহেনবাৰাং কৌব্রু অসুপা ময়ুমলোইদি খোয়ুমও, করি মতৌ কৌবগে নপারী মৰা অপিখক তোলোংখোম্বা লানখিবা কয়া য়ালরবসু অয়ুগালাইনা ঙাকপিয়ু কোয়ুম মায়োক থান্দনা, লাথেং পরৈ হনবীরে য়াৰা অসি হাইনা তোইনা থোইনা লাওরগা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী য়াৰা খোজেন তাবদা অৰাং কৌব্রু লাহনিংথৌ মপারী তোলোংখোম্বা লাথেং লাও মায়োকনবা লেপতনা, মার থাংমাইহনবা লৈবা মগাই ফমদা চংলতুনা, লাইনিংথৌ অনি মায়োক্নরে, মার হনবা লাইনিংথৌনা মহাইরে, ময়ুপলোই, লাই লাইনিংথৌ রেম্বাও, করি নুংগী মতৌনো নৰাশিংলোই ওইরিবা, ঐগী পারী তোলোখোম্বগা শাথেং মারো ফনদি, ময়ুপলোইগী পেদবা করি লৈবগে, তাকপীয়ুদো লাইনিংথৌ, খুদা মায়োকন ফমদোংলিবা লাইনিংথৌ মার হনবনা মহাইরকলে, অৰাং কৌব্রু অসুপদা, মহাক অসিবু ময়ুমপলোইশি ইচানি হাইবা, ঐদি খংলুদরেদনা, ঐগী ইচা ওইরেদনা, ইচাবু ঐনা লালোং তমবীদনা খোয়ুম কননা লালোং তমগনি। ঐনা ঐগী ইচাদা লালোং তম্বীবদা ময়ুপলোইনসু অশাও ফমলৈ ফদেনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগা অৰাং কৌব্রুগা লাইনিংথৌ অনিনা মায়োক খুদাননা খোয়ুম চিনদা লাংহৈনরকলে।

খোয়বু লাইরেনবী হুমুলৈমানা, লাইনিংথৌ অনিনা চিনদা পানশদা খেলোইরকপবু মতারকলবদা, মহাইরকলে লাইরেনবীনা, নপারী তোলোংখোম্বগী লাংওন লাঙ্গেং তাকপীবদি, লাইনিংথৌনা শিনদোকপীদনা, খোয়ুম কননাবু শিনতালপীগনি। মচা মনাই ওইবাবু শেম্বী শাবিবা হায়বসি মপুরেনগী থৌদানি, ঐগী পারী ওইরবসু, লাহনিংথৌশিংসু নপারীনি। পোকচবনা ঐশিনি, শিনতাকপীকনা মপনশিনি। লাইরেনবীদি হুমুলৈমা য়াৰা মপাও তাবদা, লাহনিংথৌ অনিনা হরাও মথোই কাজখি। খোয়ুম ফমদেং লমলিবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা হৌগৎলকতুনা, মপারী তোলোংখোম্বা য়েংলগা মহাইরকলে।

পারী ইবুংঙো অদোননা তোলোংখোম্বদি পারীও, ইপাগী নাক্তা চংলাউ লাও, ইপা য়াৰা মহাইগে। অসি ৰাদি হায়দুনা মপারীবু মকৌশিলে। মপারী তোলোংখোমবা মপন পঙ্গৌ মার থাংমাইহনবী মগাই ফমদা চংলক্তুনা মপনবু খুরুমজি। ঐবু পোকপা পঙ্গৌও, নপারীদু করি য়াৰা তাকপীগদবা লৈবগে, হায়না কোকনোদনা মহাইরকলে। মপারী শিংকোং ওইরিবা তোলোংখোম্বা য়েংলগা মহাইরকলে, ইপাগী ইবুংঙো তোলোংখোম্বা নপন পঙ্গৌ অৰারকৌবু অসুপদা কোকনোজনা মহাইজরো, নচানা লানখিবা কয়াসু ঙাকপুয়নে অপোকপা অসি য়াৰা হায়দুনা মহাইরকলে। মননী য়াথংবু ইনবী, খোয়ুম লাইওইবা অথৌবা তোলোংখোম্বানা মপন পঙ্গৌ অৰাং কৌব্রুদা কোকনোজনা মহাইরে। নচানা লানখিবা কয়াবু ইপানা ঙাকপীয়ু হায়ননা তোলোংখোম্বানা কৌব্রুদা হায়রকদো, মপারী তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা মহাইরকলে পারী ইবুংঙো অতৌবা ইপননা নঙোন্দা খোয়ুম পুক্নিং থোবনি।

পারী ইবুংঙো তোলোংখোম্বা ইপানা নঙানদা থোয়ম লাইগী মতিক মগুন থৌগল য়েংবনি। ইপনগী শাম ঙৌরেনবাবাদু, নপনলোইদি মার থাংমাই হনবনা লাইনিংথৌ থাজিং কোরেনলাইগী মগাই ফমদা খোনশাখিঙৈদা, নহাককী নশাইকো ওইরিবা ময়ুপলোইগী মগাই ফমদা হোইজিপবসি। নপন পঞ্জৌগী য়াৱা ইনবরা হাইদুনা, ইপনা অদু য়েংবদি। ইচানি পলেম পঞ্জৌগী য়াৱা ইনগদৌরি। থৌনা লিংজেনসু হেনগদৌরি। ইপানা ইচাগী তৌনা লিংজেন থংলে। থৌজান মীৎ য়েংসু মউরে। ইপা পেল্লে। নগাই ফমদা হনজিজদুনা থোয়ুম শিঙ্গা পাংজরুলো পঞ্জৌগা ইপনগা ৱাংলেন মিকুপ থরাদং, ৱাতাই শংদাই ওইবিগে। মসি য়াৱা হায়বদা অৱাং কৌব্রু অসুপনা, ওইরিবদি মপারী তোলোখোম্বা অথৌবনা মপন অল্লাং কৌব্রুবু থরুনমলগা মগাই ফমদা চংখ্রে।

লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনা, অৱাং কৌব্রুবু য়েংলগা হাইরকলে। লাইনিংথৌদি অসুপ্পাও, নপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বাসে ওজোক্লাসু মঙাও থিখরে। করিনবু খোকলগবা লোংদমখোম্বা মপুগী থৌশিননি য়াৱা অসি মহাইনা লাইনিংথৌদি অৱাং কৌব্রু অসুপাদা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা, মায় থাংমাইহনবা লাইনিংথৌবু য়েংলগা য়াৱা অসুয়া মহাইরকলে। হাদা থোয়ুম চান্নরোইও, নহাল নোংগী য়াৱা অমাদি থোয়ুম ওইবা মফমদা নিংজবা তারে। কৌব্রুগী লাইৱা তাবদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মহাইরকলে। লাইনিংথৌ অসুপনা,থাংমাই ঐগী ইফমদগী নিবীদ্রবসু অপাম্বাদা হাইবীয়ু। থোয়ুম মপুরেন থাংবা ওইরসানু ঐনা শারি ৱাশনা মহাইজরি, থোয়ুম তেংবাংলোন ওইরে পাংজবা, পীহৈবা ওইরে পীজগে,য়াৱা অসি হায়দুনা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা হনগৎলকলে, মার থাংমাইহনবনা লাইতনংথৌ মারগী য়াৱা তাবদা অৱাং কৌব্রু অসুপনা,নুংশিদা থোয়ুম অথৌবও য়াৱা হৈ নপাও তাবদা ঐনা পামজবা হায়বদু লাইনিংথৌগী চাইগোইনুংদা হৈৱাং লাংওনগী লকক্তগী হৌবা হৈ, হেৱাংলকক্তগী মদোম হৌবা হৈ লাইনিংথৌনা নুমিৎ শিং খুদিংগী লৈৱাং মাদোম শাৎপবু হৈৱাং মদোম পানববু য়েংজরিবা হৈৱাং পাম্বী অসি মতমলে থারাদি অৱাং কৌব্রু ঐগী ইগী ইগাইরেন। লোইবী চিশাং নাপোমদা হৈৱাং অসি থাজারুথিগে,হৈৱাং হৈখোং লেমজগে,হৈপাল মাবু ফাজবা হৌকাংজগে হাইববু লাইনিংথৌনা মহাইবীয়ু। মসি মরম, খিবীক লৈবনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইরেনগী মফ মদগী হৈৱাং পাম্বী মাদোম্না লোইবী ঐগী চীংমাই ৯ থাংবদা হাইজরুগে হৈৱাং মপুং ফারকপা, মহৈ মপুং ফারকপদা থোয়ুম অয়াংবা নগাই হৈয়াদং পাম্বী অসি থিনথবা কৌবা লৈতনা, সিজ ইকোন হৈৱাংদো।

কৌব্রু লাংকোইরেন

কৌব্রু শিনতম পুংকোই:– লাইনিংথৌ অৰাং কৌবুগী য়াৰা তাবদা থাংমাইহনবা লাইনিংথৌনা খোয়ূম মোমোন নোকতূনা, মহাইরকলে। মদূ নোংগী য়াৰা মওইরে। লাইনিংথৌনা খোয়ুম মার থাংমাইহনবা ঐগী ইফমদগী নিগে হায়বা য়াৰারেনদি, য়াৰা মদূ ওইরবদি ঙসিমক লাইনিংথৌগী লোইবী চীংশাং নাপোম হৈপূং ফানবা শেমজনা, লাইনিংথৌগী হৈরাং পাম্বী ওইজরো, হৈরাং মানা মপূং মরৈ ফারগা, হৈপান মহৈ চুন্নবা মতমদা মার থাংমাইহনবা ঐগী ইগাইদা হৈরাং মাবু অমুক হৈথিনজরককে। য়াৰা অসি তাবদা লাইনিংথৌ মার ঐনা পেজদবা ঙমদে লাইনিংথৌ।

হৌজিক্তি, লাইনিংথৌনা অপাম্বাদা লাংহৈনরসি মার ঐগী মরমথৈদা হৌরিবা লৈরাং লকতগী মদোম হৌবা হৈরাংদো, খোয়ুম ওইবা লাইনিংথৌ অসুপ্পনা হৈশক মাবূ তাকপীরো, নগাইফমদা থিনজরগে মহাইরকলে, লাইনিংথৌদি আৰাং কৌব্রূ অসুপ্পনা। লাইনিংথৌ অসুপ্পনা পাইমা নুংদা খলকলে। খোয়ূম ওইবা ঐহাক্লা হায়গদবা য়াৰাদি হৈরাং অশেংবা নৎতনা,থাংমাইহনবা মপুনা হৈরাং নৎতে হাইরকলবদি খোয়ূম মাইখূম্নগদ্রা, পাইমা নূংদা নূংফূংনরিঙৈ, মার থাংমাইহনবা লাইনিংথৌ কৌব্রুবু য়েংলগা মহাইরকলে। হাদা খোয়ুম অসুপও, হৈরাং চারা তাকপীরোদনা খোয়ুম ওইবা ঐঙোন্দা। মারগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ মহাইরে, পাম্মুবা হৈরাংনি। খুন লাইলোই ঐগী হৈরাংসিদি মহাইরকপদা পাইমা ঐনা খনজরিবা।

লাইনিংথৌ মার ঐগী চাইগোইনুংদা হৌবা হৈরাং পাম্বী মদোম হৌবা উপান অপিখকপু, মরুপলোই মসুপ্পদা খোয়ুম ঐনা পীবদা ঐগী ইনিং থৌখাইনি। ঐনবু য়াথ্রাবদি নচন ইবেমা হুমুলৈমসু ময়াফম থোকইনা। তাকপীরোনে লাইনিংথৌ হৈরাং চারা মদোম হৌবদো খোয়ুম ইখুৎমকনা পীজরগে হাইনা ,লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মহাইরক্লবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা, মার থাংমাইহনবাবু য়েংলগা মহাইরকলে। হা খোয়ম অথৌবা-ও, খোয়ুম ওইবগী নগাইফমলেন, লাইকোন নুংদি থাংমাইকোন মদোম হৌবা হৈরাং পাম্বী নিজরাগে লাইনিংথৌ, মসোইদনা পীবীয়ুকো লাইনিংথৌনা হৈরাং হৈশক তাকচরগে, লাইনিংথৌ মারগী চাইগোইনুংদা নুমিৎকুম মশোং কাবা,থাজশুম ঙাল্লিবা, ইচন ইবেম্মা হুমলৈমগী মপারী লাইনিংথৌগী মদোম পোকচবা নপারী শিংখোং ওইবা তোলোংখোম্বা মপারীসে খোয়ুম ওইবা অৰাং কৌব্রু ঐগী চীংশাংকোনদা, হৈরাং মাবু হৈশেম্বীদা হৈপুং মহৈ ফানবা হৈশেমজগে খোয়ুম ওইবী মফমদগী কৌবরেন ঐহাক্লা নিজরি।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী য়াৱা তাবদা লাইনিংথৌ ঐগী পারী মদোম পোকচবা, খোয়ুমলেন অসুপগী মগাইফমলেনদা হৈরাং মপুং ফানবা হৈসেমজগে তাকপীবা,খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী লৈপাক ফবনি। অদু নুংবুনে লাইনিংথৌ,পারী ওইবা তোলোংখোম্বাগী পলেম মমা ওইরিবী হুমুলৈমা, নচনগী য়াৱা মপাও অমতংদি মঙাইখিশি। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী য়াৱা তাবদা অৱাং কৌব্রুসু হোয়ারে। মার থাংমাইহনবগী তালোইরেনদি হুমুলৈমা লাইরেনবীনা, লাইনিংথৌ অনিদা কোক নোজনা মহাইরকলে।

লাইনিংথৌ অৱাং সুপলেনবও, ঐগী পারী তোলোংখোম্বাবু লাইনিংথৌগী নপারী ওইনা খোয়ুম নগাইফমদা ইতম্না,লাঙ্গেং লালোং তমবিনা, পারীবু চারোক নাওরোক মতমবীগে, হায়বা য়াৱা তাকপীবদি, পলেম মমা ওইবী ঐহাক্কী খোয়ুম মাইথোং হেলোইবনি। লাইনিংথৌ চীংখৈরেনগী য়াৱদি কোরৌ মালেম লাংদাইফদে। পারীসু য়োকপী,নাওপী,নাওথোমকোন, লাংহৈবীগে হায়বা য়াৱাদি, খোয়ুম মমারেন ওইদিবী লাইওইবর ঐগী লাইপাক ফবনি। লাইনিংথৌ অনিগী য়াৱাদা, খোয়বু লাইরেনবী ঐহাকসু হোয়াজরে। য়াৱা অসি মহায়ানা লাইনিংথৌদা হৃগৎচরে।

লাইরেনবী হুমুলৈমগী য়াৱা তাবদা, লাইনিংথৌ আৱং কৌব্রুনা মহাইরে। ইচননুবী লাইওইবী নংলেন য়াৱা পাও তাবদা, খোয়ুম মপূলেনবা পাইবা ঐনা খৈরেনজে। পলেম পঙ্গৌ অনিগী হোয়ারেন য়াৱা তাবদি, খোয়ুম ওইবা ঐহাক্না পাইমা খৈনা মনুংঙাইজেদো। হৌজিকতি লাইনিংতৌ লাইরেনবীনা হোয়ারাবনিনা,পারী তোলোংখোম্বা য়াৱা মপাও অমদি মপনগী নাপ্পরেন তাজানিঙিনা লাইনিংথৌ।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী য়াৱা তাবদা মার থাংমাইহনবা,মপারী তোলোংখোম্বাসু মকৌএ। মপারী তোলোংখোম্বনা,মপন পঙ্গৌ অনিবু কোক নোকজরে। ঐবু করি য়াৱা তাকপীগদবা লৈমগে হংজরকলে মপনদা। তোলোংখোম্বা য়েংলগা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মহাইরকলে। পারী ইবুঙো নুংশিবা তোলোংখোম্বগী থৌরেনবও , খোয়ুম ওইবা নহাক ইপনগী মগাইফমজা খরানিদি মগাইফমদা লৈরুসি খোয়ুম শিঙ্গা মতমনা, শিঙ্গা মনা মপুং মরৈ ফারকলবা মতমদা নংবু পোকপা পঙ্গৌগী মগাইফমদা ইপানা অমুক মথিনগে। ইচাগী অপামবা ইপাদা মহাইয়ু । তোলোংখোম্বাদি মপারীনা,খোয়ুম ঙকচন্নবা,হোই হাইশি হাইওমদা,হোয়াদে করম হাইগনি। ঙকচন্নবা লৈরকপা,পাঙ্গৌ মার থাংমাইহনবনা উরকলে ।

মার থাংমাইহনবগী মপারী তোলোংখোম্বানা মহাইরকলে । পাঙ্গৌ ইপাগী য়াৱাদি কোরৌ মলেম তাইফাদবা য়াৱা ওইবনা নপারীসু হোয়াজরে মহাইনা মপন পাঙ্গৌ অনিদা কোক নোনজনা

মহাইরকলে। মপারী তোলোংখোম্বাগী য়াৰা খোনথোক তাবদা মপন পাঙ্গৌ অনিনা হরাও মথোই কারকলে। মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙা তোলোংখোম্বা, হৌজিকতি পারীনসু হোয়ারবনিনা ইয়ুম মোংবা ইরাংয়াইদা খোংদোই হুল্লসি। চরৈ ফীহোং তমজরুরো। মসি য়াৰা হায়বদা, য়াথং মপনগী য়াথং ইন্দুনা তোলোংখোম্বা মপারীনা চরৈ অনৌবা ফিহোংদুনা, পলেম মমা হুমুলৈমা, পঙ্গৌ ওইরবা মার থাংমাইহনববু কোকনোজরে। অথৌবদি তোলোংখোম্বা মাংজিন মাবু মথানা খোয়ুম খোংশান হৌরকলকলে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা তুংদান্ননা, পলেম মমা হুমুগ পঙ্গৌ ওইরিবা মার থাংমাইহনবগা অনিনা, মপা মচা অনিবু থিনদোকরকলে খরাই থোংগান তাননা। খরাই থোংগানদগী মার থাংমাইহনবনা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা মহাইরকলে। পাথৌরেনদি অসুপাও, নপা নচা হনৰাইরে, ঐহাক্তি ইগাফমদা হনজিলগে, মসি য়াৰা হাইদুনা, মার থাংমাই হনবনা মগাইফমদা, মশানৌদি লাইরেনবী হুমুলৈমগা মরাং য়াইদা হনজিনখরে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগা, মপারী তোলোংখোম্বা অনিনা মগাইফমলে, অৰাং কৌব্রুগী মরম খৈরেনদা খোংশানখরে।

মপারীনা মাংদা থা, অসুপনা তুংদানানা মপা মচানা লাকপনা, অৰাং কৌবরেন চীংমাইথেন লোইবী চীংশাং মাপন ফাংবা মরম খৈরেনদা অসুম অসুম লাংহৈনরকলে। লোইবী চীংদি চীংমাইথেল, নিংথিজবা থেলোংচীং, উপান হৈপোননা মরিক চুমনা মপানথেন ওইরিবদি চীংশাংনি। নাপোম লাইবী লোকমাইহেন, শিঙেন লৈরাং থেলোংচীং, কৌবরেন চীংগী চীংমাইনি। খোয়ুম লাইগী লৈসোমকোন ওইরিবদি চীংমাইনি।

মালেম অনেম্বা খুম্নোক তমলিবদি লাইয়াম হালোই লোইবী চীংশাংনি। খোয়ুম মপা মচানা ৰাংলা লোইবী চীংশাদা অসুম অসুম লাকপনা, লোইবী চীংশাং নাপোম কয়া লান্না লাকপনা, চীংলোন অমা পী চীংলোন অমা লান, লোইবী চিংলোন তরেৎতগী লোইবী চীংলোন নিপানশুবা লাঙ্গোরকলে। লোইবী চীংদি ৰাংথোই, অৰাং কৌব্রু ৰাংলেন চীং, লাইয়াম খুম্নোক চীংমাইথেন, মাপনসুবা চীংদোন য়ৌরকলে। লোইবী চিংদি অৰাংবা, লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মগাইফমলেনদা য়ৌরক্লবদা, খোইবু লাইওইবী কৌনু লাইরেনবীনা লাইনিংথৌ অসুপবু মঙাইদুনা লৈরমই। মপা মচা অনিনা লাকপা উরবদা কৌনু লাইরেনবীনা হরাও মোমোনগা লোইননা লাইওইবীদি কৌনু, মপারী মগাইদা চংশিল্লকলে।

মপারী ওইরিবা তোংলোংখোম্বা, কৌনু মমা লাইওইবীনা মগাই ফমলেনদা, পুশিনলকলে। মগাইদা পুশিল্লক্তুনা খোয়ুম ফমদেং মতমহলেন। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা খোয়ুম মগাই

ফমলেমদা ইতমদুনা খোয়ুম ফম্বাল লাংখরে। কৌনুরেনদি লাইওইবীনা মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা য়াৰা অসুমনা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো নংহাকপু ইমাগী মগাইফমদা লৈবসি খোয়ুম শিঙ্খা ওইবদা লাংহৈ মপুং ওইজৌও, হৈরাং হৈচানা, লৈরাং লৈচিন্না চিনদম থেংখোই মপাংজৌও। শিঙ্খা পুংকোই ওইবদি নপনগী থৌকাং ওইসনু । ওইবদি নফনগী থৌকার ওইসনু। লাংহৈ মানা মপুং ওইবদো, খোয়ুম ওইবা নংগী লাংদাইকোনগী লাংহৈ ওইজৌনা, মদু পুম্বা লাংহৈদা লাংদাইকোন মপুং ওইবদো খোয়ুম মপুরেন শিদবা নোংদম্বীবা ওইসনু।

কৌব্রুগী মপারী লাংগোইনুং, তোলোংখোম্বা মপারীনা নাওয়োকলিবী পলেম মমা কৌনুদা কোকনোজনা মহাইরকলে। হাদা পালেম ইমারেন শিদবীদি ইমাবু, ইমানা নচাবু চানবীবা, খোয়ুম মীয়েং য়েংবীবা, নপারীনা কয়াদা পেনজবা। ইমাগী মগাইফম অৰাংবদি চীংপুরোইদা নপারীনা খোয়ুম য়াথোক তমজবদি, পঙ্গৌ ওইবা অসুপগী শিলম শিঙ্খা পাংবদা খোয়ুম তেংপাংজগে মহাইজনা পাইমা ঐনা খল্লিদো। হাদা ইমা পলেমও। অসুম লাংহৈকোনদা অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমদা তোলোংকোম্বা মপারী ওইনা কৌব্রু কৌনু অনিনা নাওয়োকই নাওতমনখ্রে।

অৰাং কৌব্রু অসুপন্না মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু কৌবরেন চীংগী চীংমাইথেন, খোয়ুম লাইগী লাংকোইদা লাংদাই পুংকোই মওইরকলে। মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা মপন পঙ্গৌ অসুপনা য়াৰা অসুম্না মহাইরে। পারী ইবুংঙো নহাক্লা ইপাগী ইগইফমলেনদা লৈবসি, পাইমা খৈনা নুংনাংবরা, করি নুংঙাইতবা লৈবগে, পেনদবা কয়া লৈরবসু ইপাদা অদুক তউদনা মসি ৰাদি মহাইরে লাইনিংথৌদি অৰাং কৌব্রু মপন্না মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বদা, তোলোংখোম্বা মপারীনা, মপন পঙ্গৌ ওইরিবা অৰাং কৌব্রুদা কোকনোজনা মহাইজৈনা। ইপন মগাইদা লৈজবা খোয়ুম ঐগী লাইপক ফবনি।

ইপনগী মগাই ফমলেনদা নপারীনা লৈজবদি খোয়ুম ইনিংতৌদুনা, ইপাগী তেংপাং ওইনা নপারীনা লৈবনি। মালেম অনেম্বাগী লাইয়োমনা, খোয়ুম কলক মিতারেনবু ওইরিবনি। চা,নিংবদা চা হৈরাং চানিং চা, লৈরাং চিনিং চিন, খোয়ুম লাইয়ামলক্তা লংদাই পুংকোই ওইজবা, ইপন মগাইফমগুম্বা করম্বা মফমদ লৈরমখিগদগে। খোয়ুম ওইবা ঐগী লাংকোই মপুং ওইবনি। শিলম শিঙ্খা ওইবসু ইপন মগাই ফমলেনদা লৈজবদগী থৌখাই মাসু খংজরে। লাইয়াম লক্তা তিনবদগী খোয়ুম শাজৎ কাংলোনসু নপারীনা উজরে। অসি খিবিক খংবশে ইপনগী থৌজাল মীয়েংনি।।

লালোই শঙ

মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো তোংলোংখোম্বা, ইপাগী নাক্তা চংলকউ লাও মহাইরক্লবদা, তোলোংখোম্বা মপারী মপন পঙ্গৌ অৰাং কৌব্রুদা কোকনোজনা মহাইরকলে। ইপন পঙ্গৌনা করি য়াৰা তাকপীগদবা মহাইরক্লবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো তোলোংখোম্বা, হৌজিকতি ইপাগী নাক্তা লাংহৈকোন ওইরবনিনা, খোয়ুম শিঙ্গা লাংহৈ পুং ওইববু লাংদাইবা মহৌরসি হায়গে হায়বগী ইপানা নংহাকপু কৌবনে।

মপল পঙ্গৌগী শিঙ্গা য়াৰা তাবদা, মপারী ওইরিবা তোলোংখোম্বানা হঙ্গৎচখি। পঙ্গৌনা তাকপীবা য়াৰা পুন্বা নপারীনা হোয়াজরি। মপারীগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ কৌব্রুনা মহাইরকলে, পারী ঙসি কোরৌ নোংসিদগী, ইপা ইচা লালোই শঙদা কুমজা কয়া লৈরুরসি। পারীগী শিঙ্গা মপুং ওইদ্রি ফাওবদি, ইগাইফমদা হনফরোই। লাইনিংথৌগী য়াৰা তাবদা, মপারীসু হোয়াদুনা, পঙ্গৌ ওইরিবা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা লাই ওইবীদি কৌনুদা, ললোই শঙদা মতম খরা ইচাগা লৈরুখিগে। ইচানা মহৈ মপুং ফারগা, ইরাংয়াই হনলককে। মসি য়াৰাবু কৌনু লাইরেনবীদা হায়রমলগা, তোলোংখোম্বা মপারীগা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগা অনিনা লালোই শংকুমলেনদা খোংদোই ইহুন তমলকলে। মপারীগা মপন পঙ্গৌগা অনিগা অসুম অসুম লাকপনা, লালোই শঙকুমলেন য়ৌরকলে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী লোইবী চিংলোন মাপন পনশাবা মরমখৈনে। অৰাংলেন থংবা চিংশাংকোন, নাপোম হুইদেম শাবা চীং, মীমাই থেলোন য়াংবা চীং, উপান উরোক কোনবা চীং, হুমোইরেনসু খোইরেন চীং, ইতম খোংলোই চীংশাংনি। হুইথরকপা নাপোমদা লাইগী লালোই শঙ, মদোম লৈশাৎ তম্বগুম, লৈজরিবা মপুগী লালোই শঙলেন শঙনি। শঙকুমলেন লালোইশঙদা মপা মচা অনি থুংলরে। মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বানা কোইনা লৈনা লোইবী চীংশাংবু য়েংলকলে। খোয়ুম কনা অমা মফম অদুদা চংহৈদবা লালোই শঙনি। লালোই শঙগী অকোইবদা হৌরিবা মপুগী হৈপান লৈপান কয়া হৈনা মরিক চুমনা পাল্লিবা, লৈরাংনা ফুগাইনা চীংমাইথেন অদুদা শাৎলিবা, মনা মশিং কয়ানা থেলোংনবা চীংমাইগী লৈতেং ওইরিবা, লাইগী য়ুম লাইয়ুমনি লালোই শঙদি শঙকুলেন শঙনি।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মরম খৈরেনদি লোইবী চীংমাই ৱাইথুংলেন ওইরিবদি লালোই শঙদা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্ববু কৌশিনদুনা, খোয়ুম লাইগী খুৎসু খুৎলাই কয়াবু লালোই শঙদগী পুথোকরক্তুনা মপারীদা লাইগী খুৎসুরেন পুম্বা য়েংহনবা হৌরকলে। মপারীবু য়েংলগা লাইনিংথৌনা মহাইরে। পারী ইবুংঙো, খোয়ুম লাই চৈশিংকোন কয়াদগী লৈরকলবা খুৎসু খুৎলাইনি। মতিক ময়াই অহেনবা মপুগী থৌজান ফংখ্রবা, খোয়ুম ঐখোয়গী লৈঙাকলোন খুৎসুনি। লৈরিবা খুৎসু খুৎলাইশিং অসিগী মীংখৈরোন ইপানা সুনা তাকলগে। মাংদা উরিবা থাংওইবা খুৎসু অসিনা, মালেম অসিদা লৈরিবা জিবা কয়াবু লাঙ্গোই চনবা ঙম্বা থাং অসিগী মমাংদা লেপা ঙমদবা থাংনে। থাংগী ময়াইনা থাংলোন নাইনা পিবদি, থাংগী থাংলোন লৈগনি। থাংখোন মানা খাক লাওনা খোনজেন থোকলবদি লাথেংনবা পাও তমবনি। অসুম্না থাংগী থাংমিৎ খংগনি।

থাংগী মচু ওল্লবা, মৈগুম্না শাবা থাংওইরক্লবদি, মাবু ফানা পুনবা ঙমদবা ওইগনি। লাই, জীবা কয়া মমাংদা লেপা মঙমদবা ওইগনি। থাংলেন খুৎশোং হায়বদি থাংগী ময়াই মাংগনি। নুমিৎ থা অননা থাংগী মতোনদা লৈরবদি, নুমিৎ অদুদা লালোং লাম্থেংনবা থাংগী মপুনা থৌজান ফংগনি। থাংগী ময়াদা লাইজা ইরিক তল্লবদি, ইমু ইখেং তানা থাংগী থৌদা পাংলগনি তাকপি। তাংলৌ থেংগুমদা, লালোই শঙদা লৈরিবা থাংনা মখোন থোকলবদি, মালেম অনেম্বা শাপাও-লানপাও কনগনি। মীকপ মীরাও থোক্কনি হায়বা, থাং অসি চীংউ নোংদমখোলেনবা মপু শিদবনা মালেম লৈঙাকলোন পুনবা, কোরৌ লাইরমলেনগী নোংদমবীরকপা, খোয়ুম লাইওইবা ঐখোয়গী থাংনি। থাংশিং অসিগী মতিক ময়াই খংদ্রবদি থাংবু হেক্তা পাইবা য়াবা নৎতেএ।

পরেং পরেং শাদুনা লৈরিবা মথক্তা, খাদা মাইওন তমদুনা লৈরিবা থাংশিং অসিগী কোলোই ইপানা অমতা চিথদনা লোইনা মহাইরগে। থাং অসিদা পারীনা মুন্না মীয়েং তমলোদো। মপারী তোলোংখোম্বনা লালোই শঙগী মনুংদা লৈরিবা থাংশিং পুম্বা মীয়েং তাবা হৌরকলে। মপন পঙ্গৌগী থাংগী কোইলোই হাইরকলে। পারী ইবুংঙো, নাপা চিকনা তারো, মথং মনাও নাইনা ইপানা হারকলগে। থাংওইরেন থাং, লাকোই থাং, হিচিং থাং, হুরেন থাং, লাংসুকোক থাং, ইরাও থাং, পৌশি থাং, লাম্থেংঙা থা, তুমলেন থাং, থৌপোং থাং, লাইনিং থাং, থেলোং থাং, শাকোক য়ারে থাং, নোংতমলেন থাং, লৈশা থাং, খেকলোই থাং, হুংলেন থাং, হায়রিবা থাংশিংসি মতিক ময়াই লৈবা থাংনিদো পারী।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারী তোলোংখোম্বদা থাংগী থাংশক মশিং লাংমঙদনা তাকপীরে। থাং লৌবা থম্বাক য়াসু মপারীদা মহাইরবদা। অমুক হন্না মপারীদা হাইরকলে। পারি ইবুংঙো

নহাক্কী নমাংদা লৈরিবা খোয়ুম লাইগী খুৎসুরেন, তিমেন তাশিংগী মীংথৈরোন সুনা ইপানা হায়গে, নাপা চিক্লা তারোদো। লৈথক লৈখারোনদা লৈরিবা তানিং তাখোক নাইনা লৈরিবা তাশিং অসি মতিক ময়াই, তৌবা ঙম্বা পুম্বাসু ইপানা অমতা চিথাদনা মহাইগে। তাগী মমিং তারোদো, তানিংখোক তা, তামাইখোংলোই তা, থিংকাই তা, লাংচিং হুরেম তা, খাংখুরেন তা, তাচিং তা, লাংহুই তা, পোলাই তা, থেনখৌরেন তা, থেংসু তা, লাইচিং তা, নোংথাং খেংলোই তা, য়াইবী খঙলোই তা, লমচি তা, লমপু তা, লাইয়ুং তা, কোরৌ য়াইবী তা, মালেম লৈশাখোং তা, থিংলেন তা, লাইহন তা, হুইকপ লানপুং তা, চাইবী থিংলোই তা, খিনবুং লালোই তা, চিংরেন থিংলাই তা, হায়রিবা তাশিং অসি খোয়ুম লাইগী মশক মমিং নাইবা তানি। তাগী তারোন খংলবদি খোয়ুম ওইবা নহাকপু খোয়ুম কনানা শোকপা ঙমলোইএ।

হৌজিকতি লালোই শঙদা লৈরিবা তিমেন তাশিংগী মীংথৈরোন, ইপানা মশিং অমা ৱাৎতনা তাকলেদো। তাশিং অসিগী শিজিন্নগদবা থৌরম থৌথাই লালোং তাশিং, লৈঙাক তাশিং পুম্বা মাগী মাগী মথৌ মঙম পুম্বা, পুবা ঙম্বা তারোইবা তাশিংনিদো পারী। খোয়ুম ওইবা অমগা লাথেংনবা, শিজিনগদবা মমিং নাইবা লাইগী তাশিংনি। মসি পুম্বা ইচানা থাং, তা পুম্নমক শিজিনগদবনি।

তাগী তালোন, থাংগী থাংলোন, খোয়ুমগী ফিদুমলোন, থেনখৌরোন কয়া ফি দুপলোন মশিং লাংঙমদনা লৈরিবা, লৈরিবা খোয়ুমগী লালোং ফিদুপলোন মশিং সুনা ইপানা তাকলগে হায়বগী লালোং শঙদা ইচাবু পুরকলিবনি। মুন্না তারো পারী থাংগী থাংলোন মরোন নাইবনি। তাগী তামিৎলোন মখলসু য়াম্মী। খোয়ুম লাইগী লিচৎলোন কাইহৈদ্রবা লিকলমনি। সোইফদ্রবা থৌদানি। থৌদা মাবু পাংবনা খোয়ুম লাইগী লাংদাইকোন ওইগনি। নশানা পাইবা থাংলেনদো, মালেম অনেম্বাদা তাফরোই। খুদুং চেৎনা পাইদুনা লালোং লাঙ্গেং পুংকোইদা, হনবা কৌবা লৈতা শাথেংননা মায়োকনবা, তিমেন মাবু পাইদুনা মায়োকনবা, লানপুংদা, খোয়ুম সমাই লৈদনা লাথেং পুংকোই ওইবদো, পারী থৌথাই মপুং ওইজৌও। তিমেন মাগী লংদাইরেন, খুৎশা ওইনা লাংদাইকোনদা, লানথেংনবা মাইয়োকনা ইরিক, তোংশা লাংকোইদা, হুইরেম শানা লংগনি। তিনেম মাগী থৌথাইবু ইপানা হৌজিকতি তাকলগে শিনপাংলসি পারীও। ইপানা লানওং- লাঙ্গেং তাকলগে।

লাইনিংথৌনা মপারী তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা মহাইরে। পারী ইবুংঙো নহাক্লা থাংলেন অমা পাইরোদো ইপানা থাংলেন অমা পাইরগে। থাংগী থাংলোন-থাংহাই পুম্বাসু তাকলগে মহাইনা, মপারী তোলোংখোম্বাবু থাংলেন অমা পাইহনখ্রে। মপন পঙ্গৌ অৱাং কৌব্রুনা থাংলেন অমমম পাইনদুনা চীংউ লাইগী থাংহাইরোন, কোরৌ মালেম, কোরৌ থেংখৌ, মালেম চুফারেন,

থাংলোন মাবু তাকপীরে। চুকফা থেংখৌ থাংলোন মতমবীয়ু। য়াইবী ফীদুপ লোন নুংলেন তম্বীরে। লুতুং খেংলোই তাকপীরে। হৌগ্রি খিংকোই থাংলোন তাকলে। ফীদুপলোন নোংখ্রেন মতমবীরে। লাংকোই মীরেন থাংলোন তম্বীরে। পুমদিং খেলোন থাংলোন তাকপীরে। য়াংবী ফিদুপ তম্বীরে। থেংখ্রৌ লোচোই ১০৮ সুনা লাংহৈ মপুংয়াইদা, থাংগী থাংলোন সুনা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বাদা তম্বীরে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা তাকপীবা থাং পুম্বা মপারী তোলোংখোম্বা অমতা চিংখদনা থাংলোন মশিং সুনা খংজরে। মপন পম্বৌদি কৌব্রুনা, মপারীগী থাংলোন উবদা পাইমা নুংদা হরাও মথোই কাজৈনা, শিতমলেনদি লালোং শঙনি।

মথং তাবা লালোংদি, মপারীদা তিলেন তা অমা মপাইহল্লে। লাইনিংথৌ অসুপ্পা মপননা তিমেন তা অমা পাইদুনা, তাগী তালোন পুম্বা হৈতেমলকপা মহৌরকলে। মপন পম্বৌ ওইরিবা অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা তাগী তালোন সুনা লাংদাইকোন ওইরকলে। কোরৌ মালেম লাংদাই পুংকোইদা, তাগী থেনখৌ লাংখৌ ইতমনা খেক লাও, খেনচোং, তাগী খৌশারোন, লাংখৌরেন, লাংথেং তামাই খেকলাই খৌশারোন, লাংখৌরোন, খেনচোং খিকলোই খৌশারেন অসি তাগী তালোন সুনা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা, মপারী তোলোংখোম্বাদা তম্বীরকলে। তাগী তারোন সুনা মপারীসু পম্বৌগী য়াথংবু হিকতোকতনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংজরকলে।

মপন পম্বৌনা মপারী তোলোংখোম্বা থাংগী থাংলোন সুনা তম্বীবা, তাগী তারোন সুনা খংহল্লকলে। অসুম লাংহৈ লংদাইরকপনা, মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো হৌজিকক্তি থাং, তাগী লালোং কয়া ইচানা খংলেদো। মথংলেন তাবদি ইপানা তেনসুবা তেনদি খোয়ুম, লাংসু তেন লাংহৈ তেন, খৌচি লাংবা তেন, লালোই য়াংবা তেন, লৈথক লৈখারোন খেৰাইবা তেন, লৈশা ফুদোং তেন, য়াইবী কুনতাই তেন, হিরেন পুংকেন খাংবী তেন, ইপানা ননাক্তা লৈরিবা তেনশিং অসিগী তেনকাপলোন মশিং সুনা তাককনি। করম্বা তেন্না লৈখারোন তাইনগনি। লাইয়ামবু খুদুম চনগনি। তেনকপ নাহুই পুম্বা ইপানা লোইনা তাককনি।

ৱাতাই পুঙ

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মপারী তোলোংখোম্বাবু খোয়ুম লাইগী লৈঙাকলোন, লাঙ্হেং মখল সুনা মতাকপিরে। লাইনিংথৌনা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বদা খোয়ুম লাইগী তেনকাপলোন, মশিং লাংঙমদ্রবা তেনজৈ কয়া পীদুনা, লৈঙাক পুরেন অমগী থৌদাং মপুং ওইববু শিনতাকপীরে লাইনিংথৌনা। লিরুং অমা তেনজৈ মশিং লাংঙমদ্রবা কয়া অমা, মপারী তোলোংখোম্বানা লিরু অমা তেনজৈ মশিং লাংঙমদ্রবা কয়া পাইদুনা, লৈথক লাইখারোন কয়াদা শিনবা থুংনা তেনগী তৈনকাপ তম্বীরকলে। মাইকৈ মরি সুমদাই নিপানদা মপারীনা মপনগী য়াৱা ইনদুনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংলকলে। মৈগী মশক ওইরবা খোয়ুম লাইগী লিরুংদগী কাপখোরকপা তেনজৈনি।

লৈশেমকোনগী লাংদাইকোন অৱাং কৌব্রুগী মরম খৈরেনদি, লোইবী চীংলোন মাপনগী মরম খৈরেনদা, শিঙ্গা লাংহৈ ওইরিবা লালোং পুংকোই থেনদনি। মপা মচা ওইবনা খোয়ুমগী শিঙ্গা পাংলকপা, তেনকাপ মশিং শুরকলে, লালোং পুম্বা খংজরে, মপারীদি তোলোংখোম্বানা, মপারীগী খোয়ুম শিঙ্গা লালোংবু উবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা মপননা পেনজরে।

চহি চৈচৎ চৈশিংকোন কয়া, কৌরেন থেনদি থেনকৌ চিং, লালোং পুঙদা মপারীবু খোয়ুম শিঙ্গা পাংলকপা, লাংদাইকোনগী লাংহৈদো, মপুং লাংদাইকোন ওইরকলে। লানগী লানওং খংলকলে, থাংগী থাংলোনসু খংজরে, তাগী তালোন উজরে, খোয়ুমগী লৈঙাক ইতাইরেনদি তেনকাপলোন, তেনশিং মশিং সুনা খোয়ুম শিঙ্গা মপুং ওইরকলে। মপারী তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো হৌজিকতি, ইপাগী থেনখৌ লোইবী চীংমাইথেন, ইচাদা ইপানা তাকপীখিবা মতিক ময়াই লৈবগী থৌদাং মাসু মপুং মরৈ ফারেদো। পারীনা লালোং পুংকোই অসিদা লেপলগা, হৌনপুংগী পুংকোইদা খোয়ুম লাইগী লৈঙাকলোন, মালেম অনেম্বাগী লাইয়ামগা শাথেং লাঙ্হেংনবা খোয়ুম থৌকাং পাংলেদো, মঙম মখৌ পাংজরে। মপুগী য়াৱা তাবদা হোয়াজরে মপরী তোলোংখোম্বানা। লাইনিংথৌ অসুপ্পা কৌব্রুনা, খোয়ুম মতিক ময়াই লৈরবা কয়াবু খোয়ুম খোলাওগা লোইনা মকৌননা লাংদাইরে। লাইগী খোলাও তারকলে, চীংউ লাইয়াম পুম্বা অৱাং কৌব্রু লালোং পুম্বদা লাইয়াম পুম্বা থুংলরে ।।

মতিক ময়াই লৈরবা, লাইপুং খৌরেনবা চীংউ লাইয়াম পুম্বা অনেম্বা মালেমগী লৈকোননুংদগী অৱাং কৌব্রু লোইবী চীংশাং নাপোম থেনদগী কাখৎলক্তুনা, মপুরেন অসুপ্পগী য়াথংবু ঙাকচনবগী লালোং পুংকোইরেনদা থুংলরবদা, লাইয়াম পুম্বাবু য়েংলগা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মহাইরকলে।

হৌজিকক্তি লাইয়াম পুম্বা ঐগী ইগাইফমলেনদা লাকলবনি। নখোয় নখোয়গী শিন্থা পাংনবা, খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই পুম্বা থৌশিন থৌওং উজহৌনবা, খোয়ুম শাজেন-লাঞ্জেন, লানওং থৌওং কয়া পাংথোকপা মওম পোংবু খল্লসি। খোয়ুম লাম্থেং, চরৈ ফিসেৎ পুম্বা তম্বীরো। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী লালোং পুংকোইদা, চীংউবা লাইয়াম নখোয়না মাইকৈ অমদা লেপ, ঐগী পারীনা মাইকৈ অমদা লেপ নখোয় নখোয়না হৈনবা খুৎসু খুৎলাই পাইদুনা নশানা নশাবু লৈঙাক ওইনবা থৌরাংজরো, খোয়ুম ওইবা লালোং-শিনকাং পুংকোই ওইবগী মরম খিবীক্তি অতৈ অমা নত্তেএ। ঐগী পারীগা খোয়ুম লাইয়ামগা মায়য়োক্নবা লাম্থেংদা নশানা নশাবু খংজনা খোয়ুম শিন্থা পাংনগনি। মায়োকনবা লানপুংথেনদা খোয়ুম মাইথিরবা, পারী নহিতনা লাইয়ামনা কৌব্রু অৱাং সুপলোইবা ঐখোয়নদা হৈকা লৈকগদবনি। কুমজা অমা লৎনহৈরোই। ঐগী লোইবী চীংলোন মাপন অসিগী মগাইফমলেন অসি লাইয়াম্না ঙম্বাবা তারে লাইয়ামগী লোইবী ওইবীয়ু। করিগুম্বা লাইয়াম্না মাইথিবা তারবদি, পারীগী মগাইফমলেন্দা লাইয়ামনা খুদুং ৱাতাইননা লৈগদবনি। তোলোংথোম্বা পারীগী য়াৱা ইনফগনি। মসি য়াৱা লৈবনা চীংউবা লাইয়াম নখোয়বু খোয়ুম অসুপ্পা ঐহাক্পা কৌবনি। মসি য়াৱা পুম্নমক লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা চীংউ লাইয়ামদা মহাইরকলে।

চীংউ লাইয়াম থৌরেনবা কয়ানা লাইনিংথৌ অসুপ্পগী য়াৱা তাবদা লাইয়াম্না মহাইরক্লে। খোয়ুম মপুরেন অসুপ্পগী য়াৱাসিগী লাইয়াম ঐখোয় পুম্বা হোয়াজরে। শিন্থা মাবু পাংজরগে, থৌকাং মাবু থৌরেপচরে। লাইয়াম পুম্বা লাউরকলে। লাইনিংথৌগী য়াৱাশি লাইয়াম ঐখোয়গী য়াইফরেন য়াৱানি। মসি ৱাদি হায়দুনা, চীংউবা লাইয়ামনা অসুপ্পদা কোকনোজরে। মপারী শিংথোং ওইরিবা তোলোংথোম্বা মপারীসু মপনবু কোকনোজনা মহাইজরে। ইপনগী য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফদে, নপারীনা চরৈ ফীগাও শাদুনা নিজরি। থৌরম মাবু থৌকাংজবা ঙমজববু পীনবীয়ু হাইরকলে মপারী শিংথোং তোলোংথোম্বানা। মপারীগী য়াৱা মপাও, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাগা খোয়ুম লাম্থেং মায়োক লানওং পাংবদা মপুরেন শিদবনা খোয়ুম মীয়েং মীতাবীদুনা থৌজান ইরিক ফংজবা ওইজৌও। ইপানা তাকপী-তম্বিথিবা খোয়ুম লাইগী লীক্লমলোক মায়োক লাম্থেং পাংবদা শিন্থা লালোং ওইবদো, খোয়ুম অকাও পরৈন্দনা, লালোং মাবু পাংজবা শিন্থা মহৈ য়ানজবা ওইজৌও। লালোং শিন্থা পাংজবা লাংহৈ মপুং ওইবনা, পারীগী লাংদাই পুংকোইদা থোইরেনবা ফম্বাল ফংজবা মওইজৌও।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মাগী মাগী লানওং কয়া শেম শাখ্রে। কৌব্রুগী মপারী তোলোংথোম্বাসু মাগী লানওঙ শেম শাখ্রে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বাসু, মপুগী মীংথৈ শোনদুনা মাগী মাগী খুৎসু খুৎলাই কয়াগা লোইননা তোলোংথোম্বগী মথক্তা মায়োকনবা খোয়ুম লাম্থেংনরকলে। তোলোংথোম্বা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু মপনগী লোইবী চীংদি চীংমাইথেন, লালোং পুঙকোইদা খুৎতা থাংলেন

হৌজিকক্তি লাইয়াম পুম্বা ঐগী ইগাইকমলেনদা লাকলবনি। নখোয় নখোয়গী শিঙ্গা পাংনবা, খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই পুম্বা থৌশিন থৌওং উজহৌনবা, খোয়ুম শাজেন-লাঞ্জেন, লানওং থৌওং কয়া পাংথোকপা মওম পোংবু থল্লসি। খোয়ুম লাঙ্থেং, চরৈ ফিসেৎ পুম্বা তম্বীরো। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কী লালোং পুংকোইদা, চীংউবা লাইয়াম নখোয়না মাইকৈ অমদা লেপ, ঐগী পারীনা মাইকৈ অমদা লেপ নখোয় নখোয়না হৈনবা খুৎসু খুৎলাই পাইদুনা নশানা নশাবু লৈঙাক ওইনবা থৌরাংজরো, খোয়ুম ওইবা লালোং-শিনকাং পুংকোই ওইবগী মরম খিবীক্তি অতৈ অমা নত্তেএ। ঐগী পারীগা খোয়ুম লাইয়ামগা মায়য়োক্নবা লাঙ্থেংদা নশানা নশাবু থংজনা খোয়ুম শিঙ্গা পাংনগনি। মায়োকনবা লানপুংথেনদা খোয়ুম মাইথিরবা, পারী নহিত্না লাইয়ামনা কৌব্রু অৱাং সুপলোইবা ঐখোয়নদা হৈকো লৈকগদবনি। কুমজা অমা লংনহৈরোই। ঐগী লোইবী চীংলোন মাপন অসিগী মগাইফমলেন অসি লাইয়াম্না ঙম্বাবা তারে লাইয়ামগী লোইবী ওইবীয়ু। করিগুম্বা লাইয়াম্না মাইথিবা তারবদি, পারীগী মগাইফমলেন্দা লাইয়ামনা খুদুং ৱাতাইননা লৈগদবনি। তোলোংখোম্বা পারীগী য়াৱা ইনফগনি। মসি য়াৱা লৈবনা চীংউবা লাইয়াম নখোয়বু খোয়ুম অসুপ্পা ঐহাক্না কৌবনি। মসি য়াৱা পুম্নমক লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা চীংউ লাইয়ামদা মহাইরকলে।

চীংউ লাইয়াম থৌরেনবা কয়ানা লাইনিংথৌ অসুপ্পগী য়াৱা তাবদা লাইয়াম্না মহাইরক্লে। খোয়ুম মপুরেন অসুপ্পগী য়াৱাসিগী লাইয়াম ঐখোয় পুম্বা হোয়াজরে। শিঙ্গা মাবু পাংজরগে, থৌকাং মাবু থৌরেপচরে। লাইয়াম পুম্বা লাউরকলে। লাইনিংথৌগী য়াৱাশি লাইয়াম ঐখোয়গী য়াইফরেন য়াৱানি। মসি ৱাদি হায়দুনা, চীংউবা লাইয়ামনা অসুপ্পদা কোকনোজরে। মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বা মপারীসু মপনবু কোকনোজনা মহাইজরে। ইপনগী য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফদে, নপারীনা চরৈ ফীগাও শাদুনা নিজরি। থৌরম মাবু থৌকাংজবা ঙমজববু পীনবীয়ু হাইরকলে মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বানা। মপারীগী য়াৱা মপাও, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাগা খোয়ুম লাঙ্থেং মায়োক লানওং পাংবদা মপুরেন শিদবনা খোয়ুম মীয়েং মীতাবীদুনা থৌজান ইরিক ফংজবা ওইজৌও। ইপানা তাকপী-তম্বিখিবা খোয়ুম লাইগী লীক্লমলোক মায়োক লাঙ্থেং পাংবদা শিঙ্গা লালোং ওইবদো, খোয়ুম অকাও পরৈনদনা, লালোং মাবু পাংজবা শিঙ্গা মহৈ য়ানজবা ওইজৌও। লালোং শিঙ্গা পাংজবা লাংহৈ মপুং ওইবনা, পারীগী লাংদাই পুংকোইদা থোইরেনবা ফম্বাল ফংজবা মওইজৌও।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মাগী মাগী লানওং কয়া শেম শাখ্রে। কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বাসু মাগী লানওঙ শেম শাখ্রে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বাসু, মপুগী মীংথৈ শোনদুনা মাগী মাগী খুৎসু খুৎলাই কয়াগা লোইননা তোলোংখোম্বগী মথক্তা মায়োকনবা খোয়ুম লাঙ্থেংনরকলে। তোলোংখোম্বা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু মপনগী লোইবী চীংদি চীংমাইথেন, লালোং পুঙকোইদা খুৎতা থাংলেন

পাইদুনা, মদোম লানজংখরে। মীগী মাগী থাংহাইরোন, তাগী থৌশা, খেংথৌরোন কয়া লোইননা চীংউ লাইয়ামগা লোইননা লাথেং পুংকোই তমলকলে। লাইনিংথৌ থৌগনলোনবা মতিক ময়াই লৈবা খোয়ুম কয়াগা, মালেম অনেম্বা লৈথারোলগী লাইয়াম কয়াগা, তোলোংখোম্বা থাংলোন, তেলোন, তারোন কয়াগা লোইননা হুয়েন মায়োক লাম্বেংনরকলে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা, খোয়ুম লাইয়ামগা মপারী তোলোংখোম্বা মদোমগা মায়োক্কৰা লাম্বেংবু য়েংলকলে। মায়োকনবা লাম্বেংলোন, মানা মানা হৈজবা, মাগী মাগী মতিক মগুণ কয়া তিংখোত্তুনা, অঙম্বা থৌজান মীৎওয়েং লাংহৈনরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্নমক্কা, তোলোংখোম্বাবু কোইশিনখরে, লাইয়ামনা তোলোংখোম্বাবু ফানবা থৌকাংলকল্লে। থাংলেন, তিমেন তা, লিরুং তেন কয়া শিজিন্নরক্লবদা তোলোংখোম্বা কৌব্রুগী মপারী, মপান পঙ্গৌনা তাকপীবা থাংগী থাংলোন হাইরকলে, লৈথক লৈথা খেনচোংলে। লাইয়াম পুম্বা কাইদুনা লোইবী চিংশাংদা চেনখরে। তাগী লাংকোই তিমেননা কোইনা লৈনা লাইয়ামবু পুন্না অমুক ফাজিলে। চেনখিবা লাইয়াম পুম্বাদো, তোলোংখোম্বা মপারীনা। মশিং লাংঙমদ্রবা লিরুং তেনগী তেনজৈনা, লাইয়াম অমা নানখোকহনদনা লাঙ্গৈাই চন্দুনা থমখরে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা অঙকপা মতৌ ওইরকলে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা, তোলোংখোম্বা অথৌবদা মহাইরকলে। হা খোয়ুম অথৌবও, নংগী নতিক নগুণ লাইয়াম ঐখোয়না খংজরে। চীংউবা লাইয়াম ঐখোয়বু কনবীয়ু। কুমজা কুমজা খুদিংগী ইবুংঙোগী থৌগন য়াওজগে। খোয়ুমও তেংপাং ফংজগে। মসি য়াৰা হায়দুনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা চীংউবা খোনখোক তমলকলে। মদু য়াৰা তাবদা, লাইনিংথৌদি অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা মপারী তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা হায়রকলে। পারী ইবুংঙো হৌজিক্তি ইচাগী লালোং ইপালা খংলে। নহাক্কা চীংউবা লাইয়ামবুসু মাইথিবা পীরে। হৌজিক্তি, নহাক্কা লাইয়ামবু কনবীদুনা থৌরেনবা মীংথৈ ফংদুনা, ইচাগী কোলোই মীংলেনবু, খোয়ুম অথৌবা তোলোংখোম্বা হায়না লাইয়াম পুম্বানা খংজহৌরসনু।

অৰাং কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বানা, লাইনিংথৌ লালোই মতিক-ময়াই লৈরবা কয়াবু মায়োক্কৰা লাম্বেংদা খোয়ুম মাইথিবা পীদুনা, তোলোংখোম্বা খোয়ুম তেংপাং ওইখি। মদু মতৌরেন মউবদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা হরাও মথোই কাজখি। খোয়ুমগী লালোং পুম্নমক, মপারী তোলোংখোম্বা হৈরেননবা ওইখিএ। মপনগী থৌজান ফংলবা মপারিদি তোলোংখোম্বা, তোলোংখোম্বাগী শাম্বেংলোন কয়াবু মপন পাঙ্গৌনা মউরকলে। চীংউ লাইয়াম, লালোই কয়াবু মাইথিবা পিরদুনা অথৌবা খোয়ুম মীংথৈদুনা পারীগী লাংদাইকোন ওইরেদো। হৌজিক্তি লালোং শঙগী লাংদাইকোন ওইরবনিনা, ইরাংথেনদা ইতমলসি, য়াৰা অসি মহাইদুনা, মপন পঙ্গৌগা লোইননা তোলোংখোম্বা মপারীদো খোংদোই হুল্লকলে।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী ফম্বাল মরাংয়াই য়ৌরকলে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মপারী তোলোংখোম্বাবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো হৌজিকতি, নংহাক্কি থৌদারেনদি থৌশিন পাংবা মতমলেন ওইরকলে। খোয়ুম থৌশিনলোন ওইবদি অতৈ করি নত্তেএ। পারী ওইবা নঙো- দা ইপানা তাকখিবা লালোং লাংদাইবদো, খোয়ুম শিন্থা পাংবা মতমলেন ওইরকলে। পারিনা পাংগদবা শিলম, অনেম্বা মালেমগী লোইহিজিং লোয়দা লৈরিবা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বা অহেনবা থৌশিনবু মাংহনবগী থৌরমলোন থৌকাংবদা পম্থৌনা লাংজিন মাইওইনজৌও।

মপন পম্থৌ ওইরিবা অৱাং কৌব্রু অসুপ্পনা, মথা তাবা লাংহৈদা অসুম লাংদাইকোনদা মহাইরকলে। পারীনা লোইহিজিং লোয়াগী থৌকাং হেনবা মতিক ময়াই লৈরবা, লাইয়াম পুম্বাবু পারীগী লাংহৈদা খোয়ুম লালোই-লাঙ্গেং পাংদুনা, মতিক ময়াই হেনবা, থৌরেনবা লোইয়ারেন , লাইপুং থৌরেনববু খোয়ুমন মতিক ময়াই লৌথোকনবা, থৌকাং মাবু পাংফৈএ। পারীগী থৌখাইদি, খোয়ুম মায়োকনবা লাঙ্গেংদা শামাই লৈদনা থৌপাংগনি। খোয়ুম থৌরম থৌকাং অসি অমাহিত্তি চিথদনা, পারীগী মঙম মথৌ ওইগনি।

মপারী তোলোংখোম্বনা, মপন পম্থৌবু কোকনোজনা মহাইরকলে। ইপন্না তাকপীবা থৌরম থৌদা পুম্বা নপারীনা খোয়ুম লিকলম নোংতমজরে। নপারীনা পম্থৌগী শিন্থা পাংজবদা, খোয়ুম মাইথোং হেলোইবা, নপারীগী থৌদাং কয়াদা পম্থৌগী থৌজান নত্তনা নপারীনা শিনকাংবা ঙমহৈদে। পম্থৌগী থৌজাল মখাদা নপারীনা খোয়ুম শিন্থা পাংজবনি। নপারীনা শিনকাংজবদা পম্থৌগী-থৌজাল পিনবিয়ু।।

তোলোংখোম্বা লানপুংথেন

লানথেংচীং :-

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী য়াৰাবু ইঙ্গারিবা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বানী। তোলোংখোম্বা মপারীনা মপন পঙ্গৌ অৰাং কৌব্রুদা হংগৎচরে। মপারীনা অসুম্না মহাইরে। ইপন পঙ্গৌগী য়াৰাদি কোরৌ মালেম তাইফদেএ, নপারীনা থৌরম থৌদা পুম্বা হোয়াজরে। হায়েং ইনুং তৈরেনবা কোরৌদগী খোয়ুম শিঙ্গা মপাংজবা মহৌজরগে। খোয়ুম ঐগী লৈঙাক তেংপাং ওইনবা লালোই খরদি ইপানা পরীদা শিনবীয়ু হায়না তোলোংখোম্বা মপারীনা মপন পঙ্গৌদা হংগৎচরে।

মপারীগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ কৌব্রুনা মহাইরে। পারীগী ননিং ওইজৌও, খোয়ুম লালোই মতিক চানা, পুন্না লাঙ্গেং তেংপাং পাংজৌও। মারগী লাঙ্গেং পুংকোই ওইগদবা মফমদি অতৈ অমদা নত্তেএ। অনেম্বা মালেম লৈশেমকোনগী লাংহৈ পুংকোইদা লোইচিং লোয়া কয়া অমা লাংহৈনরিবা, অনেম্বা মালেমগী মফমনি। নোংচুপকোনদি কোনথা চিং, লোই থরেন চিংমাই মেন, লোই খাংলোই য়াংবী থেন চীং, থেলোই ৰাংবা তোলোই চীং, চীংশাং নাপোন হুদেম চীং, হায়রিবা চীংশা কয়া অসিদা খোয়ুম খুঙ্গোক তল্লিবা লাইয়ামশিং, মতি মথৌনা হেলোইবা, থৌকাং য়াংবা খোয়ুমনি। লৌথি লৌকোই হৈবনি। অকনবা শকনা পাংলিবদি খোয়ুমনি।

পারীনা অহানবা লাপুংথেন ওইগদবা মফম ইপানা তাককে, নাপা চিকনা তারেদো। লোইবী চিংদি কোরৌ লাংদাই চীং, নোংচুপলেনদি চীংশাংকোননি। পালিবদি খোয়ুমনা লোয়া নিংথৌ য়াংবনি। মতিক মথৌনা হেলোইবনি। থৌকাং পুবা লাইয়ামবু মাগী লালোই ওইদুনা, মথা তাবা থৌপুরেন মঙম মাবু পাংহনবা, লোয়া নিংথৌ য়াংবনি। নোংচুপ থোংতাই পুরিবা, লোইবি চীংশাং থৌরেনবনি। হেলোইবা মাগী মতিকময়াইনি। লাইয়ামবু খু দুম চনদুনা লৈরিবদি লোয়া নিংথৌবনি। লোইচিং নিংথৌদা লোইয়ামবুসু লোইচনদুনা, খোয়ুম মায়োকনবা লাঙ্গেং লাংহৈকোন ওইথিবনি।

হৌজিকতি পারি হালোইবা লাঙ্গেং ওইগদবনি। লোইবী লোয়া নিংথৌ লৌথিবগী মথক্তা খোয়ুম লাঙ্গেং শিঙ্গা পাংলো। পঙ্গৌ ইপানা লোয়া নিংথৌগী মগাইফমদা লাইপুং হালোইবা থাদুনা, লাঙ্গেং পাওবু মপিরগা, খোয়ুম ওইবা লোয়া নিংথৌনা, নপন ঐগী ইগাইদা হায়রকথিবা য়াৰাদি অসিনি তারো। লাইনিংথৌ অসুপ্পা খোয়ুম মপুরেনগী নপারী অমা লৈবদো, হয়েং লাঙ্গেং পুংকোই ইনুংয়াইদা, তেনগী তেনহৈ মপুং ফারবা মতমদা খোয়ুম পাওজেন পিবিয়ু। লোয়া ঐনা নপারী তোলোংখোম্বা মায়োকনবা লাঙ্গেংজগে, মহাইখিবা য়াৰা অসি লৈবননি। থিঙ্গরগনু পারী-ও ।।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বানা মপনগী য়াৰাবু ইঞ্জনা, খোয়ুম শিঙ্বা মায়োকনরগে পাইমা নুংদা খলকল্লে। অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমলেনদা লৈরিবা লাইশিং অমতা চিংথবা তৌদনা লাইয়ামবু মকৌরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্নমক, তোলোংখোম্বা অথৌবগী মগাইফমদা লাক্লুনা অথৌবদা কোকনোঞ্জরে। লাইয়ামনা হায়জরকই, ইবুংঙোনা লালোই ঐখোয় ময়ামবু কৌবীববু করি য়াৰা তাকপীগদবা, মহাইজরে লাইয়ামনা। চীংউ লাইয়ামবু য়েংলগা তোলোংখোম্বা অথৌবনা মহাইরে।

তারো লাইয়াম পুম্বা, ঐবু পোকপা পম্বৌগী য়াৰানি। য়াৰাদি অসিনি, খোয়ুম ওইবা লাইয়াম নখোয়গা লোইননা তোলোংখোম্বা মপারী ঐহাক অসি, খোয়ুম শিঙ্বা পাংলো হায়না ইপন্না তাকপীরে। শিঙ্বাদি লোয়া নিংথৌগী অহেনবা থৌগন চীনফেং মাংহনবা থৌকাংলো হায়না তাকপীরে। মদু খিবীক লৈবনা লাইয়াম নখোয়গা লোইননা নোংচুপ থোংদাই লাংদাইকোনদা পুরিবা লোয়া নিংথৌগী মথক্তা মায়োক্লবা লাঙ্গেং পাংদবা য়াদে। মসি মরম খিবীক লৈবনা চীংউবা লাইয়াম নখোয়বু ঐহাক্লা কৌবনি মহাইরকলে।

অৰাং কৌব্রুগী লালোই লাইয়াম পুম্বানা, অথৌবা তোলোংখোম্বাগী য়াৰা খোনথোক তাবদা অসুম্না মহাইরকলে। অৰাং কৌব্রু লাইনিংথৌগী মপারী অথৌবা তোলোংখোম্বাগী য়াৰাদি কোরৌ মালেম তাইফরোই। চীংউ লাইয়াম পুম্বা ঐহাক্লা, অথৌবগী মাংওইননা লোইবী লোয়া নিংথৌবগী মথক্তা হুইরেন লানদাবা খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয় পুম্বা য়াওগনি। অথৌবগী তেংপাং শিঙ্বা পাংজগনি মহাইনা লাইয়াম পুম্বানা হোয়াননা মরাওলকলে। চীংউবা লাইয়াম খোনথোক তাবদা, অথৌবদি তোলোংখোম্বা অপেনবা লাংহৈকোন ওইরকলে। অসুম্না অথৌবনা মহাইরকলে তারো লাইয়াম পুম্বা, হয়েং ইনুং তৈরেনবা, লানজং অসি চংগনি। লানজং মাগী থৌওংদি অসুম্না লাংহৈগনি।

চীংউবা লাইয়াম নখোয়না, চরৈ ফীবু শেংতুনা, খদাংচেৎ লাককনি। শাফি লানথি শেংকনি। শগোন শামু তোংদুনা নশা নশানা হৈজবা লানওংগী খুৎশু খুৎলাই পাইদুনা, লাঙ্গেং পুংকোই তমগদবনি। লাইয়ামনা খুমজরকখি। খোয়ুম চিনফেং হেলোইবা লোয়া নিংথৌবগী মফমদদি, লালোং পাউতাক তদ্বীশ্রবরা, হাইজরকলে লাইয়ামনা। লাইয়ামগী ৰাহৈ তাবদা কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বা খুমজখিএ। চীংউ লাইয়াম পুম্বা লানথেং অসি ঐনা হৌবা নৎচদে। লোয়া নিংথৌবনা শৈহৌবা লানফমনি। হয়েং কোরৌনা লেপনখিবা পুংকোইনি। লানফম অসিনা মাই লৈদুনা চেম্বদি, খোয়ুম মাইথিবনি খংঙু।

লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বগী য়াৰা মপাও তাবদা লাইয়াম লালোই পুম্বা অথৌববু কোকনোজনরগা, মাগী মাগী মগাইফমলেনদা হনখরে। অথৌবদি তোলোংখোম্বা খোয়ুম

ফম্বালকোনদা হনজিনখি। অসুম লাংদাইকোন ওইরকপনা, ইনুং তৈনা মঙাল্লকলে। কোরৌ য়েইদা অঙানবা মঙান মশেককা লোইননা, খিং খিং খিগানরকলে। মদু নোংবু মউবদা লাইনিংথৌগী মপারী তোলোংখোম্বা অথৌবনা, ইরু শাদেং তমদুনা, পলেম মমানা লাংজবা, তরা চাকলেন মথেন মকোইগা লোইননা ফংজরবদা, শাফি লানফি পুম্বা খোয়ুমগী চরৈ ফী ফীদমলকলে।

তোলোংখোম্বা অথৌবনা শাফী লানফী থোনবা লোইরবদা, খুৎসু লাংসু পুমবা সুনা হাপচিনজরে। লাইওইবা তেনসু, লেরুং তেনজৈগা কোন্ননা শাকোন্নরকলে। শাগোন শরাংথক্তা থোংদুনা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা অৰাং কৌব্রু মপনগী মগাই ফমলেনদগী চিংশাংলেন পুংময়োন নেংচুপ খৈরেনবা মগাই, লোইবী চিংশাং তুরৈ খাগী তুথুপ কয়া লানদুনা, লোয়া নিংথৌবা মগাই ফমলেন ময়ৌরকলে। লোয় থৌরেনবা নিংথৌবানা খোংমী লানমী কয়া লোইননা, তোংলোংখোম্বাগী মথক্তা লালোং শিনদুনা লৈবা উরকলে। মদু নোংবু উবদা, অথৌবগী লুচিংলোন, লাইপু হনবা ৰাঙম্বানা ফীরান মালেমদা য়ুংদুনা, মায়োকনবা লাঙ্গেংগী মপাউরেনবু লাওরকলে।

তাবীয়ু মালেম অনেম্বগী লাইয়ামশা মালেম অসিদা লৈরিবা খুঙ্গোক তমলিবা লাইওইবশিং, তুংলমচৎতা লৈহৌরগদবা, মালেমদা লাইয়াম ঐখোয়না খুনদাদুনা লৈরকপা, মপুগী থৌজান ইরিককোনদগী থৌশিন কাইফদবা লিকলম ওইবনা, খোয়ুম ঐখোয়গী লিচৎলোনগী থৌশিন থৌদা তুংদানরকপদগী, অহেনবা শরুকপু মালেমদা মাংহনবগীদমক, থৌওং অসি লাংনবনি। হৌজিক্তি, লাইয়াম নখোয়সু, নখোয়না ঙমজা ঙমজবা কয়া শিজিনদুনা, নৎত্তবা ওইবা কয়া অসি মাংহনবা হায়বসি খোয়ুম ঐখোয়গী ইথৌদাংনি।

মপু ওইবা শিদবগী লিরি লিশাং কাইফদে, মনাইগা-মনাইগা, লালোইগা-লালোইগা, শিংলোইগা শিংলোইগা, মপুগা-মপুগা, অথৌবগা-অথৌবগা, অহেনবগা অহেনবগা, খোয়ুম মায়োক থাননা মপুগী থৌদাং য়েংনসি। মসি য়াৰা হায়বনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা মাগী মাগী লম্বা কাইদনা, খোয়ুম চিংলেন ৰাংঙমলোন লাঙ্গেং পুংকোই তমলকলে। থাংগা-থাংগা, তাগা-তাগা, তেনগা-তেনগা, মান্না-মান্না, হৈজবা-ঙমজবা কয়াবু পুথোক্লুনা, থেনখোং চীংমাই লানপুং খোংদা, তোলোংখোম্বা-লোয়া নিংথৌবা অনিনা চীংউবা লালোই কয়াগা লাঙ্গেং পুংকোই ওইরকলে। লোয়া নিংথৌবা তোলোংখোম্বগী মমাংদা লেপ্পা ঙমদদনা, মখুৎতগী থাংলেন থাদদুনা, তোলোংখোম্বাদা চংজরে। লাইয়াম পুম্বাসু নোঞ্জরে।

লোইবী লোয়া চীং

লোয়া নিংথৌরেম্ববু তোলোংখোম্বা অথৌবনা মাইথিবা পীদুনা লানঙম ফীরান থেৎতুনা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা লোইননা খারেম নোংচুপ মরম খৈলেনদগী লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মগাইফমলেনদা খোংদোই হুল্লকলে। কৌব্রুগী মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বানা লানঙম ফীরান থেৎতুনা, হরাও তরামগা লোইননা লাকপদু, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মউরে। অসুম অসুম লাকপনা কৌব্রু চীংমাইথেন য়ৌরকলে। লাইনিংথৌগী ফম্বালকোন মগাইফমলেন য়ৌরবদা, মপারিদি তোলোংখোম্বা লালোই কয়াগা লোইননা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা কোকঞ্জোরে।

মপন পঙ্থৌনা চীংউবা লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইরে। লোয়া নিংথৌববু মাইথিবা পীরে। নখোয়না ফীরান মমাই চুমলে। অসি য়াৱা নৎত্র, মহাইরকলে লাইনিংথৌ। লালোই ময়ামগা তোলোংখোম্বা মপারীগনা খুমজখি। তাকপীরিবা য়াৱা অদু অশেংবমকনি। লাইনিংথৌনা অমুক মখা তানা মহাইরকই। মদু ওইরবদি, হয়েং ইনুং তৌরেনবদা মখা তাবা লালোং অমা হায়গে। খোয়ুম চীনফেংলোই, মপুগী থৌশিং মাংওইনবা, খোয়ুম ওইবা মহাক অদুদি লোইচিং নিংথৌগী মথক্তা মহাক্কী হেলোইবা খোয়ুম শিঙ্গাবু মাংহনবা, পারী তোলোংখোম্বা নহাক্তা লালোং অমা শেমদুনা লাংদাইকোন শিঙ্গা মওইজৌও।

মপন পঙ্থৌগী য়াৱা খোঙ্গোক তাবদা মপারীনা, চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা হনগৎচখি। নপারীনা হয়েং ইনুং তৌরেনদা, লালোং অমা শেমদুনা লোইচিং নিংথৌগী মথক্তা হুইরেন লানদা পাংজরগে। য়াৱা অসি হায়দুনা মপন পঙ্থৌদা মপারী তোলোংখোম্বানা হনগৎচরে। মপারীগী য়াৱা তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা হরাও মীনোক তমজখি। অথৌবদি তোলোংখোম্বানা লালোই ময়ামবু য়েংলগা মহাইরকলে। চীংউ লাইয়াম পুম্বা, নখোয় নখোয়গী নগাইফমলেনদা হনবীরো। হয়েং ইনুং তৌরেনদা ইগাইফমলেন অসিদা শাফি লানফী শেৎপীদুনা খোংদোই ইহুন তমবীরকউ। অসি য়াৱা খিবিক চীংউবা লালোই লাইয়ামদা খোয়ুম পাওতাক মপিরে। অথৌবদি তোলোংখোম্বা অথৌবগী য়াৱা লালোই লাইয়াম পুম্বানা হোয়দুনা, মাগী মাগী মগাইফমদা হনখরে। অথৌবদি তোলোংখোম্বাবু মপনগী মগাইফমদা ইতমহৌরে।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা, মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বাদা ময়েংননা মহাইরে। পারী ইবুংঙো তোলোংখোম্বা। হয়েং ইনুং তৌরেনবদা, খোয়ুম লাঙ্গেংলোন পাংগদৌরিবা, লোইচিং নিংথৌ অসি

মতিক ময়াই অকনবা, চীনফেং হেলোইবনি। নহাল নোংদা মহাইখিএ। নপন পন্থৌ ঐঙোন্দা, খোয়ুম লাইনিংথৌ কৌবরেন, নহাক্কী নপারী অসিনা লালোং লৈঙাক হৈরবা মতমদা খোয়ুম ওইবা লোইবী নিংথৌ ঐগা খোয়ুম মায়োক্নবা লাম্হেং ওইগে। মাবু লালোং মশিংশুনা তাকপীয়ু হায়না ইপাদা লোইচিং নিংথৌনা চীনফেং অহেনবা ওইনা পাওতাকপীখি। মরম খিবিক অসি লৈবনা, ইপানা নঙোন্দা লালোং অসি পিবনে। নপন ঐহাক্কা মায়োকনবা লাম্হেং, কোরৌসু হয়েং ইনুংলেনদা মহাইখরে।

মপন পন্থৌগী য়াৰা তাবদা, মপারী তোলোংখোম্বা খোয়ুম মথৌরেন হেলখরে। অথৌবনা পাইয়া নুংলোনদা খনখরে। লোইচিং নিংথৌগী হেলোইবা খোয়ুম চীনফেংবু মাংহনলগে নুংলোন য়াইদা মদোম শারি পনদোমনখরে। মপন পন্থৌবু কোকনোজদুনা মগাইফমলেন ইতমখরে, তোলোংখোম্বদি মপারী। অসুমলেন লাংহৈকোনদি অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমদা মপুরেন শিদবগী থৌকাং ওইজরিবা, কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বনি। লাংহৈকোনগী মপুংয়াইদা কোরৌহনবা মপুরেন অঙানবা লাংহৈকোন ওইরকলে। ইনুং তৈরেন ঙাল্লকলে। য়োইদা ঙানবা মপুরেন্না, কোরৌগী মশেক ওইরকলে, অঙানবা ফীদুপ তম্লকলে।

লাইনিংথৌদি অৰাং কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বা, ইরু শাদেং তমদুনা, ইমু ময়োন ইতমখোংনা লাংহৈ মাবু লাংদাইকোন মরোইরবদা, তরা মায়োকনদুনা, খোয়ুম লাংদাই ওইখরে। শাফি লানফি থোনজিল্লে, খদাং চেৎলোই পুনশিল্লে। খুবোম য়াই তমখরে। পাবোম লিরেন ইতমলে। নাচি নারা নাতমলে, খুৎশা থাংওই মপাইরে, য়াংদা লিরুং মতাইরে। তেনজৈ মশিং পাপোং লোল্লে। চীংউবা লালোইশিংবু মাগী মাগী খুংসু খুলাই, শাফি লানফি পুম্বা থোনদুনা, অথৌবগী মগাইফমলেনদি ইতমলকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা, লালোই লাইয়াম পুম্বা, ফীরান ৰাংনা হৈতমনা লাক্লুনা অথৌবদি তোলোংখোম্বাবু কোকনোঞ্জরে।

কুবী হৈবা অথৌবনি, তোলোংখোম্বনা লাংজিন থাদুনা শাগোল শারাংথক্তা তোংদুনা অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমলেনদগী লাইয়াম পুম্বাগা লোইননা, লোইচীং নিংথৌগী মগাই ফমলেনদি খারেমকোন লাইবী চীংশাং থেলোই ৰাংবা মগাই তমনা ইতমলকলে। খারেম কোনগী লাংদাইকোন লোইচিং নিংথৌনা, লালোই কয়াগা লোইননা মঙাইরম্মী লালোং শৈমদুনা, অসুম অসুম লাকপনা খারেম কোনদি লাংহৈকোন, চীংগী চীংমাই থেলোনবা লাইবী নিংথৌ মগাইফমলেন ময়ৌরকলে। মগাই ফমলেন হেক য়ৌবগা, খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা মায়োকনরে। লোইচিং নিংথৌগী থৌপুরেন্না লাংচি হুইরেনবা থোনথোক তমনা মহাইরকলে।

লোইচিং নিংথৌনা মঙাইরম্বা মগাইফমদে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী য়াইথাকোন, লোইচিং নিংথৌগিনা য়াইরেল চীংমাইনি। লোইচিং নিংথৌগী থৌপুরেন, লাংচি হুইরেনবনা মহাইরকলে। হৌজিক লাইলোই পুম্বাসু মশুরে। অথৌবা অনিসু মায়োক্করবনিনা, খোয়ুম কনানা লাংজিন থাবগে, মাইথিবা কনানা ওইবগে, ময়েংনরসি হায়না, হৌ লালোং লাংকোইনরকলে। লাইগা লাইগা, শা-শা, তেনগা-তেনগা, থাংগা-থাংগা, তাগা-তাগা, খোয়ুম মাগী মাগী মতিক মথৌনা মপুগী থৌজান য়েংনরকলে। লোইজিং লোয়াদা লৈবা চিংউ খুথোক তমলিবা লাইয়াম পুম্বা অকি তুজুং পোকখরে। খোয়ুম লাইগী লালোংদা, তোলোংখোম্বগী মাংওইনবা ঙমশিলকত্রে। লোইচিং নিংথৌ কাইদুনা লালোই ময়ামগা চেনখ্রে। লোইচিং নিংথৌ ফাদুনা তোলোংখোম্বনা লাইয়ামগা লোইনদুনা অৰাং কৌব্রু মগাইদা ইতমলকলে।

তোলোংখোম্বা মপারীনা, লোইচিং নিংথৌ ফাদুনা শাগোন শারাংথক্তা পুরকপা মদুবু লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মউরে। মদু মউবদা লাইনিংথৌগী পীপুকনুংদা মখল্লকলে। খোয়ুম চীনফেং হেলোইবসে পারী তোলোংখোম্বাগী মায়োক্লবা লাঙ্গেংদা খোয়ুম মাইথিবা ফংলমালে। মসি য়াৰা খনদুনা নুংলোন য়াইদা ইতমলকলে। তোলোংখোম্বা মপারীদো, খোয়ুম লালোই লাইয়ামগা অসুম অসুম লোইননা খোংদোই হুল্লকপনা, মপন মথৌগী মগাইফমলেন য়ৌরকলে। অথৌবদি তোলোংখোম্বানা, মপন পঙ্গৌদা কোকনোনজনা মহাইরে। পঙ্গৌরেনদি অপোকপও, নপারীনা কোকনোঞ্জরি। হুইরেন লানদা অথৌবা, লৌচিং নিংথৌবু ফাদুনা পুজরকলে। মসি য়াৰা হায়দুনা, মপন পঙ্গৌদা লোইচিং নিংথৌবু কৎচরে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা, লোইচিং নিংথৌবু য়েংলগা মহাইরকলে, হৌজিক নহাক্লা অপাম্বা করম্বা চীনফেং লৈরিবগে। খোয়ুম ঐগী ইফমদা মহাহরোদনা অথৌবা। লাইনিংথৌ কৌব্রুদা কোকনোজনা লোইচিং নিংথৌ পামসুবনা খুমজরকখি। লাইনিংথৌদি মপুরেন, খোয়ুম চিনফেং হেল্লুবা ঐগী ইরান ওইরমালে, মপুগী লিকলম কাওরুরে। খোয়ুম লাইনিংথৌগী মপারী তোলোংখোম্বাগী মায়োক্লবা লানফমদা ঐহাক মাইথিরে। খোয়ুম ওইবা ঐহাকসে, মতুংলেনলাং দাইকোনদা লাইয়াম পুম্বানসু খংহৌরসনু, লাইনিংথৌ মফমদা লোইচিং নিথৌনা, চিনফেং হেল্লুবদুগী, মপারীগী মখুত্তা লোইচিং নিংথৌ মাইথিবা ফংখি হায়বসি মালেমদা খুঙ্গোকলিবা লাইয়ামসু খংহৌরসনু। মসি য়াৰা হায়দুনা লাইনিংথৌ কৌব্রুদা কোকনোজনা মহাইজৈ লোইচিং নিংথৌ পামসুবনা।।

পামসুবগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌনা মহাইরকলে। ফরে মদু ওইরবদি, খোয়ুম ওইবা নংহাকসে মথং তাবা নংগী লাংহৈকোনদা, খোয়ুম লাংদাইকোন নত্তনা, চিনফেং অমা নাইফরোই। লাইগী

লিচৎ ওইফরোই। লিকলম মাবু কাইফদে। য়াৰা অসি ইনজগে, মপুরোইগী থৌকাংবু খোয়ুমগী লিচৎ ওইজগে, কোরৌ মালেমদা লৈরিবা লাইয়ামগী মাংদা খোনথোক তমনা মহাইয়ু হায়না, লাইনিংথৌনা তাকপীরে। য়াৰা অদুবু ইনজনা, লোইচিং নিংথৌ চিংউবা লাইয়াম তাননবা, খোনথোক তমজে পামসুবা নিংথৗনা। অসুম লাইগী মখে ফংজরবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা লোইচিং নিংথৌবু মগাইফমদা, হনহনখরে। মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বা খোয়ুম থৌকাংরোন মখাদা লৈঙাকলোন লাংদাই ওইনা, লোইচিং নিংথৌ পামসুবা মগাইফমদা লৈজখি। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজখি। মপারী তোলোংখোম্বগী লাল্লোইশিংসু মাগী মাগী মগাইফমলেন হনখি।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা ফম্বাল কোনদা ফমদেংনা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বা য়েংলগা মহাইরকলে। পারী তোলোংখোম্বও, ইপাগী নাক্তা চংলকউ লাও, ইপানা য়াৰা মহাইগে । মপন পন্থৌগী য়াথংবু ইনজরিবদি মপারী তোলোংখোম্বনা কোকনোঞ্জনা মহাইজে। করি য়াৰা তাকপীগদবা, তাকপীয়ু অপোকপা হায়না মপনদা হনগৎচরবদা, লাইনিংথৌনা মপারীদা অসুম্না পাওমেনজখি। পারী ইবুংঙো নহাক্না, মালেম অনেম্বগী লাংহৈকোনদা, লোইবী লোয়া চীংশাং নাপোম কয়াদা খোয়ুম লাংকোন ওইবা, থৌরেনবা মতিক ময়াই লৈরবা কয়াবু ইচানা মাইথিবা পীদুনা খোয়ুমগী লিচৎলোন কাইফদ্রবা লিরেন ওইবদি, ইপানা অপেনবা ওইরে। পারীবু ইপানা চাওরা শারেপ ফানবা, লালোং মহৈ য়ানবা, হোনজমন মহৈ য়াল্লে।

মপনগী য়াৰা তাবদা মপারীনা পেনজৈদো, মপারী তোলোংখোম্বনা মপন পন্থৌদা হনগৎচরে। নপারি ওইবা ঐহাকপু খোয়ুম লাইগী লিচৎলোনদা, মতুং তাবা লাংহৈকোন করি শিন্থা পাংহৈবা, নপারী তোলোংখোম্বদা তাকপীরোদো। অপোকপনা, মপাও চিংগোইরকলে। পারী ইবুংঙো নংহাকনা, অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোনদা, লোইজিং লোয়া কয়াদা চীংউবা খুন্থোক তমলিবা, অথোই নাপন লাংদবা, খোয়ুম লাইগী লিচৎলোন, লাংহৈ মপুং ওইদবা লিচৎলোনগী লাংদাইবু তুংদানবা থৌরেনবা, খোয়ুম ওইরিবশিংবু খোয়ুম লানওং শিনদুনা, মায়োকনবা লাম্হেং কয়া পাংদুনা খোয়ুম মতিক ময়াই অহেনববু মাংহনবা থৌওংসি, পারীগী থৌকাং মপুং ওইজৌও। অসুম য়াৰা হায়দুনা মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বাদা খোয়ুম শিনথা পিরকলে।

মপন পন্থৌগী শিন্থাবু, মপারী তোলোংখোম্বা চরৈ ফীগাও শানা নিজরে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা মগাইনুংদা হনজিনখ্রে। মপারি শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বানা, পাইম নুংদা খল্লকলি। লোইবী লোইয়া চীংমাইথেনদা খুন্থোকলিবা চীংউবা লাইয়াম মতিক ময়াই লৈরবা কয়া মাইথিবা পীনবা থৌরম থৌখাই পাংনবা, থৌশিন লাংহৈগে খল্লকলে। অথৌবদি তোলোংখোম্বা মপনগী

থৌজান ফংজরবদা, অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাবু থিহ্নদনা মকৌখৎলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্নমকনা তোলোংখোম্বগী মগাইফমদা লাকলে। লালোই লাইয়াম পুম্নমক্লা তোলোংখোম্বদা কোকনোঞ্জদুনা খহনগৎচরে। অথৌবনা লাইয়াম ঐথোয়বু কৌবীববু, করি য়াৰা তাকপীগদবনো হায়জরকলে। লাইয়ামবু য়েংলগা হাইরকই, ঐহাক্না ইপনগী য়াথং ফংজরে। হয়েং কৌরৌদগী লোইজিং লোয়াদা লৈবা খোয়ুম হেলোইবা কয়াগী মথক্তা, লালোং নোংতমলসি। মতাকপিরে অথৌবনা ।

চীংমৈ লানথেং চীং

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মপারী অথৌবা তোলোংখোম্বগী য়াৱাবু হোয়ানরে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বাগা অথৌদি তোলোংখোম্বা, লেপনবা থৌকাং ওইখরে। অসুম লংদাই পুংকোই ওইরকপনা, লাংহৈ খরনি তুংদারোইদা, কোরৌনা হোলোইবা নুমিৎলোইনি। মপন মপঙ্গৌ, পালেম মমা ওইরিবী কোনুরেনবী মমাগী য়াথংতবু লৌজরগা, মপারী শিংখোং ওইরিবা লোইজিং লোয়ারেনদা খোংদোই ইহুন তমলগে, পাইমা নুংদা খল্লকলে। অথৌবদি মপারি তোলোংখোমবা মপনগী মগাইফমদা লৈরিবদি খোয়ুম লাইয়ামবু মগাইফমদা কৌরদুনা, লাইয়াম লালোই কয়াসু তোলোংখোম্বা অথৌবগী মগাইরেনদা খোংদোই ইহুন মতমলকলে। চীংউবা লাইয়াম লালোই অথৌবদা কোকনোঞ্জনা মহাইরে। লাইয়াম ঐখোয়বু অথৌবনা মকৌবীববু করি য়াৱা তাকপীগদবা, খোয়ুম শিঙ্থা পীবিয়ু মহাইরকলে লাইয়াম লালোই পুম্বানা। মপনগী লালোই লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইজরে, তোলোংখোম্বা।

কোরৌ অসি পনথদনা, লালোই লাইয়াম নখোয়গা খোয়ুম ওইবা ঐহাক্কা লোইনদুনা, লোইবী লোয়া শিনবা থুংনা, অথৌইরেন নাপন হেনলোইবা, খোয়ুম লাংলেন কয়াবু মপুগী থৌজান য়েংদুনা খোয়ুম মায়োকনবা লানফমলেন, শিঙ্থা মাবু পাংবদি, চীংউ লাইয়াম নখোয়গীসু থৌদা থৌশিন ওইগনি। থৌরম অসি পাংবনা, ঐখোয়বু মালেমদা খুঙ্গোকপী, লাংহৈ মপুং শিঙ্থা মাবু পাংজবা খোয়ুম লাইগী লিচৎনি। মপুগী লিরেন লিচৎতি, ক্বাওফদ্রবা মীংখৈরেন। অনেম্বা মালেমদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা মপুগী লৈকোনদা লৈরগা শেম্বীবা মপুবু কাওফরোই। লাইগী লিচৎ মাংফরোই। শিদবগী খোয়ুম মপুরেনগী লিকলম অসি কালদুনা, তুংদানবা ওইরবদি, মাংজিন থানা তাকপীবা খোয়ুম লাইগী পাওতাকনি। মসি মরম লৈবনা ইপনগী পলেমগী য়াথং লৌজরে।

পুংফমলেন অসিদা লালোই নখোয় ময়ামগা তোলোংখোম্বা ঐহাককা লোইনদুনা খোংশাল্লসি। থৌহেনবা খোয়ুম কয়াগী খোঙ্গুল লিরুসি, মসি য়াৱা হায়দুনা, অথৌবদি তোলোংখোম্বাগা চীংউবা লাইয়াম লালোই কয়াগা লোইন্না, অৱাং কৌব্রুগী মগাইফমদগী খারেম মাইকৈ পাংদুনা শাগোন শামু তোংদুনা শাফি লানফি শেৎ, থাং তা, তেসুববু পাইদুনা, লোইবী লোয়া তমলকলে। লাইয়াম পুম্বাগা অসুম অসুম লাকপনা, মতিক ময়াই হেনলোই মপুগী থৌজান হেথোংবা, খোয়ুম চীংফেং হেলোইবা কয়াবু অথৌবদি তোলোংখোম্বা, মায়োকনবা লালফমদা, লোইচিং লোয়া পুবা থৌরেনবা খোয়ুম কয়াবু মাইখিবা পীদুনা, অথৌবা তোলোংখোম্বা লালোই কয়া লোই চনখি। অসুম অসুম লোইচিং নিংথৌ খোরুম পাঙ্গবা কয়াবু মাইখিবা পীদুনা, লালোই কয়াগা লোইননা, খাগী লাংহৈকোনদা লাকতুনা ইরেন চীংমৈথেন অমা থেংনরে।

ঙহাক পুংকোই অথৌবদি তোলোংখোম্বা, অৰা পোথাদুনা লাইজা ইপানদা মরৈহৌই। মতমলেন অদুদা লোইবী লোখা খারেম চীংমাইদা, তোলোংখোম্বাগী লালোইশিংনা অসুম অসুম চংশিলকপদা খোয়ুম লৈঙাক মপুরেনবা, মতিক মথৌনা লৈরবা, খোয়ুম পাঙ্গন হেলোইবা অমানা, লাইনিংথৌ ৰাংরেনগী থোঙাক-থোংলেন পুদুনা লৈরম্মী। তোলোংখোম্বগী লালোইশিংবু য়েংদুনা থোংঙাকপা হিংলোই পাঙ্গনবনা হায়রকই। তাও তাও চীংউ লাইয়ামশা, নখোয়না ঐনা থোং ঙাকলিবা মগাইরেন অসি তমনা চংলকলিবসি, ঐগী ইগাইফমলে য়ৌদিঙৈদা নহনফমদা হনখরো। মদু নহিত্রবদি, খোয়ুম লালোইশা, নখোয় পুম্বা লাংওন অমা তমগনি। য়াইবীরেনসু মাংখিনি। খোয়ুম ওইবা থোংঙাকপা অথৌবদি পাঙ্গনবা হিংলোইবগী য়াৰা তাবদা, লালোইশিংনা শাওমনখিদুনা, অথোইননা অসুম অসুম চংশিলকলে।

থোংঙাকপা হিংলোইনা, হিংচা য়াইতম্বগী লাংওন কয়া থৌশিল্লকলে। উপান ৰাপন কয়া ফক-ফকতু লংশিল্লকপা হৌরকলে। থাং তা কয়ানা তোলোংখোমবগী লালোই কয়াবু মাইথিবা পীবা হৌরকলে। চীংউবা লাইয়ামনা, লাউ থোংবগী খোজেন অদু, ইরেপ খোংদা পোথাদুনা লৈরিবা অথৌবদি তোলোংখোম্বগী নাপদা তারকলে। তোংলোংখোম্বা, খোজেন অদু তাবদগী ফুক হৌগৎতুনা, লাইয়ামনা চংখিবা মফম, থোংঙাকপগী মগাইফমদা থোংদোই হুল্লকলে। অথৌবদি তোলোংখোম্বনা মনাই মসন ওইরিবা লালোইশিংগা, হিংলোইবা পাঙ্গনবগা মায়োকনদুনা লালোইশিংবু লাকনবা অদু উরুবদা, অথৌবদি তোলোংখোম্বা লাওরকই। হাদা খোয়ুম পাঙ্গনবও, ঐগী লালোই ঙাকতনি, মখোয়গী থৰাই কনবীয়ু। লানখিবা লিকলম কয়াবুসু ঙাকপীয়ু হায়না অথৌবা খোনথোক তমনা লাওরক্লবদা।

হিংলোইবদি পাঙ্গনবনা অথোই নাপনগা লোইননা হেনবদি লাইয়াম খোয়ুম চৈথেং পীবীরে। মদুতবু য়েংঙদননা অৰা লৈচাক ফংলিবা লালোইশিং, য়াইবী মাবু কনগে হায়বগী মতৌগুম চেনশিনলক্তুনা হিংলোইবগী ঙাংচেংনবা শাফবা খ্বাংচেংদা তোলোংখোম্বানা কোনশিন্দুনা, মালেম লৈদা চুকথারে। মতিক মথৌনা লৈরবা হিংলোইবা, লেংবা ওৎপা ঙমদদুনা লৈরকলবদা অথৌবগী য়েৎকী খোংশানা মালেম লৈতৌদুনা হিংলোই পাঙ্গনবা খোয়ুমদো, মালেম লৈরোননুংদা লৈচনখরে। চীংউবা লাইয়ামনা মালেম লৈশানা খোৎশিন্দুনা ফুমজিনখরে হিংনা হিংনা, পানসু সুরেনবা খোয়ুম থোকপনা, মপু ওইবা ইবুংঙো ৰাংব্রেন খানা চাওবদা থৌদোক অদুবু হনগৎচরে।

পানসু থোঙঙাকপগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ ৰাংপুরেন্না, হিরি কোন্না লৈরিঙৈদা পাওদম অসি ফংখিবগী, শাওমনখিদুনা ইঙা কুমদম লাইওইবা, ইঙেন কুমখাই য়ারেনবা, ময়া য়ারেন লিশিং লোংবগী খাম্বী মৈএং কয়া, মৈরী মৈবুল লাংওইববু কামথোকলকলে। হিংলোইবনা পুবা খোংদাইকোনদা, মৈগী মৈশা ফংবদা লাইয়াম পুম্বা ৰানা খাংদুনা, মালেম লৈমাইথক্তা, চৈরেন হাইবগুম হাইথনরকলে।

অখাক অরাওগা লোইননা পাইশিল্লিবা য়ারেননা, মালেম লৈমাইথক্তা তাদুনা লৈরিবা খোয়ুম লালোই লাইয়ামদো, ৰাংপু খানা চাওবগী পীপুকনুংদা অমা খোয়ুম চিখাদনা পীবুকনুংদা পুশিনখরে। ময়া য়ারেন লিশিং লোংবা, মমিং কোঁইরাওনবা, তুবী হেলোইবা চীংলাইরেন, শকওইবদি লাংওননি। মতিক ময়াই ওইবনা খোয়ুম শিদবগী থৌজাননি। লাইয়াম লালোই পুম্বাদো মাংখ্রবদা, মৈবুন ওইদুনা তোলোংখোম্বাবু থিরকলে। অথৌবদি তোলোংখোম্বা অকনবা মৈবু নৎতে পাইমা নুংদা খল্লদুনা, অথৌবদি তোলোংখোম্বা, মিৎসনা অনি উইশিন্দুনা পলেম মমাবু কৌজরবদা। পালে মমা লাইওবীনা, চরৈ অঙৌবা ওইনা পাইরক্তুনা মচাবু চরৈ নুংদা কুপশিনদুনা, কৌনুগী পীবুকনুংদা লৈথি। ৰাংব্রেননা খাম্বী মৈ ওনদুনা তোলোংখোম্বা থিরকপদা, থিবা খংলকত্রবদা, অশাবগী খাম্বী মৈত্রেং থারুবা মশাদা হনজিনখি।

মশানা মশাদা হনজিখ্রবদা, লাইনিংথৌ ৰাংব্রেননা খোংদাইকোনদা ফমদেংদুনা য়েংবদা, মচন ইবেম্মা কৌনুনা, তোলোংখোম্বা কোনদুনা থম্বাদু উরকলে। মদু উবদা লাইনিংথৌ ৰাংব্রেন খোংদগী কোক ফাওবা তু চুংখি। লাইনিংথৌনা কোরৌদা য়েংলগা মহাইরকলে করি মতৌ কৌবগে, থোকলিবা থৌওংসিবু। অসুম লাংদাইনরিঙৈদা লাইনিংথৌ কৌব্রু মশানৌ কোনুগা লোইননা, ৰাংব্রেন মগাইফমদা থুংলরে। লাইনিংথৌদি ৰাংব্রেননা, মালেম লৈদা লুরুকননা লৈরমবদো, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা উরকলে।

কৌব্রু কৌনু অনিনা পাইমা নুংদা খল্লকলে। মংদম্বদো চুমলমলে, মফম অমা হোংলমদে, ফিজেৎ অমা কাইরমদা, অসুম অসুম লাকপনা ৰাংপুরেন থোংদাই য়ৌরকলে। থোংশঙবদি, মালেম লৈরোন নুংদা মপারীনা হিংনা চনখিবা লাইয়ামগা লোইননা, ৰানাথারুবা মতৌগুম, তুমলমবা মীকপ থোকলকপগুম, লৈরোন নুংদা কাখৎলকলে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী, কৌব্রু কৌনু অনিবু হিংলোইবনা উবদা খংজবনিদো হিংলোইবনা, মপুরেন কৌব্রু কৌনু অনিবুদি। মপুরেন শিদবা শিদবী অনিদা কোকনেঞ্জরে।

হাইজরকই হিংলোইবনা, মপুরেন শিদবা শিদবী অনিনা খোংদোই ইহুন তমবীরকপদি, থোং মপু ঐহাক্তা থৌগনজরিএ। মপু মনাই ঙাংনবদু খোয়ুম মপুরেন শিদবা ৰাংব্রেন খানা চাওবনা তারদুনা খোয়ুম মীপাংনা য়েংলকপদা পম্লৌ থৌরেন কৌব্রু মশানৌ কৌনু চংলকপা উরবদা, ৰাংপুরেন্না চেনথোকতুনা পাম্লৌ অনি লাংদাইনরে। মচন ইবেম্মা কৌনুগসু হরাও তরামগ লোইননা, লাইনিংথৌ ৰাংব্রেনগী ফম্বাল কোনদা চংমিন্নরকলে। মগাইফমলেন য়ৌরদুনা ফমদেংকোন ফমদেংদা চীংউ লাইয়ামনা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু ,কৌনু লাইরেনবী থৌগনজৈ।

লাইনিংথৌ ৰাংব্রেননা, পঙ্গৌ থৌরেনবা অসুপ্পা লাইনিংথৌনা ইচন ইবেমা কৌনুগা অনিনা লোইননা খোংদোই হুনবীরকপবু করি য়াৰা তাকপীগদবা লৈবগে, হায়রকলবদা লাইনিংথৌনা, অৰাং কৌব্রু সুপলেনবনা লাইনিংথৌ ৰাংপুরেনবু য়েংলগা হায়রকই। অতৈ করিগী য়াৰা নত্তেদা ঐগী পারী মদোম পোকচবদো, ইপনগী মগাইদা খোংদোই হুল্লুগে হায়দুনা খোয়ুম লালোইশিংগা লোইনদনা চৎখিবনি। নপারীদো মঙাও থিবনিনা, খোয়ুম লিকলম কাইখিগদ্রা হায়দুনা, পলেম মমা ওইরিবা নচন ইবেমোগা লোইননা অদুক খোংদোই হুনজরকপনি।

য়াৰা খোনথোক তাবদা লাইনিংথৌ ৰাংব্রেন হায়ফম তৌফম খংলকত্রে। মদু উবদা মচন ইবেমা কৌনুনা, মপুংলেন ইকাই ফিরুপ খুম্বা তারে হাইদুনা, মচাগী য়াইবী কনখিবা চরৈ অদুবু নুংলোনদা কৌশিনলবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বাদো, পলেম মমাগী চরৈ অঙৌবনা মাইথোং কুপতুনা থোংশঙবা হিংলোইবগী থোংদাইকোনদগী চংলকলে। মদু উবদা কোনু মমানা, মপারীবু য়েংলগা, হায়রকই। পারী ইবুংঙো করিনো নহাক্লা তৌরিবদুবু, ইমা লাকলে, নপনসু লাকলে মাইথোংদু হাইদোকউ হায়দুনা পলেম মমা কৌনুনা মপারীগী মাইথোং হাইদোকপদা, মপারীনা পালেম মমাবু কোনদুনা ইঙাগী নোং খাকপগুম তোলোংখোম্বা কপখি। ইমা ইমানা,নচাবু নুংশিবীবদি, নচা ঐনা ইমাবু নুংশিজবদগী হেল্লিনে ইমা, মপোক লাংওন খুদিংগী ইমাগী নচা ওইবা পীনবীয়ু হয়দুনা পলেম মমা কৌনুদা, তেংথা নাওইয়জনা হাজরকলে মপারীনা, মপারীবু কোনুনা কোনখৎপীদুনা হাইরকই। ইচাশিদি ইমা লৈরিবসিদি । পারীনা চৎপা খুদিংদা ইমানা মাংথারিবনি, য়াৰা অসি কাওগনুকো, মহাইরকলে লাইরেনবীদি কৌনুনা।

লাইনিংথৌ ৰাংব্রেনগী লাংদাইকোন ওইরিবা, খোয়ুম য়ারেক হেলোইবা, তাওরোই নাইগী য়ারেনদগী লাইয়াম পুম্বা কৌথোকলে। থৌদোক পুম্বা লাইনিংথৌ ৰাংব্রেননা, তোলোংখোম্বগী লালোইশিংদা অশাও পরৈনহনখ্রে। লালোই পুম্বানা লাইনিংথৌ লাইরেনবী কৌব্রু কৌনুদা কোকনোঞ্জরে। মদু নোংবু উবদা মহাইরকলে ৰাংব্রেননা, পাথৌনা চনবা পাওখোং লাইনিংথৌ কননা ফোংবা ঙমগদগে, পাথৌও।

পারী ওইবা তোলোংখোম্বাদি লাকচবা য়াদবা হচানিদো খোয়ুম থোইরেন মিংথোননি। মতিক ময়াই হেলোইনি। ঐনাতাবু খংলেদো পারী মতিক ময়াইসে। পাইরী ইবুংঙো তোলোংখোম্পা, ইপাগী নাক্তা লাও, ইপা য়াৰা হায়গে। ফংজরো নংগী নতিক ময়াই। মপুগী থৌদা ইনজদুনা থৌকাংজবা শিম্বাদা, খোয়ুম মপুরেন্না নোংদমবীদুনা, নপন ওইবা ঐহাক্কী লাংদাইকোনগী লাংহৈদা,চীংউগী মীংথৈ ফংদুনা খোয়ুম ফম্বাল ফংজরোকো পারি-ও। মপন ৰাংব্রেন থৌজানবু চরৈ ফীগাও শানা নিজখি তোলোংখোম্বা মপারিনা।

নুংথেঙলৈমা শারিকোন

লাইনিংথৌ ৰাংব্রেন, মশানৌদি অনাল চনু পোঞ্জেনবি, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু ,কৌনু লাইরেনবী, মপারি শিংখোং তোলোংখোম্বা, চিংউবা লালোই কয়াগা লোইন্না হৈরাং হৈচামিন্না লৈরাং লৈচিনমিন্না,হরাও তরামগা লোইন্না খোয়ুম লাংদাইকোন মওইরক্লে। লাইনিংথৌ অসুপ্পনা লাইয়াম পুন্বাদা ৰাতাই শঙদাইকোন ওইরকপনা, অসুম্না মহাইরে। মপুরেন শিদবগী লৈকোননুং, খোয়ুম থৌরেনবা ঐখোয়না মপুগী থৌদা ইন্দুনা থৌকাং মপুং ওইজপনিনা খোয়ুম ওইবগী লিচৎলোন কাইফদ্রবা লিরেন্নি। য়াৰা অসি মহাসনা লাইয়াম পুন্বা লাংহৈরে। লাইনিংথৌ কৌ ইরবনিনা, থৌরেম্বাও, ঐখোয়সু ইরাং য়াইদা ইতমজরগে। করিগুমবা লাংহৈদা অমুক খোংদোই হুনজরককে, হোয়ানরে লাইনিংথৌ লাইনরেনবীসু নমা মচা লাইরেনবী কৌনুগা লোইননা চীংউবা লালোই শিংলোই লাইয়ামনা থৌগনদুনা। লাইনিংথৌ ৰাপুরেনগী মগাইদগী খোংদোই হুল্লকলে। মগাইফমদা লাইনিংথৌ ৰাংব্রেন মশানৌদি অনাল চনু পোজেন লৈমগা অনিনা থিনদোকলমলগা, মরাং য়াইদা হনজিনখিদুনা ইতমহৌরে লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা।

পলেম পহৌ, মপারী তোলোংখোম্বা চীংউবা লাইয়াম পুন্বাগা লোইননা অৰাং কৌব্রু মগাইফমদা খোংশাল্লকপনা, লোই চীংশাং লাকপনা মগাই ফমলেন য়ৌরকলে। লাইয়াম পুন্বানা থৌগনজনা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী ফম্বাল কোনদা চংদুনা, লাইনিংথৌ ফমদেং তমখরে। পলেম মমা ওইরিবী কৌনু লাইরেনবীসু ফমদেং কাদা লাংহৈনরকলে। মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বানা, পলেম পহৌ অনিবু থৌগল্লকলে।

মদু তবা লালোইশিংনা উজবদা, কয়াগী মতিক নুংঙাইজবা, হরাও মথোই কাজবা,লাইয়াম পুন্বানা হৌ হে হায়া হৌনে। লাইনিংথৌ কৌবরেন শিদবগী মপারি অথৌবনা খোয়ুম মতিক ময়াই অহেনবনা, লোইজিং লাইনিংথৌরেনবা কয়াবু মাইথিবা পিদুনা খোয়ুম লাংদাইকোন ওইরকলে। চীংউ লাইয়াম পুন্বা তারোদো,অসি য়াৰা হায়দুনা খোয়ুম খোঙ্গাং য়ৈরকলে।।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী চীংউবা লাইয়াম পুন্বানা তোলোংখোম্বগী মীংথৈরেন, খোয়ুম খোনথোক তমদুনা ফমবালকোনদি কৌবরেন, লোইবী চীংগী চীংমাইথেনদা, খোয়ুম লাইয়ামনা হরাও মথোই তমলকলে। মদু নোংবু উবদা, লাইনিংথৌদি কৌব্রুনা লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্নমক লালোই শিংলোই পুন্বাসু তারোদো লাইয়ামশা। ঙসি কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোই

অসিদা মালেম অনেম্বাদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বা পাওথাং পীরো, ইগাইফমনে, লোইবী থেলোং চীংমাইথেন অসিদা লাইয়াম পুম্বা লাইতিনগনি। মসি য়াৰা হাইদুনা খোয়ুম পাওতাকনরেদো অসি য়াৰা মহাইরক্লবদা, চীংউ লাইয়াম পুম্বানা খুঙ্গোক তমলিবা লাইয়ামশিংদা, পাওতাক নামী থেনখরে। লাইয়াম পাওতাক ফংলদুনা অনেমবা মালেমগী লাইয়াম পুম্বা, অৰাং কৌব্রুগী লোইবী চিংদা ইতমলকনা, লাইয়াম পুম্বা খুদিন্নরকলে।

চীংউবা লাইয়াম লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী লোইবী চীংমাই থেলোংদা ফমদেংদুনা লাইনিংথৌগী অহকপা য়াৰাবু মঙাইরকলে লাইয়ামনা। চীংউবা থৌরেনবা লাইয়াম কয়াসু ময়াওরি। মতিক মথৌনা, থৌজান হৈরবা লাইয়াম কয়াসু তিল্লরে। লালোই লাইয়ামসু য়াওররে, শিংলোই কয়াসু তিল্লরে। মানা মনা পাম্বা কয়াসু ফোংদোকনরি। লাইয়ামলকতগী থৌশিন হৈবা লাইরেন হনবা লাইয়মবু য়েংলগা হায়রকই। লাইয়াম ঐখোয় কৌবদি, করিনোংগী য়াৰা লৈবনা খোয়ুম ঐখোয়বু কৌবনো।

লানজং থৌবা লমলোই খোয়ুমশিংনা খুমজখি। লাইনিংথৌগী চীংমাইথেনদা লাইয়াম ঐখোয়বু পাওথাং পীদুনা কৌবদি অতৈ করি অমগী নৎতেএ। লাইনিংথৌদি অসুপ্পাগী মপারীদি অথৌবা, শাদা লানদা থৌরেনবা মতিক ময়াই হেলেনবা, তোলোংখোম্বা অথৌবগী মতিক ময়াই ওইববু, খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয়সু খংজা উজাহৌনবা, মীয়েং তাজৌ হায়বগী খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা মকৌবনিদা লাইপুংলেনবও।

লাইপুংলেনবা লাইয়ামনা খুমজখি, মদু নোং য়াৰা অদুদি খোয়ুম ঐখোয়বু তাফৈনা। মপুগী লিকলম কাইদনা থৌপাংলিবা, লাইনিংথৌগী মপারী, থৌজান হৈবা খোয়ুমনি। থৌনা লিংজেন, থাং তাদা, তেনগী-তেলোনদা, লোইচিং লোয়া কয়াগী নিংথৌরেম্বা খোয়ুম হেলোইবা কয়াবু মাইথিবা পীদুনা লানঙম ফীরান থেৎখ্রবা, লাইয়াম পুম্বানা খংখ্রবা, মপুরেন অসুপ্পাগী মপারীদি তোলোংখোম্বানিদো খোয়ুমশা।

লাইয়াম পুম্বানা মঙাং লিঙৈদা, অসুপ্পদি লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা চীংমাইথেনদা তিল্লিবা লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইরে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা তাবীরোদো। ঙসি কোরৌ নোংসিদা লোইবী চীংমাইথেন ইগাইফমদা, লাইবু ঐনা কৌজবদি অতৈ অমগী নৎতেএ। ঐগী পারী তোলোংখোম্বানা, খোয়ুম লোইবী লোয়া চীংমাইথেন, নোংচুপ হারম ইনুংকোন, খাগী লাংহৈকোনদা লাংদাই পুংকোই ওইরিবা, মতিক মথৌনা লৈরবা চীনফেং হেলোই লাইওইবা নিংথৌরেম্বা কয়াবু ইচানা মাইথিবা পীদুনা খোয়ুম লালোই শিংলেন ওইহল্লে। অহেনবা চিনফেং মাংহনখরে। খোয়ুমগী কানফদ্রবা লিকলমবু, মপুগী মনাই ওইদুনা লাংদাইরেন মপুং ওইখরে।

ঙসিগী কোরৌ অসিদগী হৌরদুনা পারী তোলোংখোম্বগী খোয়ুম লাইগী লাংওনবা লাংদাইপুং মপুং ওইহৌরসনু। মশানা মশাবু খংহৌরসনু লাইয়াম পুম্বা নখোয়সু তাবীহৌরো। পারীগী কোলোই মীংলেনদি, লোইজিং নিংথৌ, লোয়াঙম্বা। অনিগী লাংদাইকোনদা পারীগী কোলোই মীংলেন্না লোংয়ারকপা হায়না কোলোইরবনি। চীংউ লাইয়াম পুম্বানা লাইনিংথৌ মপারী তোলোংখোম্বগী মীংখৈরেন ফমলোনবু, লোয়ারাকপা মীংখৈ হায়না য়াৱা খোঙ্গোক তমলকপদা মাইকৈ শিন্না লৈরিবা লাইয়াম হরাও মথোই কাজনা, চীংউ মীংখৈরোন অথোইবা, লোয়ারাকপা খোনথাং য়ৈনা লাওরকলে। লাইয়ামনা অথৌবদি লানচংলোন লোয়ারাকপা চীংউগী মীংখৈ লাওদুনা, লাইয়াম পুম্বা লাংহৈরে। কৌব্রুগী মপারী লোয়ারাকপা, অথৌবনা লাইয়াম পুম্বদা হায়জখি। লাইয়াম পুম্বা হরাও তরামবীবা, লোয়ারাকপা ঐগীসু অপেনবনি। মপুরেন শিদবনা কুবীরসনু মহাইরকলে লোরালাকপনা।

খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানা লানচং থৌবা অথৌবগী লোয়ারাকপা মীংখৈ ফংবদা হরাওনা মরৈঙেদা খংহৌদবা, খোয়ুম মতিক মগুন হেলোইবা, লাইনিংথৌরেন সোরারেনগী মপারী খোরিফাবা অথৌবা, খংহৌদনা লাইয়ামলকতগী চেনশিনলক্কুনা অৱাং কৌব্রুদা কোকনোজদুনা মহাইরে। ইপন পঙ্গৌ সুপলেনবও, নপারী ওইবা ঐহাকসু, মপুরেন পঙ্গৌ সোরারেনগী মপারী খোরিফাবনি। ঙসি কোরৌ নোংসিদা, ইপনগী মাইদা লাইয়াম পুম্বগী খোনথাং তাবদা, ঐহাকসু ইপনলেনবু খুরুমজরুগে হায়বগী খোইদোই হুনজরকপনি । নপারী ওইবা খোরিফাববু ৱারৌবীগনু, মসি য়াৱা হায়দুনা কোকনোঞ্জেনা, অথৌবদি খোরিফাবনা।

কৌব্রু মমোমলোই

খোরিফাবগী য়াৰা তাবদা লাইয়াম পুন্না অঙকপা ওইখরে। মপারী মদম মালোইবা খোরিফাববু য়েংলগা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা, মহাইরক্লে। পারী খোরি ফাবা, ইচাসু মপুং মরৈ ফারে। মতিক মঙাল হৈলোইরে, নঙানতনা লাংহৈরে। অদুবুনে পারী, ইপাদা করি হায়নিংবা য়াৰা মাবু লৈবগে, অদুক লাইয়াম মাংদা ইপাদা হাইয়ু। য়াৰা অসি লাইনিংথৌনা খোরীফাবদা মহাইরবদা মপারী খোরীফাবনা কোকনোঞ্জনা হনগৎচৈ।

নপারী শিংখোং ওইরিবা খোরিফাবা ঐহাকসু চাওরা শরেপ মফারে। পন্থৌ নপারী ওইরিবা লানচং থৌবা লোয়াগা, খোয়ুম ওইবা ঐখোয় অনিনা চীংউবা লাইয়ামগী মমাংদা, কাংহৈ কাংহু শানঞ্জগে। মুকনা লেংথোং পাংজগে হায়ববু ইপনগী য়াৰা অমতং নপারীনা ঙাইজরি। খোরী ফাবগী য়াৰা মপাও তাবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা খোরিফাবা য়েংলদুনা মহাইরকলে। পারী অনিনা মুক্না লেংথোং শানগে, কাংহৈ কাংহু শানঞ্জগে, লাইয়াম পুন্নাবু অথোই অহেনবু খোয়ুম মীৎয়েং য়েংদুনা লাংদাইকোনবু মওইসি হায়বা য়াৰা অসিদি খোয়ুম লাইগী লিচৎনি।

ইপানা করিগী য়াদনি। অদুবুনে, পারী অৰানপুংলেন লোয়ারাকপনি, থৌগনববু কাইফরোই। হান্নদি নয়াম্ববু কোকনোঞ্জৌ, মতুং তাবা লাংহৈদি, মপুগী থৌজান য়েংনজৌ। নখোয় অনিগী কাংহৈ কাংহু মশানদা, লাইরেনবী কাংদুম হিহুনগে, লাইয়াম পুন্নাসু ময়েং হৌরসনু। হৌজিক্তি চীংউবা লাইয়াম পুন্না পারী অনিনা কাংহৈ কাংহু শানবদা ইপানা থৌখাই পুগনি, অমতা ওইবা খোয়ুম মীৎয়েং লাংদাইকোন মপুং ওইগনি।

চীংউবা লাইয়াম পুন্নানা লাইগী চিংদি চীংমাইথেন, অৰাং কৌব্রু মরম খৈরেনদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মপারী তোলোংখোম্বাগা লাইনিংথী সোরারেনগী মপারী খোরিফাবগা অনিনা কাংহৈ কাংহু শান্নবা মহৌরকলে। চীংউ লাইয়াম পুন্নানা কোইশিন্দুনা অথৌবা চীংউ অনিনা শান্নবা মশানবু হৰাও তরামগা লোইননা খোয়ুম মীৎয়েং তারকলে। অথৌবা মপারী অনিনা শান্নরকপা মতমলেনদা, লাইনিংথৌ কৌব্রুগী লালোইলেনবী লাইরেনবীশিংনা কাংদ্রুম হনত্রেক হুনখ্রে। অঙকপগী মতৌনি চীংউ লাইগী লাংদাইকোননি। অমানা অমা থোইরে অমনা অমা হনদোকলে থোইনবা কৌবা লৈতরে। পাঙ্গনবা মতিক ময়াই লৈরবা মপারী অনিনা শানরকপা, লাইয়াম পুন্নাসু মীফম হোংবা য়াদ্রে। থোইনবা ঙমদ্রবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারী অনিদা য়েংলগা ভহাইরে। পারী অনিমক শান্নবা লেপলো, নখোয় অনি অমতা থোইনবা ঙমদ্রে। মশানা অমা হোংলসি হায়দুনা তাকপীরবদা মপারী অনিসু হোয়ারে।

মপারী অনিনা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা কোকনেঞ্জনা মহাইরকলে। নপারী ওইবা ঐখোয় অনিনা শানগদবা মশানা অদু তাকপীরো হায়জরবদা। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারী অনিবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী অনিনা হন্দক শানগদৌরিবা মশানা অসিদি অতৈ মশানা অমা নৎতে। খোয়ুম শামনবা নখোয় অনিদি পাঙ্গান চাংয়েং য়েংনবা, লৌ লোংহুন হৈবা, ইপানা নখোয় অনিগী চাংয়েং অদু উবা পাম্মী। খোয়ুমগী মনা থোইরেনবা, চরৈ ফীবু তাবনা মখোয় অনিগী অথোইবা অমা ওইগনি। নখোয় অনিগী মশান লিকলমবু লাইয়ামসু খংজহৌরসনু হায়না মপারী অনিদা পাওতাক পীবীরে। পঙ্গৌগী য়াথং ফংলবদা, শামান্নবা লেংমান্নবা, মতিক মথৌনা লৈরবা, লোয়ারাকপা খোরীফাবা অনিনা লাইপুংথেনদা থোক্তুনা, লাইয়ামনা কোইশিল্লিবা মফমলেনদা চংলকলে।

নিংগ্রি ফিসেৎ তম, খ্বাংচেৎ লাংহৈকোন চরৈ ফীদম্না, খুৎশা খ্বাংচেৎ ইতমনা, লেংবান সুপলেপ লংতাইনা, নিংজু অনি মহনথেক লাইগী মশানা মুকনালেন, হৌ হায়না লাইনিংথৌ কৌব্রুনা শৰা হায়না মহারকলে। খোয়ুম শাফবা অনিদো, মপাঙ্গল চায়েং পাংলকলে। অমনা অমবু থাবা ঙমদরে। লাইয়াম পুন্না লাওনরকলে। লোয়ারাকপগী কনবনে, খোরীফাবনা য়ানবনে, লৈশেৎনবা ঙমদনা, চীংউগী মশান উবদা লাইয়াম পুন্না হাইনিংঙাই লৈতনা হরাওজে।

অমনা অমবু লংএ, লৈশাদা উপ্পা ঙমদে, লৈমাইদা তাবা ঙমদেনা। মদু নোংবু উবদা থানবা ঙনদনা মপারী অনি শান্নবা মুকনা অদু অমনা অমবু হেনবা লৈতনা, মপন পঙ্গৌ ওইরিবা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা ফমবালদগী কুমথরক্লগা মপারী অনিবু খামদোকপীরগা ফম্বালথক্তা পুশিনখরে। লোয়ারাকপা ময়াং পুংলেনদা, কোরিফাবা মশানৌনা কোকনোঞ্জরে। মচিন মনাও ওইবদো হরাও মথোই কাজৈনা, মপনগী ফম্বাল মাংওইনা, লাইনিংথৌনা মপারী অনিদা চরৈ ঙাবোং অমমম কুপ্পীরে, লাইগী মঙাল ফংজরে, লাইয়াম পুন্না হরাওরে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা চীংউবা লাইয়াম পুন্নাদা য়েংলগা মহাইরকই। হয়েং উমাংলাইগী লাংহৈকোনদা, হরাও মথোই কাবদা, শাবন লমথোকপা কোইনা লময়েংলকপদা, পারী অনিগী মশা অসি শাৎগদবনি। মশানন অসি শান্নদ্রবদি লাইরোই তানফরোই। পারী অনিগী মশান্না অসি উমংলাই খুঙ্গোক হরাওবদা লৈহৌরসনু হায়না লাইয়াম পুন্নদা মহাইরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুন্নাসু হোয়ারে। মাগী মাগী মগাইফমদা লাইয়াম পুন্না হনখ্রে। খোরি ফাবা মপারিসু মপনবু কোকনোঞ্জররম্লগা মগাইফমদা হনখ্রে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা ফম্বাললেনদা ফমদেংদুনা লৈরিঙৈনে। মপারী শিংখোং লোয়ারাকপনা মগাইফমলেন্দগী থোক্তুনা, মপন পঙ্গৌদা কোকনোঞ্জনা মহাইরকলে। ঐবু পোকপা পঙ্গৌও নপারীনা

করিগুম্বা য়াৰা অমতা হায়জগে। পাইমানুংগী য়াৰানে অশেংবা য়াৰানা পাওমেনবীয়ুকো নপারীদা। লাইনিংথৌনা মপারী লোয়রাকপাগী য়াৰা তাবদা মহাইরকলে। পারীনা হায়বা য়াৰাবু ইপানা করিগী হায়দনি হায়বগে, করিনো ইপাদা অদুক হায়য়ু। ইপাদা থুপচবা য়াৰা অমতা লৈতনা হায়ু, হায়না লাইনিংথৌনা মপারীদা মহাইরকেল। নুংসুক নুংশাননা মপারী লোয়ারাকপনা হায়ঙমদনা লৈবদু মপন পন্থৌ অৰাং কৌব্রুনা উরকলে।

লাইনিংথৌনা মদু উবদা, নিংঙমদবা য়াৰানা পারীনা নুংফুংননা হায়ঙমদবা য়াৰা লৈবদি, করি য়াৰানো ইপাদা অদুক হায়য়ুনে তোইনা তোইনা য়াৰা নপাও হায়ু হায়না মপননা হায়রকলবদা, লাইনিংথৌগী মপারী শিংখোং ওইরিবা লোয়ারাকপা মপন য়েংদুনা কোকনোঞ্জনা মহাইরকলে। ইপন পন্থৌ অপোকপও, অপোকপা ইপনগী মগাইফমদা নহানমখৈ উদবা, খোয়ুম লাইদি লাইরেনবী অমা, লৈশাৎ লমদুনা ইপনগী লৈকোনংদা শিন্থা লাইওইগী অসিবু খোয়ুম কনাগী মমোমনো। খংজদদুনা হংজবনি, ৰারৌবীগনু নপারীবু। মপারী লোয়ারাকপগী য়াৰা খোঙোক তাবদা, মপন্না অসমুনা মহাইরে। পারী ইবুংঙো, ইপাগী লৈকোনদা, লৈকোনগী লৈরাং শাৎলিবী লাইরেনবী অসি অতৈ কনা অমগী মমোম নৎতেএ। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা নুংথেং লৈমনি, পারী নংগীনা নচননি। পন্থৌগী য়াৰা তাবদা লোইয়ালাকপনা মপনদা মহাইরকলে। নহাল মখৈদি অমুক্তা উবা ফংদে, মহাকপু মফম কদাইদা খোংশাল্লুবগে, হংলকলবদা মপারীনা।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা লোয়ারাকপা য়েংলগা হাইরকই। নহান মখৈসু ইরাং য়াইদগী মফম কৈদা চৎতেনা। ইপাগী লৈকোনদা শিন্থা পাংজবা, নিংঙোন কাদা শিলম ওইজবা অসিতনিনা ইমোমনা পাংজবা। পারীনা নহাল মখৈ লৈরিবা নগাই ফমলেনদি মালেম লিরেনদনি। মাংচোক কাগা লিরেন কাগদি কদাইদা মউগদগে। নচননি হৌজিকক্তি নংহাক্লা খংলবনিনা, নচনসু চাওবা শারেপ ফারক্লে খোয়ুম কান্না লাকচা খুদুম চনহনওফরোইকো পারী। নচনগী ফনবা থৌপাংদি মপুং ওইবা নংহাকী শিন্থানি, ইপানা হায়বসিনি। মসি য়াৰা হায়মলগা ফম্বালকোনগী ইতমলেনদা ইহুন তমখরে।

লোয়ারাকপা মপারী পুক্রিং থেবুং লাংদুনা চিংনা পরৈদি থাংলিএ। মবুং ওইবা লোয়ারাকপা মচন ওইবী নুংথেংলৈমগী লৈকোনদা চংদুনা মচনবু কোইথি থিরকলে। খোনজেন থোকনা কৌরকলবদা নুংথেংলৈমা মচন্না লৈবা মগাইফমদা চংলক্কুনা, মচনবু য়েংলগা হায়রকই। ইচন ইবেম্মা, মহাক নহান মখৈসু অসুম লৈকোনদা অদুমক লৈবরা, মচননা খুমজথি। ইবুং ঐহাকতি অসুমক লৈকোন অসিদা লৈরাং নাচোম মপুনে, লৈথোং শেমদুনা, ইপাগী য়াথং ঙাকতুনা, অদুমক

লৈনা, শাওগনু ঐনা ইচনবু উদদুনা তৌবনি। ঐনাদি নংবু উদবা, নুংশিবসি ঐনা নুংশিবদগী ইচন্না ইবুংবু নুংশি মহেল্লকলে।

ঐনা খংজদবা য়াৱা অমতং হংজখে। অশেংবা য়াৱানা পাওখুম্বীয়ুকো ইচন্না। ইবুংনা হায়বা য়াৱাবু নচননা করিগী তুংওইনগনি, অশেংবা য়াৱানা মপাও পীজগনি। তাকপীরোনে ইবুংনা। ফরে ইচন, নংহাক অসি ঐবু পোকপা পঙ্গৌ অৱাং কৌব্রুগী মমোনিকো, হেক পোকপচবা। লোয়রাকপা মবুংগী য়াৱা তাবদা, খংহৌদনা নোকলদুনা নুংথেংলৈমনা খুমজরকখি। ইবুংনা তাকপীরিবা য়াৱা অদুবু করিনো, নচনদি অমম্বা অমা ওইরে। ঐহাক অসিনা পঙ্গৌ ইপা অসুপ্পনা পোকপনি। ইমা ইবেম্মা কৌনু লাইরেনবীগী মমোমনি। মসি নংতবদি, নচনদি করিগুম্বা অমত্তা খংবা লৈতে। ঐবু ইমা কৌনুগী মচা নংতে হায়বা খোয়ুম কনাগী মচিনদগী তাবা য়াওখিবা লৈবরানে ইবুংনা। অশেংবা য়াৱানা চীংগোইবীয়ুনে।

ইবুংনা ইচনদা হায়বদি, খোয়ুম লাইয়ামশিংগী মচিনদগী কৌনু ইমাগী মমোম নত্তে হায়বা নংতেদা। ঐহাকনা করিগুম্বা খংনিংবা অমা লৈবদগী ইচনদা হংবনি। মদু হংঙি হায়না ইচননা নবুংদা ৱারৌবা লৈবরানে। ঐহাকতি ৱারৌবা লৈরোইদরা হায়দনা হেক্তা হংবগী ৱানি। ইচননা পলেম পঙ্গৌনি হায়রগা লোইদনা। হৌজিক্তি নবুং ঐহাকসু লৈরবনিনা ইচনকী কনা ৱাৎকনি। খোয়ুম কনানা লাকচা খুদুম চনফরোইএ। ফরে ইচন্না লৈকোন অসিদা লৈরাংগী নাচোম শেমজবা, লৈগী লৈখোং শোমজবা, লৈরাংদা মনিং তৌজবা অসি উবদা পাইমা নুংদা নুংঙাইজবা য়াৱানিদা ঐহাকসু ইপাগী মগাইফমলেন খোংদোই হুল্লগে, কোরৌ মানা নারন ৱাইদ্রিঙৈ, ইয়ুম মোংবা ইরাংয়াইদা খোংদোই হুল্লকউকো, ইবুংগী ইবেম্মা।

লোয়ারাকপা অথৌবনা মপন পঙ্গৌ অৱাং কৌব্রুগী ফমবালকোনদা চংলক্লুনা, মপন পঙ্গৌ ওইরিবা অৱাং কৌব্রুবু কোকনোঞ্জনা মহাইরকলে। পঙ্গৌ ওইবা ইবুংঙো, নপারীগী চিংনবা অসিদদি কোকহনবীয়ু। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা, মপারী য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুঙো, নহাক্না চিংনরিবা মরমবো করিনো, ইপাদা অমুক্তা হায়য়ু। মপারী লোয়ারাকপা খুমজখি। ইচন ইবেমসি ইপানা হেক পোকচবা ইচানি হায়না চীংউবা লাইয়ামগী মমাংদা হায়দোকপীয়ু, খংহনবীয়ু হায়না, মপারীনা মপন পঙ্গৌদা হংখৎচরে। য়াৱা খোনথোক তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা, ইমোমনি পারী। মদু ওইরবদি, পঙ্গৌনা মালেম অনেম্বদা লৈরিবা অচৎ-চৎতা জীবা কয়া, খোয়ুম লাইয়ামগী মমাংদা লাওথোকতুনা খংহনবীরকউ হায়না লোয়ারাকপা মপন পঙ্গৌদা হাইরকলে।

কৌনুথেন

মপন পঙ্গৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা মপারী শিংখোং লোয়ারাকপা, খোয়ুম মালেমমায়োক য়ারিঙৈগী লাংহৈকোন্দা, লোয়ারাকপা নাওকোল্লিবা পলেম মমা ওইরিবী কৌনু লাইরেম্বীনা, মপারীবু হৈকৌরকলে। পারী ইবুংঙো লোয়ারাকপা, ইমানা য়াবা মহাইগে,ইমাগী নাক্তা খোংদোই হুল্লকলো মমাগী য়াৱা তাবদা লোয়রাকপা মপারীনা, পলেম মমাদা কোকনোজনা মহাইরকলে। পলেম ইমানা নপারীবু কৌবীববু করি য়াৱা তাকপীগদা লৈবগে, য়াৱা অসি মহাইনা হগৎচরে মপারীনা। মপারীবু য়েংলগা পলেম মমা ওইরিবী, কৌনু লাইরেনবী মহাইরে। পারী ইবুংঙো, ইমানা নুংবূ কৌবদি অতৈ করি নৎতেএ। ইমানা লাংবা তরা লুকলেন শমলৌ মথেনগা লোইননা লাংবা লোইরে। তরা লুকলেন শমলৌ-মথেন ফংলুরসি ইরাং য়াইদা ইতমলসি, পারীও।

পলেম ইমাগী য়াৱাদি নপারীনা হিকতোকপা ঙমজদে, য়াৱা অমতং ইমাদা হংগৎচরি। য়াৱাদি অসিনি ইমাও। পলেম ইমাগী নমোমলোই, ঐগীনা ইচন ওইরিবী নুংথেংলৈমসে, ইমানা হেক পোকপনিকো ইমা, মহাইরকলে মপারি শিংখোং লোয়ারাকপানা। মপারি লোয়ারাকপবু য়েংলগা পলেম মমানা, ইমাগী ইবুংঙো নচন নুপী নুংথেংলৈমসে ইমা হেক পোকচবা ইচানি। খোয়ুম কনানা ইমোমবু পোক্তাবনি হায়বা য়াওবগে। ইমা অদু হায়য়ুনা, পলেম মমাগী য়াৱা তাবদা মপারীনা নোলুকননা হায়জখি। ইমা, ইচনবু খোয়ুম কনা অমতনা পোকতাবনি হায়খিবা য়াওবা নৎতে, নপারীনা করিগুম্বা অমা অশেংবা য়াৱা অমত্তং খংনিদুনা হংজবনি। মমা ওইরিবী কৌনুনা মহাইরকলে। মসিগী য়াৱা অসি তোকলসি, তরা লুকলেন, শমলৌ মথেন ফংলুরসি হায়দুনা মপারীদা য়াৱা চিংগোইরকলে।

মপারি শিংখোং লোয়ারাকপনা পলেম মমাবু য়েংলগা মহাইরকলে। ঐবু পোকপা পলেমনা অশেংবা য়াৱানা চিংগোই মপাও হায়দ্রিবমখৈ নপারিদি, তরা লুকলেন ফংজররোই। মসি য়াৱা মহাইরকলে, মপারিদি লোয়ারাকপনা। লোয়ারাকপগী য়াৱা তাবদা পলেম মমা ওইরিবী কৌনুনা পাইমা নুংদা চিংনরকলে। পাইমা নুংতা খল্লকলে। পারী লোয়রাকপা, খংনিংবা অমাগা লোইননা ইমোম ইবেম্মা নুংথেংলৈমগী মরমদা কুপনা হংলিবা ৰাহং অসিবু করি করম্বা লাংহৈনা, খুমসিগে হায়না অসুম অসুম খল্লকপদা, পাইমা নুংগী য়াৱানা পানদা থোকপা য়াদবা য়াৱা মপুং ওইবনা, খল্লকলেদো পলেম মমা ওইবীনা। পারিদি খোয়ুম লৌথিবা য়াবা নৎতে।

পারীবু করি লাংহৈনা মথেমশিগে, খল্লকলবদা মসিনা কানবা ওইররোই। তারা লুকলেনসু চাররোই, অশাও পরৈনরবদি মমা ওইবী ঐগীসু মাংজবনি। পারীগীসু মাংদনবা, পঙ্গো ওইবগী ৱাশকসু কাইদনা, লাইরেনবী ঐগী থৌখাই পাংদুনা পারীদা অশেং য়াৱা কাংলগে, পাইমা নুংলোন খল্লকল্লে, কৌনুরেনদি পালেম মমা। মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে পলেম মমা ওইবীনা। পারী ইবুংঙো লোয়ারাকপা, ইমাসু মতম কুইরে ইপামদা খোংদোই হুল্লুদবা, নপন পঙ্গৌগী হোয়ানবা য়াৱারেনবু লৌদুনা ইমাগী ইপামদা খোংদোই হুল্লুসি, তনা অমুক ইরাংয়াই খোংদোই হুল্লকসি হায়না লোয়রাকপদা চিংগোইরকলে। পলেম মমাগী য়াৱাবু হিকতোকপা লৈতনা পারী লোয়ারাকপা হোয়ারে।

কৌনুরেনদি লাইরেনবীনা মশানৌ অৱাং কৌব্রুদা কোকনোঞ্জনা মহাইজৈ, মপুরেনদি লাইনিংথৌ। পারী লোয়ারাকপা, নশানৌ ওইবী ঐহাককা ইপাম লমদমদা খোংদোই হুনজরুগে। লাইনিংথৌ য়াৱা অমত্তং ঙাইজরিএ নশানৌনা, মহাইজরে কৌনুরেনদি লাইরেনবীনা। লাইরেনবী য়াৱা তাবদা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মহাইরকলে। পারী লোয়ারাকপগা লোইনদুনা নখোয় অনি নগাই ফমলেনদা খোংদোই হুঞ্জরুগে হায়বদি, লাইনিংথৌ ঐনা হোয়ারেন পিরবনি, খোংদোই হুনজরুরো, মহাইরকলে লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা। কৌনুরেনদি লাইরেনবী, মপারী লোয়ারাকপা অনিনা লাইনিংথৌদা কোকঞ্জরল্লগা কৌনুথেনগী মগাইফমদা খোয়ুম খোংশান লাংহৈখরে।

মমা মচানা অসুম অসুম লাকপা, মগাইফমলেন ইতমলকপনা, কৌনু থেনগী থেনগুম চীংমাইরেন য়ৌরকলে। মপারী লোয়ারাকপনা লোইবী চিংবু লৈদুনা য়েংজরকপা, নিংথিজবা লাইরেনবীগী লাইরেননি। মহৌশা লাইরেনবগী খুৎশেমনি। লৈশেমকোন লাংহৈরেননি। হৈরাং লৈরাং কয়ানা থেনগী লৈতেং ওইরিদো। শা উচেক জিবা কয়ানা চীংগী চীংমাইদা চেন চোংদুনা শাননবা মউরকলে লোয়ারাকপা। উচেক কয়ানা মাগী মাগী চাক্তা ফমদা, শংগু শংগু পাইথরকতুনা, মশানা মশাগী থৌশিল্লোন মদোম পাংজৈ চেকলানা। শাগী উচেকগী খোনজেন্না থেনগীদি চীংমাইরেনদা খোনজেন খোনথোক তমজরকপা। নিল খোংবা মখোননা চীংমাইগী লৈতেং ওইখরে। লাইগী লৈপাক লাইরৈপাক অনেম্বদি মালেমনি। অসুম লাকপনা মগাইফমদা য়ৌরকলে। লাইরেনবী ৭ না কোনুরেনবী লাইরেনবী উবদা, হরাও মথোই কাজনা, কৌনু ওকপা লাকলিদো। কৌনুরেনবী লাইওইবী লাইরেনবী ৭ উবদা মহারকলে লাইওইবীনা। হা খোইনৌরেন ৭ মক, কুইরেদকো নখোয় ৭ উদবা, ঐহাক ইপাম মাইকৈ পাংজরকলে ইতারোইও।

অসুম লাংদাই শিংদাই ওইরিবা লাইরেনবী ৭ না লাংদাইকোন ওইবদা, লাইরেনবী ৭ কা লোইননা, ৱাতাই-শংদাই ওইদুনা খোয়ুম মায়োক মথারে, কৌনুগীদি থেনখুমচীং। য়াইরেল্লা সনা হিংদোং চীং, লাইয়াম তিনবা থেনখোং পুংকোইনি। লাইরেনবী মতারোই ৭ সু মাগী মাগী শিঙ্গা পুংকোইদা খোয়ুম শিঙ্গা পাংনবা মগাইফমলেন তমখরে। মপারী লোয়ারাকপপু হৈরাং অমুনবা, লৈরাং নিংথিবা কয়া হেক্কুনা, হৈরাংনা হৈকারে, লৈরাংনা লৈচিনজরে। মমা মচা অনিমক চরৈ ফিদা ফমদেংজরে। পলেম মমা ওইরিবী লাইরেনবীদি কৌনুনা মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো, ইমাগী থেন অসিদা ইমোম ইবেম্মা নুংথেংলৈমাগী পুৱারি পুম্বা ইমা মহাইরগে। পঙ্খৌ নপাগী মগাইফমদা ইমানা হায়দবগী মরম থিবীকসু তাকলগে। পারীনা নাপা চিকনা তারো, ইমা হায়গে।

মপারী লোয়ারাকপনা মমারেনদি কৌনু লাইরেনবীদা কোকনোঞ্জনা হায়জরক, পলেম অপোকপী য়াৱা মপাও অদুদা, অশেংবা য়াৱানা নপারীদা চিংগোইবীরো, ইচনগী অশেংবা পুৱারি খংজগে। অসিনি পারি, নোংমা কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোই, অয়ুক য়েনদা অঙনবদা, নপন পঙ্খৌগা লোইননা ঐখোয় অনিনা খোয়ুম নুংপাকথাবী চীংমাইদা, শামু লাইশাগী খুঙ্গুল লিরুসি হায়দুনা অসুম অসুম লাকপদা, নুংপাকথাবী চীংমাই য়ৌরবদা, থৌদো নুংপাক মথক্তা পীকলিবা নৱা অঙাং অমা মাইওননা কৌরৌ তমদুনা, খোংশানা নোংচুপ ওনদুনা লৈরমই, কোকলেনদি নোংপোক মরমখৈদনি মহাক্না ওনদুনা লৈরম্বা, অঙাং অদু করি অমতা কপ্পা লাওবা তৌরমদা, পীকলিবা অদু নপন পঙ্খৌগা ঐখোয় অনিনা মুননা য়েংদুনা লৈরে।

ঙৈহাক পুংকোই মতুংদা শামু লাইশাসু খংহৌদনা লাকলে, ঐখোয় অহুম মুননা য়েংঙি, নপনা অসুম্না হায়রকই। ইশানৌ লাইরেনবী, খোয়ুম ঐখোয়গী লাংদাইকোনসে মপুনা কয়াদা চানদুনা লাংহৈবীরিবনো। মপুনা ফংজরো তমলবনি, নৱাসি লাইরেবীনি। মহাক অসি ঐখোয়গী ইমোম শকনা য়োকচারো হায়না মপুনা নোংদম্বীরবনি মসি য়াৱা মহাইরবদা, নমা ঐহাক্না পীকলিবা ইমোমবু লৌখৎ, ইরাং য়াইদা পুরকখি। খোয়ুম চাওরোক লাওরোক তমবীদুনা, লাইয়াম লক্তা তিল্লকলবদা, নপন পঙ্খৌনা নোংমা কৌরৌ অমদা ঐঙোন্দা অসুম হায়খি। লাইরেনবীদি কৌনুও, ইমোম লাংলেন ইবেম্মসি, মমা ওইবী লাইওইবী নহাকী চিনফেংদগী ইচা নতে, অয়োকপনি হেক তাবা কোরৌদা, ঐহাক অসে কৌবা লোইবী চিংলোন ৯ ফাংবা মগাইফম অসিদা লৈররোইদবনি। নপনগী অকনপা য়াৱা তাবদা, ঙসি ফাওবা নপনগী মগাই ফমল্লেদা য়াৱা অসি হাইফদবা য়াৱা ওইবনা ইমানা ইচাদা হায়খিদবনি।

ইমানা ইমোমলোইবু খোয়ুম লাইরেনবী শিঙ্গা মতমবীরে, ইমোমসে অচম্বা লাইরেনবী অমা নৎতে। মসিগী মরম খৈরেনদি, নোংমা কোরৌ অমদা নপন পঙ্গৌগী ইমোমগী লাংওন অসিদদি মশক খংদোককে, ইমোমগী হৌরকফম খুঙ্গুল লিরকখি। মহাক্তি অচম্বা লাইরেম্বী ওইরমদ্রে। কোরৌ শিদনুবীগী মমোম ওইরমলে। নোংমা কোরৌ অমদা অনেম্বা মালেম পুংকোইরেন, অৰাং নোংপোক লাংদাইকোন নপনগী মগাইফমসি চীংথৈরেনদা খোয়ুম লাংদাইকোন ওইরিবা মফমলেনদা, লাংওন লাংদাই পুংকোইদা, হৌচুরেম্বা হৌচুরেনবী অনিনা লাংদাইরকপা মপুরেন শিদবদা থৌনিদুনা, অহিং তাংলৌ অথেংবদা, খোয়ুম তুংখুন তানলিঙৈ, অসুমনা মপু ওইবনা মংতাকপীথি। হৌচুবা হৌচুরেনবী নখোয় অনিগী লাংওন্দো, লাংদাই অমা ওইগদৌরে। অদুবু নখোয়না নিংজরিবা অদুদি থুংজরো, খোয়ুম ঐনা পীরবনি। ইমোম অসিবু লেমনা মাংহনবদি য়ারোই। নখোয়না লংদাই অমা ওইরমদাই, লাংওন অমা তমলমদাই, ইমোম অসিবু অৰাং কৌব্রুদা লৈরিবা নুংপাকথেন অসিগী মথক্তা থনমমু। কৌব্রুগী মমোম ওইবা লাংওনবা ওইসনু হায়দুনা মতাকপীরে। পীরমলিবা নৰা অসিনা নুমিৎ ৭ নি শুবদা নখোম অনিমক লাইরমলেনদা মপোক তাঞ্জৌ হায়না পাওতাক পীরম্লগা, হৌচুরেম্বা হৌচুরেম্বী অনিদো খোয়ুম মিকপ থোকলে।

খোয়ুম লাইগী লাংওন ওইবা, মীওইবগী মপোক তমবা হৌচুরেম্বা হৌচুরেম্বী অনিনি। কোরৌ মসেক মঙাননা, য়োইদা ঙানবা অঙানবা লাংদাই পুংকোই ওইরকলে। মরাংনুংদগী মথোরকপদা হৌচুরেম্বা হৌচুরেম্বী অনিনা মথৌ পুংদি চুকমাংদা, চংবী লাগী মথক্তা লৈরমলেদো মমোমদো। পিকলিবা মমোম ওইবীবু হৌচুরেম্বীনা মতমপাক্তা পমজ্রে। পলেম পঙ্গৌ অনিনা হরাও মথোই কাজরে। মপোক অমা তানবসু পাইমা নুংলা পেনজরে। অসুম লাংহৈনরকপনা নুমিৎ শিংগুম ৬ নি মসুরে। লাইগী য়ুপান মথানা মঙম মথৌ খনজরে। হায়খিবা খোয়ুমগী পুং ফম অদু য়ৌগদৌরে হায়দুনা পিকলিবা নৰা অদুবু লোইবী চীংদি অৰাংবা, অৰাং চিংলোন ৯ গী নুপাক থেনবী থেলোংদা, মমোম ওইবী নৰাদো পলেম মমাগী মথাদগী নুংপাথক্তা শুমলমলে।

মমোমগী মতৌ উবদা হৌচুরেম্বা হৌচুরেম্বী অনিদো খোংকাপ থাংব ঙমদনা, মিৎলু লাইজা ঈহৌনা, পলেম মমা ওইরিবী হৌচুরেম্বীনা মমোমবু য়েংলগা মহাইরকলে। ইমাগী ইমোম ইবেম্মা, লংহাক ইমাবু নংনা ৰারৌগনু, ইচাবু নুংশিদবদি নৎতেদো, মপূগী লিকলম কাইফন্দবনা পলেম পঙ্গৌ ওইরিবা অনিদি কোরৌ নোংগা তমলগনি। লাংওন অমা তমলগনি। ইমাবু ৰারৌগনুকো ইমোমনা। হৌচুরেম্বা হৌচুরেম্বী অনিদো, মিৎলুদা লাইজা ঈহৌনা, মমোমবু কাইনা মৈচাক লাংদুনা, মরান য়াইদা হল্লকতুনা, লাংহৈকোনদা লাংদাইরে। কোরৌ ইনুং ঙানবদা, হৌচুরেমবা হৌচুরেম্বী অনিদো কোরৌ লাংওন তমখরে। মমোম ওইবীনা মালেম অনেম্বদা লাইরেন খুহোক তমদুনা মরৈ হৌরেদো। মসি লাংকোনদি পারী, নপননা খোয়ুম কলাগী চিফেন্দগী তাবা ফ ংজখি। অতৈ খোয়ুম অমা

নৎতে। কৌদুদা ইমোমগী খোঙ্গুন পুৰারী থিরকপদা খংবা কৌবা লৈত্রবদা, নোংদম্বা মপুবু ইরাৎতুনা, কৌবা থেংসু পোংকোইদা, নুমিৎ শিংগুম ৭ নি থোখাই মাবু পাংদুনা, লাংহৈ ওইরকপদা, নোংদম্বা মপুরেন লেংবীরক্তুনা, ইমোমগী মহৌরোন পুৰারী পুম্বা লিবিথি। মদোম লোমলবদা, নোংদম্বা মপুসু মহনখিএ।

ঙসিদি পারী লোয়ারাকপা, ইমোমগী পুৰারী পুম্বা ইচাদা খংহনবগীদমক ইমানা, ইমাগী থেনদা পুরকপনি। নংহাক ইমাবু ৰারৌগনু। পলেম মমা কৌনুগী য়াৰা তাবদা, মপারী শিংখোং ওইরিবা লোয়রাকপনা, মীৎলু লাইজা ঈহৌনা মমাবু য়েংনা মহাইজৈ। হা ইমা অপোকপী, নপরীবু ৰারৌবীগনু। খোয়ুম লৌথিবনি খনবীগনু। খোয়ুমগী লিকলম অদুতবু নপারীনা খংজনিংদুনা তৌবনিদো ইমা। ইমাদি কৈদৌনুংদসু ,মপোক মপোক লাংওন কয়াদসু খোয়ুম লাইয়ামনা হায়নৈ। কৌনুরেনবী নমাদি, লাইরেনবীলককী অথোইবীনি, লোয়ারাকপা নংহাক্কী পলেম ওইজবনি, লাইপক ফৈদকো মশোঞ্জে। কৈদৌনুংদা খোয়ুম লিকলম কানদবীনি। লাইগী লিরেন মাংওইবী, লাইরেনবীনিদো, পলেম ওইবীনি। অথোইবীদি কৌনুরেনবী, সোননৈদো ইমা লাইয়াম পুম্বানা, নংগী ইমা ওইনা ফংজবদি খোয়ুম মপোক হেলোইবনিদো ইমা।

ইমাগী ইবুংঙো লোয়ারাকপা, ইমা অহুমশুবা য়াৰা মীংখৈরেন, নুংথেনলৈমগী ফম্বাললোন ইমানা হায়গে তারো। নোংমা কোরৌ তাংলৌ মানা থেংলকপদা, নপন্না ঐঙোন্দা মহাইরে। ইশানৌদি লাইরেম্বী, ইমোম ওইবীসে খোয়ুম শারেপ ফারকলে, মাগী ফম্বাল য়েৎওইবদি খোয়ুম কনা ওইগনি। পাইমা ঐগী অসুম খনলকপা, পাথৌ থৌরেম্বা মার থাংমাইগী মপারী ওইবা অমদি লৈবনি। মমিং মীংখৈসু মকাওখরে। করি করম তৌরগা পাঙ্গৌ মপারী অসিবু ঐগী পারী ওইবা নাওকোজবা, মদুগী লাংহৈকোনদা নপন্না মহাইরে। ফরে অদুদি ঐহাক চিংশিনদুনা য়েংগে, পাথৌ উবা ঙমত্র য়েংলে। মারজিং কোনদা কনা অমা লৈবা উদে, ইমাসু য়েং নপনগী লমশিংলোনবু মদুদা ঙাইহাক লৈরগা নংহাক থেংনখি। নগাইফমদি খরাই থোংদা। নংহাক শকওই উবদা, নপান্না কয়াদা পেনজখি। মসি মরম খিবীক লাংদাইদুদা ইগাইফমদা পারীবু ইমানা য়োক্লপনি। হৌজিক্তি খোয়ুম মখৈ খংলবনিনা, মরাল লুহোংবা তারেদো, ইমোম্বু খরাইথক্তা হাপ্তুনা-লৈরোং লাইদা কৎকনিএ।।

লোয়ারাকপা থাংমাইকোন

(কৌব্রু কৌনু শংদাইকোন)

পলেম মমা ওইবীনা মপারি শিংখোং ওইববু য়েংলগা মহাইরকই। পারী ইবুংঙো হৌজিকতি, ইমানা ইমোমগী থেলোন পুৰারী পুম্বা লাংহৈরেদো। পারীগী লাংহৈকোনদা ইমোম লাংলেন নুংথেংলৈমা লাংদাইরগনি। ইমাগী য়াৰা অসিদি খোয়ুম লাইয়াম মাংদা সাফোংবা, থৌকাং মহৈ য়ানহনগদবনি। ইমাগী য়াৰাসি অকাও পরৈ চনফরোই পারী। খোয়ুম লাইগী থৌখাইদি লেংদবা থৌখাই ওইগনি। মলেম মমাগী য়াৰা খোনথোক তাবদা, মপারী শিংখোং লোয়ারাকপনা হরাও তরামগা লোইননা, পলেম মমাদা কোকনোঞ্জনা মহাইরকলে। পলেম ইমাগী য়াৰাদি কোরৌ মালেম তাইফরোই। নপারী ওইবা ঐহাকনা থৌকাং পুম্বা ইনজগনি। মদু তবু ঙমজবা, চীংউ থৌখাই পাংঙমবা, পীনবীয়ু পলেমনা। মসি য়াৰা হায়দুনা পলেম মমাদা হনগৎচৈ।

পলেম মমা ওইবীনা মপারি লোয়ারাকপাবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো হৌজিকতি, ইয়ুম মোংবা ইরাং য়াইদা খোংদোই হুল্লসি। নপনগী মগাইরেন তমলসি,মহাইদুনা পলেম মমাগা লোইননা লোয়ারাকপা খোংদোই হুল্লকলে। অসুম অসুম লাকপদা কৌবা চিংখোং ময়ৌরকলে। লোইবী চিংমাই থেলোংদা পলেম মমা ওইরিবী কৌনুরেনবী লাইরেনবীগা, মপারি শিংখোং লোয়ারাকপগা, লোইবী চীংলোন ৯ লানদুনা মগাইফমলেন য়ৌরকলে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা, মমা মচা খোংদোই হুল্লকপা মউবদা মহাইরকলে মপানা। পারী ইবুংঙো, নমা নচা অনিমক ইরাংয়াইদা য়ৌরকলেদনা, ফরে ফরে নগাইফমদা অৰা লাংহৈ মপোথাজরো ।।

কৌনুরেনদি লাইরেনবী, মপারী লোয়ারাকপা, মমা মচা অনিনা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা কোকঞ্জরে। লাইনিংথৌ, মপারীবু য়েংলগা মহাইরকলে। পারী ইবুংঙো, নহাক পলেম নমাগা লোইননা, নমাগী মগাইফমদা খোংদোই হুল্লুবদি, ইচাগী মাইথোং ঙসিদী থাজগী মওং মতমমিদা, ইপানা নুংলোন য়াইদা, শনা তাবুনুংদা ইমোম লাংলেন নুংথেংলৈমগী পুৰারিবু থমজবদি, সনা পৌরোন হাংখরে, পাওখোং মাসু চনখরে। ফোংগদবা খোয়ুমবু কনাগবু ওইগবা, শকতম অদু উনিংঙি। ইমোম লাংলেনগী য়েৎকী ফম্বাল ফমদেংগদবা খোয়ুম লাংকোন মপুদু কনাগী মপারী ওইরমগদবা, মপারী য়েংলগা মহাইরকলে লাইনিংথৌদি অসুপ্পনা।

মপন পঙ্গৌগী য়াৱা তাবদা, লোয়ারাকপা মপারীদো, পাইমা নুংলা হরাও মথোই কাজে, মাইথোং লোরুকননা মালেম লৈদা লুকথজেএ। মপন পঙ্গৌদা মপারী লোয়ারাকপা হঙ্গৎচরকলে। ইপন পঙ্গৌ অপোকপও নপারী শিংখোং ওইবনা, হুনগচরিবা য়াৱাদা অরান অহুইরোন কয়া য়াওখিবা, নথানুংগী নপারিনি খনদুনা পুম্নমকপু ঙাকপীয়ু। য়াৱা অসি হায়দুনা লোয়ারাপা কোকনোল্লকলে। মপারীগী য়াৱা তাবদা মপন পঙ্গৌ অৱাং কৌব্লুনা মহাইরকই ! পারী ইবুংঙো, মচা ওইববু, মমা মপা ওইবনা শেন্বী শাবিবা হায়বসি, ঐখোয়রেনগী থৌদাংনি। নপন পঙ্গৌদা ঐহাক্না হায়জরম্মী, নংহাকপু পোকপা পঙ্গৌদা, নপারী ওইবা তোংলোখোম্নাসে।

পারী ওইবা মহাক্না খোয়ুম ঐগী ইগাইফমলেনদা লৈরবা মতমদা, মপন ওইবা ঐহাক্না মহাক্কী লাংদাই কয়াবু তাকপী তম্বীদুনা, খোয়ুমলক্তা লাংদাইকোন ওইহনগনি। পারীগী লাংহৈকোননা মপুং মরৈ ফারকলবা, খোয়ুম শামান্নবা কয়াগা লাংদাইকোনদা মপুং মরৈ ফানা থোইরেন খোয়ুম লাংদাই ওইরক্লবদা, নপরীনা লাংদাইরেন হেলোইবা ফম্বাল মিংথোল লাংদ্রিবা মখৈদি, ঐহাকী পারী ওইনা লাংহনগনি নপারীনা খোয়ুম মীংথোল নাইরবা, হেলোইবদি লাংদাইবা ওইরবদা খোয়ুম লাইয়ামগা লোইননা পনথবা কৌবা লৈতনা ঐহাক্না পারিবু নগাইফমলেন্দা শাগোল শামুগা লোইননা নপারী সোইদনা মথিনজরককে। অসি য়াৱা মহাইদুনা ইপানা নংহাকপু ইগাইফমলেনদা পুরকখিবনি। হৌজিক্তি ইপাসু লাংহৈরে, চীংউবা লাইয়ামগী মমাংদা খোয়ুম মাইথোং হেলোইরে, পারীবু ঐনা য়োকচবা, য়োকচবগী মহৈ য়াল্লেদো । লাইয়াম পুম্বাসু হরাও মথোই কারকলে।

খোয়ুম ওইবনা থৌদোক কুম্মৈ মশানরকলে, পারীগী মিংথোন হোলোইবদি, লোয়ারাকপা মীংথৈরে। লাইয়াম পুম্বা লাংহৈরে। ইপানা য়াৱা অসিদি মহাইরগে। ইপাগী পাইমা নুংদা খল্লকপা খোয়ুম কনা খংদনা, পারীনা থৌখাই মপুং ফারগা খোয়ুমলক্তা হেলোইরবা মতমলেনদা ইচাগী মফমদা ইপানা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা খোয়ুম শাফোং তমদুনা পারীনা য়েংতা ফম, ইমোমনা ওইদা ফম, লাইয়াম থৌখাই পুনা, খোয়ুমগী লাংদাইকোন ওইবদা, লাংওন নংগী লাংহৈকোন খোয়ুম মপুংলেন মওইজৌও। ইমোম ওইবী লাংহৈসু খোয়ুম লাংদাই মপুং ওইবদো, পলেম পঙ্গৌ ওইবা ঐখোয়গী থৌদা পুংলেননি। পোকচবি পলেমনা হরাওজবা, মপন পঙ্গৌনা পেঞ্জবদি, মপারী মমোমগা য়াইফা কোনদা লাংহৈ মপুং ওইবা অদুতনি। পারী শেমজবা মহৈ য়াল্লে। ইমোম ফংজবা লাংহৈ মপুং ওইবদো, পালেম পঙ্গৌনা পামজবা, থৌজাল মাগী মহৈদি, মপুরেনগী থৌখাইনি।

পারী লোয়ারাকপাও, নগাইফমদা ইতমনা, অৱা লাংহৈ পোথানা, নগাইফমদা চংদুনা ইতম লাংহৈ পোথারো। মপন পঙ্গৌবু কোকনোঞ্জনা, লোয়ারাকপা মপারী মগাইফমলেন চংদুনা, অৱা পোথা লাংহৈখরে। অসুম খোয়ুম লাংদাইকোন লাংহৈদা মপুংলেন ওইরকপা, মপারী শিংখোং লোয়ারাকপা, পুক্লিং অমা লোংদনা, মপনগী মগাইফমদা, পলেম পঙ্গৌ অনিগী য়াথংতবু ইনজনা মরৈরকপা, খোয়ুম লংদাইকোন, মপুং মরৈ ফাদুনা, মীংথোন হেলোইবা ফংদুনা, লাংদাইকোনবু ওইখরে।

লাংহৈপুংগী লাংদাইদো, ইনুং তৈরেন ঙাল্লকলে। কোরৌ মশেক ওইরিবা য়োইদা ঙানবা অঙানবা, তাত্তদনবদি মপুনা, য়োইদা থৌদাং পাংলকলে। কোরৌনদি হেলোইবা, পলেম মমা ওইরিবী কোনুরেনবী লাইওইবীনা,মপারী শিংখোং ওইববু, মমোম ওইবী নুংথেংলৈম্মাগী লৈকোননুংদা খোংশানবা খোয়ুম শিঙ্গা ওইববু মপারীদা শিঙ্গা অমা মপিরে। পারী ইবুংঙো মতাবরা, ইমাগী নাক্তা চংলকউ, ইমা য়াৰা অমা মহাইগে। য়াৰাদি অতৈ করি নৎতেএ, ইমোম ওইবী নুংথেংলৈমগী লৈকোননুংদা ইমোম লৈরমগনি। অয়ুক য়েনদা অঙনবদা ইমোমদা, তরা লুকলেন শমলৌ মথেনগা লোইন্না, মসিমতা ইম্মোদা মপিয়ুচো পারীনা। য়াৰা অসি হায়দুনা মপারিদা শিন্নরকলে। মপারিদি লোয়ারাকপনা, পলেম মমাদগী তরা লুকলেন, শমলৌ মথেন লৌদুনা, নুংথেংলৈমা লৈরিবা মপন পঙ্খৌগী শাইগোননুং থেলোংলেনদি লৈশাকোন, লোয়ারাকপা খোংদোই হুনখ্রে।

পলেমগী য়াথং ইনদুনা মপারি শিংখোং ওইরিবা লোয়ারাকপানা, নুংথেংলৈমনা লৈবা মগাইরেনদা অসুম অসুম লাকপনা লৈশাকোন লৈকোনুং মগাইফমলেন,য়ৌরকলে। লোয়ারাকা অথৌবনা, লৈরাং কয়ানা লৈশাং তমলিবদি মফমদা, কোইনা লৈনা য়েংলকলে, নুংথেংলৈমবু থিরকলে। নিংথিজবা মশিং লাংঙমদনা লৈশাং তমলিবদি মতমনি। লৈরাংগী লৈপোপ হাইদোক হাইদোক্তুনা য়েংলকপা, লৈখোং অমগী মখোংদা ফমদেংদুনা লৈবদো, লোয়ারাকপা উরকলে। লোয়ারাকপনা চংশিনদুনা, পলেম মমানা পিরকপা তরা লুকলেন শংলৌ মথেনগা লোইন্না নুংথেংলৈমদা পিরকলবদা, নুংথেংলৈমা হরাও তরামনা লৌশিঞ্জরে। চায়োম অদু হাংদুনা য়েংবদা তরা লুকলেন শংলৌ মথেনগা লোইননা য়াওমলে। মদু উবদা নুংথেংলৈমনা হায়কই, পীরকলিবা অসিবু ইগারেন্নদা শিদবীনা মমোম ওইবী ঐহাকী ওইনবুদি পীবিরকপরা হংগৎচরে লোয়ারাকপদা।

লোয়ারাকপনা মহাইরে নুংথেংলৈমবু য়েংলগা। ইমারেন্না পীবীরকপনি, ইচনগী চিনদমননবা। ফরে ঐহাক ইমুং ইরাং য়াইদা হনজখ্রগে, মদু য়াৰা তাবদা, মহাইরকলে নুংথেংলৈমনা। ঙাইবীখোও অথৌবা, অথৌবনা নহাল নোংদা, লাইরেনবী ঐহাক্কী লাংদাইরেনবু হংবিবা, ঐগী লাংওনবু তাকউ হায়বিখিবা অদুগী লাংহৈ মপুং ওইবদো, হৌজিক ফাওবা খংবিদ্রিবরা হায়না য়াৰা মপাও হংজরকলে নুংথেংলৈমানা। নুংথেংগী মপাও তাবদা হাইরকলেদো অথৌবদি লোয়ারাকপনা। পলেম পঙ্খৌ অনিনা অশেংবা য়াৰানা চীংগোইবীরে, খোয়ুমগী লিকলম খংজরে, লাইরেনবী হৌরক ফম উজরে। লাইরেনবী পুৰারি লিবীরে, ইমারেনদি লাইওইবীনা। পুম্নমক খংবী উবীরবনিনা, ঙসি কোরৌ নোং অসিদা লাইরেনবী ঐগী লৈকোনদগী হৈরাং অমদি হেক্তুনা, নাপ্পগী লৈতেং ওইবীয়ু।

লৈকোন শংজবী ঐহাক্কী মহৈ ওইজগে। মপুগী লৈকোনদা শাৎচবী লৈরাংনা, মপুগী নাচোম ওইরবদি শেমজরিবা লৈরাং মপু ওইরিবা ঐহাককী মহৈ য়ানজরে। খোয়ুম ওইবা অথৌবগী পুৰারি পুম্বা, ঐবু পোকচবী পলেমনা লিশাং শিংনা তম্বীরে। পুৰারি পুম্বা খংহৈরে। মসি মরম লৈবনা ইমানা অথৌবদা, খোয়ুম লাইচাক অসি মফম অসিদা থিল্লুরো হায়না লেংবীরকপনি। মপুনা লেংবীরকলবনিনা মপুবু মনাইনা থৌগনজবা, মনাই ঐখোয়গী লাংহৈনি। লাংহৈ মাবু পাংবদি ,খোয়ুম ঐখোয়গী ইথৌচানি। ইথৌ অসি লাংহৈবদি মপুগী লাংদাই পোংকোইনি।

লোয়ারাকপনা পোরকপা তরা লুকলেন শমলৌ মথেনগা লোইন্না পুজরকপদো, নুংথেংলৈম্মা লাইরেম্বীদা, তরা ফানজুমদগী পুথোরক্তুনা অনি খোক্লা খাইদোক্তুনা, লোয়ালাকপা অথৌবগা নুংথেংলৈমগা তরা চিনদম্মীনরে। তরা চিনদম্বা লোইরগা লাইরেনবীনা মহাইরে। ঙসি কোরৌ অথৌবদি মপুনা, লাইরেনবী ঐগী মপোক অমা লাংহৈবীরে। নোংশিদা ইপন-পম্বৌগী মগাইরেন মমোম ওইবী ঐনা লৈরাং লৈখোম শোমজবগী লৈরাং কানা মপুংফা, লৈশাৎ মানা তমজরকপা, নিংথিজবা লৈরাংলক্তগী লৈরাং অমা হেক্তুনা, মপু ঐনাদি খংদ্রে মহাইজেনা লাইরেনবীনা। লাইরেনবী য়াৰা তাবদা, অথৌবদি লোয়ারাকপনা অসুম্না য়াৰা চিংগোইনরকই। লাইরেনগী লৈকোনদগী মখুৎমক্লা নিংথিজবা লৈরাং অমা হেক্তুনা, খোয়ুম ওইবা ঐগী নাপদা লৈচিনবীববু পাইমা ঐনা পেনজৈনা। হোয়ানবা য়াৰা তাবদা নুংথেংলৈমনা নিংথিজবা লৈরাং অমা হেক্তুনা অথৌবগী নাপা লৈথেৎলে।

লাইরেনবীবু য়েংলগা লোয়ারাকপদি অথৌবনা মহাইরকলে। খোইবু লাইরেনবী নুংথেংলৈমাও। হৌজিক্তি কোরৌ নারন ৰাইরক্কদৌরে, মোংবা ইরাংয়াইদা তমলসি, মহাইরকলে অথৌবনা। অথৌবদি লোয়ারাকপগী য়াৰা মাবু হোয়ানজনা নুংথেংলৈমা, লোয়ারাকপা অনিনা মপন পম্বৌগী মগাইফমদা তমলকলে। লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনিনা ইনুংখৈনা লাংহৈনরকপদা, পলেম পম্বৌ অনিগী মগাইফমলেন য়ৌরকলে। মপন পম্বৌ পলেম মমাবু কোকনোঞ্জনা খুরুমজৈ, লোয়ারাকপা নুংথেংলৈমা অনিনা। মপন পম্বৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারী মমোম অনিবু য়েংলগা মহাইরকলে।

পারী ইমোম অনিমক, হৌজিক ইপাসু নখোয় অনিগী মরক্তা ইপানা অপেনবা ওইজরে। মদু মরম খৈরেননা, চীংউ লাইয়াম পুম্বা তাক্তুনা, খোয়ুম মপাও পীবীদুনা, পারী ইমোম অনিমক মরম লুহৌ ইপানা থৌপাংনবা থৌশিনগনি মহাইরকলে, মপারী মমোম অনিবু য়েংলগা। লালোই শিংলোই পুম্বা কৌখৎনা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী পাউতাকনা, ইপাগী মগাইফমলেনদা হাইমলেনা, লোয়ারাকপা নুংথেংলৈমা অনি মরাল লুহোংগনি। লাইনিংথৌ খোয়ুম মপাও লাওরকলে। লাইনিংথৌগী মপাও তাবদা লোলোই শিংলেই, লাইপুংলেন হনবসু মগাইফমদা লাক্তুনা, লাইনিংথৌগী থৌশিন পুম্বা শরুক য়াজগে হায়দুনা লাইনিংথৌদা কোকনোঞ্জরে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা লালোইশিংবু য়েংলগা মহাইরক্লে। হা লোলোই থৌখাইরেম্বাও, হয়েং কোরৌ য়াইফবা পুংফমলেনদা পারী লোয়াগা ইমোম ওইবী নুংথেংলৈম্মা, অনি মরাল লুহোংগনি। চিংউবা লাইয়াম পুম্বা খোয়ুম ওইবা নংহাক্লা পাওতাককদবনি, মহাইরক্লে লাইনিংথৌনা। লাইলোই মপুরেনগী শিন্থা পুম্বা হোয়াজরি। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বাদা পাওতাকচরুগে মহাইজরম্লগা, লাইনিংথৌবু কোকনোঞ্জরগা খোয়ুমগী শিন্থা পাংবা খোংদোই হুনখ্রে লাইরেনবদি অচানবনা। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পগী য়াথংদি কোরৌ মালেম তাইফদবনা লালোইনা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বাদা খোয়ুম পাউ থানখরে।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মপারী মম্মোম অনিগী মরান লুহোংবগী হৈরাং লৈরাং লালোই, শিংলোই কয়াদা, হৈচানবা, লৈচিন্নবা, লাইপোৎ শিংপোৎ কয়া থৌরাং থৌশিন পীখরে। লালোই শিংলোই, হালোইবা খোয়ুম লাইয়ামগা লোইন্না লাংবা লোইখরে। অসুম লাংহৈকোন লাংদাইনরকপা কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোই ওইরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমদা লাইয়াম সুম্বা তিল্লকলে। মপারী মমোম অনিবু চরৈ অনৌবা ফিসেৎ পীদুনা ফম্বাল লাংদা মপারী ফমহললে। নুংথেংলৈমগী মতারোই কয়াসু মরান লুহোংবা য়াওবা লাকলে, মগাই ফমলেন য়ৌরকতুনা ফমদেংলেদো লাইরেবীশিংনা। লালোই শিংলোই, অৰাং থৌরেন লাইনা থৌরাং পুম্বা লোইদুনা, চীংউবা লাইয়ামনা হরাও মথোই কারকলে। লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনিনা মরাল লুহোং থেনখৌদা ফমদেংলে। লিকলাং অঙৌবা অনিনা লৈরাং লৈচন ওইখরে। লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনিদো পুল্লিবনা লৈপুননে, য়োমখ্রবনা খয়োম্নে। নোংদম্বা মপুগী থৌশিননি। শিদবগী লাংহৈনি। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা হৈরাং হৈচাবা লোইরদুনা, লাইয়াম পুম্বা হনবীথিগনু মহাইরকলে লাইনিংথৌদি অৰাং কৌব্রুনা।

মারজিং হরাওখেন

লাইনিংথৌনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা লাংদাই শিংদাই ওইরকলবদা, লাইয়াম পুম্বাসু লাইনিংথৌগী য়াৱাবু হোয়াজারে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা লাইনিংথৌদা হংগৎচরকই। ঐখোয়বু মফম কয়া অমুক লাংদাইবিগদবনো, খোয়ুমগী থৌদাবু পাংজগে মহাইরকলে। লাইনিংথৌনা লাইয়ামবু য়েংলগা হাইরকই। হৌজিক পারী ইমোম অনিমক মরান লুহোংবা লোইরবনিনা ইমোম নুংথেংলৈমসিগা পারী লোয়ারাকপগা অনিসি পাথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমদা লাইয়াম নখোয়গা লোইননা থিনগদৌরিবনি। মদু মরম খিবীক লৈবনা লাইয়ামবু ঐহাক্না খামজবনি।

চীংউবা লাইয়ামনা লাইনিংথৌদা কোকনোঞ্জরগা হায়জরকই। খোয়ুম লাইনিংথৌগী পারী ওইবা অথৌববু করি মরম খিবীক লৈবনা লোয়ারাকপবু ইগাইফমলেনদগী, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন থিনগদৌরিবনো হায়না লাইয়াম্না হংজরবদা। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা খুমখি। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা তাবীরো। ঐগী পারী লোয়ারাকপা, পাথৌরেন অয়াংবগী মপারি শিংখোং তোলোংখোম্বনি। পঙ্খৌগী মপারীসু ঐগীসু পারীনি। খোয়ুম ওইবা ঐহাক্না পঙ্খৌগী মগাইফমলেনদা, নোংমা কোরৌ অমা খোংশানদুনা ঐহাক্না পারী তোলোংখোম্বা অসি ঐগী ইচা ওইনা য়োকচবা তারে। মহাকনা হয়েং খোয়ুম হেলোইবা, মপুগী থৌজান ফংদুনা, খোয়ুম মীংখৈরেন হেলোইরবা মতমদা পাঙ্খৌগী পারি তোলোংখোম্বাসে, খোয়ুম মরান তম্বীনা, ইচাবু নগাইফমলেনদা, ঐহাক্না সোইদনা থিনজরককে হায়দুনা পুরকখিবা পারিনি। পারিনা ইমোম নুংথেংলৈমা মরান লুহোংবা হোয়াবদি, লাইগী লিচৎ কানফদ্রবা, খোয়ুমগিদি লিরেননি। ঐগী ইমোমবু পাঙ্খৌগী মমোম ওইবতনি।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী য়াৱা তাবদা হেলোইনরে, লাইয়ামদো হরাও মথোই কারকলে। থৌদোক কুম্মে শান্নগে,পাইমা নুংদা লাইয়ামনা মখল্লকলি। চীংউবা লাইয়াম লাইনিংথৌবু য়েংলগা মহাইরকলে। লাইনিংথৌদি অসুপ্পগী হৈনা তুংইঞ্জনা লাইরেম্বা লাইরেনবী অনিগী মরান লুহোংবা নুমিৎলোই অসিদ, নপারী নমোম অনিবু মগাইফমলেনদা থিনবসে লাইয়াম ঐখোয় অমত্তা থিহ্নদনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইকোনদা খোংদোই হুনজগনি মহাইরকলে লাইয়ামনা। লাইয়ামগী য়াৱা তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা হরাও মথোই কাজেনা। চীংউবা লাইয়ামবু য়েংলগা, তাংলৌ ইনুং মওইরকলে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বা মায়োক লাংদাই পুংকোই ওইদুনা লাংহৈ মপুং ওইখরে। মপারী মমোম অনিনা পঙ্খৌ মগাইফলেনদা থিননবা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা থৌশিন থৌদা থৌপাংলকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা লাইপোৎ, শিংপোৎ, হৈরাং লৈরাংগা লোইননা মানা মানা পাইবা য়াৱা

কয়া অমা পাইনদুনা চীংউবা লাইয়াম পুন্বা খোংশননবা থৌরাংলকলে। কৌব্রুগী মমোমলোই ওইরিবী নুংথেংলৈমনা মতারোই লাইরেনবীশিংগা লোইননা মারচিংকোনদা থিনবা, লাইপুং থৌখাইবা লাইওইবা মরিনা, দোলাই পাপোৎ লোল্লকলে। দোলাইগী মথক্তা নুংথেংলৈমনা ফমদেংলে।

মাংজিন থানা থৌরেনবা লাইপুং ৪ না লোইয়ারাপবু দোলাই খাংওইবগী মথক্তা তোংদুনা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা খোংশানবা হৌখরে। লাইরেনবী নুংথেংলৈমসু খোংশানবা হৌরকলে। মতমলেন অদুদা নুংথেংলৈমাবু নাওকোনজবী পলেম মমা ওইরিবী কৌনু মমানা মমোম ওইবীবু থিনবদা খোংদোই হুল্লকলে। মতমলেন অদুদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা, মশানৌ লাইরেনবী কৌনুবু য়েংলগা মহাইরকলে। হাদা লাইরেনবী কৌনুও, নহাক নমোম ওইবী অসি থিনবা মতমদা লাইরেনবী নংহাক য়াওবা য়াদে। নংহাক্কী থৌদাদি হয়েং ইনুং শুল্লগা নমোমগী মরাংয়াইদা খোংদোই হুল্লু, মহাইরকলে লাইনিংথৌনা।

মতমলেন অদুদা মশানৌদি কৌনুনা মহাইরকলে। ইমোমগী মরান লুহোংবা নুমিৎতা, পারীগী মরাংয়াই (ইয়াগী) মগাই ফমলেনদা চৎপবু করিগী য়াদবা লৈবগে। খোয়ুম কনানা ঐনা খোংদাই হুনবদা অথিংবা লাংহৈ য়াওবীবনো। লাইনিংথৌদা হায়না, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা হনগৎচরে। মদু য়াৱা তাবদা মশানৌরেন্বা লাইনিংথৌ কৌব্রুনা, কৌনুবু য়েংলগা হাইরকই। ফরে ফরে নংহাকনা নমোম ওইবী থিনবা চৎতবা য়াদে হায়বনিনা খোংশানজরো, অদুবু ঐহাক্না য়াৱা অমদি মহাইগে, নাপপা চিকনা তারো, লাইরেনবী নখোয় ময়ামসু খংহৌরে।

কৌনু লাইরেনবী নংহাক্না মমোমগী হৈনা তুংইননা খোংদোই হুল্লবদি, নমোম অসি অমুক তননা মপাম খোংদোই হুল্লকতুনা মপাম খোংদাজদুনা, লাংওন ঙাইবা তাবনি। ইরেম খাককী নমোমনা ইতাইননা ইথিনবদি, ইরেন ইচাই ইসেনবা কৌএ। থৌদোকতুগী লাংহৈদা মপুং ওইরিবী নমোমদি কাইনা মৈচাক লাংগনি, নৌনা শেৎনা খাইনবনা, নমোমগী শরুক ওইগনি। মদুরা খোয়ুম লাইরেনবী নংহাক্কী নমোম, নুংশিবগী চীংউগী খুদমলা, মহাইরকলে লাইনিংথৌনা লাইরেনবীবু য়েংলগা,

লাইনিংথৌ য়াৱা তাবদা লাইরেনবীদি কৌনুদো, তুজুং মাঞ্জুং পোকতুনা, কোকনোঞ্জনা হাইজৈএ। লাইনিংথৌ, ইমোম সেৎনা খইনা মৈচাক ফংগদবা, ইমোমনা মীৎলু লাইজা ইহৌনা মপাম খোংদাদুনা লৈবদো, নশানৌ য়েংবা ঙমজরোইএ, খাংজদবা য়াৱানা মদু লাইনিংথৌদা হনগৎচখরে। মশানৌ ঐহাক ইমোম ওইবীবু থিনবা অসি ঐহাক খোংদোই হুনজররোই। অরান অহুই পুন্বা ঙাকপীয়ু হায়না লাইরেনবী কৌনুনা লাইনিংথৌদা কোকনোঞ্জনা হনগৎচরে। লাইনিংথৌনা মহাইরে, চীংউবা লাইয়াম পুন্বাসু খংহৌরো, মমোম ওইবীনা মরান লুহোংবদা মমা ওইবী পলেম কয়ানা মমোমবু থিনবা য়াদে হায়বসি লোয়ারাকপা নুংথেংলৈমা মরান লুহোংবদগী হৌননা চৎনরোন ওইখিএ।

চীংউ লাইয়াম পুম্নমকসু খংবী উবীহৌরো, মমোম ওইবীনা মরাল লুহোংলগা, মমোমবু পোকচবী পলেম মমা ময়াগী মগাইফমদা, মমোমবু থিনবদা মমা ওইবী য়াওবা য়াদবসি, মরম অসি লৈবননি। চকশিংকোনগী লাংহৈদা, কোনবা চককী লাংদাইদা হয়েং নোংদা, কংলা ফম্বাল লাংহৈকোনদা ফম্বাল লাংকোন ওইরিগদৌরিবা নোংদা লাই পাখঙবগী ঈনা শলাই ৭ লাংদাইরককনি। তাই পংচা কয়ানা অনেম্বা মালেমদা খুঙ্গোকলক্কনি। মতমলেন অদুদা, মীওইবগী পী পা, মচা-মশু-শুথাং নাইনা লাকপা মতমদা, লাইওইবা ঐখোয়গী চৎনরোন অসি মীওইপনা তমজবা ওইদুনা, মমোমবু মরান লুহোংবদা মমোমবু পোকপী পলেম মমা থিনবা চৎপা য়াদবা হায়বসি, মুৎহৈদ্রবা মমি ওইনা লানা ময়েক শেংনা লৈহৌরসনু হায়দুনা লাইয়ামগী মফমদা লাইনিংথৌ কৌব্রুনা পাওতাকপিখিএ।

লাইনিংথৌনা মহাইরকলে চীংউবা লাইয়ামবু য়েংলগা, হৌজিক্তি ইমোম নুংথেংলৈমসি খরাইথক্তা লৈহাপনা, লৈরোং লাইদা লৈকৎনা মরাংয়াইদগী থোকলগা হৈথিলসি ইমোমবু মহাইদুনা মমোম খরাইথোংগান লানদুনা লাইয়াম পুম্বানা হরাও মথোই কাজনা, নুংথেংলৈমা থিনবা থোকলকলে। হাইনখিবা য়াৱারেন হোয়াজদুনা নুংথেংলৈমা পলেম মমা ওইরিবীদি মরাংয়াইদা লৈহৌরে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা লাইরেনবীদি নুংথেংলৈমবু ,দোলাই পাপোৎ লোনদুনা অসুম অসুম লাইনিংথৌ মপনগী লোইবী চিংশাং চিংলোন ৯ ফাংববু, লৈনা থেকনা খোইনা লাইয়ামনা অসুম লাকপনা লাইনিংথৌগী চীংমাইথেন কয়া লাল্লকপনা, লোইবী চীংখোং তারকলে। লোয়ারাকপা অথৌবনা, লাইয়াম কয়াগা লোইননা মাংজিন থানা খোংদোই হুল্লকপনা লাইনিংথৌদি অপোকপা মার থাংমাইহনবগী লাংদাইকোন তাইনরকলে। নুংথেংলৈমগী কাংপুংনা অসুম লাকপা লোয়ারাকপগী তুংদননা, য়াংবী ইতমলকলে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মরম খৈরেন লাঙ্গোকলকলে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবগী মগাইফমলেন লাংদাইকোন য়ৌরকলবদা থাংমাইহনবগী চীংউবা লালোই কয়ানা খোনথোক অদুবু মতারে। লাইয়ামনা লাও লাওদুনা হরাও তরামনা লাকপদো, মদু উবদা মার থাংমাইহনবগী লাইয়াম লালোই কয়ানা মপু ওইরিবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা হনগৎচরে। লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ঙসি তাংলৌ থেংলোইবা অসিদা, চীংউবা লাইয়াম খুৎপু অমা মশিং লাংঙমদনা, লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মরমখৈদগী ফুথরকতুনা ইগাইফমদা তমলকলে। মসিবু করিনো মহাইরকলে লাইয়ামন লাইনিংথৌ মারবু য়েংলগা। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা লাইয়ামবু য়েংলগা মহাইরকই। পাথৌ অসুপ্পা মগাইফমলেনগীদি খোয়ুম লাঙ্গেংদি লাকফরোইনা, খোয়ুম ওইবা মার থাংমাই ঐগী অমাং অতা থোকনবদি পাথৌনা শিনফরোই মহাইরকলে। হাইনরিঙৈগী খেনফমদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা খোংদোই হুনদুনা লাইবুংনা ৯ না থৌগনদুনা চংলকলে। মার থাংমাইহনবগা, লাইনিংথৌ কৌব্রুগা খোয়ুম অনি মায়োকনরে। মার থাংমাইহনবা মহাইরকলে। লাইনিংথৌ অসুপ্পদা, করি মতৌনো পাথৌরেন, তৌরকলিবা মতৌসিবু। লাইয়াম পুম্বানা লাও খোংনা ইতমলিবা অসিবু মহাইরকলে মারনা।

পাঙ্গৌ অসুপ্পনা মারবু য়েংনা মখুমখি। পাখৌ খৌরেম্বা লানচংলেনবা অয়াংবদি মারও, নগাইফমদা, খোয়ুম ঐনা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা তাংলৌ খেংলোইবদা মৈত্রেং অরাবগা থাংলেন তাসু অমতা য়াওদনা খোংদোই হুল্লকপদি, পাখৌগী মথক্তা হুইরেন লানতাবা নংতনা অতৈ করিদি ওইগদবা মানবগে, মহাইরকলে লাইনিংথৌ অসুপ্পনা। মার থাংমাইহনবা মপুনা, পাঙ্গৌনা খোয়ুম ঐগী ইফমদগী অপাম্বা করি লৈবগে। খোয়ুম ওইবা মার ঐনা লাইগী লিচৎ ওইবদা কাইহৈদবা পরিং, করি অকাইবা য়াওখিদুনা পাঙ্গৌনা অশাও পরৈনদুনা লালোং অসি ওইরকলিবনো, তাকপীয়ুদা পাখৌ-ও।

মারগী তাকপীয়ু হায়বা য়াৱা তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা খুমজখি। হো পাঙ্গৌ অয়াংবও। খোইজি খাদা নাইনু কিশি থমবীগনু। লুইরেন লালোং লাকচবা নৎতেএ। খোয়ুম শকলেন য়েংগে হায়দুনা মতৌজবনে। পাখৌদা খোয়ুম ঐনা করি লালোং শেমদোরিবা। ঐদি পাখৌনি, পাখৌদি ঐনি, হায়না হায়না লাইয়ামসু য়ৌশিল্লকলে। নপারী তোংলোংখোম্বা দোলাই পাপন থকক্তা তোংদুনা লাকলিবসে উবরা পাখৌ। মার থাংমাইহনবনা মপারী লাকএ তাবদা, খোয়ুম মিংসন অনিনা মপারীতবু য়েংলকলে। মপারী দোলাই পাপন থকতা তোংদুনা লাইয়ামগা লোইননা, লাংজিন থাদুনা লাকপা, মপন পঙ্গৌ মার থাংমাইহনবনা উরকলে। চীংউবা মখৈ ফংনা হরাওজরকলে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মশানৌদি হুমুলৈমবু মকৌরকলকলে। পলেম মমা লাইরেনবী হুমুলৈম্মা, তারবরা। খোয়ুম লাইরেম্বী খোংশলকউ,লাইরেনবী নংবু তাবরা লাইরেনবীদি হুমুলৈমানা মগাইফমলেনদগী খোকলকতুনা লাইনিংথৌদা কোকনোনজরে। লাইনিংথৌ খোংদোই হুল্লকলে। লাইরেনবীনা মপারী খোংদোই হুল্লকলে হায়বা নাৱা তাবদা, চেনখোকখিবা মতমদা, চীংউবা লাইয়ামনা দোলাই পাপোৎ লোনদুনা দোলাই মথকতা তোংদুনা লাকপদো উজরেদো পলেম মমা হুমুলৈমানা। ঙমখৈ লৈতনা মচাবু উজবদা হরাও মথোই কারকলে।

মপারগী দোলাইবু চুকমাং মথৌ পুংদা থারে, তুংদাননা দোলাই অমসু লাইয়ামনা পাপোৎ লোনদুনা লাইরেনবী অমনা দোলাই মথক্তা তোংদুনা চংলকপা উরকলে। লাইরেনবী অদুগী মাইথোং উবদা হুমুলৈমা অঙকপাগা লোইননা হায়ফম তৌফম খংদনা হরাও মথোই কারকলে। লাইরেনবী অদুগী দোলাইসু থারেদো চুকথাং মথৌপুংদা। লাইরেনবী খুরুমজেএ, পলেম মমা হুমুলৈমদা। হুমুলৈমনা কৌনশিনদুনা পুশিনখরে। খোয়ুম লাইওইবী অনিগা লোইননা, লাইনিংথৌ মার হনবনা খংলকলে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু য়েংলগা পাখৌ নংহাক্লা শেমজবা পারীশে ঙসি মাগী মরাল লুহোংবা নুমিৎ ওইরেনে, পেনজৈদকো পাঙ্গৌ খোয়ুম অসুপ্পগী খৌশিনসে, নপারীবু শেমবদি অসুপ্পাগী খৌদানি।

ওইজবতনি পারী তোলোংখোম্বা ঐহাক্কী। ইমোম ওইবী অসিবু খোয়ুম কনাগী মমোমনো, অমুক্তাদি তাকপীয়ু, মহাইরকলে লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবনা। অসুপ্পনা মারবু য়েংলগা খুমজখি। পারীগী তালোই ওইগদৌরিবী মরান লুহোং তমলীবসে, খোয়ুম কনাগী মমোম নৎতেএ। খোয়ুম ওইবা অসুপ্পা ঐগী ইমোমলোই নুংথেং লৈম্মানি। মদু য়াৱা তাবদা, মার থাংমাইহনবা মহাইরকলে। করি হায়বা পাঙ্গৌ নুংথেং লৈম্মা নমোমনি হায়বা। পাঙ্গৌনা চীংউবা লাইয়ামদা হায়খিবদাই। ফম্বাল ফংলবা, খোয়ুম কয়াবু লোইচনবা ঙম্বা অথৌবদা ইমোম পীগনি। নত্রবদি ইমোমবু খোয়ুম ফম্বাল ফংদ্রিবা, মীংথোন নাইবা নত্রবদি ইমোম থাজরোই হায়খিবদাই। করম্না পারীদা নমোমবু মরান লুহোংলি।

লাইনিংথৌ অৱাং অসুপ্পনা মারবু য়েংলগা হাইরকই। খোয়ুম ঐনা হায়খিবা য়াৱা অদুগী মথৌরেন থৌকাংনা মহেল্লে। মীংথৈ ফংখ্রেনা। ফমথোন নাইবা খোয়ুম অথৌবা থৌজাল ফংখ্রে। নপারী শিদবা মপুনা কুবীরে। নপারীগী কোলোইরেন্না মপন ঐগী ইগাইফমলেনদা, লোইজিং নিংথৌ লোয়াঙম্বা, লালোইহনবা, লোয়ারাকপা হায়না চীংউবা লাইয়াম পুম্বাগা লোইন্না হরাও মথোই কনা মীংথোন অসি ফংজখ্রে। হোয়ানবা পুংফমলেনদা, লাইয়াম পুম্বা কৌখৎতুনা ইমোম ইবেম্মা থিলকলিবসিনি। পাঙ্গৌগী মফমদা, খোয়ুম ঐহাক্না হায়খিনা। নপারীনা শারেপ ফা, খোয়ুম লাংদাই ফম্বাল, মীংথোল ফংলবা মতমদা কোরৌ অমা থিনথদনা, সোইদনা ঐহাক্না মথিঞ্জরক্কনি হায়খিবা য়াৱাদি কাইফদবনা, পারীবু ঐনা থিল্লকলিবসিনি।

লাইনিংথৌ কৌব্রুগী লিচৎলোন শেংলবা য়াৱা তাবদা, মার থাংমাইহনবনা পেল্লদুনা হাইরকই, নপারী লোয়ারাকপা নগাইফমদা লৈরগা লোইজিং লোয়ারাকপা হায়না চীংউ ফম্বাল নাইদুনা লৈরসনু, ঐগী ইগাইরেনদা লোয়ারাকপানা, মার ঐগী ইপারী তোলোংখোম্বা হায়না অসুম লাংহৈরসনু। পাঙ্গৌ নংনা মকৌবীবা নপারী লোয়ারাকপবুদি কাওবীগনু। শেনজবা নহাককী নপারিদি পাঙ্গৌনা মশক খংফৈনা। মদু পরম কানবদি চীংউ লিচৎলোন নৎতেনা। লৈশেম কোনগী লাংহৈকোন, মপুগীদি লৈকোনদা, খোয়ুম ওইবা ঐখোয়গী লিচৎ লিরেন ওইবসি, চকশিংকোনগী লাংদাইদা, কোনবা চককী লাংহৈরেন্দা, অসুম মাংফদ্রবা লাইগী লিচৎলোন ওইদুনা লৈহৌরসনু। য়াৱা অসি হায়দুনা খোয়ুম মায়োক থারকলে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা অৱাং মরমথৈদগী মরান লুহোং থৌকাংবদা লাংহৈরিবা লাইয়ামগী য়েংলগা মহাইরকলে। হৌজিক্তি হৌ হায়না হৌদুনা, হিচোং লাংহৈ পুংকোইদা হরাও মথোই কারসি,য়াৱা অসি মহাইরে।

তোলোংখোম্বা ফম্বাললোন

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেননি। খোয়ুম লাইয়াম পৌরোনলেন ১৮ নি। লাইঙাকপা ১১৮নি, পামহৈবা ৬১নি। পানসুবা ৪২নি, লাইয়াম ৭৬১ নি, লাইপুং থৌরেনবা ৮১নি, লাইলোই ৩৬১নি। শিংলোই ৪২০নি, পালোইবা ২৪নি, উরীবা ১২নি উৱাবা ৮নি। শাথৌবা ৬০নি, শারাংবা১৮নি, থাংনাইবা ১৩নি, তেনসুবা ২৮ নি, তাথৌবা ৪০নি, শারোই লালোই ৬১নি। লাইরেনবী ইতাইরেন ৭৬১নি, লাইনা নুরাবী ৭নি, চীংউবা লাইয়াম পুম্বসু মথৌ থেনখৌ মচুক মাংদা লাইসু সুনা মতিল্লক্লে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা লালোই শিংলোইশিংদা, হৈরাং লৈরাং কয়া পুথোকহল্লক্লে। হৈরাং য়েনবা হৌরক্লে। লৈরাং লৈথেৎ তমনরকলে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু মগাইরেনগী লাইরেনবীশিংনা পুরকপা হৈরাং লৈরাং পুমবসু লাইয়াম পুমবদা য়েনথোকলে। হৈরাং লৈরাং লাইয়াম্না লৈথেনন তমজরে লাইয়াম পুম্বনা। চীংউবা লাইয়াম পুমবা হরাও মথোই কারকলে। থৌদোক কুম্মৈ শান্নরশি মহাইরকলে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনে, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনে, হুমুলৈমানে, লাইরেনবীনে মপারী তোলোংখোংম্বানে, মমৌ ইবেম্মা নুংথেংলৈমানে। চীংউ ফম্বাললোন ৫ না মথৌ পূংগী পুংকোই ময়াইদা চীংউ ফম্বালোন্দা ফমদেংখ্রে। চীংউবা লালোই লাইয়াম পুম্বা পুংকোই কোইনা লাইনিংথৌ লাইরেনবীববু থৌখাই থৌগনজরকলে, মার কৌবরেন। মপারী তোলোংখোম্বা অহুম্না য়েৎ ওইননা ফমদ্রেংএ,লাইরেনবী হুমুলৈমা ওইগী ফম্বালদা মমৌ ইবেম্মাগা অনিনা ফমদ্রেংখ্রে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাইনিংথৌ লাইরেনবী পুম্ববু থৌগনজরী। লাইয়াম্না লাইনিংথৌ লাইরেনবীবু কোইশিলজদুনা হাইনা লাওদুনা চীংউবা লাইয়াম্না থেনখৌ লাংখৌ, খৈরেন লানচোং, খৈরেল খৈনা লাওদুনা চীংউবা লাইয়াম হরাও মথোই কাজরে। লাইয়ামশিংনা হরাও মাথোই কাবদু উরগা য়াইবী ফম্বালদা ফমদেংলিবা লাইনিংথৌ লাইরেনবী পুম্বনা, লাইয়ামগী হরাওরোলদু উরগা চীংউবা পুংকোই তমলকলে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন, চীংউবা লাইগীদি লাইকোন ফমদেং লোন্দি মচুকমাং থেংলোন য়াংবা মগাইফমলেন্ননী। লাইয়ামগীদি খুনদিফম, হরাওরোন্দি থেনখৌ পুংকোইনি লাইচি নোংপোক খৈরেননি। লাইয়ামশিংনা কোইনা কোইনা ঔগ্রি খেনচোং, লাংখোং, খিংলোই পুংকোই খৈরোন,লাংচি, ইরেন তমদুনা,হৌ লাওনা হরাওরোন লাংহৈ পুংকোই ইতমলকপ্না লাইয়াম পুম্বনা নিল-খোংদূনা, মথোইরেন কাজরে। লাইগী জগোই লৈথক লৈখারোল শারকলে। কোরৌ

খেকনা লাংহৈরে, চিংউবা হরাও মখৈ লাংলকলে। লাইয়াম লাইশৈ ঈশৈ শকলকলে, লাইহুই মাবু মতমলে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্নমক হরাও মথোই কাবা, ইরোং খুমদেং লাংহৈ পুংকোই মতমলকলে। লাইয়াম হরাও মথোই কাবা লোইদূনা মালেম লৈদা লৈতনা, ফমদেং ইহুন মতমলকলে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা পাথৌ থৌরেলবা মার থাংমাইহনববূ য়েংলগা মহাইরকলে। পাথৌ হৌজিক্তী হরাও পূংকোই তম্বসু মরোইরবনিনা ইরাং পুংকোই য়াইদা খোংদোই হূনখ্রাগে, লৈবীহৌরো পাঙ্গৌ। চীংউবা থৌদা পূদূনা থাংমাইহনবদি মরমথৈদা, মহাইরকলে লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পা, থৌগন মতিক চাদে ৰারৌ পৌরৌবীগনু। পাঙ্গৌগী নুংলোন য়াইদা নমোম ওইবগী নূংশি লাংহৈ মমি তারিবদূ লাইগী লিরেননি।

পাঙ্গৌগী নমোমদি খোয়ুম ঐনাসু ইমোমনি, ঐখোয়বু চেৎনা চাননা লাংগোনবা হায়বসি পলেম মামা হুমূলৈমা থৌশিললোন, পারী ইমোম্না য়াইফরেন লাংহৈবনা পলেম পাঙ্গৌ ওইবা ঐখোয়গী খোয়ূম মচা লাংহৈনী, মহংগৎচৈদো মার থাংমাইহনবনা। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু মমোম ওইবগী নূংথেং লৈমাবূ য়েংলগা হাইরকই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা নুংথেংলৈমা, নংহাক য়াইফা নুংঙাইনা পঙ্গৌগী মগাইফমলেনদা লৈহৌরোনে ইমোমলোই। ইপাদি খোংদোই হুনখ্রগে। হয়েং ইনূং তৈনা ঙাল্লগা পলেম নমা, খোয়ুম মতারোই কয়াগা, ইচাগী নাক্তা থারককে। ইপা খোংদোই হূনলগে, অসি য়াৰা হাইদূনা মমোমবূ য়েংলা য়েংলদুনা মগাইফমলেনদা খরাই থোংগাল তম্না থোকলকলে।

চীংউবা লাইয়াম পূম্বাগা লোইননা অৰাং কৌব্রু লাইনিংথৌনা খোয়ূম মাগী মগাইরেন্দা লালোই শিংলোই লাইয়াম পূম্বগা খোংদোই হুল্লক পনা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মগাইফমলেন য়ৌরকলে। লাইয়াম পূমবসু মাগী মাগী মগাইফমদা হনখ্রে। অসুম লাংহৈকোনদা লাংতাই ইহূন ওইখরে। লাংহৈকোন মপূং য়াইদা, ইনূং তৈরেল য়োইদা ঙানবা অঙানবা মঙাল মশেক ওইরকলে। খোয়ূম লাইয়াম য়াথোং তমলকলে। মাগী মাগী শিলম শিঙ্খা শিনকাংনখ্রে। কৌনুরেন্দি লাইরেনবীনা মতারোইরেন লাইরেনবী কয়া হৈখোমদুনা চরৈ নিংথিবা কয়া শেৎ চাদুনা, মমোম ইবেম্মা নূংথেং লৈমাগী মগাইফমদা তমনবা খোয়ূম থৌশিল লাংখ্রে।

মপূং য়াইগী লাংহৈনি, কৌব্রূ লাইরেনবীনা মতাইরোই কয়াগা লোইননা মমোমনা লৈবা মগাই ফমদা খোয়ূম লাইরেনবী খোংদোই হুল্লকলে। মার থাংমাইহনবগী মশাইগোন্দা য়ৌরকলে। খরাই থোংগাল চংলক্তুনা মগাইনূংদি মমোমগী ইতমন্না ,লাইরেনবী কয়াগা লোইন্না ফমদেংলক্লে লাইরেনবী। কৌনুরেনবী লাইরেনবী মমোম্বু য়েংলগা মহাইরে। ইমাগী-ইমোম ইবেমা, য়াইফাকোনদা লৈরিবী ইমোমদি লাইপাক ফবীনে। ইচাগী অৰাৎপা লৈতেনা, নয়ূম ইরাংয়াই খন্দুনা, লাংওন অসি লাংদাইগদবনি। ইমাগী য়াৰাদি কাওফরোই। লাইগী লিচৎ কানফরোই, পলেম পঙ্গৌ অনিগী

থৌগনতবূ ফংজবদি ইমোমগী লাইপক হেলোইবনি, থৌরেনবা পারী তোলোংখোংম্বাগী থৌদা মাবু ইনজবীদি ইমোমগী থৌকাং মপূংনি কাওফরোইদো ইমোম। তাকপিরেদো মমোমদা, কৌব্রু মমা লাইওইবীনা।

মমোম ওইবি নুংথেং লৈমানা, পলেম মমাগা লোইনরকপি, লাইরেনবী মমা ওইবী কয়ানা চানবা, চিন্নবা, হৈরাং লৈরাং কয়া পুথোক্লূনা হৈরাং হৈচামীন্নরে। লৈরাং কয়াগা লৈচিনমীন্নরে। মমোম ওইবিবূ কৌনু মমান ৱাতাই সংদাই ওইরমলগা, মমানা মচাদা য়াইফা নূংঙাই, পাওতাক পিরমলগা, মতাইরকলে মমোমবূ য়েংলগা। ইমাগী ইবেম্মা, ইমাখোই খোংদোই হুনখ্রগে, লৈহৌরোকো হাইদূনা পলেম মমা ওইরিবী কৌব্রূ লাইরেনবীনা, মতাইরোই কয়াগা লোইননা মমোমগী মনেম (মমা) ওইরিবী হুমুলৈমাগা কৌব্রূ লাইরেনবী অনি মায়োক খুদাদুনা ৱাতাই শংদাই ওইদূনা মতাইরোইবী কৌব্রূ খরাই থোংগান ফাওবা হুমূলৈমা থিনদোরকলে।

মতারোই হুমুলৈমদা য়েংদুনা, কৌব্রু লাইরেনবী মহাইজে। ইতারোইও, ঐগী ইমোম নূংথেং লৈম্মাসে হৌজিক্তী ইতাগী নমোম ওইরেদো। ইতানা খংদা উদা পূম্নমক চিংউ লাইগী কাওফদ্রাবা লিচংলোন, নথানুংগী নমোমনি খন্দুনা শিঙ্গা পাওতাকনবীয়ূ। হৈতা খংদা পুম্নমক শিঙ্গা লাংহৈ ইতমবীয়ুদো লাইরেনবীদি ইতারোই। য়াৱা অসি হাইরমলগা কৌনুরেন্দী লাইরেনবী মতারোই কয়াগা লোইননা মরাং য়াইদা খোংদোই হুনখ্রে। খোইয়ুম লাইরেনবী পুম্নমক্তা, কোনুরেনবীগা লোইননা মারজিং থাংমাইহনবগী চীংশাং চীংগোল ৯ মথং মনাও নাইনা লানলকপনা, লাইনিংথৌ মগাইরেনদি ফম্বালকোল য়ৌরকলে।

কৌব্রূ লাইরেনবীগী মতারোইশিংসু মাগী মাগী মগাইরেন তম্না খোংলোই হূনখ্রে। লাইরেনবীদি কৌব্রূনা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা ফমদেংলিবা ফম্বালগী নাক্তা চংদুনা কোকনোঞ্জরে। লাইনিংথৌনা কৌনু লাইরেনবীবু য়েংলগা মহাইরকই। লাইরেনবীদি কৌনু-ও, নমোম ওইবী নুংথেং লৈম্মা ইমোমবু মাইথোং লুরুক্লনা লৈহৌবরা, মাইথোং মকা লাম্নবু লৈহৌবরনে লাইরেনবী-ও। লাইনিংথৌ য়াৱা তবদা কৌনু লাইরেনবিনা মহাইরকলে। ইমোম লাংলেন নুংথেং লৈম্মাদো, মাইথোং হরাও-মথোই কানা পলেম মমা হুমু লৈমাগা লোইন্না অদুমক মরাং য়াইদা লৈহৌই।

ফরে ফরে লাইরেনবী, অতৈ অমগী য়াৱা নৎতেদো, ইমোমনা ইরাংয়াইদা লৈবদি লাইরেনবী মাগী মনিংনিদো। মহাক্না হাইনিংবতা হাই, ঙাংনিংবতা ঙাং, খোয়ূম লাইগী চৎনরোন, লাংদাইরেনসু ওইবদো, হয়েং য়েক ৭ শলাই ৯ না লাংহৈ পুংকোই লাংদাই ওইরকপদো খোয়ূম ঐনা ইতমলে। য়াৱা অসি মহাইরিঙৈ লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মগাইফমলেনদা চীংউবা লাইয়াম মথং মনাও নাইনা মরোইবা অরেপ্পা লৈতনা লাংহৈরি। লাইয়াম পূমবনা অরেপ্পা লৈতনা লাকপদি অতৈ অমাগী য়াবা নৎতে। লাইনিংথৌগী মমোমলোই নূংথেং লৈমা মরান লুহোংবা য়াওহৌদবা কয়াসু

তারকপগা মপা মমা উনবা লাইয়াম কয়া খোংলোই হুল্লকলে। হৌরেনবা কৌরৌদা, নংহৌদবা লাই কয়া অমা ইনুং তৈরেনবা নোংঙাল্লবা ঙাইদুনা মথং মনাও লাকতুনা হৈরাং লৈরাং নাচোম কয়া পুরক পুরকতুনা লাইনিংথৌগী মগাই তমলকলে।

লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী মমোমলোই মরান লূহোংবা য়াওহৌদবা খোয়ুম কয়ানা মাগী মাগী লৈজবা হৈরাং লৈরাং কয়া পুরকতুনা লাইনিংথৌ পূংথৌইদা থেল্লরে। পূরকলিবা চীংউ লাইয়াম হৈরাং লৈরাংদো মপু ওইরিবা লাইনিংথৌদা কৎচরে। লাইনিংথৌনা লারোই শিংলোই কয়াবু কৌদুনা লাইয়াম্না পুরকলীবা হৈরাং লৈরাং কয়া অদু লাইয়ামশিংদা মথং মনাও নাইনা য়েনথোকপা হৌরকপদা, লাইশিংনা পুরক পা হৈরাং লৈরাং কয়া অদু পুননা হৈচামীনবা, লৈরাং লৈচন নাইনা, নাচোম শেম-শাদুনা লৈচিন্নরক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা হৈচানবা লৈচিননবা লোইরদুনা লাইয়াম পুননা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা কোকনোঞ্জরে। অসুম য়াৱা মহাইরকলে। হৌজিক্তী লাইনিংথৌরেনবা মপুও, মপুগী মগাইফমলেনদা লাইয়াম ঐখোয় লাকচদুনা হৈরাং পুননা হৈচানমিননরে, ঐখোয়গী পেনজবসু মওইরে। খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয় অমুক ইহনফমদা হনজরগে, খোয়ুম ইতেফমদা তেশিনঞ্জরগে। খোয়ুম শিম্বা পাংজরগে, খোংশানজরগে হায়দুনা লাইনিংথৌদা কোক নোনজরমলগা লাইয়াম পুম্বা হনখরে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা লাইরেনবীদি কৌব্রু ফম্বালকাগী লাংহৈদা য়েৎনা ওইনা ফমদেংনা লাংহৈ লাংদাই ওইখরে।

লাইনিংথৌ মারচিং লাংহৈকোনদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা তিল্লরে, খানা চাউবা ইতমলকলে। থাংজিং কোইরেনসু ময়ৌরকলে। নোংপোক অপানবা, অয়াংলৈমা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বা সুনা তিল্লরে। লাইয়াম পুম্বনা তোলোংখোংম্বাগী মরাল লুহোং হরাও চেঞ্জেল তম্বা লাংহৈ পোংদোং ইতমলি । নুংথেং লৈমা তোলোংখোম্বা অনিনা চীংউ লাইয়ামগী মমাংদা থোরকক্তুনা লাইয়ামবু হরাও চেঞ্জেল ময়াওরে। লাইয়াম পুম্বাসু লাইরেনবা লাইরেনবী অনিবু মউবদা, লাংহৈ পোংদোং তমখ্রে। লাইয়াম লালোই খরানা হৈরাং লৈরাং য়েল্লকলে। লাইয়াম পুম্বা শকখং মাইখংনরে। হরাও লাংহৈ তমখরে।

লাইনিংথৌ মার থাইমাইহনবা হুমুলৈমনা লাইয়াম পুম্বদা মহাইবিরে। পারী ইমোম (ইমৌ ইবেম্মা) নুংথেং লৈমা মরান লুহোংবদি চীংউ লাইয়াম পুম্বা সুনা তিনবিরেদো। লাইয়াম খোয়ূমবু ঐনা মহাইজরী। হৌজিক পারী তোলোংখোম্বা ইমৌ নুংথেং লৈমা অসিনা হরাও মথোই কাজবা, চীংউ লাইয়ামনা পেনবিনবা, মপু শিদবনা কুবিবা ওইরসনু। য়াৱা হাইদুনা লাইনিংথৌ লাই-পাও লাংহৈরে। ইরোং লাংহৈ পুংকোই তমলকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মাগী মাগী মগাইফমদা হনখরে। তোলোংখোম্বা নুংথেংলৈমা মারজিংকোনদা লাংহৈনহৌরে।

লৈশেমকোনগী লাংহৈদা ইনুং খৈরীবা মফমদি মার থাংমাইহনবগী মগাইরেনদি কংলৈ মপুরেলগী চীংখৈরেননি। লাইনিংথৌ থাংমাইহনবগী মগাইরেনদি ফম্বালকোননি। লোইবী লোকমাইথেল থেনগুম ইরিক নোংহৌ পুংকোইনি। ইঙাং পালোই পাৎশাংকোন, চাক্তা খোয়ুম য়াথোকলেনদি মফমনি। সুরুং কোইবী ইরেন কোকশারেননি। লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবগী শাগোন য়াইশা ঙৌরেনবনি। লাইগী মরোল খংবা, খোয়ুম লাইনা লাংওনবা শানে। চীংউবা মতিক ময়াই হেনবা,লাইনিংথৌ মারগী খুদুংলেন খৌশা শানি। লানগী লালোন খংবা, শাগোন কাংহৈ লাংদাই শানি। সনা খুদুং খোংশানি। লুপা খুমাং য়ৈবা লাইশানি।

চীংউবা মতিক ময়াই অকনবা, খোয়ুম লালোং লানমাই চুমহেনবা মপুরেনদি মার থাংমাইহনবনে। হরাও মথোই কনা চীংউবা লাইয়ামনা নাউথেম পুংকোই তমলিবদি লাইনিংথৌনে। নুমিৎকুম মসোং নাইবনে, থাগুম মঙাল লৈরিবদি লাইনিংথৌনে। খোইবু লাইরেনদি হুমুলৈমা লাইরোই মকোক হনজবীনে। মতিক ময়াই হেলোইবা, শকতা চুদা ঙানথোইবীনে। লাইরেনবীলক্তা অহেনবীদি হুমুলৈমা লাইওইবীনে। মপারী শিংখোং অথৌবা তোলোংখোম্বা লানজং থৌরেনবনি। মতিক ময়াই হেলোইবনে। মার থাংমাইহনবগী মমৌ ইবেমা নুংথেং লৈমালক্তগী অথৌইবিনি ,শকত চুদা অহেনবনি।

লাইনিংথৌ লাইরেনবী মপারী তোলোংখোম্বা মমৌ ইবেম্মা নুংথেং লৈমা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী লাইপুংথেন্দি লাইকোননি। ফম্বাললোন্দি য়াইওইবা তাংবন থক্তা ফমদেংবীরে। খোয়ুম ওইবা মরিবু থৌগনজগে মহাইরকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাইয়ামগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌনা হোয়ানবীরে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা য়েৎকী ফম্বাল য়াইওবদা, মশানৌদি হুমুলৈমাদা ওইগী ফম্বাল লাংহৈদা ফমদেং লাংদাই তমখরে। মপারী শিংখোং ওইরিবা তোলোংখোম্বা মপারীনা পলেম মমাগী ওইথং ফম্বালকোনদা ফমদেংজৈ। চীংউবা মরিনা ফমদেংলিবা ফম্বাল উবদা লাইয়াম পুম্বা হরাওজৈ। লাইনিংথৌগী নাকোইননা য়েৎলোই চুখোং ওইদুনা লাইবুংদৌ ৯ না থৌগনজরে। লাইরেনবী নুংথেং লৈমাগী ওই ওইননা লাই নুরাবী ৭ থৌপুজরে।

পানগী থোংঙাকপা থোংঙাকপী কয়ানা থৌগনখরে। লালোই শিংলোই কয়ানা মাগী-মাগী শিঙ্গা পাংজদুনা, খোয়ুম লাংদাই ওইরকলে। চীংউবা মারগী শারোই ৬১না লাংদাইকোন লাংহৈ পূখরে। কুমজা চৈচৎ লাংহৈ পুংকোইদা থাংমাই মগাইরেনবু ঙালোইনবা হায়দুনা কূমশা কুমশিং নাইদুনা চীংউবা লাইনা মপু ওইরিবা লাইনিংথৌ লাইরেনবীগী মচা ইবুংঙো, মমৌ ইবেম্মা মরিমক্কি লাংহৈদা হরাও কুমথা কুমচৎ লাংদাই ওইনা লাই হরাওব থাংমাইকোন ইতমলকলে। মমলবা লাংহৈকোন ওইরম্বা থাংমাইহনবগী মগাইরেন অঙানবা লাংহৈ, ৰাৎতা পাদা লাংহৈকোন ওইদুনা, খোয়ুম মরিমক্কা মগাইফমলেনগী মচা মনাই ওইববু ঙাকপী সেম্বী, য়োকপী থাকপিদুনা, য়াইফকোন মওইরেদো থাংমাইরেন মরমখৈনি। হৈ, হয়া হয়ুম।

ꯃꯥꯔꯖꯤꯡ ꯈꯦꯂꯣꯟ

মারজিং খেলোন



থাংমাই পাউচিথেন

চকশিংকোনদি লাংহৈকোননি। মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপা,হাওরৈ নোংপোক চীংখৈ মরম লমলেন মদাইমনি। পানফারিবা লাইনিংথৌদি মার থাংমাইহনবনে। মশানৌরেন খোইবু লাইরেনগী হুমুলৈমানে। মপারি শিংখোং তোলোংখোম্বনে। মপুরেন শিদবা লাইওইবা থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন, লোইবী চিংদি হেলোইপা চীংনে। অনেম্বা মালেমদা উমংলাই খুম্হোক লাংহৈ লাংদাইঙৈনে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিনা মপারী শিংখোং হালোই, তোনপোকপা তোলোংখোম্বা, নুমিৎ থাগুম ময়েংজনা, চাওরোক নাওরোক মতমঙৈনে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন, নোংপোক চীংখৈ খৈরেন লমতি মদাইমনে। শিদবা লাইতি লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনগী থৌসু থৌরেন য়াংপা,খোয়ুম থৌপাং থৌরেনপা লাই ৬৪ না লাইনিংথৌ মগাইফমলেনদা খোংদোই হুল্লকলে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা লাইনিংথৌদা কোকনোঞ্জনা হঙ্গৎচৈএ। করি নোংগী য়াৱানো হায়পতি, লাইয়াম্না লাইনিংথৌদা। হাদা খোয়ুম মপরেন-ও, করি নোংগী লাইনিংথৌগী ইগাইফমলেনদা, থাংমাই পাউচিথেন হায়পা থেনগুম থেন অসি লৈপনো হায়না লাইনিংথৌগী লাইয়ামনা হনগৎচৈএ।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাদা ময়েংন্না মহাইএ। তারো লাইয়াম পুম্বাও,করি নোংগী পাউচিথেন লৈপনো হায়পগী ৱাপু হায়কে, লাইনিংথৌ ঐগী, খৈরেন লমলেন মদাইমদা খোয়ুম লাইয়ামগী লাংদাইকোন ওইরিবা ইগাইফমলেনদা লৈপা, পাউশি পাওরোই য়াংবা লাইপু খোয়ুম ওইপা মকৌএ। করি নোংগী কৌপনো হায়পতি, মহাইকে মতারো লাইয়াম পুম্বাও। হাদা লাইওইপা পাউশি পাউরোইপও। খোয়ুম নংলেনদা, নোংপোক লাইয়াম পুম্বা খোংদোই হুনলকউ হায়না খোয়ুম লাই পাউশিবনা পাউতাকও হায়পতা, পাউশিবনা নোংপোক লাইয়াম পুম্বাবু খোংদোই হুনলকনবা, পাউচিথেনদা পাউশি পাউরোইবনা, খোয়ূম পাউতাক পাউচেন মপিএ।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী খোয়ুম লৈঙাক পাউশি পাউরোইপনা , মপু লাই শিদবা থাংমাইহনবগী মগাইফমলেনদা লৈপা পাউশিথেন হেনলোই চীংদা কাদুনা, নোংপোক লাইপু কৌএ। নোংপোক লাইনা তাদুনা থাংমাইহনগী মগাইফমলেন পাউচিথন ,লোইবি চিংদা কাদুনা লাইয়াম্না থাংমাইহনবগী মগাইফমলেনদা ময়ৌরকলে। লাইনিংথৌনা হাইএ,তারো নোংপোক চিংউপা লাইয়াম পুম্বা-ও। করি নোংগী খোয়ুম ঐনা মকৌপনো হায়পতি, অতৈ করি অমা নৎতিএ। নোংপোক খৈরেন মদাইমদা লোইয়াম পুম্বাগা লোইননা লাই হরাও মথোই কাসি হায়পদা, থাংমাই মগাইফমলেন পাউথেনদা, হরাওবা হৌখিবা লমলেনপু পাউশিথেন কৌএ।।

হালোয় ৰাঙম চীং

চকশিংকোনদি লাংপা কোনপা চকলোননে। শিদবা লাইদি শুমলেন নোংপোক খৈরেন, লমলেন মদাইমদি চীংখৈরেননে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইরেননি। লাইনিংথৌনা অনেম্বা মালেমদা খুঙোক মতমঙৈনে । হাদা লাইওইপা লাইনিংথৌ মপারি শিংখোং তোলোংখোম্বাগা, মপন পঙ্গৌগা লোইন্না অয়াংবা শাগোল তোংদুনা, শাবা লমথোক কোইনা লময়েংএ। লাইনিংথৌনা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বাবু ময়েংনা মহাইএ। হাদা পারী হললোইপও ঐগী হেলোইপা ইগাইরেন পুম্বাবু, মিৎস্না তরং লাংদাই-ও হায়না হায়পতি, কোইনা য়েংও হায়না হায়পতা, মপারী তোলোংখোম্বানা মপন পঙ্গৌগী লোইপী পাৎলোই পুম্বা য়েংজৈএ।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারীনা হায়এ। মপন পঙ্গৌবু ময়েংনা। হাদা পঙ্গৌ ৰাঙম্বাও, লোইবী চীংদি ৰাংলবা চীংশা অসি করি নোংগী হালোয় ৰাঙম চীংপু কৌপনো হায়না হায়পতা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনপনা মহাইএ। তারো পারী ৰাংলবা লোইবী চীংদি ৰাংঙম চীংদা, মপা মচা অনি ফমদেংনা ৰাঙম চীংবু কোইনা মীৎসন্না য়েংদুনা হায়এ। খোয়ুম লাইয়াম অমতনা, ফমলেন অসিদা কাদুনা, ফমবা ঙমদবা, লোইবী চীংমাই থেননে। লোয়বী অসিগী চীংয়াংদগী চীংদোন তানা কাবদি খোয়ুম লাই লাইওপশিংনা হলোয়বা ঙমদেএ। অদু নোংগী লাইশিংনা, হালোয় ৰাঙম চীংদা কাফদেএ।

খোয়ুম লাইনা করিগুম্বা ৰাঙম চীংদা কাদুনা খোয়ুম থৌখাই পুবদি, লাইয়াম লক্কা হালোয় ৰাঙমবনেএ। লোইবী চীংদি হেলোয়পা, হলোয় ৰাঙম চীংদা নপন পঙ্গৌ ঐনা খোয়ুম লাইয়ামগা মায়োক থানা লানথেং মারোক য়ারমদাই,খোয়ুম চোমাই মায়োক লাংদাই শিংদাই মওইরবদা, ইগাইফমলেন অসিদা হালোয় ৰাঙম চীংদা কাদুনা, খোয়ুম মপু শিদবা লাইদা থৌজানবীয়ু হায়না থৌখায় থৌপাং ফমলেন চীংনি। লোয়বী চীংদোন কাদুনা থৌনি থৌপাংলবদি লাই পোং, সলাইসু থৌসু মহৈ য়াংনকনিএ। মসি নোংগী থৌখাই মহৈ য়ানবা হেলোয় ৰাংঙম চীং কৌপনে।

খোয়ুম লাইগা লাংদাই শামা পাংকন য়েংবদা, কোরৌ মপুনা লোইবী চীং অসিদা থৌখায় পীবা ফমলেননে। মসি নোংগী মপুগী থৌজান লৈপা হেলোয়পা চীং অসিদা,খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানসু থৌনি থৌখায় পাংদুনা, লাইকি ফম্বাল কয়া ফংজখিবা হালোয় ৰাঙমলোইদি চীংনে। মপু লাই শিদবনা থৌসু হেনপা চীংপু মার থাংমাই ঐগী ইগাইফমতা ঈৰাইনখিবনে। মপন পঙ্গৌকী ৰারম পুম্বা খংজদুনা মগাইফমলেনতা, অয়াংপা শাকোন তোংদুনা হনৰাইনরকখিএ।

পাউশু কাইরেন চীং

পাউশু কাইরেন চীং ওইখিবা ৰাপু নুংলোন ৰাউঙুরোন্না পীরী। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী নোংপোক চিংথৈরেনতা লৈপা লাইশিংনা, খোয়ুম থৌপাং মপাংঙৈগী ৰানে। পাউসু হায়পতি, খোয়ূম লাইয়ামনা অরেপা ৰাপু ঙাংদুনা থম্বা, হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াদবা ৰাফমবু ,পাউশু হায়পনে। কাইরেন চিং হায়পা ৰাদি, খোয়ুম লাইয়াম্না অহোংবা লৈতনা লেপখিবা ৰাপু ফমলেন অদুদা কাইদনা চৎথবা, থৌরম থৌদাগী থৌওং চীংপু, কাইরেন পাউশু চীং কৌএ। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানা অরেপা থমদুনা কাইহৈদনা পাংথোকপা চীংনে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা লাইয়াম পূম্বাকা লাংদাই শিংদাইনদূনা নুমিৎলোই অমদা পাউশু কাইরেন চীংকি ৰাৎপু হায়কে হায়পতা, লাইয়াম পুম্বাগা হোইয়ানখিএ। নুমিৎলোই শিংকুম অদুবু লাইয়ামনা ঙাইদুনা পাউশু কাইরেন চীংদা ঙাইদুনা লৈ। লাইনিংথৌ শিদবা চীংথৈ মার থাংমাইহনবনা খোয়ুম চৈথেক নুমিৎ মশিং শুরদুনা, লাইয়াম উনপা কাইরেন চীংদা খোংদোইএ। মপু শিদবা খোংদোইরক্লে হায়পা খংতুনা খোয়ুমগী ফম্বাল, কাইরেন চীংদা শেমএ। খোয়ুম লাইয়ামনা শেম্বা ফম্বাল অদূদা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইনা ফমদেংলে। লাইপুথৌ ৯ না মপুবু থৌগনচৈএ।

লাইনিংথৌনা লাইয়াম পুম্বাবু ময়েংজনা মহাইএ। চীংউবা লাইয়ামনা পামজবা য়াৰাপু হায়য়ু হাইবদা, লাইয়াম পুম্বানা মপুদা হনগৎচৈএ। হাদা মপুরেন শিদবাও, করি নোংকি য়াৰা নৎতেএ। পাওসু কাইরেন চীং অসি নুংলোন ৰাপু হায়পিও হায়না হনগৎচৈএ। লাইয়ামগী য়াৰা তাবদা শিদবা লাইনা লাইয়ামতা হায়পিকে হায়না পাউদমখিএ। তারো পুম্বা-ও, পাউশু কাইরেন চিংগী মতিক ময়াই পুম্বা হায়কে। তারো, নহান নোং মপুনা শুমলেন তাইপা হেলোইপা চিংনে। লোইবী চিংগী মতিক ময়াইদি, মালেম লৈশেমকোন অসিদা লৈপা উমংলাই পুম্বাগী থৌশিল থৌদা থৌপাং থৌশুকোন, লাইয়াম পুম্বা লাইতিন পুংকোই ওইনা, থৌখাই মাবু থৌপাংনবা, লাইয়াম ৰাতাই শঙদাই ওইনা, কাইরেন চিংদা থৌপাং পাউশু মঙম পাংএ।

চীংউবা লাইয়ামনা পাংগদবা থৌসুরেন কয়াগী, পাউশু শুমলেন চীংনে। লাইয়াম পুম্বানা ফমলেন অসিদা খোংদোই ইহুন তমলকতুনা, লাইতিন পুংকোই ওইদুনা, কাইরেন অরেপা লাইগী ৰাপু ,পাউশু পাউ পুম্বা মাংদনা থৌসু থৌরেন শিনথারোন পাংএ। অসি নোংগী লাইতি, চীং অসিদা উমংলাই পুম্বা লাংদাই শিংদাই ওইদুনা কাইরেন চীংদা লাইকি ফম্বালকোন লৈপনে। লাইনা লিশাং থাবদি অরেপা লেংদবা উপালগুমনে হায়না লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা, চীংউপা লাইয়াম পুম্বদা লোইপি চীংদি পাউশু কাইরেন চীংনা থৌপাংবা, মতিক ময়াই পুম্বা অমতা চিৎথবা লৈতনা মতাকপিএ। লাইয়ামসু হরাও মথোই কাজেএ।

শাবা লময়াং চীং

থাংমাই কোনদি কোনফাঙেনে। চকশিংকোনদি লাংপা কোনপা চকলোননে। লৈশেমকোনগী তুংদারেন, মার থাংমাইহনবগী মগাইরেন, চীংকোইরেন লাংশিং ইতাইঙেনে। লোইপী চীং, হেলোই চীংপু, হৌরেন য়াংপা নোংতমলেন, খাংপি পিনাই খাংলোই চীংনে। চীংপু শুমলেন ইতাইরেন, নোংপোক খাংপি লাংদাই চীংনে। নোংপোক পিনাই হৌসু তাংপা ঙাইরেন চীংনে। হৌরেন লাংকোই ইতাই, পোংপি হুংলাইরেন পাংসু-লাংপি চীংনে। খংসু ঙানলোই ,চাইরেন খিংলাই চীংনে। তোকপা তোংশি পামসু খৈরেন লময়াং চীংনে। চীংপু লাইতাই নোংতাই, পাংসু হৌরেন কাইবী চীংনে। নোং কোরৌ য়াংবা লাইতিন থৌসু থৌপাং চীংনে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনগী ফম্বালকোনদা, চীংউবা লাইয়াম, শারোই হুমফুমাথোই খোংদাই হুল্লক্লে। লাইয়াম শারোই ৬১ উপতা শিদবা লাই মপু মারনা মকৌদুনা, লাই শারোই ময়ামবু য়েংদুনা মহাইএ। করি নোংকি য়াৰা লৈপকে মহাইয়ু মহাইএ। লাইয়ামনা মপু থাংমাইদা কোকনোনজনা মহাইজেএ। হাদা মপুরেনদি শিদবাও, খোয়ুম লাইয়াম শারোই খুনদিন চীংনা, করি নোংকি শাবা লময়াং চীং কৌপনে হায়পা য়াৰাপু , হায়পিয়ু হায়জকে হায়পগী, ফম্বালকোনদা খোংদোই নাহুই ইতমলকপনে হায়না, লাইয়াম পুম্বানা মপু লাই শিদবা মার থাংমাইদা হনগৎখিএ। মদু নোংগী লাই শারোই ময়ামগী ৰাপু তাবদা, মপু লাইনিংথৌনা শাবা লময়াং চীংগী য়াৰাপু অসুম্ন া লিশাং থাবিখিএ।

তারো, মার থাংমাইহনবা ঐগী শারোই ৬১ মক, নখোয় ৬১ না লোই চিংয়াংথক্তা লৈপগী ৰানে। শাবা লময়াং চীং, লাইয়াম লৈপগী ৰাপু হায়পিএ। হাদা খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা, শাবা চীং হায়পতি, লাইয়ামনা খুঙ্গোক চীংপু কৌপনে। শাবদি নশানে। নশানা থৌপাংপা চীং অদুবু শাবা চীং কৌএ । লময়াং চীংদি, লমলেন চীং হায়বদি অদুবু শাংনা লৈয়াং, য়াং নাইবা চীংপুনে। লোই চীং অসিদা শারোইনা করি নোংকি লৈপনো হায়পতি, থাংমাই ঐগী ইগাইরেন অসিগী শারোই হাল্লোইপা লাইনা, পোং সলাইপু মখোয়গী চিঙ্গাক ওইজগে হায়পত্তা, খোয়ুম ঐনা হোয়াখিদে। শারোই কোকলেনপগী ৰাপু য়াদ্রাবদা, লোইবি চীং অসিদা লাই শরোই ঐখোয়গী খুঙ্গোক চীং ওইকে হায়বদা, খোয়ুম ঐনা শারোই লৈপা য়াংএ হায়না,, শারোই কোকলেন লাইদা পিখিএ। অদু নোংগী য়াৰা লৈপনা শাবা লময়াং চীংদা, মার ঐগী শারোই ৬১ না লৈখিপনে খংও হাইএ।

শাকোক মৈথাং চীং

লোইবী চীংদি নোংপোংক চীংশাংকোননে । লমলেন নোংপোক হৈরেন পাওশি চীংনে । মানবী লৈরেন য়াংকোই নোংতম চীংনে । চীংপু মানসু খাংলোই য়াংপি নোংতম হৌরেন পালোই মৈথাংপা চীংনে । তোনলোই খাংপি পিনাইরেন, পৌসু লাইতিন মৈথাংকোক চীংনে । নোংবু খাংলোই তাওবী লাই, নোংতম য়াংবা ঙানবীরেনসু চীংনে । তাংলোই হৌসু পিনাইরেন, কাইরেন শাকোক নোংপু মৈথাং চীংনে । লাইরেন নুপী য়াথাং নোংকুমলেন হৌসু লৈরেন চীংনে । নোংপোক চীংখৈ খারেন য়াংবী মৈথাংপা, চীংকোই হৌনা পাউশি চীংনে । কাইরেন পীনাইপা, খাংলোই তেনসুবা, মানবি শুনাই পোংহন শাকোক মৈরেন, চিনাইবা চীংনে । লোইনাই লৌশি পাংলোই ,খাংবা পিনাইসু হেলোই মৈথাংকোক চীংনে ।

নোংপোক চীংখৈরেন মপুরেন নোংতম শুমলেন পুবা লাইদি, মার থাংমাইহনপনে । মশা নৌরেন শিদবী লৈমা ফম্বাল লাংদাই শিংদাইরেন ওইবীদি হুমুলৈমানে । উমংলাই খুঙ্গোকঙৈগী ৰানে । লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেম নুংশেমলোনদি তুংতাইরেননি । শিদবা মপুগী লৈকোন ওইবা অনেম্বা মালেমনে । মালেমমদা লৈপা লাইয়ামশিংনা মাগী মাগী ফম্বাল লাংএ । পোং সলাই য়াংপা ইতাইঙৈনে । হৌরেন হৌসু য়াংবা নোংপোক খৈরেন ইতাইঙৈনে । লাংপু খিংলোই য়াংপা ইতাইঙৈনে । পাংপি পিনাই হৌসু হৌরেন য়াংপী খাংলোই তাংপি লাংকোই ইতাইঙৈনে ।

লৈর্মা ফম্বাল লাংদাইরিপী হাদা লাইওইবী হুমুলৈর্মা লাংদাইকোনদা, লাইনুরা তরেৎনা খোংদোই নাহুই ইতাইনা, ফমলেন য়াংবা ফম্বালকোন, খোয়ুম লাইরেনবী ৭ কা লৈর্মা শিদবী হুমুলৈর্মাগা, পাউ শানৈএ । করি নোংগী পাউশানবনো হায়বতি, লাইরেনবী ৭ না শিদবীদা মহাইএ । হাদা লৈর্মা শিদবীও, লাইরেনবী ৭ না খোংদোই ইতমনা পাওশাবদি করি নোংকি য়াৰা নহিৎতেএ । নোংপোক মপু শিদবা লাইনিংথৌগী মগাইফমলেনদা লৈপা, শাকোক মৈথাং চীং অসি করি নোংকি লৈপনো হায়পতা, শিদবীনাা হাইএ ।

তারো হাদা লাইরেননুপী তরেৎমক, লোই চীংনা হেলোই চীং, শাকি কোকলেন মানপা চীং, লোই চীংনা মৈথাং ওইবা, মৈরেন চীংপু মৈথাংপনে । কোরৌ-হনবনা মালেম হাইপতি, লৈশেমকোনদা অঙানবা নোংতমলকপদা, মৈরেন চীংদা নোংতমএ । মৈশা ফংএ, নুমিৎকী তঙাংলবা নিংথিবা, য়োইদা ঙানবা অঙানবা য়ৈবা চীংপু ,মৈথাং চীং হায়পনে হায়না শিদবী লৈর্মানা হায়এ । মদু নোংগী য়াৰা অসি লৈপনা, লোই মাতি হেলোইপা চীং, নোংপোক খৈরেন ৰাংপা চীংনে । মানবা হেলোই য়াংপা, পাউরেন হেনসু নোংতম হৌরেন য়াংওইপনে । অসি নোংগী চীংকা কোরৌহনবগা লাংদাই মৈথাং হানবা চীংপু, মৈথাং চীং কৌএ হায়দুনা, লাইরেবী ৭ তা নোংদমবীএ, শিদবীদি হুমুলৈর্মানা ।।

লমদাই পুংকোই চীং

লৈশেমকোনগী তুংদাইরেন, উমংলাইনা মালেমদা খুন্থোকঙেনে। মৈরেন ৰাইনা তাংসু হেলোই ইতমঙেনে। শিদবা লাইনা মালেম নোংতমঙেনে। হৌরেন য়াংপী ইতাই ৰানে। হেলোই য়াংপী হৌসু লিরেন নোংতমলেন, ৰাংসু লাংলাই ৰানে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানা মালেম য়াথোংঙেনে। চকশিং লাংশিং হৌরেনঙেনে। তাওবি পিনাওই, য়াংবা লাংদাই পাউশারেন ৰানে। ইনুং কোনফা হৌরেন য়াংবি ইতাইরেন, নোংতম খাংলোই মানসু ৰানে। তাংবী খোংলোই লাইতিন পুংকোইরেন ৰানে। লাংকোই মানবী পুংকোই হৌসু হৌরেন মতাইঙেরেন ৰানে। থাংলোই চীংকোই নোংতম খাম্বী ৰানে।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারী হালোই তোনপোকপা, তোলোংখোম্বা মপারীকা চীংউবা লাইয়াম পুম্বাগা, শাকোন অয়াংবা ঙৌরেনবা তোংদুনা, মপন মঙ্গৌ মশাইকোন, মার থাংমাইহনবগী মপারীনা, লোইপি চীংতি চীংশাংকোনদা লাইয়ামগা লাংদাই পাওশা ইতমএ। লাইনিংথৌকি মপারী তোলোংখোম্বানা য়াংথৌ খোংদোই হুনলকপদা, লোই চীংকি পুংকোইথেন, লমদাই পুংকোই চীংথক্তা লাইয়াম পুম্বা লাইতি পুংকোই চীং ওইদুনা লৈপা উরক্লে। মদু নোংগী লাইয়াম্না, লাইয়াম্না লাংদাই ওইরকপা ফমলেমদা, লাইয়ামগা লোইনতুনা অয়াংপা শাকোন তোংদুনা খোংতোইএ।

ফমলেন মদাইমা লোইবী চীংদি হেলোইপা, লাইয়ামনা লৈপা চীংপু ময়ৌএ। লোইপী চীংদা লৈপা লাইয়াম্না, লাইনিংথৌগী মপারী তোলোংখোম্বা খোংদোইরকএ হায়পা উপতা, লাইয়ামনা লাইতিন পুংকোইদা মায়োক থাইএ। লাইয়ামকা মায়োক ফংখিবা লোইবী চীংমাইথেন লমলেন মদাইমাবু, লমদাই পুংকোই চীং কৌএ। করি নোংকি চীং অসিবু কৌপনো হায়পতি, অতৈ য়াৰা নংতেএ। লমলেন পুংকোই অদুদা লৈপা লাইয়ামকা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মপারি তোলোংখোম্বাগী লাইয়াম, লাইতিন পুংকোই ওইখিবা,লমদাই চিংদা লাইতিন ওইখিবা, হেলোইপা চীংপু, লমদাই পুংকোই চীং কৌএ।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইথেনদি, নোংপোংক খৈরেন চীংখৈ কুরু মগাইথেনদা, লৈপা লাইয়ামশিংনা কোইনা শাবা লমথোকপা, কোইনা লময়েং চীংনে। লোইবী চীং অসিদা লাইয়াম পুম্বানা কোইনা লময়েং তমএ। লাইতিন পুংকোই ওইপা লোইবী চীংদি হেলোইনে। খোয়ুম মপুরেনগী নোংতম, নোংপোক চীংনে। লাইতিন লমদাই পুংকোইপা চীংনে।

ঙাইরেন লমতাই চীং

চকশিংকোনগী লাংহৈরেন,লাংবা কোনবা ইনুংকোন, উমং লাইনা খুঙোকঙৈ। লৈশেম নুংশেম তুংদাইরেন, মালেম কোনদি কোনফাঙেনে। য়াংবা কৌসু ইতাইরেন,নোংকি লৈরেন পোংবি কৈরেন হৌশু, লাংপি পীনাই খাংলোই য়াংপি ৰানে। পোংশি লৌরেন খাংলোই তাংসু, পীনাই হৌরেন ঙাংওই ইতাইরেননে।ইতাই খোংপি লিশাং নোংতম খোংপী হৌসু য়াংওই থৌরেনঙেনে। নোংপোক খৈরেন মৈরম মদাইমা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন। ঙাইরেন লমতাই চীংপু হেলোই ঙানবা নোংপোক মৈরেন চীংনে।

লাইনিংথৌ থাংমাইহনবগী ফম্বালকোন, লাই থৌসু থৌপাং ৰাঙম, লাই মাপন্না লাইনিংথৌ মপু শিদবা শুমলেন পূবা মপূরেনদা কোকনোনজনা হনগৎচৈএ। করি নোংগী য়াৰানো লাইনিংথৌ লাইপুংথৌ মাপনগী য়াৰাপু, মতাই চিং কৌপনো হায়পগী য়ৰাপু হায়পিও। অঙান খিং, খিং ঙাইরেন তারো, লমতাই ঙাইরেন চীংনা থাংমাই ঐগী ইকাইরেনদা লৈখিবা ৰাপু ৰায়কে! শিদবা লাই মপুনা নোংপোক খৈরেনদা, চীংখৈ কুরুন থৌশিন থৌদারোন, থৌখায় থৌপাংদুনা লমতাই চীংপু হেলোই নোংতমপীএ।

করি নোংকি চীংপু খোয়ুম লাইয়ামনা ঙাইরেন লমতাই চীংপু মকৌপনো হায়পতি, নোংপোক থাংমাই খৈরেন লমলেন মদাইমদা লৈপনো হায়পতি। খোয়ুম লাইয়ামনা লোইপী চীং অসিদা থৌঙম থৌরেন থৌপাংএ। থৌপাং অসি পাংপা লাইশিংদি, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী খোয়ুম লৈঙাক লাই ৬৪ না ঙাইরেন চিংতা থৌপাংএ। করি নোংকি থৌপাংনো হায়পতি,সুমলেন অহুমদগী খোয়ুম থৌপাং ঙম্বা লাইনা পাউজেন পীপতা ঙাইরেন চীংমাই খোয়ুম লাইনা পীপা পাউথাং অদুবু ঙাইতুনা থৌ পাংপা ঙমএ। ফমলেন অসিদা লমপু তাইনবা হায়পতি, ফমলেন অমাদগী ফমলেন অনিতা পুবা লাইতা পাউ তাকএ। নোংচুপ মখা, অৰাং ,লমলেমকি ,খোয়ুম পাউতাকপা লাইনা ঙাইদুনা লাই অমগা লাই অমগা পাউ ফংনৈএ।

ঙাইরেন লমতাই চীংদা পুবা লাইশিংগা, অতোপা শুমলেনদগী খোংদোই হুল্লকপা পাউতাক লাই অনিনা থৌসু থৌঙম পাংপা, খোয়ুম লাইগী ঙাইরেন লমতাই চীংনে। চীংপু থৌপাং পাংজবদি,খোয়ুম লাইগী থৌসু থৌপাং চীংনে হায়বনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী লাইপুংথৌ ৯ দা, ঙাইরেন লমতাই চীংনা লৈপা ৰাপু মহাইখিএ।

পাৎলৌ লৌশি পাৎ

চকশিংকোনদি লাংপা কোনবা চকলোননে। উমংলাই খুঙ্গোকঙৈগী, মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী নোংপোক খৈরেন মদাইমনে। কোরৌ য়াংবা ইতাইরেন, হৌসু পালোই ৱাংঙমলেন, লাংশি মৈরেন হৌশুঙৈনে। ইতাই য়াংবী পীনাই হৌসু লাংপী খাংলোইএ। নোংসু পীনাই লাংশিএ। খাংওই পৌশি ইতাইরেন, লৌরেন পীনাই তাংবী য়াংওই পোংসু হৌরেনলে। লাইনিংথৌ মার থাংমাই হালোইপনা, মশানৌরেন খোইপু লাইরেন হঞ্জবী, হুমু লৈর্মাপু ময়েংনবা মহাইএ। হালোই লাইওইবীও, করি নোংকী য়াৱা নাহিৎতেএ। লাইরেনুবী খোয়বু লাইরেনবী কয়ানা পাৎলৌ লৌশি পাৎ, লাইতিন পুংকোই ওইপতি, করি নোংকি মওইপনো হায়না লাইনিংথৌনা মশানৌরেন লাইরেনবীদা মহাইএ।

অদু নোংগী ৱাপু মতাইকে, লাইনিংথৌগী য়াৱাদি কোরৌ মালেম অনি তাইফদেএ হায়পগী হুমুলৈমা লাইরেনবীনা মতারোই লাইওইবী কয়াবু হেইয়াওন্না মকৌজৈএ। শিদবী হুমুলৈমগী য়াৱা খোনজেন তাবদা, লাইরেন পুম্বা খোংদোই হুনলক্তুনা, লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিগী ফম্বালকোনবু ময়ৌরকলে। লাইরেননুবী কয়ানা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা কোকনোঞ্জেএ। লাইরেনবীশিংনা ইরাই লৈর্মা চাথাংকোক, শারেং শমশাংবী লেমলৈ ঙাপাং ঙাঙৌ ৬ কা, থরো-থম্বাল কয়াগা, লৈখন কয়াগা লোইনদুনা লাইনিংথৌদা লাইরেনশিংনা কৎচখিএ। লাইরেনবীশিংনা লাইনিংথৌদা কৎচখিবা লেমলৈ শারেং অদুবু য়েংলগা মহাইরকএ।

হা লাইওই য়াংবী খংবী হৌরেন লেমলৈ পৌশিংলাং ইতাই খংওই হৌশুরে। লাংপি খৌরেন য়াংবা লাইরেন হৌসু খংওইএ। নোংতম হৌরেন লাংপা পিনাইএ। ফমলেন কদাইদগী লৈরাংনো, শারেং শমশাংবী করি নোংকিনো হায়না মহাইএ। লাইরেনবীনা খুমজখিএ! মপুগী পাৎলৌ, লৌশি পাৎ লাইরেনবী লৌশি থৌপাংলোই মপাংনা, খোয়ুমগী লাংদাই মওইরেন নোংদমবীও হায়পগী, থৌরম অসি থৌপাংজবনে, হায়না লাইরেনপীশিংনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা হনগৎচৈএ।

লাইরেনবীবু ময়েংনা, শিদবা লাই-ও, মারনা মহাইএ। মকুম কুমদি কুমকাওদা, মথা থা থাকাওদনা, কুমচৎ কুমশিং নাইপতা, খোয়ুম লাইরেনবী পাৎলৌ লৌশি পাৎতা নোংদমপীকে। খোয়ুম লোইয়াম লাইরেনবী পাৎলৌ লৌশি পাৎ অসি মঙম পোংদা থৌরেন ওইনা পাৎ ওইজৌ হায়না লাইনিংথৌনা লাইরেনবীশিংবু মহাইনা নোংদমবীএ। হাদা খোয়ুম মপুরেন, মার থাংমাইহনবগী ময়াথংলেন ফংলবদা লাইরেনবীশিংসু পাৎলৌ লৌশি পাৎ ইতাইখিএ। লাইনিংথৌনা মশানৌরেন হুমুলৈমদা পাৎলৌ লৌশি পাৎকী মতিক ময়াইবু খংহনকে হায়পগী, থৌশিন থৌদা অসি পাংখিএ। পাৎলৌ লৌশি পাৎতি, মাংবা য়াদ্রাবা লাইকি পাৎনি।

খিংলোই তাওরোই খোং

নোংপোক খৈরেন মরম লমলেন মদাইমা, মার থাংমাইহনবগী ফম্বালনি। মপুরেন শিদব লাই ওইপা, শুমলেন নোংপোক খৈরেন পুবা লাইদি থাংমাইহনবনে। লাইনিংথৌ শিদবা মপুরেন থাংমাইহনবগী লৈর্মা ফম্বাল লাংদাইরেনবীদি হুমুলৈমানে। হুমুলৈমা লাইওইবীদা লাইরেন নুংগী হালোইবীনা থৌগনজৈএ। হাদা মপুরেন, মার থাংমাইহনবগী অমতা পোকচবা মপারী হালোই তোনবা তোলোংখোম্বানে। খোয়ুম লাইয়ামগী থৌজাল ফংলবা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বানে। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিগী অমতা পোকচবা মপারী শিংখোং তোলোংখোম্বাবু, অয়ুকনা নুমিৎ ওই-নুমিৎদাংনা থাজা ওই, মপারী শিংখোংবু চাওয়োক নাওয়োক তমজদুনা, নুমিৎ থাগী মশক ওইনা য়েংজরম্মী।

লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী চীংগোইরোন ইশারেন, তাওবী খোংনা, লাইনিংথৌ মপু মনাই অনিনা খিংলোই তাওরোই খোং মপানদা লেপতুনা, লাইজা খোংদু য়েংজৈনা। মদু নোংগী তাওরোই খোংদু উপতা, লৈর্মা ফম্বাল লাংলিবী শিদবী হুমুলৈমানা লাইনিংথৌদা হনগৎচৈএ। হাদা মপুরেন লাইনিংথৌও, করি নোংগী তাওরোই খোংনা ফমলেন অসিদা লাংদাইকোন ওইখিবনো মহাইবীয়ু হায়না লাইনিংথৌনা মার থাংমাইহনবদা হনগৎচরম্মী। মদু নোংগী লাইরেনবীগী য়াৱাবু মহাইপীকে হায়না লাইনিংথৌ মহাইএ। তারো খোইবু লাইরেনবীও, করি নোংগী নোংপোক খৈরেন থাংমাই ঐগী ইশাকোনদা খিংলোই তাওরোই খোং লৈখিবা ৱাপু ময়েক শেংনা মহাইকে।

নহাল নোং নোংপোক খৈরেন লোইবী চীংদি হেলোইপা চীংনা, পনথিং পনশাকোন ওইপা ফমলেনদা, লোক্তাক খারোল ঈরেন পাৎকী, তুবী লাই তাওরোই লাই, পুম্বানা পোং সলাইপু মচিনজাক ওইরবদা পোং মশিং হনথনা অৱাং মৈচাক লাংপতা পাখংপা সলাইনা তুবী লাইপু লোকতাক ঈরেন খোংনুংদা, পাখংপা থাংদি থাংসু থাংনা, লাইশিরোন থৌপাংলবদা, তুবী লাই পুম্বা লোকতাক খোংদকি অৱাং পাংনা ঈথৈ খোংদা, খোংদোই ঈহুন তমদুনা নোংপোক চিংশাংখোং, তাওরোই খোংদা তাওরোইনাই পুম্বা, খোং অসিদা পুনদুনা লৈএ। অসি নোংগী য়াৱানা মার থাংমাইহনবা ঐগী ঈগাইফমলেনদা, শিংলোই তাওরোই খোংতা তুবী চাক্তাখোং ওইখিএ। অসি নোংগী য়াৱা অসি লৈপনা তাওরোই নোংপোক চীংখৈ ইগাইফমলেনতা লৈপনে হায়না, লাইনিংথৌনা লাইরেনবীদা নোংদমবীএ।

[illegible]

কাংজৈরোন

সনামহি লৈশেমকোনদা শাকোন হৌরকফম

চকশিংকোনদি হয়া লাংপা চকলোননে। লাইনিংথৌ সনামহি লৈশেমকোন, উমংলাইনা অনেম্বা মালেমদা খুঙোকঙৈনে। সনামহি লৈশেমকোন তুংদাইরেননি। চীংউপা লাইয়াম পুম্বানা মালেম ফমবালকোন লাংদাইঙৈনে। লৈশেমকোনগী শুমলেন মরি পুবা লাইদি, কৌব্রু, মারজিং, থাংজিং, ৱাংব্রেননি। নোংপোক চীংখৈ খৈরেন শুমলেন পুবা লাই ওইপা মপুরেনদি লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনে।

লাইনিংথৌ সনামহি লৈশেমকোন অনেম্বা মালেম লাংহৈকোননি। নোংপোক চীংখৈ খৈরেন লমলেন মদাহ্মা, খোয়ুম মপুরেন ওইপদি লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনপনে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা মালেমগী লৈশেমকোন লাংদাইদা খোয়ুম মপু শিদবা লাইনা, শাগী লানগী মতিক ময়াই হেলোইপা ফম্বাল মপুরেননি। লাইপুংথৌ মাপন্না থৌগনবা মপুনি। লাইরেনবী তরেৎনা থৌসুরেন থৌপাং হেলোইবা ফম্বালকোনগী মপুনি। কোরৌ মালেম লাংদাই ,নোংপোক চীংখৈরেন শুমলেন শুমদাইবনে। মপু ওইপা লাইনিংথৌনা কোরৌ নোংথৌ শিদবা লাইবু মার থাংমাইহনবনা মালেমদা কৌকে হায়পগী খোয়ুম ইরাৎ পুংকোইদা লাইকৌ থৌনি পুংকোই তমলবদা হাদা খোয়ুম মপুরেন শিদবা লাইদি কোরৌ নোংথৌবনা, লাইগী লৈপাক কোরৌথক্তা লৈঙমদনা অনেম্বা মালেমদা মপুনা নোংকুমলকলে।

হাদা মপুরেন ওইপা কোরৌ নোংথৌহনবনা মালেম্বু কোইনা লাংদাই শিংদাইরকলে। মপু ওইপা নোংথৌনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী লাইকৌ পুংকোই থেলদা য়ৌরকলে মপুনা। শিদবা লাই মপুনা অনেম্বা মালেমগী নোংপোক খৈরেন লাই ওইপা মার থাংমাইহনববু ময়েংন্না মহাইএ। হাদা মপুরেন শিদবা মালেম লাংহৈকোনদা লাংদাইরিবা মারও। করি নোংগী নোংথৌ ঐবু কৌবনো মহাইরকলে শিদবা লাইদি নোংথৌনা। মপু ওইপা নোংথৌ ইগাইফমদা খোংদোই হুলকলে হায়দুনা খোয়ুম পাউশা ইতমশে হায়না মার থাংমাইহনবনা নোংথৌবু কোরৌ অৱাংবদা য়েংলকলে। নোংথৌনা লোইনরকলিবা শাকোন ঙৌরেনবনা, খোকমাং লৌঙানবা, ঙাংওইবনা খুদুং লৌশিবা মচিন মনাও অনি লোইনদুনা মপুবু মারনা থাকোনজখি।

মার থাংমাইহনবগী থৌওংবু উপতা লাই-শিদবা নোংথৌনা মহাইরকলে। লাইনিংথৌ মারগী অপাম্বা য়াৱানা নোংথৌ ঐঙোন্দা চিংকোইরু, মদু নোংবু থৌপাংজগে মহাইপতা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা নোংথৌ মপুবু ময়েংনা হায়জখি। হাদা মপুরেন কোরৌ নোংথৌ অৱাংপাও, খোয়ুমগী অমা হায়জরো, হইয়ু পিকে হায়দুনা শারি ৱাশক তমথরে। মার থাংমাইহনবনা নোংথৌ মপুবু য়েংদুনা হনগৎচৈএ। হাদা মপু ওইপও, করি নোংগী য়াৱা নৎতেএ। মপুনা লোইনরকলিবা কোরৌগী

লাইশা শাকোন অনি অসি পীবীয়ু হায়না হাইরকলবদা, নোংথৌনা পেনবীদুনা শাকোন অনি অদু মালেমতা, খোয়ুম ফম্বাল লাংলিবা নোংপোক মার থাংমাইহনবদা শিনরমলগা, মপু ওইপা নোংথৌ, কোরৌ লাইরমলেনদা হনখরে। অসি নোংদগী, লৈশেমকোনদা শাকোন লৈপা হৌখিএ হায়না উমংলাই খুনদা পুয়ানা ময়েক শেংনা পিরিএ।।

লাইয়ামশিংদা শাকোন শিন্নখিবা

কোরৌ নোংথৌ অৰাংবা লাইনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদা শিন্নরম্বা লাইরৈপাককি য়াইওইপা, মতিক ময়াই হেলোইপা ঙৌরেনবা, ঙাংওইবা শাকোন অনিগী মতিক ময়াইদগী, লৈশেমকোনগী অনেম্বা মালেমদা শাকোন মমি তমদুনা মশিং য়ামলবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী, নোংপোক খৈরেন মদাইমা লোইবী চীংদি হেলোইপা চীংমাইথেনদা, শাকোন শঙপু থমদুনা শাকোন য়ুমফমলেন মতাইরকলে। খোয়ুম কনাগী শুমলেন মদাইদা,শাকোন অমতা লাইয়ামশিংনা উবা ফংজখিদে। নুমিৎলোইদা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী শাকোন চীংমাইথেনদা লাইয়াম্না নিংথিরবা শাকোনবু য়েংলম্মী। অদু নোংগী মপু ওইবা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবদদি হনগৎচবা ঙমজখি। হাদা মপু ওইবা থাংমাইনা শাকোনবু লাইয়ামনা মীতাই হায়পা খঙলমদে। লাইনিংথৌনা করি নোংগী লাইয়াম্না শাকোনবু মীতারিবনো হায়না লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা মখৎনিংলকলে।

লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বানা খোয়ুম লাইতিন পুংকোই ওইনা পাউশানরকলে। করি নোংকি পাউবনো মহাইপতি, লাইয়ামশিংনা মহাইএ। মালেমগী লাংহৈকোন লৈশেমকোনগী লাংদাইরেন ওইরিবা অনেম্বা মালেম অসিদা খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয়না লাংদাইকোন ওইরিবা ফমলেন অসিদা শাকোন হায়পা শা অসি খোয়ুম কনাগী খোংনেৎ শা ওইপা মউদ্রি। লাইয়াম ঐখোয়না কোইনা চৎতুনা য়েংপতসু শাকোন অমতা লৈতে। অদু নোংদি ওইরগা, মালেমগী লাংহৈকোন লৈশেমকোনগী লাংদাইরেন ওইরিবা নোংপোক চীংখৈরেন, সুমলেন পুবা লাই মপু শিদবা,মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেন্দা নিংথিজরবা ঙৌরেনবা ঙাংওইবা লাইশা কয়া উরে। অসুম য়াম্না নিংথিজবা শাকোনদি লাইয়াম ঐখোয়না উবা ফংদ্রি। নিংথিরবা ঙৌরেন শাকোন শরাংথক্তা লাইনিংথৌনা ফমদেংদুনা খোয়ুম থৌশিনকো থৌদা থৌপাংবা, য়াংদৌ খোংদোই ইতমবদি লাইয়াম ঐখোয়না য়েংবদা পেনবা লোইঙমদে।

মদু নোংগী লাইয়ামগী ৰাপু তাবদা শাকোন উদ্রিবা লাইয়াম কয়ানা লাইনিংথৌদগী শাকোনবু পীবিয়ু হায়না নিরশি হায়বদা লাইয়াম পুম্বা হোয়ানদুনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেনদা চীংউপা লাইয়াম পুম্বা খোংদোই হুল্লনলে। লাইয়াম পুম্বানা লাইনিংথৌগী মগাইফমলেনদা য়ৌরমদা, মপুদা কোকনোঞ্জনা হনগৎচরকলে লাইয়ামনা। হাদা মপুরেন লাইনিংথৌ-ও, মপুরেনগী শাকোন শঙতগী শাকোন অমমম লাইয়াম ঐখোয়দা পীবীয়ু হাইরবদা, লাইনিংথৌনা হোয়াবীরে। লাইয়ামশিংনা মানা মানা অপাম্বা শাগোন খনহনদুনা পীবিরপদা, মপু ওইপা মারনা লাইয়ামবু য়েংলগা হাইরকই। তারো লাইয়াম নখোয় নখোয়দা পীরিবা শাকোন অসিগী থৌঙমবা থৌশিন পুম্বা হায়কে । শাকোনগী থৌরম থৌদাদি, শাকোন পাউচেন,শাকোন লানওং, শাকোনগী য়াংদৌ থৌরম থৌদা থৌসুদা লাইয়ামনা শাকোন তোংদুনা থৌপাংও হায়না মপু মারনা থৌশিন থৌদা পুম্বা থৌখাইখরে। লাইয়াম পুম্বা মাগী মাগী মগাইফমলেন, অয়াংবা শাকোন তোংদুনা হনৰাইখরে।

থাংজিংদা শাকোন শিন্নখিবা

চকশিংকোনদি লাংবা চকলোননে। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেম তুংদাইরেনদা, লৈশেমকোন মপুরেন ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেম লৈশেমবু শুমলেন মরি শুমফনবা, মালেমগী লাইয়াম পুন্নাগী মরক্তগী, খোয়ুম মতিক ময়াই হেলোইপা, লৈশেমকোনগী খাগী লাংহৈকোন শুমখোলেন পুবা লাইদি থাংজিং লাইনে। চীংউবা লাইয়ামনা থৌঔমদবা থৌশিল থৌদা নুংলোন য়াইদগী মপুখংপা ঙমদুনা মালেম লৈশাদা থাংকৎলে হায়পগী শিদবা লাইনা লাইয়ামগী মমাংদা খোয়ুম শুমলেন মপুরেন ওইপা লাইতি থাংজিংনি হায়না মীংখৈ অসি ফংদুনা খাগী লাংহৈকোনদা থাংজিং মীংখৈ ফংদুনা ফম্বাল মাপনদা ফমদেংদুনা লাই ৯ না থৌখাই পুজদুনা লাইরেনবী ৭ না থৌসুরেন ওইজবা ঙমজখি। তোঙান্না খোয়ুম মতিক মগুন হেলোইপা মপুগী থৌশিলকোন অনেম্বা লামেগী লাংদাইকোন ওইখি। খাগী লাংদাইকোনতা লৈপা লাইয়ামশিংনা অয়াংপা শাকোন তোংদুনা থাংকোনদা লাংদাইএ। মদু নোংগী লাইয়ামগী অয়াংবা শাকোনবু য়েংলগা লাইনিংথৌ থাংজিংনা নুংলোন য়াইদা মখললকলে। করি নোংগী মতৌনো। খোয়ুম ঐগী নুংলোন য়াইদা, সনা ফিজং খনদুনা লৈরিবা শাকোন অসিসু মীৎপাংলে হায়দুনা খিনথবা কৌবা লৈতনা, লাইনিংথৌ থাংজিংনা নোংপোক চীংখৈ মরমখৈদা, খোয়ুমনগী ফম্বাল লাংদাইরিবা মার হনবগী মগাইফমলেনদা খোংদোই হুনলকলে। লাইনিংথৌ থাংজিং কোরেনবা শিদবা লাইনা, থংমাই মগাইফমলেন য়ৌরকলে। থৌরেন হেলোইপা লাই মাপলগা থংমাই ফম্বালকোন ইতাইরে।

হাদা লাইওপা থাংমাইহনবনা পাথৌ থৌরেন য়াংবা থাংজিং খোংদোই হুল্লকলে হায়না, তরাইনা থাংজিংবু, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবা মায়েক লাংদাই পাউশারো। লাইনিংথৌ মার হনবগী থৌগনলোনগী ৭ না থাংজিং লাইনিংথৌবু থৌগন ফংজরে। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনব থাংজিং লাইকা অনিনা মায়োক লাংদাইননা খোয়ুম পাওশাঙৈনে। লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবানা, খারৈ কোনগী মপুরেন থাংজিং পাঙ্খৌ ৰাংলেনবু ময়েংননা মহাইএ। লাইনিংথৌনা থাংমাই ঐগী ইকাইফমলেনদা খোংদোই হুনবীরকপবু করি য়াৰা তাকপিয়ু হায়না মহায়ইরবদা, লাইনিংথৌ থাংজিংনা য়াৰা নৎতেএ। খোয়ুম থাংজিং ঐগী ফম্বালকোনগী সনা য়াইওইপা ঙাংলেনবা কোরৌ শাকোন অদু কোরৌ হুম্নী শুরে মাইওইপা মমিংপাংবা । কোরৌগী ঙাংওইবা শাকোন মালেনদা নোংকুমলবরা হায়না লাইনিংথৌ থৌরেন পাথৌদা হঙ্গৎচগে হায়দুনা খোংদোই হুঞ্জরকপনি। থাংজিংগী য়াৰা তাবদা, ঙাংওইবা শাকোন শঙদা লৈপনা খোংদুনা ঐগীদা লৈরে হায়পা খংহনজখি। মার থাংমাইহনবানা খুমলকখি। পাথৌ থৌরেনবা থাংজিংও। পাঙ্খৌগী ফম্বালকোনদা লৈরিবা কোরৌ মমি তম্বা য়াইওইবা নুমিৎ শিংকুম ৰাৎতুনা মীকপ থোক্লমলোইদরা হায়দুনা, পাঙ্খৌগী ঙাঙোইবা শাকোন থিজরকখিদবনি। পাঙ্খৌও সে। হায়দুনা শাকোন শঙদগী ঙাংওইবা শাকোনসু থাংজিংদা শিনখি। মারনা হায়খি পাঙ্খৌ থৌরেনবা থাংজিংও, মারজিংগী শাকোনগা, পাঙ্খৌ থাংজিংগী শাকোনকা অনিগী মমৈদি, মৈলোনবা শাকোক শামৈনিকো হায়না খোয়ুম পাউশানখি। লাইনিংথৌ থাংজিং মগাইফমলেন অয়াংবা শাকোন তোংদুনা হনৰাইনখি।

লাইয়ামশিংদা শাকোনগী মতিক ময়াই

চকশিংকোনদি লাংপা চকলোননে। লাইনিংথৌ সনামাই লৈশেমকোন তুংদাইরেননি। মালেম লৈশেমকোনগী চীংউবা লাইয়াম পুন্বানা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী মগাইফমলেনদা অয়াংবা শাকোন তোংদুনা য়াংথৌ সনা ইতমলকলে। লাইয়াম পুন্বানা হুইরেন লানওং মথৌগুম, পুকমম মমনা শাংকু শানা লাকপবু , লাই নিংথৌ মার থাংমাইহননবপনা ফম্বাল ফমদেংকোনদগী উরকলে। অদাম্বা লোইবী চীংগী চীংমাইথেনদা লাইয়ামনা শাকোন তোংদুনা থাংমাই ঐগী ইকাইফমদা খোশানলকলিবা অসিনা করি লানপাও লৈবন নুংলোন য়াইদা ইতমলকলে। লাইনিংথৌগী থৌংশঙলাই ১৮ দা লাক্লিবা লাইয়ামশিংগী থৌওংবু খংহনবীরে। অসুম অসুম লাইনিংথৌগী মগাইফমলেনদা ইতমলকপা চীংউবা লাইয়াম পুন্বাদো, মাকি মাকি শাকোন শিংগা লোইনদুনা খোয়ুম পনঙাক থোংমাইথেন য়ৌরকলে। লাইয়ামশিংনা লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী পনথোংলেন থোংমাই পুবা লাই১৮ দা হনগৎচখি। হাদা পনঙাক থৌরেনবাও, চীংউবা লাইয়াম ঐখোয়না থোংদোই নাহুই ইতমলকপগী য়াৱাবু, পনঙাক মপুদা তমজগে হায়না লাইয়ামনা হায়জখি। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী পনঙাক লাই তরানিপাললনা লাইয়ামবু য়েংনা মহাইএ।

তাবীবু লাইয়াম পুন্বাও, খোয়ুম পনঙাক থৌখাই পুরিবা লাই ওইবা ১৮ ঐখোয়দি মপুগী পনঙাক থোংমাই পুবনে । লাইনিংথৌগী ময়াথংলেন লৌজরগে,ৱাংলেন মঙাইবিয়ু হায়না লাইনিংথৌ মারগী পনঙাক লাইনা মহাইরবদ,লাইয়ামসু হোয়ানরে। পনঙাক থোংমাই পুবা লাইনা লাইনিংথৌগী ফম্বালকোনদা ইতমলকতুনা মপুদা হনগৎচরে। শাকোন শারাংথক্তা শাকোনবা লাইশিংবু ফম্বালকোনদা ইতমলকনবা লাই ১৮ গী য়াৱাবু হোয়াবিরে। অদু নোংদগী লাইয়াম পুন্বা লাইনিংথৌদা কোকনোঞ্জরে। লাইয়ামনা লাইনিংথৌ মার থাংমাই হনবদা হনগৎচরে। হাদা মপুরেন শিদবা লাইদি চীংখৈ নিংথৌ, মপুগী মগাইফমলেনদা লাইয়াম ঐখোয় অয়াংবা শাকোন তোংদুনা নাহুই তজরপদি অতৈ করি অমগী য়াৱা নৎতেএ। লাইনিংথৌনা পীনবীবা শাকোনশিংসিগী মতিক ময়াই পুন্বা মহাইপীও হায়না লাইয়ামনা মপু ওইবা মারদা হনগৎচরি। হাদা মপুরেন শিদবা লাইদি মার থাংমাইহনবনা লাইয়ামবু য়েংনা মহাইএ। তারো লাইয়াম পুন্বাও, শাকোনগী মতিক ময়াই হায়কে। লাইয়াম নখোয় পুন্বানা শাকোনবূ শারাং হোইরাওগনি। শাকোন লাংজি থাগনি। শাকোন পাওশা হৌরেনগনি। শাকোন লাংজি নাহুকগনি। ইনুং কোকশা শাকোন পাওশাগনি। থৌরেন য়াংবা থৌসু পাংগনি। শাকোন কাংলু কাংচৈগনি। শাকোন লমথাগনি। শাকোন পাউতা ইতমগনি। শকোন লেংথোং পাংওইগনি। শাকোনলিথাং লিওনগনি। অসি নোংগী শাকোনগী মতিক ময়াই পুন্বাবু লাইয়ামদা মপু ওইপা মারনা ৱাইশিন্নগনি। লাইয়াম পুন্বানা শাকোনগী মতিক ময়াই থৌঙম্বাবু খংজখি। লাইয়ামসু মাগী মাগী মগাইফমদা হনৱাইখি।

শাকোন কাংজৈরোন হৌখিবা

চকশিংকোনদি লাংপা চকলোননে, কোনবা চকলোন কোনফাওঁনে। উমং লাইনা অনেম্বা মালেমদা লাংদাইকোন ওইদুনা, চীংউপা লাইয়ামনা ফম্বালকোন লাংদাই শিংদাইওঁনে। মালেম শুমলেন লৈশেমকোন লাইনা ফম্বাল ইতাইওঁনে। অশেম্বা মালেমদা লাংদাই মপুরেন ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেমকোন মালেমদা অচৎ চৎতা জিবা কয়া মপুথোকওঁনে। শা,ঙা,শারম শুনা মপুথোকওঁনে। তিন-কাং,জিব কয়া লৈশেমকোনদা খুম্হোকওঁনে। য়োং, শামু ,ইরোই, শজি, শঙাই, সন, হামেং ,সাকোন, য়াও, ইরোই, থারোই, ওক,লমওক,শাবেং,নোংশা,কৈ,শাওম শাগী মখন কয়া শিদবা লাই মপুনা পুথোকপীরে। উচেক ওয়া মখন কয়ানি। উমাইবী, উরোক, লংজা, ঙালাকপী ,চোঙা,খোইনিং,চেকলাওবী,লমখুনু ক্বাক,শেনবাং, উরিৎ,ওরেন কেনথৌ, উথুম সেনদ্রাং অসিনাচিংবা মশিং লাংঙমদ্রাবা মালেমদা মপুনা উচেক মখন সুনা পুথোকপিরি। তিন-কাং, লিন,নুমিৎয়ুংবী ,লাইরেন ,হংকোক লাই ,অপিকপা তিন কাং, মশিং লাংঙমদনা মালেমদা মাগী মাগী চংজফম পীদুনা চাদা নাওদদুনা হিংনরি। খোয়ুম লাই ওইবা মপুনা অনেম্বা মালেমদা,পোং-সলাই কৌবা মীওইপোক অমবু শেমদুনা,মালেমদা চাদা নাওদা ওইদুনা মালেমদা মীওইপোক সলাই হায়না খুৎলিংহন্দুনা মালেমদা মপুনা চংজফম পীদুনা চাদা নাওদাদুনা হিংনরি। মালেম অসিদা লৈরিবা অচৎ চৎতা জীবা পুম্বাবু, পোকপা শিবা নাইবা মপোক ওইনা নোংদমবীরি। খোয়ুম লাইগী থৌশিন থৌদা লিথাংলোনবু মীওইপোক, পোং সলাইনা তমজদুনা খোয়ুম লাইগা নকনবা জীবা অমা ওইদুনা মালেমদা পোৎ সলাইনা হিংলি। শিবা, পোং সলাইগী মীওইপোক ওইরি। মালেমদা লৈবা অচৎ চৎতা জিবা কয়াগী মপুদি, খোয়ুম লাইওইনা ফম্বালকোনদা লাংদাইবীরি ।

মালেম লৈশেমকোনদা লৈরিবা অচৎ চৎতা দিবা কয়াসু শাকোনগী মতিক ময়াই অসে খংহল্লগে হায়দুনা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবনা লৈঙাক চৈসু ওইরিবা কাংহুনা, কাং তরং পুথোকতুনা শাকোনদা লাইগী কাংজেরোন অহানবা মপুথোকপীরে।
লাই নিংথৌনা শাফি, লানফি, খ্বাংচেৎ ,সনা নাচোম, খুজি নাচি, কোকয়েৎ, খদাংচেৎ লাকশিনদুনা কাংহুনা কাং তরংবা কাংহু লিথাং পাইদুনা কাং তরং (কাংদ্রম) মালেমদা থাদদুনা শাকোন শারাংথক্তা মহাক্না পুনিংবা মফম কাংহুনা ফুদুনা কোৎতুনা সকোনগী মতিক কয়াবু কাংহু (কাংজৈ) দা হাপ্পিতুনা মপু ওইপা মার থাংমাইহনবনা মগাইফমলেন লোইবী চিংদি চীংমাইথেন, খোয়ুম লমদাই পুংকোই থেনদা লাইয়াম পুম্বানা কোইনা য়েংদুনা লাইনিংথৌ শাকোনগী কাংচৈরোন থৌখাইবু মালেম

লৈশেমকোন লাইয়াম পুন্বাদা অহানবা কাংজৈ রোনবু মউহনবীখি। শিদবা লাইদি মপুরেন মার থাংমাইহনবনা চীংউপা লাইয়াম পুন্বানা, কাংহুরোন (কাংজৈরোন)গী থৌখাই থৌশিলবু খংজখি। মালেমদা লৈপা জিবা কয়াসু খোয়ুম লাইগী হৈনা তুংইনজখি। পোংসলাইসু লাংদাইখি। হাদা মপুরেন শিদবা লাইদি নোংপোক ৱাঙম পাওশাবগা, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবগী কাংপুগা শাকোন কাংহুরোন কাংজৈ মনাসে মহাইবদা লাইনিংথৌনা হোয়াবীদুনা, লাই সুমলেন ৮ নিপাল মাইকৈ পু- দুনা নোংপোক নোংমাই খৈরেন চীংমাইথেনদা লাই পোলোন থাদুনা য়াইদা লাংখোং মরি ফাৎতুনা, নোংপোক লাই মপু শিদবা ৱাঙম পাওশাবগা, মার থাংমাইহনবগী লালোং শাকোন ৮, লাই ৮ শরাংথক্তা কাদুনা কাংজৈরোন সুলেন চিখাং, কাংজৈ শাকোন কাংজৈ শানৈএ। নোংপোক লাই ৮ পু শাকোন কাংজৈদা মার থাংমাইহনবনা মাইথিপা পীদুনা, অহানবা শাকোন শুমলেন কাংজৈ শানবা হৌথিএ, হায়নসু মালেম চুখোং পুয়ানা পীদুনা, উমং লাই লাতম্না উৎতুনা ময়েক সেংনা তাকলিএ।

মারজিংগী শাকোন কাংজৈরোন

চকশিংকোনদি লাংপা কোনপা চকলোননে। পোং লাইনা য়াংথোংঙৈনে। অনেম্বা মালেম লাংহৈকোন, সনামহি লৈশেমকোননে। তুংদাইরেনদি লৈশেমকোননে। সনামহি কোনদি কোনফাঙৈনে। খোয়ুম লাইওইবগী লৈশেমকোন অনেম্বা মালেমনি। নোংপোক চীংখৈ খৈরেন লমতি মদাইমা পানফরি। খোয়ুম মপুরেন শিদবা লাইদি মার থাংমাইহনপনে। খোয়ুম শুমলেন মপুরেনগী ফম্বাল মাপল লাংদাইবদি লাইপুংথৌ থৌরেন য়াংপনে। লাই মাপন্না মপুগী থৌসুরেন থৌপাংঙৈনে। লারেননুবীনা থৌপাংএ। খোয়ুম মতিক ময়াই হেলোইপা, শাবু লানপু পাংগনবা, শাকোন য়াংপা থৌসু থৌরেনপা মপুনে। শারোই লালোই শৈঙাক পুংকোই মপুরেননে। থৌসু থৌঙম থৌরেন হেলোইপা মপুনে। মশানৌরেন লাইওইপীদি হুমু লৈমানে। মপীারি শিখোং হালোই তোনপোকপদি তোলোংখোম্বনে। মমৌরেনদি নুংথেনলৈমানে। খোয়ুম লাইয়ামনা থৌকন পুংকোই মতাইঙৈনে।

নোংমা কোরৌ হেলোইপা নুমিৎলোইনে। লাইনিংথৌ মারজিং থাংমাইহনবগী মশাইকোননে, ফম্বালকোনগী মপুরেনন্নে। মপুরেন লাইয়মবু য়েংনা মহাইএ। হাদা লাইয়াম পুম্বাও নখোয় পুম্বানা কোরৌসিগী হেলোইপা নুমিৎলোই মাইকৈ শুমলেন মরিদা লৈপা লাইয়ামশিংবু মাকি মাকি অয়াংবা শাকোন লোইনদুনা থাংমাই ঐগী ইকাইফমলেনদা খোংদোই হুলকদবনি। খোয়ুম থৌশিনকোনদা কাংচৈরোন থৌসু পাংনবা থৌখাইবা হৌরগনি হায়না লাইয়ামনা পাউথাং পীয়ু হয়েনা খোয়ুম মপু শিদবনা লাইয়ামদা থৌদা ৱাঙমখরে। থিনথাবা কৌবা লৈতনা চীংউপা লাইয়াম পুম্বানা লাইনিংথৌ মারজিংগী মগাইফমলেনদা অয়াংপা শাকোন লোইনদুনা শুমলেন মরিগী লাইয়াম পুম্বা থুংলরে। লাইয়াম পুম্বানা শাকোন শারাংথক্তুগী কূমথরগা ফম্বালকোনদা ফমদেংলিবা মপু ওইপা মার থাংমাইহনাবদা লাইয়ামশিংনা কোকনোঞ্জদুনা হনগৎচৈএ । হাদা মপুরেন ওইবনা করি নোংগী য়াৱা লৈবনা লাইয়াম ঐখোয়বু মকৌবীবনো হায়না হনগৎচরবদা মপুরেন শিদবা লাই মার থাংমাইহনবনা লাইয়ামবু ময়েংনা মহাইএ। তারো লাইয়াম পুম্বাও, লাইয়াম ঐনা কৌবদি অতৈ করি অমগী য়াৱা নৎতেএ। খোয়ুম ঐগী ইগাইরেন, নোংপোক হুইরেন চীংমাইথেন শাকোন কাংজৈলোনবু মতমদুনা শুমলেন মরি শাকোন চুকফাদুনা কাংজৈরোন থৌসু ৱাঙম পাংনবা হাদা খোয়ুম লাইয়াম নখোয় পুম্বাবু মকৌপনে হায়না শিদবা লাই মপুরেন মার থাংমাইহনাবনা মহাইরকলে মপুগী য়াৱা তাবদা লাইয়াম পুম্বা হৱাওমথোই কাজরে। কাংজৈরোন কাংহু লিশাং মতাইবীরো , শাকোন চুকলি ফাদুনা লাইয়ামশিংদা মপুনা, লাইয়ামশিংদা কাংজৈরোন মতমবীরে। শিংকুমলোই কয়া লাইয়ামগা

খারৈকোনগী লাই মরি, শুমখোং ফাদুনা শাকোন শরাংথক্তা ইতমলে। শাকোন লানফি কোকথোন, খদাংচেৎ লাকতুনা কাংহুরেন। কাংজৈ পাইদুনা লাই মরিনা পনঙাকখরে।অৰাং খমলেন হৌরেন য়াংবা লাই মরিসু শুমখোং মরি সাকোন চুকলি ফাদুনা মাগি মাগি মাইকৈ লেপনখরে। লাইয়ামশিংনা মাইকৈ মরি পৌথারকলে। লাইয়াম সুনা তিনদুনা সাকোন কাংজৈ মীয়েং তাইরকলে। ফমলেনদি লাইনিংথৌ মার থামাইহনবগী মগাইফমলেন নোংপোক চীংখৈ মৈথাং চীংকোনদি লাইতিন কোইথেননে। মপুনা শাকোন কাংজৈ লমথানবা, হৌসু হৌরেন মপু ওইপা নোংথৌ শিদবা লাইগী মীখৈ লাওরকলে। শাকোন কাংজৈরোন,লাইনা থৌপাংলক্লে। অসুম্না লাংদাই থৌপাংলকপ্লা খারৈকোন লাই ৪ বু মাইথিবা পীদুনা, অৰাং ঙমলেন লাই ৪না কাংজৈ রোন মাই পাকতুনা, মারজিং কোনদা লাইয়ামনা লাংপা কোনপা চকলোনদা শান্‌থিএ হায়না ময়েক শেংনা, উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পীরিএ।

লোইয়ারাকপা খোরিফাবা কাংজেরোল

চকশিংকোন লাংপা কোনবা চকলোননে । পাখঙবা কোনদি কোনফাঙেনে । খোয়ুম লাইয়াম লাইতিন পোংকোই কাংলৈ মতাইঙেনে । লাইয়াম পুংকোই হেলোইপা লমতি কংলৈ কংলা পুংকোইনে । কোনবা চকশিং লাংদাইকোন সনামহি ইতাইরেনদি পুংকোইরেনি । কাংলৈ মপুরেন শিদবা সলাইরেন শিদবগী মপারি, মপা খংলেন, পুথাংবা খংলেন, তোনপোক পাখঙবা, কংলা সনা মেনতোংঙেনে । লাইপুথৌদি ৯ না থৌসু থৌরেন, লাইরেনবী ৭ না থৌসু ফম্বাল ইতাইঙেনে । কাংলৈ মপু সলাইরেন, পাখংপতি লাইওইপনা সনা মেনতোংঙেগী ৱানে । শুমলেন মরি পুম্বা লাই কংলা লানথোং শুমলেন ফম্বাল মতাইঙেনে । থৌসু থৌঙাম ফম্বাল তাইবা ১৪০ না কংনা কংলৈ পুংকোইদা থৌসু হেলোই মতমঙেনে । লাইরেননুবী হেলোইবীদি, পোইরৈ অদোন ঈরেমলোন লাইরেনসু লাইসনা লৈম্মা ফম্বাল মতাইঙেনে । কাংলৈ পুংকোই মপুরেন পাখংবনা সনা ফম্বাল মতাইঙেনেদা মপু ওইবা পাখঙবনা থৌরেন য়াংবা লাইবু কৌদুনা খোয়ুমগী শিঙ্গা মপিএ, করি নোংগী শিঙ্গানো হায়বদি, থৌরে য়াংবা লাইকা কাংলৈদা লোয়ারাকপা খোরিফাবা অনিবু পাউতাক মপীও। কাংলৈ শাবা লময়েং মতাইনবা কাংজেরোল লাই কাং পাউশা থৌসু পাংকনি । লৈশেমকোনদা লৈপা উমংলাই পুম্বাসু কংলৈদা খোংদোই হুল্লকপা লাই পাওথংনরে ।

অৱাং থমলেন মার থাংমাইহনবগী মপারি লোইজিং থৌবা লোয়ারাকপা অথৌপা লাইনা শাকি লানফি, কোকথোল ,খদাংচেৎ, খুৎচি, কাংহু, কাংহু লিথাং পাইদুনা, অয়াংবা শাকোন অ-াং ঙমলেনগী লাইয়াম কয়াগা লোইন্না,মাগী মাগী শাকোন তোংদুনা কাংলৈ পুংকোই তমলকলে । পাখংপা কংলৈ খোইপুংথেল কংলা য়ৌরকলে । লোয়ারাকপা ফম্বাল কোনদা ফমদেংলকলে । লাই ৯ না থৌকল্লে । থারে মৈরেন লাংদাইকোন, ইতাই খোংবী নোংচুপলেন লাইনিংথৌ সোরারেনগী মপারী নাওকোনবী থাংজিং লাই খোরিফাবা থৌরাংপা, থৌরেন-থৌসু থৌপাংলোই,খোয়ুম মতিক -ময়াই হেল্লোইপতি খোরিকাবা অথৌপনে । নিংথিবা খোয়ুম চরৈফী খ্বাংচৈৎ, মচি লাং কোকয়েট, ৱাংঙম তোলোক, খদাং চিথাং লাকতুনা, কাংহৈরোল কাংজে পাইদুনা খারৈকোনদগী অয়াংবা শাকোন তোংদুনা লাইনিংথৌনা অসুম খোংদোই নামি ইতমলকপনা কাংলৈ পুংকোই লাইতিপুং সলাই য়াইবী কোলফরে । খোইপুং পুংকোই কংলা পাখংবা শাবা লময়েং পুংকোই য়েরৈকলে । লাইয়াম পুম্বা খোরিফাবা মায়োক পাওথেমজেএ । লাইনিংথৌ খোরি ফাবসু , মফম ফমলেন ফম্বালতা মতাইননা ফমদেংএ ।

পাখঙবা কোনদি কোনফারে। কংলৈ কংলা পুংকোইরেন শাবা লময়েং পুংকোইদা লাইয়াম তিল্লে। কৌব্রু, মারজিং,থাংজিং, ৱাংপুরেন,শুমলেম মরি চুকফানা লাইয়াম হৈনা তুংইননা ফময়দেংএ, লাইনিংথৌ সুলেম মরি পুবা লাইয়ামনা থৌগনজৈএ । কংলৈদা অহানবা শাবা লমথোক কোইনা লমদাই, কংলৈ পুংময়োন,খোয়ুম লাই মপু মরিনা শুমলেন ফম্বালকোন তাইদুনা,লাইয়াম পৌরেন পোথানা, মশিং লাংঙমদ্রবা লাইয়াম থৌখাই থৌসুরেন, খোরিফাবা, লোয়ারাকপা কাংজৈরোন, কংলৈ থোকপা পাখঙবনা কোইরেন শানো য়েংএ। য়াইদা খোরিফাবা লোয়ারাকপা অনিনা খুৎশা, খুদুমশা, অমমম তোংদুনা লাইনিংথৌ থাংজিংনা হুনত্রে, কাংখুন হুন্দুনা, লাইয়াম খুদুমনা লমথারোন,শাকোন কাংজৈ কংলৈদা অহানবা লাইকি কাংজৈরোন শান্নবা হৌএ। অসি নোংকী ৱাপু লাই হরাওবা মমি তমসিএ। খোয়ুম অনিনা কাংজৈরোন শান্নরকপদা,লাইয়াম খুবাক খুদুনা পেনবিখিএ। খোরিফাবা কাংহু লিথাং ১৮ নে। লোয়ারাকপসু লিথাং১৮ ফুদুনা খোয়ুম লাই অনিগী অমক্তা ওইবা লিথাংলোন, কাংজৈরোন লোইদুনা লাইয়ামনা কংলৈদা কংলা শাবা লমদাই পুংদগী, মাগী মাগী মগাইফমলেন হনৱাইনখি। অসিনা কংলৈদা অহানপা খোয়ুম লাইনা কাংহৈ কাংজৈরোন মমি তম্বা হৌখিএ হায়না কাংজৈরোন উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পীরিএ।

শাকোন কাংজৈ কননা পুথোকখিবগে

চকশিং লাংশিংকোনদি লাংবা কোনবা চকলোননে। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেম তুংদাইরেন, উমং লাইনা মালেমদা খুঙ্হোকঙৈনে। শিদবা লাই মপুনা খোয়ুমগী মতিক ময়াই খংলবদা, মাগী মাগী ফম্বালবু মপুনা মালেমদা খুঙ্হোকলিবা লাইয়ামশিংদা ৰাইশিন্নখি। লৈশেমকোনদা অহানবা লাইগী শাগোনবু মমি তমহনবীখিবা খোয়ুম লাই ওইবদি, লাইনিংথৌ মার থাংমাইহননে হায়না উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পিরি। শাকোনবু খোংনেৎ শা ওইনা লাই মপু শিদবা থাংমাইনে। নোংথৌ লাই শিদবনা পেনবীদুনা, মতিক ময়াই হেলোইপা কোরৌথক্তা থৌপাংলগা মশা পানবা শকোন অপাইবী মালেমদা নোংকুমলগা, শারু খুমাং লৌঙানবা, থাংমাই শাদি ঙৌরেন শানে। মপু নোংথৌ লাইনা ৰাইশিনরম্বা মালেমগী লাই শাকোননে। অসুম্না পুয়ানা শাকোনগী মরমদা ইবীরম্মি। খোয়ুম লাইনা হান্না মালেমদা নোংকুমএ। মতুং তাবা শানা কোন্না কুমএ হায়পগী শানা কোল্লে শকোন কৌপনে হায়না পিরি।

শাকোন কাংজৈ কনবা হান্না পুথোকপগে হায়পা ৰাদি, উমংলাই খুন্দা কাংজৈরোন পুয়ানা অসুম্না পীরিএ। লাইনিংথৌ মার থাংমাইহনবাগা নোংপোক ঙমলেন পুবা লাই থৌঙম য়াংপা নিংথৌপকা অনিনা লাংপা কোনপা চকশিংকোনদা, মালেম লৈশেমকোন, নোংপোংক চীথাং লকলেন মদাইমদা, লাই পৌ নিপাল থাদুনা কাংজৈরোন অহানবা শানবা হৌখিএ। অদু নোংকি কাংজৈরোনবু মার থাংমাইহনবনা কাংজৈ থেইএ হায়না, কাংজৈরোন পুয়ানা ময়েক সেংনা পিরে। অহান কাংজৈরোন পুথোকপা লাইসু মার থাকমাইহনবনে খংও হায়না লাতমলোন্না তাকলিএ।

অনিরকশুবা কাংজৈরোন পুথোকখিবা খোয়ুম লাইগী মশানা কাংজৈরোনদি, কংলৈদা শাবা লমথোক কোইরেন লমদাইমদি কংলানে। পাখঙবা কোনদি কোনফাঙৈ, মালেম লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুন্দুনা, কংলৈ পুংময়োন কংলাদা লোয়ালাপা খোরিফাবা খোয়ুম লাইওইপা অনিনা খাদা চুবুন লাংক্তুনা কাংলৈ কাংহু পাইদুনা শাকোন, কাংলৈদা শান্নখিবনা অনিসুবা কাংজৈরোননি ৰাপু উমাংলাই খুন্দা কাংজৈরোন পুয়ানা পীরিএ। কাংজৈরোন শানবা, হৌখিবাদি নোংপোক লাইগা মার থাংমাইহনবগা অনিনা পাংথোকপা কাংজৈরোন্না অনিসু হায়না পিরি। অনিসুবা কাংজৈরোনদি কংলাদা লাইওইপা অনিনা শানখিবনা অনিসুবনি হায়বনি। কাংজৈরোন পুয়ানা তাকলি।

অহুমক শুবা শাকোন কাংজৈরোনগী ৰাপু ৰাঙুরোন্না পীরি। মৈনা ৰাই তাংনা শমথরকপনা, খোয়ুম লাইগী থৌশিনকোন ৰাঙম থৌপাংবু পাখঙবা কোনবদি কোনফাঙৈ, সলাই পোংনা মীৎপাংঙৈ, মালেম লৈশেমকোনগী লাংদাইকোনদা, পোংনা খোয়ুম লাইগী মমি লৌদুনা

থৌপাংলকলবদা পোংবু খোয়ুম লাই ওইবশিংনা লাংদাই পাউশাঙৈনে। লাইগা মীগা লাংদাইপা সলাইদি পোংনে। পোংনা লাইবু নুংশিঙৈ, লাইনা পোংবুসু নুংশিঙৈ। চান্না চিন্নবা মালেমদা, পোং লাই পুনদুনা লাংদাইএ শিংদাইঙৈনে। খোয়ুম লাইনা পাংবা থৌশিন থৌদা পুন্নাবু, পোংনা লাইগী মমি লৌদুনা থৌকাংজেএ পোং লাই ওইপা অনিনা মালেমদা লাংদাইএ। খোয়ুম লাই ওইবনা পোংদা, লাইগী থৌখাইরেনদা থৌপাংবা শাকোন কাংজেরোনবু, পোৎ সলাইদা মউহলে। মদু নোংগী খোয়ুম লাইগী থৌশিলকোন শাকোন কাংজেরোনবু থৌখাই পাংলগে হায়না খোয়ুম লাইগী থৌশিনকোন শাকোন কাংজেরোনবু পাংলগে হায়না খোয়ুম লাইগী মমি লৌদুনা পোং সলাই কয়াসু কাংজে কাংহুরোন, শাকোন কাংজেরোনবু পাখাঙবা সলাই ঈথাংলোন, নিংথৌ শিংকক, পোং সলাইদা ৰাইশিন্নখি হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা পীরি।

লাইয়ামগী কাংজেরোন

লাংবা কোনবা চকশিংকোন, লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেম তুংদারেন, পোং লাইনা খুন্থোকঙৈনে। পাখঙবা কোনদি কোনফাঙৈনে। লৈশেমকোনদা শুমলেন মরি, শুমদাইরেন নিপাল পুবা লাইয়ামশিং মাগী মাগী ফম্বালকোনদা লাংদাইঙৈনে। খাগী লাংহৈকোনদা লাংদাই মপুরেন ওইরিবা খোয়ুম ফম্বাল লাংদাইবা, থাংবা চীংপু হেলোয় ঙালোইপদি থাংজিং কোইরেন লাই লাইনিংথৌনে। লাইপুংথৌ মাপননা থৌকনবা মপুরেননি। লাইরেনবী তরেৎনা থৌখায় পুরেনবা শিদবা লাইদগী থাংজিংনি লাইনিংথৌ থাংজিং কোরেন লাইনা, খোয়ুম পাওথাং য়েরেনবা খোয়ুম থৌসুববু মকৌরবদা থিনথবা কৌবা লৈতনা লাইনিংথৌগী মগাইফমলেন পাওথাংলেন থৌঙম্বানা লাইনিংথৌ থাংজিং ফম্বাল য়ৌরকলবদা, লাইনিংথৌবদা থৌঙমবনা কোকনোঞ্জদুনা মহাইরকই। হাদা লাইনিংথৌ মপুরেনও, খোয়ুম পাওথাংলেম্বা ঐবু মকৌবীববু করি য়াৱা তাকপীগদবা লৈবগে হায়না কোকনোনজরবদা, থৌঙম্বা খোয়ুম নহাকপু মকৌবদি অতৈ য়াবা অমতা নৎতে। তারো খোয়ুম থৌঙম লাইয়াম পুম্বা কাংজেরোন শানগনিহায়না, লাইগী পাউথাং মপিও হায়বগী থৌঙম্ববু কৌপান হাইবদা মপুদা হায়জখি।

হাদা মপুরেন ওইপও, মপুরেনগী য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফদবা য়াৱানি। খোয়ুম য়াৱাবু থৌপাংজরো হায়দুনা পৌথাংবা থৌঙমম্বা লাইগী মপুগী শিঙ্গা ইঞ্জদুনা, লৈকোন কোনগী মাইকৈ মরি, শুমদাই নিপাল লৈপা লাইয়ামশিংদা শাকোন কাংজৈ শানকনি। ফমলেনদি খারৈকোনদি লাইপুংথেন, খোয়ুম লাইতিন কাংজে পুংকোইদনে হায়না, চুকখোং নিপালগী লাই শাকোন লাথা হৈবা কুনথানিথোই কৌখৎলে। লাইনিংথৌ থাংজিং কোরেন লাইগী য়াথংলেননি হায়পতা লাইতিন পুংকোই লানসোন লময়াই পুংকোই লমদা, লমলেন মাদি মদাইমা, খারৈকোনদি থাংজিংকোনদা, লাইয়াম পুম্বা অয়াংবা শকোন তোংদুনা নিংথিবা শাফি, লানফৈ, কোথোন, খদাং চুমবুন লৈরেন ফা, পাম্বোম লিথাং পুন্দুনা, কাংহু কাংজৈ পাইদুনা, লাইয়াম পুম্বাসু ,লাইতি পুংকোইদা ইতমলকলে।

থাংজিং, মারজিং, ৱাংপুরেন ,কৌপা লাই ,লোয়ারাকপা, খোরিফাবা, নোংপোক অপানবা, ইকোপ নিংথৌ, য়াংগোই নিংথৌ, শায়াং নিংথৌ, খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা কোইরেন শানা ফমদেংএ। খোয়ুম লাইয়াম চাশিং ১৮ লাই পোরোন থাখরে। লাইরেনবা লাইরেনবী কয়াসু লাইয়ামগী কাংজেরোন ময়েংগে হায়দুনা মফম লাংদা ফমদেংখরে। চুকলেন অমদা লাই ৪, শাকোন শায়েংনৈএ কাংহু লিথাংনৈএ। চুকলেন অমদা লাই শাকোন শরাংনবা ৪ না, কাংহুরোন পাইদুনা, নোংপোক ঙমলেন নেংচুপ লাই তাইদুনা, শাকোন কাংজে লমথাইএ। লমথাবা লাইদি থাংজিংনে । অনি অনি থোইন্দুনা, লাই মথৈ ফংনখিএ। খা ৱাংসু শুমখোং ফাদুনা শানৈএ। খা কাংজৈরোন ৩

ৱাংনা ৪ লমকাখিএ। মৈরম ৱাংপু লাই শাকোন ক্রাংজৈরোন ৬ ,কৌব্রু ঙমলেন লাই শাকোন কাংজৈরোই ৬ লমথাবা লাইদি ৱাংপুনে। কৌব্রু শাকোনলোই কাংজৈনা ৫ লমকাখিএ। মারজিং লাই শাকোন কাংজৈরোন ৬, থাংজিং শাকোনলোই কাংজৈ ৬, কা কাংজৈরোন লমথারোনদি কৌব্রুনে। মারজিং কাংজৈরোনইনা লমকাথিবা ৪ নি । লাইয়ামশিংনা নুমিৎলোই শিংকুন ৬ নি থৌপাংখিএ। থৌকাং মপুং ওইরবদা, খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা মাগী মাগী মগাইফমদা হনৱাইখি । অসি নোংগী লাইয়ামনা শুমলেন মরি ফাদুনা খারৈ কাংজৈকোন, থাংজিং মগাইদা শানখিবা কাংজৈরোন লাইদি কাংজৈরোন খমলেনবা ওইখিএ, হায়না উমংলাই খুনদা কাংজৈরোন পুয়ানা ময়েক্ শেংনা পিরি ।

নিংথৌরোন হাক্তা অহানবা কাংজেরোন কনানো ?

চকশিংকোনদি কোনফাঙৈনে, পাখঙবা কোনদি খুন্থোকঙৈনে। কংলৈ কংলা পুংময়োন কংলা মেনবু মেনতোংলিবা, সলাইরেন শিদবগী মপারিতোন কোজ্ঞিন তুকথাবদি পাখঙবনে। চকশিংকোন কোনা চকলোনদা কংলৈ পুংময়োন, ফম্বাল লাংপা লাই মপু শিদবাদি, নোংদা লাই পাখংবনে। পাখঙবা ঈথাংলোন, লাই,ওইপা কংলৈ কংলা ফম্বাল লাংপা মৈদিংঙুশিংদি (অমাবা), নোংদা লাই পাখঙবা (অনিবা) মৈদিংঙু তোনপোক (অহুমবা) মৈদিংঙু তাওথিংমাং (মরিশুবা) মৈদিংঙু খুইনিঙোনবা (মঙাশুবা) মৈদিংঙু পেনশিবা, (তরুকশুবা) মৈদিংঙু কাওখঙবা, (তরেৎশুবা) মৈদিংঙু নাওখম্বনি। চকশিংকোনদা পানখিবা কংলৈ কংলা মৈদিংঙু ৭ না কংলা শাকোন শঙশাদুনা শমএ। লানওং থৌশিল থৌদাতা, লাই ওইবা ৭ না মথং মনাও শাকোনবু শিজিন্নৈএ। কংলৈদা লাই ওইপা মৈদিঙু ৭না মথং মনাও নাইনা পানবদা, শাকোনবু শুম মরি মরি ফাদুনা, কাংহুরোন লাই সকোন কাংজেরোন মতমখিএ হায়না, মালেম চুখোং পুয়াগী শিংখাই অনিশুবা পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ ! লাই ওইবা মৈদিঙু ৭ না কংলা মেনশঙনুংদা হনজিনখ্রবদা, মৈদিংঙু নাওখম্বাগী ঈথাংলোই পোং সলাই, নাওফংবনা, কংলৈ, ফম্বাল লাংদুনা, পাখংবা কোন কংলা মেনশংবু ঈরাৎপা হৌখি।

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা মীতৈ নিংথৌরেন হালোই, পুখিবা সলাই ঙমলেন ইতাইবা নাওফংবনা কংলৈ নিংথৌ ওইপা মতমদা সলাই মীংখৈবু ময়েক লানবা হায়দুনা অপোই মাইচৌবা পন্দিট কৌখৎতুনা, সলাই য়ুমতাইলোনবু (য়ুমদারোন)বু ইবা হৌখিএ। ফমলেনদি কংলানি শারুংকোননি। কংলৈ মপু ওইরিবা পাখঙববু, ইরাৎ থৌনি পাংজনা সলাই ৭ কী মপু ওইবদা, খোয়ুম লাইওইবা পুথাংকোকলেন্না চৎনরম্বা লিথাংলোইবু ,পোং সলাই নিংথৌবা, মীতৈ নিংথৌ নাওথংবনা ফমনাইবা, ফমদোনবা, হুইরেন লানফবা, লালোই হনজবা, অপোই মাইচৌ কয়াগা, লৈপাক্কী থৌশিন থৌদা থৌপাংনবা, থৌশিন থৌপাংলমী । কংলৈ কংলা নোংপোক মৈরেন লমদাই, লাইতিন পুংকোইদা, নিংথৌবগী সনা উএ লিংদুনা, লৈপাক থৌপু মতাইঙৈনে ।

নাওফংবগী ফমনাইরেনবা খারৈ ফমসুহনগী কাংবুরেনদি শাকোন শাবু লোইনবা, কাংজৈরোন হৈনবা, শাবা লমথোক কাংপুনে। ফমনাইরেনবা খারৈ ফমসুবনা, ইনিংথৌ নাওফংবদা খ্ব: ৪৩০ দা ইনিংথৌগী শাকোন কাংজৈ কংহুরোন হৈপা,শুমখোং মরি থৌপাং ঙমপশিংকা, খারৈ ঐগী কাংজৈরোনশিংগা কংলৈ পুংকোন শাবা লমঙান লাইতিন পুংকোইদা, সাকোন কংজৈ শানহনসি হায়পবু , ইনিংথৌ পুক্লিং করি লৈপগে হায়না ফমনাইরেনবা খারৈফমসু হনবনা নিংথৌদা হনগৎচখি।

ইনিংথৌ নাওফংবনা ফমনাইবগী য়াৱাবু হোয়াবীরে। নিংথৌগী য়াৱা মতুং ইন্দুনা শাকোন পাউ থাদুনা, লৈপাক পুংজাও য়ৈদুনা, মী পোং সলাই পুম্না কৌখৎলে। খারৈকোনগী কাংজৈরোন শাকোন ঙাংওইবা মরি তোংদুনা কাংলৈদা কারকলে। ইনিংথৌগী শাকোন কাংজৈরোনগী শাদি ঙৌরেনবনে।

নোংপোক কংলা খৈরেন মদাইমদি লাইতিন পুংকোই শাকোন লমথোকফমনে। সলাই শুনা ফমলেনদা তিল্লে । লৈপাক নিংথৌ চোমাই হেলে। খাগি মাইকৈনা ফমনাইবগীনে। অৱাংনা লৈপাক নিংথৌগী কাংজৈরোননে। খা, ৱাং মাইওন ওনদুনা শাকোন সরাংথক্তা, শাফিরোন লাফি, কোয়েট খদাংসু ,কাংজৈ কাংহুরোন পাইদুনা মপুওইবা লাইনিং মার থাংমাইহনববু পিরুকনুংদা থমখরে। ইনিংথৌনা শাকোন কাংজৈ লমথানবা, মারজিং কাংজৈরোন মীংখৈ লাওদুনা কাংজৈ শানবা হৌখরে। সলাই পুম্বানা কাংজৈ শানফমদা, পৌরোন ৭ লোনখরে। নিংথৌ কাংজৈরোন কাংহু ৭ কাদুনা চহি ৩গী কাংজৈরোন ৪ দা মনা পিখিএ। খারৈ কোনদা লৈরুন ৪, চানা পুখম ৪ পিখি। কংলৈপাক্তা কাংজৈরোন অহানবনে খংও। কংলৈপাক্তা অহানবা শাকোন কাংজৈরোন শানখিবা মফমনে অমসুং মতমবু তাকতুনা পীরিবা পুয়াদি নিংথৌ শিংকক পুয়ানে। লাতমলেন ২৮ দা য়াওবনে। অসিনা লাইগা মীগা তাইবদা কংলৈপাক্কী মৈদিঙু ৭না হঞ্জিথ্রবাদা, অহানবা কংলাবু ঈরাৎচদুনা ফমলেন কংলা মৈরেনদা নিংথৌগী উএ লিংদুনা, পানখিবা নাওফংবা সনা হাক্তা, কংলৈপাক্কী অহানবা কাংজৈরোন পুথোকপা নিংথৌরেননি হাইনা, নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক সেংনা লেংবা য়াদ্রাবা নিংথৌ সনা লিকলাংনে খংও।

কাংজেরোনদা শরুক য়াখিবা নিংথৌরেন কয়ানো ?

কংলৈপাককী শাকোন কংজেরোন পুথোকপীরম্বা মীতৈ নিংথৌরোন ১৮গী মীংথৈরোল

(১) অহানবা শাকোন কাংজৈ পুথোকপীরম্বা মীতৈ নিংথৌরেনদি খ্বঃ ৫১৮ দা পানখি নাওফংবনি। কাংজেরোন মফমদি কংলৈনি।

(২) অনিশুবা কাংজেরোন পুথোকপীরম্বা মীতৈ নিংথৌরেন, সামৈলাং সনা হাক্তা, থৌসু লাংকোইবগী কাংলুপকা নোংলৈ তোংসু কাংজেরোন কাংপুকা কংলৈ লাংখোংথেনদা শাকোন কাংজৈ শানখি।

(৩) অহুমশুবা কাংজেরোন পুথোকপীরম্বা মীতৈ নিংথৌ, উরাকোন্থোবা খ্বঃ৬৫৮ দা ইনিংথৌগী মনাই শাকোন হনবা লমঙানবগী শাকোন কাংজেরোনগা, নোংপোক ৱাঙমলাকপগী শাকোই কাংজেরোনগা কাংলৈ পুংকোইদা শানখি।

(৪)মরিশুবা শাকোন কাংজৈ পুথোকপিরম্বা মীতৈ নিংথৌদি, নাওথিখোংনে। নিংথৌগী মমাই অচানবা, পৌগৈতোনগী কাংলুপ শাকোন কাংজেরোনগা, অঙোম নিংথৌগী শাগোনলোইগা কাংজেরোন, কংজৈ পুংফা কোনদা শানখি।

(৫) মঙাশুবা কাংজেরোন পুথোকপীরম্বা নিংথৌদি, অয়াংবনি। অয়াংবগী শাকোন শাংজেরোনকা, খৈরৈ ফমনাই লৌথিবগী কাংজেরোনইগা কাংজৈইরোন শানখি।

(৬) তরুকশুবা মীতৈ নিংথৌরেন কাংজেরোন পুথোকপীরম্বা খ্বঃ ৯১০দা পানখিবা কাংজেরোনগা খারৈ নিংথৌ পনঙাকপাগী কাংজেরোনগা কাংলৈদা শাকোন কাংজৈ শানখি ।

(৭) তরেৎশুবা শাকোন কাংজৈ পুথোকপীরম্বা খ্বঃ ১২৩১দা পানবা থৱান থাবা নিংথৌনা, মাগী শাকোন হনজবা কাংজেরোনগা, মৈরেন লাকপা পানজুম্বগী শাকোন কাংজেরোনগা অনিনা কংলৈ পুংকোইদা শাকোন কাংজি শানখি।

(৮) খ্বঃ ১৩৫৫ দা পানবা মীতৈ নিংথৌ তেনহৈবনা শাকোন কাংজৈ, খারৈ তোনপোক্কা অনিনা কংলৈদা শকোন কাংজেরোন শানখি

(৯) খ্বঃ ১৩৯৪ দা পানবা তবুংজ নিংথৌনা মহাককী শাকোন কারুবী তোংদুনা নোংপোক শাফবা য়োইরেন তোম্বাগা অনিনা শাকোন কাংজৈ শানখি।

(১০) তরাশুবা শাকোন কাংজৈ পুথোকপীরম্বা মীতৈ নিংথৌ খ্বঃ ১৪৩২দা পানবা পুনসিবা মাগী শাকোন কাংজেরোনগা নোংচু লানহৈবা শাকোন কাংজেরোনগা, অনি পুন্না কাংলৈদা শানখি।

(১১)শুবা কাংজেরোন পুথোকপীরম্বা খ্ব১৪৬৭ তা পানবা নিংথৌখোম্বা নিংথৌনা মাগী কাংজেরোইগা অৱাং ৱাংঙমতোনবগী শাকোন কাংজেরোন অনিনা কাংলৈদা শাকোন শানখি।

(১২) শুবা শাকোন কাংজৈরোন পুথোকপীরম্বা খ্ব: ১৫০৮ দা পানখিবা সনা নিংথৌনা পানবা মতমদা শাকোন থাংজৈরোনগা ৮ থাদোকতুনা খারৈ লৌঙমবগী কাংজৈরেনে ৮গা অনিনা কংলৈদা শাকোন কাংজৈ শানখি।

(১৩) দোই কাংজৈরোনবু নুংশিদুনা পাংথোকপীরম্বা খ্ব: ১৫৯৭ তা পানবা নুং য়াম্বানা মহাককী শাকোন কাংজৈরোন ৪ গা থমলেন অৰাংলেন মাইবী থাংসুবগী শাকোন কাংজৈরোনগা অনিনা কাংলৈদা কাংজৈ শানখি।

(১৪) শুবা কাংজৈরোন পুথোকপীরমম্বা খ্ব:১৬৫২ দা পানবা খাগেম্বাগা খারৌতোন তোনশিনবগা অনিনা কাংলৈদা শাকোন কাংজৈ শানখি। খ্ব: ১৬৯৭ তা পানখিবা মীতৈ নিংথৌ পাইখোম্বানা শাকোন কাংজৈ রোনবু পুথোকপীরম্বা খ্ব: ১৮৮৬ তা পানখিবা মীতৈ নিংথৌ পাইখোম্বানা শাকোন কাংজৈ মৈরেন লাম্বুবগা অনিনা কাংলৈদা শাকোন কাংজৈ শানখি।

(১৬) শুবা কাংজৈরোনবু মৈরেন লাম্বুবগা অনিনা কাংলৈগা পানখিবা চনদ্রাকেতি সনা হাক্তা নিংথৌগী পানগা খারৈ কংলা পানগা কংলৈদা শাকোন কাংজৈ শানখি।

(১৭) শুবা খ্ব: ১৯৪২দা পানবা চুরাচান্দ মহাকক্তা সনাহাক্তা কংলৈ শাকোন শানখি, খ্ব: ১৯৫৫ দা পানখিবা মহারাজ বুধাচন্দ্রা সনা হাক্তা হপতা কাংজৈবুং অমসুং কংলা কাংজৈরোনদা পানগী শাকোন শানখি। অসুম্না মীতৈ নিংথৌরেন ১৮না শাকোন কাংজৈবু পুথোকপীরমী হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়াগী লাতম ১২।১৪।১৭।২১।৩২।৩৪ দা শেংনা তাকখি।

কাংজেরোননা করি কানবা লৈবগে ?

শাকোন কাংজেরোনা কানববু ময়েক শেংনা নিংথৌশিংকক পুয়া উমংলাই খুন্দা কাংহু কাংজেরোনা পীরি। খোয়ুম লাই ওইবগী থৌশিল থৌদারেন থৌসুরেন ওইদুনা অনেম্বা মালেমদা ফম্বালকোন লাংহৈকোন লাংহৈরিবা খোয়ুম লাইগী নুংলোনদা লৈবা মতিক ময়াই হেলোইববু । খোয়ুম লাইয়াম পুম্বাবু লাইনিংথৌ কয়ানা লোইনবা শাকোন মায়াদা থৌখাই থৌসু তমবীদুনা শাকোনগী হৈ শিংনা খোয়ুম মরিক ময়াইগী অহেনববু লাইয়াম শিংনা খংহনবাতা নৎতনা অপাম্বা পোৎহনদুনা শাকোন কাংজৈবু থৌরন থৌসু পাংগে লাইয়ামবু য়েংহলি। মালেমদা লৈপা শাকোন কাংজৈবু থৌরম থৌসু পাংদুনা লাইয়ামবু য়েংহলি। মালেমদা লৈপা লাইয়ামশিংনা নুংলেনেদা খংজখি। শাকোন মথৌনা হৈ শিংবতা তৎতনা খোয়ুম লাইওইবশিংদা মাগী মাগী থৌশিল থৌদা অহেনবা থৌখাইবু লাইয়ামদা উথোকপদা দৎতনা অপম্বা কয়াবু পোকহনল্লী । কাংজেরেনদি অসুমা লাইয়াম শিংনা লৌনংখি।শাকোন শরাং থক্তা তোংলিদুনা শথৌরিবা লাইনিংথৌগী য়েৎনা পাইদুনা কাংহুরোন কাংজৈ অদুনা কোরৌ লৈএ হায়না তাকপনি, মালেমদা তুমপাক তাবা কাংহুরোন কাংদ্র মনা লৈখারোন মালেম লৈএ হায়না কাংজৈরোন উমংলাই খুন্দা পুয়ানা ময়েক সেংনা তাকনি।

নিংথৌ শিংকক পুয়ানা মীতৈ নিংথৌরোন ১৮ না শাকোন কাংজেরোন মৈনা ৱাই তাংনা শমথাবীরম্বা অমদি কাংজেরোনগী কান্নববু ময়েক সেংনা নুংলেনে ৱাঙুরোননা তাকলি। মীতৈ নিংথৌরেনেশিংদি লাই হাকক্তগী শাকোন লোইবা অমাসু শাকোন শঙ শাদুনা য়োকতুনা শাকোনগী মতিক ময়াই তৌবা ঙম্বা কয়াবু মীয়াম পাজাশিংদা খংহললী। লৈপাক নিংথৌনা মফম অমাদগী মফম অমাদা শাকোন লোইবা অমাসুং শাকোন লোইন্নৈ। শাকোনখোংনা য়ৌবা ঙমদবা মাফমদা শাকোন সরাংথক্তা তোংদুনা তোংদুনা মফম অদুনা য়ৌবা ঙমই। খোংনা নুমিৎ ১০ নি চৎকদবা লম্বী অদুনা শানোম নুমিৎ ৩ দা থুংবা ঙমই। শাকোন শরঙক্তা তোংদুনা পাউ অদু লৈপাক নিংথৌ অক অমৌগী থমক্ত শাকোন লোইনৈ। শাকোন শরতক্তা তোংদুনা পাউ অদু লৈপাক শিনবা থুংনা পাউচেলি। কোইনা চৎপতা শাকোন লোইনৈ। শাকোন শংথক্তা তোংদুনা পাউ অদু লৈপাক শিনবা থুংনা পাউচেলি। অসিবু শাকোন লৈপাক পাউ হায়নসু থংলৈ। লৈপাক নিংথৌ অমদা মাগী খোংলোই কয়াসা লোইনদুনা লৈপাক অমদা লানথেংনবা চৎপা মতমদা শাকোন লোইনদবা য়াদে। শাকোন লোইদুনা শাকোনবু নিংথৌগী থাৱাই কল্লি। শাকোননা পাখন ওইদুনা মীরনগী নিংথৌনা লান মায়োকনবা শাকোননা য়াম্না মতেং পী। লৈপাক নিংথৌনা শাকোনবু য়াম্না লুনা তৌন্নৈ। মতম লৈপা শাকোনবু নুংশি চাননা লোইনৈ। মীতৈ নিংথৌরেননা মাগী মাগী শাকোন

কাংজৈরোন তমদুনা অতোপা কাংজৈরোন কয়াগা মায়োকনদুনা মাগী মাগী লমবা থেংনদুনা কাংজৈ শানবা হৌখি। কাংজৈরোননা মীওইবগী হৈ শিংবা মথৌনা লৈবা মীয়াম মমাংদা ফোংদোকপা ঙমএ হায়না কাংজৈরেনে পুয়ানা তাকলি। শাকোন কাংজৈরোন মশানদি শাগোনসু মশক হেনহনবা অমাসুং মীওইবা সমাজদা মাগী মাগী অনিগী নুংনোনদা লৈবা ৱাখনলোনবু পান্দা থবক ওইনা পুথোকতুনা পাংবা থৌরমলোননি হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি।

করম্বা শাকোন্না কাংজৈরোন য়াওগনি

মৈনা ৰাই তাংনা শমথরকপনা করম্বা শাকোননা কাংজৈরোন য়াওগনি হায়পগী কাংজৈরোন নুংলোন ৰাঙুরোনা পীরি। মীওইবা তাইনপান য়েক ৭ সলাই মপান মীওইবনা মালেমদা লাই ওইবগী চাথাংলোন ওইদুনা মাগী মাগী থৌশিল থৌদা থৌপাংবু য়েংদুনা লৈপাক নিংথৌনা মীংথোল পীবিরি। মান মানা তৌজরিবা শিনফম অদুদা লোইদুনা থৌখাই কয়া পাংদুনা হিংলি। মশানা পাইদুনা পাংথোকলিবা শিনফমবু অদুবু অরেপা লৈবনা নএগা মতম খরসিরা হায়না কুপনা য়েংলগা ইমুং অমাদি সলাই অদুগী মকুপা আরপা লৈরগা পাংথোকলিবা শিংবু য়েংদুনা শাগে মমিং পী। পীরিবা সাকৈ অদুদি লৈপাক নিংথৌনা মহাককী প্রজাশিংনা পাংথোকলিবা শিনফম য়েংদুনা পীবনি। সলাইদি লেংদবা উপনেহি হায়না ৰাঙুলোনসু তাকলি। হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াদবা মমিং অমা হেক্তা থোনসু হৌনদবা অরেপা পুথোকপা তাকপা খনবদি শালাইনি। সলাইনা মীওই সমাজগী মরক্তা ময়েক সেংনা তাকপা ঙমলিবনি হায়না নিংথৌ শিংনা তাকলি। পুয়াদি মীরম্না পুনদুনা য়ানবা পোৎশক অমাসুং লেংদনা ইশিনদুনা মীওইবনা হেক পোকপদগী পুংকক চাওরকপা মহৈ মশিং তমলকপা মতমদা মীওইপোকতা পোকখি। মমা মপা ওইবনা মফমগী তুংদা লাকদবা ঙমই হায়বসি খংন্নবা ৰাফমনি। মীওইপোক্তা মশাগী থৌরম থৌদা কয়াসু লৈতনা নৎতে। মশানা পুকনিং লেপতুনা ইংনা তাকনা পাংথোকপা ঙম্বনি হায়নসু পুয়ানা পীরি। মীওইপা সমাজদা লৈথক লৈনা লৈবগুম মালেম লৈবা মীওইপোকদনা মাগী মাগী হৈ শিংবা থৌরম থৌদা মহৈ অদুনা কয়াসু পীরি মীওইবা সমাজদা লৈথক লৈনা লৈবগুম মালেম লৈবা মীওইপোকনা মাগী মাগী হৈ শিংনা থৌরম থৌদা মহৈ মশিং কয়াসু পাংথোকচবা থৌরমদি মহৈ য়ানবা অপাবনি ফক্তবনি। হায়না খংনা পাংথোকচবা থৌরমদি মহৈ য়ানবা মপুং ফাবা পাংথোকপা ঙমই হায়বসি মহাক্লাক তৌথোকপা থমকনা অদুমক খঙনবা ঙমনৈ।

শাকোনসু শাগী মরকক্তা অখন্নবা অথৌবা জিবা অমনি হায়না মীওইবনা লৌনরি। মীওইবনা শাকোনবু ফাদুনা শিজিনৈ। শাকোনসু মীওইবনা লৌনরি। মীওইবনা শাকোনগী নুংলোনদা লৈবা ঙম্বা শকতি কয়া মশাগী পীরেপ অপিকপা অচৌবা খুমাং খুদু কয়া অমাসুং মশাগী শহৌ য়েংনৈ। অখনবা শাকোন কাংজৈরোন শারুক য়াননৈ। শাকোন অদুদি ফীরেপ চুম্না ফিবম ফজবা খুদুং খুমাং অনি নেম্বা শাংবা মান্নবা শা অমাসুং মশা তিনজা লৈবাদবা লৈনা তিননা চেনদবা মপাগন কানবা শওং ফজবা হায়রিবা মগুন অসি লৈবা শাকোনা কাংজৈরোন য়াওগনি। অসিগুমবা চুম ফিবান চাবা মীওইবগা নকনবদা মশশদা হঙ্গোইবা পোকতবা অকিবা হনবা লৈতবা শাকোনবু কাংজৈরোন তমবিদুনা মশিং থৌনি। মহাককী মতিক ময়াইবু য়েংদুনা হায়রি গুনশিং অসি চেনবতনা শাকোন কাংজৈরোনদা শারুক য়াবা ঙমগনি হায়না কাংজৈরোন পুয়ানা পীরি।

কাংজৈরোন মখন কয়া শুবগে ?

নুংলোনৱাঙুউরোন শাকোন কাংজৈরোন মখনবু মহুম থোকননা পীরি। অহানবদা শাকোন কাংজৈরোন লৈতঙৈগী মমাংদা খোয়ুম লাইগা লাইশাওইবা শাকোনগা লোইনদুনা থৌরম কয়াবু পাংমীনবদা পাংলম্বা কাংজৈরোনদি নুংলেন ৱাদি কাংলুরোন কৌই। কাংহুরোনসু শাকোন য়াওই শাকোন য়াওদবা কাংহুরোননা অহানবা কাংহু অমাসুং কাংদুম কাংহুনা চৈরেননি। কাংদুমনা মালেমগা লৈতাইবা কাংহুনা কাংদুম কোৎলি। অমসুং ফুদুনা মহাকনা পুনিংবা মফম অদুদা তান্না পুদুনা চেলি। কাংহু পাইবশিংনা কাংহু অদু তান্নদুনা কোইবা কোইচেন চেনবা হৌই। হনত্রে। তাদুনা কাংদুম অদু হুনবনি মারোকনবা মাইকৈ অসিদগী ফুজিনদুনা কাংদুম অদু মুনবা কান্না হোৎনৈ। অসুম্না লাইগী থৌশিনকোন কয়াগী লৈরকলবা মশানা অসি লৈরমই হায়বদি উমংলাই হরাওবা মতমদা কাংহু অমসুং কাংদ্রুম য়াওদবা য়াদোকা কাংহুনা লেংদোংবদি লৈথকনি। কাংহু মনা মালেম লাংদাইবদি লৈখারোনবা তুমপক তানা লৈএ হায়নসু তাকলিবনি হায়নসু ৱাঙুরোনবা পীরী। মশানা অসি মরু ওইনা লৌনৈ। মশাদগী কাংজৈরোন হায়বা মশানা অসি লাকখিমনি হায়না তাকলি। কাংহুরোন মশানদি হায়বা মশানা অসি লাকখিবনি হায়না তাকলি। কাংহুরোন মশানদি লাই হাকক্তনি কাংজৈরোনদি মী লাই অনিগী লাংদাই উমংলাই খুন্থোক তাইবং সলাই মীতমলোন সনামহি পুয়ানা ময়েক সেংনা পিরি। সনামহিদি মীওইবা কৌবা মপোকপু শেমবী শাবিদুনা পুথোকপীবা মনি হায়না মীওইবা সলাইনা খংনরি। মলেমদা অনিশুবদি শাকোন কাংজৈরোননি।

শাকোন শরাংথকক্তা তোংদুনা মফমদা পুদুনা ঙমবা পাংথোকতুনা শানবা মশানবু শাকোন কাংজৈ হায়নবু খংনৈ। শাকোন কাংজৈগী নুংলেনভ্লাদি মীওইবনা লৈরিবা অপাম্বা অদুগা শা অদুনা অপাম্বা অদুনা মান্নবা ভ্লাখনলোনবু পাংথোপীনবা মশাননি হায়নসু কাংজৈরোন পুয়াদা পীরি অসুম্না থৌরম থৌদা মশানা পাংববু শাকোন কাংজৈরোন মরৌ শিং অমসুং মহাক্কী মতিক মগুনবু ময়েক শেংনা তাকথোকপা অমসুং মীয়ামনা খংজবা ঙম্বা মশাননি হায়না লৌনৈ। শাকোন শরাংথক্তগী চিংথান্দনে পংঙ্গলগা চায়েংনবা শরাং থকক্তগী কুমথদুনা অমসুং চিংথদুনা মাগী মাগী লম্বা থিদনা মহাকপু ঐনা থোইদবা ঙমদবা য়াদে হায়দুনা মথৌনা লিংজেল পুথোকতুনা মীয়াম মমাংদা মুকনা শানববু মুক্না কাংজৈ হায়না কৌই । শাকোন কাংজৈ কাংহু কাংজৈরোন মুক্না কাংজৈ অহুম থোকনা খায়দোকতুনা লাই হাকক্তাগী লৈরমলবা মীতৈগী অরিবা মুৎপা য়াদ্রাবা মশাননি হায়না শিংকক পুয়ানা পীরি।

ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕ

লাই হরাওবা



লাই হরাওবা কদাইবু কৌবগে ?

ৰাঙুউরোন্না অসুম্না পীরি, মীওইবগী সমাজদা মশানা মশাবু খংজবা, মীয়াম পুন্না থৌপাংমীনবা, মৈহৌরোন নুংলোন ৰাবু পানদা থৌরম ওইবা উৎতুনা, থৌখাই মহৈ য়ানববু, লাই হরাওবা কৌই,হায়বসি উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পিরি ।

লাই হরাওবা কৌখিবগী ৰারোনবু অসুপন্না শন্দোক্লা পীরি । লাই ওইবদি অরেপ্পনি । হোংদোক হোংজিন য়াদবা, পোকপা শিবা লৈতনা মহাক অদুবু মীওইবা সমাজনা লাইনি হায়না লৌনরি মশক ওইনা উবা ফংদ্রগসু মঙান অদুতনা মীওইবা সমাজবু পেনহনবীবা অমসুং থাজবা হায়বা পোৎশক অসি ময়েক সেংহনবীরি । মীওইবা কৌবা মপোক অসিগা লাই ওইবগা য়াম্না নকন্না লৈ হায়বসি লাই হরাওবনা ফোংদোকলি । মালেমদা লৈবা অচৎ চৎতা জিবা কয়াগী মনুংদা লাই ওইবগা মীওইবগা নকনৈ হায়বসি, মীওইবনা চৎনরিবা শাজৎ লিচৎ পুম্বা অমসুং তাইবং পানবা মীওইবগী থৌরম থৌদা, ফিজেৎ চাকসেৎ, হকচাংগী কয়াৎলোন অমসুং হৌখিবা কয়াবু নৌহৌন্না থৌরম ওইনা পাংথোকপা, মীওইবা সমাজনা খংদবা য়াদবা মীওইপোককী মরুওইবা থৌরমলোননি হায়না পীরি ।

করিগুম্বা অমত্তা খংদনা, অমত্তা উদনা, মশানা মশাগী ফীরেপপু খংজবা ঙমজদনা, মীওইবা সমাজ মরক্তা হিংবা হায়বসি মীওইপোক অদু অৰাবনি হায়নসু পীরি । খোয়ুম লাই ওইবগী মতিক ময়াইনা মীওইবনা মালেমদা লৈবনি হাইবা নুংলোন ৰারোনদি খোয়ুম অৰাংবা ফম্বালকোনদা নুমিৎ থাগী মশক ওইরিবা, লাই ওইবনা মীওইপোকতা পোকলিবা মীওই অদুগী মমা মপা ওইরিবশিংগী খোয়ুম লাইগী থৌজালনা নুংলোন্দা হেন্না মঙানবু পি হায়বদি, লাই ওইবনা মীওইববু অসুম্না নোংদমবীখি । তাইবং পানবা মীওইবা নখোয়দি পোকপা শিবা নাইবা মপোকনি । মীওইবগী খ্বাইদগী থানবা য়াদ্রাবা থৌখাইদি থৌরম থৌদা পাংবা, থৌরম থৌদা থৌপাংলিবা মীওইবনা, পোকপদগীনা মীওইবা পুন্সি লোইবা ফাওবা, শীনথা পাংবা হায়বসি মীওইপোকনা থানবা য়াদ্রাবা থৌখায়নি হায়বা নুংলোন ৰাংঙুউরোন পুয়ানা পীরি । ঐহাকতনা মালেমদা থৌপাংজবদি, ঐহাকতগী নৎতে, মীওইবা সমাজ পুম্বাগী হায়বা অরেপ্পা ৰাখনলোন্না মীয়ামদা থমলগা, ইশাগী পাংবা থৌরমলোনদু লাই হরাওবনা তাকলি । খংদবা উদবা মীওইপোকনা, কনানা মাবু খঙহনবিখি । করিগীদমক খঙনিংলুরিবা, খঙবা উবা হায়বসি মীওইপোক্তি তঙাইফদ্রবা থৌশিল থৌরমলোন, থৌখাইনি হায়না হরাওরোন্না পিরি । মীওইবা সমাজনা মালেমদা মাগী ঐগী হায়বা থৌখাই কয়া পুথোকনরি ।

লাই হরাওবনা নুংলোনদা পীরিবদি, নিংথিরবা লাইগী ফম্বাললোন শেম শাদুনা তাইবং পানবা মীওইমগী নিংথিরবা শাজৎ লিচৎ অমসুং পাংগদবা থৌরম থৌদা কয়াবু উথোকতুনা মীপুম খুদিংমক্তা থৌরমলোন্না তাকতুনা খংহনখি। মীওইবা সমাজ, মীওইবনা পুন্সিদা পাংথোককদবা থৌরম থৌদাবু ময়েক সেংনা তাকলি। খোয়ুম লাই ওইবনা মশাগী হায়বা ৱাফমলোনবু থাদোকতুনা মীওইবা সমাজগীদমক ফ নাইবা অমম্বা অঙানবা অনিগী লাংদাইদা, মীওইবা সমাজনা মালেমদা হিংনরি। মীওইপোকনা মাগী মাগী থৌখাই থৌরমলোন কয়াবু সমাজনা খংজনা থৌখাই অদুবু পাংজবা মীওইবনা, চাদুনা হিংগদবা পোংৎলম কয়াবু লাই হরাওবনা পিরি। হরাওবদা শাবা লমথোকপা, কোইনা লময়েংবা, মীওইবনা পান্দা করি থৌদা পাংগনি। মীওইবনা পাংলিবা থৌখাইদি, পুন্সিনা হেক লৈরিমখৈ থৌরমসু লোইনগনি। থৌরম্মা লোইবা নুমিৎপু লাই কাবা-লাইরোই হায়না খংনৈ। পোকপা শিবা মীওইবনা, মীওইপোক অপুনবা সমাজ অমা পুন্না থৌদা , পাংলিবা, থৌরম থৌদাবু, থৌখাই মহৈ য়ানগনি হায়না ৱাঙুউরোন্না পীরি-এ।

হরাওবা মখন কয়া শুবগে ?

লাই হরাওবা মখন মহুম থোকনা পীরি। অহানবা হরাওবদি, উমংলাই খুন্থোক পুয়ানা পীরি। চকশিংকোনদি লাংবা কোনবা চকলোননি। মালেমদা খুন্থোক তমলিবা লাইয়ামশিংনা ফম্বালকোনবু লাংকোই লাংদাই, শিংদাইঙেনি। উমংলাই পুম্বাগী থৌশিল করম্না থৌখাই মহৈ য়ানগদগে হায়না নুংলোন য়াইদা খল্লকলে । করি করম তৌনা লাইয়ামশিংবু অমুক্তা, লাইনা পুন্দুনা থোখাই অসি পাংগদগে হায়না খল্লকপা লাইয়ামবু লমলেন অসিদা লাইতিন পুংকোই ওইহনলগে হায়দুনা, খোয়ুম পাউথাং পীবা লাইবু কৌখি। লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মনাই ওইরিবা খোয়ুম পাউথাং পীবনা মপুদা করি নোংগী য়াৱা লৈবগে হায়দুনা মপু ওইবদা হনগৎচরবদা, মপুনা হাই। তারো খোয়ুম পাউথাংলেম্বা, কৌব্রু ঐগী অয়াংবা শাকোন তোংদুনা লৈশেমকোনগী লাইয়ামবু পাউথাং পিখি। পাউথাংলোই য়াৱাবু লাইয়াম পুম্বানা তারদুনা কৌব্রু চিংমাইথেন্দা লাইতিন পুংকোই ওইরক্লে। লাইয়াম পুম্বনা ইহান হান্না কৌব্রুদা শঙলেন লাই হরাওবা হৌখি। লাইয়ামনা হরাওখিবা মফম অদুবু কৌব্রু চীংমাইথেননি । শঙলেন অমা শেমদুনা, মপুগী ফম্বাল অমা শাদুনা, কৌব্রু ,মারজিং ,থাংজিং, ৱাংব্রেন, শুমলেন মরি ফাদুনা কৌবা চীংমাইথেন্দা লাই হরাওবা হৌখি। অসি নোংগী ৱানা লাই হরাওবনা লাইয়াম্সু অমত্তা ওইনা পুন্দুনা, হরাও তরাম্না, লাইয়াম অপুনবা ওইদুনা লৈশেমকোনদা, অহানবা শঙ লিংদুনা, হরাও মথোই কাখি। অসি নোংগী লাই হরাওবা থৌখাই মহৈ য়ানখি।

অনিশুবা লাই হরাওখিবা মফমলেন্দি নোংপোক নোংমাই মরমথৈদা নোংপোক অচিবগী থৌখাই ওইদুনা, মালেমগী লৈশেমকোন লাংদাইদা লৈরিবা চীংঙু লাইয়াম পুম্বাবু মেয়েংননা মহাইএ। হাদা লাইয়াম পুম্বাও, করি নোংগী লাইয়ামবু, নোংমাই ঐগী ইগাইফমদা কৌবদি অতৈ অমতা নৎতেএ! মালেম অসিদা লৈরিবা পোং সলাই পুম্বাগী পুন্সিকোন লাংদাইদা, তাইবংগী চান্না-থকনবা পোংলমবু করম্না পুথোককদগে হায়ববু নোংমাই হরাওবনা ময়েক শেংনা তাককনি হায়না শিদবা লাই মপুরেন, নোংপোক অচিবনা লাইয়ামদা ফংহনবীখি। অসি নোংগী মপুগী য়াৱা লৈবনা নোংমাইদা শঙ লিংদুনা লাইরেনবী লৌতারোন পাংদুনা, পানাও শিংনাত্ত, লশিং মপোপ, ফৌগী মখন কয়া পুথোকতুনা, নোংমাই লৌতারোন পাংথোকনা লাই হরাওবা নোংমাইদা চীংউপা লাইয়াম পুনদুনা নোংপোক অচিবগী মরমথৈদা, থৌপাং মহৈ য়ান্দুনা নোংমাই লাই হরাওবা পাংখি।

অহুমশুবা লাই হরাওবা পাংখিবা ফমলেনদি কংলৈদনি হায়না ৱাঙুউরোন্না পীরি। নোংপোক-নোংচুপ, খা-ৱাং, লাইয়াম পুন্বাবু কংলৈ কংলাদা কৌদুনা, কংলা মপুরেন শিদবা নোংদা লাই পাখঙবা হাক্তা কংলৈ হরাওবা হৌখি। কৌব্রু, মারজিং, থাংজিং, ৱাংব্রেন, নোংপোক-নোংচুপ, লাই পুন্বান পাখঙবা কংলৈদা লাই হরাওবা শরুক য়াখি। কৌব্রু লাইয়াম শঙলেনগী লাইনে। নোংমাইগী লাইনে। চীংউবা লাইয়াম পুন্বানা কংলৈদা লাকতুনা লাইয়াম পুন্বানা হাইবদি ফু-ত পুন্দুনা লৈপাক্কী মপুরেন কংলা ফম্বাল লাংলিবা, লাই মপু শিদবনা, চকশিংকোনদি কোন্বা চকলোননি। ফু-৩ পুন্দুনা কংলৈ লাই হরাওবা হৌখি। চকশিংকোন্দি কোনফাঙৈনে। শিদবা লাই ওইবা পাখঙবনা লাইয়াম লাংদাইকোন ওইদুনা, লাই চুকখোং ফাদুনা, খোয়ুম লাইয়াম পুন্বানা অনেম্বা মালেম লৈশেমকোনদি কোনফাঙৈ দা, ফুরা কংলৈ হরাওবা হৌখি। অসি নোংগী য়াৱা লৈবনা উমংলাই খুন্দবা পুয়ান হরাওবা অরোইবদি কংলৈ হরাওবনি হায়না ময়েক সেংনা পীরি।

নোংমাই হরাওবনা ফোংদোকলিবশি করিবুনো

নোংমাই হরাওবনা ফোংদোকলিবা নুংলোনগী ৰাপু ৰাঙুউরোন্না ময়েক সেংনা ফোংদোকলি। নোংপোক নোংমাই মরমথৈদা খোয়ুম ফম্বাল লাংদাইরিবা, শিদবা লাইদি মপুনা নুংলোন য়াইদা খল্লকলে। মালেম লৈশেমকোনগী লাংদাইকোনদা লৈরিবা লাইরেনবা লাইরেনবী পুম্বাবু নোংমাই ঐগী ইগাইফমলেন মকৌখৎকে, খোয়ুমগী শিঙ্গা পীদুনা নোংমাই ইগাইফমলেন্দা লৌতারেন পাংহনগে হায়না শিদবা লাই অচিবনা থৌকাংলক্লে। শিদবা লাইগী পাওথাংলোই থাদুনা নোংপোংক লাই মপুনা লাইয়ামবু নোংমাই মরম থৈরেনদা হরাওনবা থৌখাই পীখ্রাবদা, নোংমাই মরমথৈদা লৈশেমকোনগী লাইয়াম্না খোংদোই হুনল্লকলে। মশিং থিঙমদ্রাবা লাইয়াম শিংনা নোংমাইদা তিল্লরে।

নোংমাই থৈরেন মদাইমনে ।লাইয়াম লাইতিন পুংকোইনে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বানা খোরুমগী ফম্বালকোন শেমদুনা লাইয়াম ফম্বালদা ফমদেংলকলে। লাইয়াম পুম্বাবু ময়েংন্না শিদবা লাই ওইবা অচিবনা হাইএ। হাদা লাইয়ামও, লাইয়ামবু ঐনা কৌজবদি করি নোংগী য়াৰা নৎতেএ। লাইয়ামনা অমত্তা ওইনা থৌসু থৌদা থৌরমলোইবু নোংমাই ঐগী ইগাইফমদা থৌপাংশি হায়বগী, লৈশেমগী লাইয়ামবু কৌজবনি। মপুগী য়াৰা তাবদা লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজখি। নোংমাই চীংদি চীংমাইথেনদা লাইরেন নুবী কয়ানা খোয়ুম থৌশিন থৌদা থৌপাংনবা, মপুনা থৌশিনলকলে। মপুগী লৈকোন ওইরিবা সনামহি কোনদি কোনফাঙনে। নোংপোক লাইদি হেলোইবী, মতিক ময়াইনা লাংহৈ লাংদাইরেনবী, লাইরেনুবী কয়ানা নোংপোক নোংমাই চীংমাইথেনদা খোয়ুম লৌতারেন শিঙ্গা পাংনবা লাইরেনবী কয়ানা থৌখাই থৌশিন কয়া পাংলকলে।

নোংমাই লৌতালেনবী কয়ানা মতারোই কয়াগা লোইননা নোংমাই লৌতা পাংলকলে। তুংলমচৎতা পোং কয়াগী থৌখাই ওইবতা নৎতনা, তাইবংগী চীনজাক পুথোকনবা খোয়ুম শিঙ্গা ওইখরে। নোংপোক তাংসু তাংলেন লমদা, লাইরেনবা লাইরেনবী কয়ানা খোয়ুম থৌদা পাংদুনা,নোংগী চীংমাইথেন অমদা লাইরেনবা লাইরেনবী কয়ানা খোয়ুম থৌদা পাংদুনা, নোংমাইচীংদি চীংমাইথেন অমদা, ফৌগী জাৎ, লশিং মপোপ কয়া থাদুনা, থৌখাই মপুংয়াই তমলকলে। হাদা লোইবা লাইরেনবু কয়াগী থৌশিন থৌদাবু উবদা মপুরেন লাই শিদবনা পেনজরে।

নিংথিজরবা মপুগী ফম্বাললেননি। খোয়ুম লাইয়ামনা নোংপোক নোংমাই খৈরেনদা লিংলিবা মপুগী ফম্বালবু উদুনা ফম্বালগী মতিক ময়াইবু নুমিৎ-থাগুম উজরক্লবদা, থৌশিল থৌদা থৌরমলোনবু পাংলগে হায়না লাইয়ামগী থৌখাই ওইরকলে। শিদবা লাইদি মপুরেন নোংপোক অচিবগী মগাইফমদা নোংমাই হরাওবা থৌখাই মপুং ওইখ্রে। লাইগী চুকখোং লাংখোং কয়া তাইখরে। পানাও-শিংনাও, লশিং-মপোপ কয়াবু মালেমদা লৈরিবা মীওইপোক সলাই পুম্বাদা ময়েংহল্লে। লাই হরাওবা নোংমাইগী-থৌশিন থৌদা পাংবনা লাইগী ঙমখৈ ওইখরে। চিংউবা লাইগী থৌশিনবু মপু ওইবা শিদবা অচিবনা লাইয়াম পোং শলাই পুম্বাদা শিন্নখ্রে।।

অহানবা হরাওবা কনানা থৌশিনখিবগে ?

অহানবা লাই হরাওবা হৌদোকখিবা খোয়ুম ফম্বাল তাইবা মপুংরেনদি, অৰাং কৌব্রু অশুপ্পা, লাইয়াম খুঙ্গোক হানবা, শিদবা লাই মপুনে। মপু ওইবনা মালেমবু কোইনা য়েংলকপা, মালেমদা খুঙ্গোক তমলিবা উমংলাইশিংনা থৌশিল থৌদা কয়াবু পাংদুনা, থৌখাই মপুংয়াই মতমঙৈনে। উমংলাইশিংগী থৌশিংকোনবু কৌবা লাইনা মউরকলবদা, করি নোংগী থৌশিলনো হায়না নুংলোন য়াইদা লাই মপু শিদবা অৰাং কৌব্রু মখনলকলে। হাদা খোয়ুম শিদবা, কৌব্রুনা লাই ওইবা মালেমবু লৈশেম-নুংশেমবা, ঙৌবরেন লাইদি সনামহিবু মউরকলে। সনামহিগা কৌব্রুগা অনিনা লাংদাইকোন পাউশাইএ। করি নোংগী পাউশা ৰানো হায়বদি, ৰারম পুম্বা উমংলাইগী থৌশিল থৌদা অসিবু লাইতিন পুংকোই ওইগদগে, থৌশিল অমা নোংদমবীয়ু হায়না, শিদবা লাই লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা সনামহিদা হনগৎচরবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা কৌবা লাইবু য়েংদুনা মহাইএ, তাবীয়ু মপুরেন অৰাং শুমলেন, থৌসু থৌখাই মপুরেনও!

মালেম লৈশেমকোনদা খুঙ্গোক তমলিবা উমংলাইশিং অসিনা মাগী মাগী ফম্বালকোন লাংদাই পাউশা ইতমলিবা, লাইজিং পাউশা হেলোইবা অসি নোংগী থৌশিন থৌদা অসিনা খোয়ুমগী লিশাংকোন লাংদাই পাউশাবদি মলেমগী উমংলাই, লাংজি হুইরেন ইতমকনি। অসি নোংগী লাইপুনবা, লাইতিন পুংকোই ওইনবা, উমংলাই হরাও মথোই কাদুনা মশাগী ফম্বালবু মশক খংনা, থৌওই ওইহনবীয়ু হায়না কৌবা লাইদা সনামহিনা মহাইরকলে। অসি নোংগী সনামহিগী য়াৰাবু কৌবা লাইনা হোয়াজরে। খোয়ুম অসিনা পাউশা ৰাবু মহৈ য়ানখরে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুসু মগাইফমলেন ওইরিবা কৌব্রু চীংমাইথেনদা, লোইবী চীংদি ৰাঙম পাউদমলেন চিংপুথেন্দা লাইতিন পুংকোই হনখ্রে। হাদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মগাইফমলেন্দা লৈপা থৌরেন য়াংবা থৌঙম্বা, লাই ৯ বু কৌদুনা খোয়ুম পাউশানরক্লে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী পাঙ্গলবা লাই ৯ না লাইনিংথৌদা হনগৎচৈএ। হাদা মপুরেন শিদবও, খোয়ুম লাই ওইবা ৯ বু মকৌবীবনো হায়না হনগৎচরবদা, লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা লাইয়ামবু য়েংনবা মহাইএ। হাদা থৌরেন য়াংবা লাইয়ামও, করি নোংগী কৌবনো হায়বদি য়াৰা মাবু মহাইকে, লাইয়াম পুম্বা তারোদো। মালেমদা লৈপা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বা নুংলোন য়াইদা খেবুম লাং, খোয়ুম লাংশি ইতমলক্লে। লাইয়াম পুম্বাসে অমত্তা ওইনা মাগী মাগী ফম্বালকোনদা মশক খংনজনবা, লাইগী লিথাংকোক মউনবা, উমংলাই হরাওবা কৌবা লাইতগী চীংমাইথেনদা মতাইরগে। মসি নোংগী য়াৰা লৈবনা লাইবুংথৌ ৯ বু কৌপনে হায়বদা, লাই ৯ না করি থৌখাই থৌরম পাংজৌকে হায়না কৌব্রুদা হনগৎচখি।

লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা থৌঙম্বা লাই-৯ বু য়েংদুনা হাইএ। হাদা থৌঙম্বা লাইয়াম পুম্বাও, লাইনিংথৌ সনামহি লৈসেমকোনদা লৈরিবা উমংলাই লাইয়াম পুম্বা খোয়ুম পাউজেল পীদুনা লাই পাওথাংনজরো। খোয়ুম থৌরাংবা লাই ওইবনা লাইয়াম পুম্বাবু পাউজেলখ্রে। খোয়ুমগী পাওথাং পীখরে। মপুরেন ওইবা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা লাইয়ামবু য়েংনা মহাইরে। তারো মথা তাবা য়াৰা লাইয়ামনা থৌশাংগদবা থৌরমবু হায়কে। কৌব্রু চীংমাইথেন, লাইতিন পুংকোইরেন ওইরিবা ফমলেন অসিদা উমংলাইশিংনা ফমদেংকোন ওইনবা লাই ফম্বাল ৩৬৪ লিংও। হায়না লাইনিংথৌনা লাইয়ামশিংদা শিঙ্গা মপিরে। হাদা লাইওইবা মপুগী শিঙ্গাবু লাইয়ামনা থৌপাংলকলে। লোইবী চীংগী পামেনকোনদা নিংথিবা উপান কয়ানা কৌব্রু চীংমাইথেনগী নিংথিজবা ইনুং কোনফারকলে। হাদা লাইওইবা কয়ানা লাইনিংথৌগী হরাও পুংকোইথেন্দা লাইয়ামশিংনা নিংথিবা লাইপুংথেন ওইরকলে। খোয়ুম লাই মপু শিদবা অৰাং কৌব্রুনা মগাইফমলেন হরাওকোনবু উজবদা, পেন্না ৰাখৈনরকলে। নুমিৎ শিংকুম মহাইরকলে। কৌবা চিংদোন্দা লাইয়াম্না ঙাইদুনা থৌপাং থা, ফাইরেল থাজরোই, থা-ওইপনে হাইপনা চীংউপা লাইয়াম পুম্বা কৌব্রু হরাও পুংকোইদা শুনা তিনলরে। খোয়ুম মপু শিদবগী য়াইদা ফম্বাল ৯ শেমদুনা, শঙলেন লিংদুনা, কৌব্রু চীংমাইথেন, অহানবা লৈশেমকোনগী লাই হরাওবা হৌখি। লাইয়াম পুম্বা পেনজখি। অমত্তা ওইনা পুন্না থৌকাংমিন্নখি। লাইয়াম হোই লাওদুনা হাইজখি। উমংলাই হরাওবা হালোইপা লাইদি কৌব্রুনি হাইনা লাওজখি এ।।

কংলৈ হরাওবা মীওইবগা করি মরি লৈনবগে

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা, পাখঙবা কোনদি কোনফাঙৈ, কংলৈ পুংকোই কংলা ফম্বাল, ফম্বাল লাংলিবা নোংদা লাই পাখঙবা ইতমঙৈগী ৱানে। পোং সলাই মীৎপাংঙৈনে। পোকলেম্বা লাই ৭ না কংলৈ কংলা মীৎপাংঙৈনে। কৌব্রু, মারজিং, থাংজিং, ৱাংব্রেন, খোয়ুম লাই ওইবা মরিনা লৈশেমকোনদা লাইগী থৌসু থৌরেন থৌপাংঙৈনে। কংলৈ পুংকোই কংলা পুংময়োনদি, সলাই খোইপুংনে। তিনবীরেন লাইবীরেন লাই ১৪০ তিনবা, মপু য়াইবীকোনগী নুংলোন খোইপুংনে। কংলৈ পুংকোই কংলাদা লাইতিন পুংকোই ওইনবা, কংলৈ হরাওবা হৌকে হায়না লাইতিন পুংকোই কংলা য়াইবীকোনদা লৈপা লাইশিংদা খোয়ুম ফম্বাল মতাইরিবা মপু ওইবা পাখঙবা লাইয়াম পাউতাক পাউথেমএ। হাদা খোয়ুম ফম্বালকোন লাংদাইরিবা লাইয়াম পুম্বাবু পাউচেল্লো হায়বদা, কংলৈ লাইনা লৈসেমকোনগী মাইকৈ মরি, শুমদাই ৮, শিংখোইরেন ৬৪ দা লৈপা লাইশিংবু পাউচেলবদা, লাইয়াম পুম্বা কংলাদা খোংদোই ইহুন ইতমলকলে। কৌব্রু লাইয়াম, নোংপোক নোংমাই লাইয়াম পুম্বাসু কংলৈ কংলাদা থুংলরে। কৌব্রু শঙলেন, লাই নোংমাই, শঙকুম লাইয়াম কংলৈ লাইয়ামগা, ফু ৩ পুনদুনা কংলাদা লাই হরাওবা হৌএ। অসি নোংগী ফু ৩ পুন্দুনা কংলৈদা হরাওববু কংলৈ হরাওবা হাইনা কৌএ। অসি নোংগী শঙবু ফুরা কৌপনে। শঙলেনদি কৌব্রুনে, নোংপোকতি নোংমাই শঙনে। ফুরাদি, ফু ৩ পুন্না থৌপাংমীনবা শঙপু ফুরা শঙ কৌপনে।

পাখংবা ঈথাংলোইদি পোং সলাইনে। কংলৈ পুংময়োন কংলাদা লাইয়াম পুনদুনা, চুখোং লাংখোং ফাদুনা কংলৈ হরাওপতি, লাইনা পুকনিং খেবুম লাংদনা অমেংবা থাদা কংলৈ কংলাদা পাখংবা মেনতোংঙে। পাখঙবা হৌরেন হৌচোংএ। উমংলাই খুল্লোক মতাইনা কংলৈ হরাওপা হৌএ। পোংনা মীকপ থোকতুনা, খোয়ুম লাইগী থৌশিল থৌদা থৌরম কয়া পৌপাংজৈএ। লাইগী মতুং ইনপদি পোং সলাইনে খংও। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা কংলৈ ময়োন পুংময়োন কংলাদা কংলৈ হরাওবা মপাংলকলবদা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বাবু কংলৈ কংলাদা লাইতিন পুংকোই ওইরকলে। খোয়ুম লাইয়াম পোরোন ৭ লোনদুনা কোইরেন শাখরে। হরাও পুংকোই য়াইদা লাইওইপা মপুগী ফম্বালকোন শেমজরি চুকখোং লাংখোং লাইয়ামনি। হৈ লানবা লাইরেনবী কয়ানি। কংলৈ পুংকোই কংলাদা কংলৈ লাই হরাওবা লাংদাই পাউশনরকলে। খোয়ুম লাইয়ামলক্তা পোং সলাই মঙাং,লুৱাং, খুমন ,অঙোম ,মোইরাং, খাবাঙনবা, শরাংলৈশাংথেম সলাই ৭সুনা কংলৈ কংলা লাই হরাওববু লাইয়ামলক্তা ময়েংলকলে।

কংলৈ হরাওবনা পোং সলাইদা করি মরি লৈনবগে হায়বদু মপু ওইবা লাইয়ামনা খংহলগে হাইনা খল্লকলে। খোয়ুম লাই মপুনা পোংপু লাইজা ইরোননুংদা থাজা তরা ইমানা ই পুদুনা সলাই মমিৎ পাংঙে হায়বা, কংলৈ হরাওবনা তাকলে। মীৎ ,না, নাতোন, চিনবান, কোকলোন,নাকোং ,খোই,খা থোং,খৌরি চরম ,লেংজুম ,খ্বাং,খোং,মীওইবগী কয়াৎলোন শেমগৎ শাগৎলকখিবা নোংগী মতৌবু লৌদুনা তাইবং মীতম মপুংয়াই ওইরকলে।
লাই ওইবনা তাইবংগী শেৎন চানবা,ফিরোন(লাংপুম) ওইরকলে। চরৈশিং অদুবু লাইওইবা মপুগী ফম্বাললোন্দা কৎচরে। মীওইপা পোং সলাইনা মদুগী মহৈ ফংজরে। পৈয়া চপশি লোংবু পাইদুনা তাইবংগী মাংখিগদবা থৱাইবু খোনদুনা লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিগী ফম্বাললোনদা লাইরোন তমদ্রিফাওবা থমবীরে। মীওইবগী পুন্সিদি অৱাবা নুংঙাইবা পোকপা শিবা নাইবা মপোকনি হায়বা তাকলে। কংলৈ কংলাদা কংলৈ হরাওবা ইতমলকপনা লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাজরে। পী-পা, সলাই পুম্বাগী ওইনা লোইনবা থৱাই মীকোল্লে। অনোইরোন ইতমলে। হোইরৌ পাউশানরকলে, হাদা লাইওই লাইয়ামগী থৌশিলবু পোং সলাই পুম্বানা থৌখাই থৌসু থৌরমদা থৌপাংখরে। পোং সলাই পুম্বা মখংলকলে। কংলৈ হরাওবগা য়াম্না নকন্না লৈ হায়বা খংজখরে।

লাইফি সেৎপা, ইকৌবা থৌরম করিনো

লাই হরাওবগী থৌরমলোনবু ৰাঙুউলোননা অসুম্না পীরি । লাই হরাওগদৌরিবা লাইবুং অদুদা লোইশংগী মোহোর পাইবা, মাইবা, মাইবী ,পেন্না ,নোংমা ৰাৎলিঙৈদা লাইবুংদা থুংগনি । লাইবুং অদুগী সংলেন্দা লৈরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী লাইফি শেৎপা হৌগনি । নুমিৎনা ময়ুম চংদ্রিঙৈদা লাইফিসেৎপা লোইবীগনি । লাইফি থোনবীগদবা মাইবা মাইবীনা চিনখুম ফি লাকপিগনি । অমাইবীনা লাইরেনবী ফিশেৎ তমবীগনি । অমাইবনা লাইনিংথৌ ফিশেৎ তমবীগনি । ফম্বাল ফী থাবা অমসুং শেম শাবনা পেন্না থৌপুগনি । করিগুম্বা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী লাইফি সেৎপদা কনা অমতা উহনবা য়াদে । থোং লোনশিলগা নএগা ফী কোইশিন্দুনা, দুপ থাংমৈ কৎতুনা হাইজরগা থৌরম পাংবীগনি।করিগুম্বা মালংদা মীয়াম উগদবা মফমদা লাইনিংথৌ লাইরেনবীগী ফীসেৎ তমলবদি শেৎলিবা মাইবা মাইবীদা পুনসিদে । মীৎ,না,চিন,সোকপনে খংও । অসুম্না ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা ফিজেৎ লৈতেং লোইখ্রবদা ফম্বালদা ফমদেংবীগনি । থাং,তা, কাংহু,হুমাই,চোং,পে,লাইপোৎ ,শেনপোৎ নিংথিনা মফম চানা চানা থম্বীগনি । পুন্নমক লোইরবা মতুংদা হৈকৎ লৈকৎলোন অথেনপোৎ শেমগনি । খয়োম চবান, লমলাই,শারোই তুরেন হৈরুক লৈরাই চাকথা শেমবীগনি, পোৎলম পুম্বা শেম্বা লোইরবদা লাইবুং লাইমাংদা দুপ থাওমৈ কৎতুনা হরাওবা কোমিতিনা হবুংঙো ইবেম্মাদা হয়েংগী হরাওসেন থাদুনা নিজগনি । অসুম্না পাংথোকপা থৌরম্বু নোংমা ৰাৎলিঙৈ হরাওবা, লাইফি সেৎপা হায়না কৌই ।

লাই ইকোখৎপা থৌরমলোন: লাইবুংদা খুনগী মীয়াম পুম্বানা ঈরু শাংদেং তমদুনা, মাগী মাগী ময়ুম ময়াং য়াইদগী ফিশেৎ নুপানা ইন্নফি, ফৈজোম,মোজাফুরিৎ,পুময়াৎ,লিৎতুনা থৌরম য়াওবিগনি নিঙোল,লৈমা কয়ানা চনুরা কয়া, ফনেক মপান নাইবা ফুরিৎ অঙৌবা, ইনফি, হরাওফী ,ফিবাল য়াওবা, হাইরিবা ফীজোল অসি শেৎতুনা লাইবুংদা তিনলবদা অমাইবা অমাইবী পেন্না শৈসকপা শঙ অহুমনা লাই পুগদবা, চোং, পে, লাইপোৎ ,শেনপোৎ ,অথেনপোৎ, চীংবা পুগদবশিং, য়েৎ ওই কাইদনা লাইমাং লোমদা ওনশিনলগা পরেং অনি থোকনা লেংবীগনি । লাই পুবা ২ ,থাং ফানবা ২, চোং-পে ২,কোয়েৎ হাপ্পীগনি । লাই পুবা অনিনা ফিগাওফি য়ানদুনা ফিগাওফি মনুংদা ইহাই মচা অনিদু য়েৎ ওই কাইদনা হাপ্পীগনি । অমাইবা অমাইবী পেন্না অহুমগী মীওইশিংনা লাইমাংদা ওনশিনদুনা পেন্না ঈকুমলোন শৈথাবীগনি । হেক লোইবগা লাইমাই ওনদুনা ইকুমফম ঈরেন তুরেন নএগা অসেংবা পুখ্রিদা থোংবানদা থোংশাগনি । মফম

অদু য়ৌবগা অমাইবনা লৈরাই য়ু খাংবিগনি । খয়োম অমসুং সনা কোনয়াই হুনগনি । ঈহাইনা লাইজদা ঈশেংদুনা অমাইবী মাইকৈ ৪ লৈথক লৈখারোন জগোয় কৎকনি । লমলাই অমাইবীনা শারিক থাদুনা কৎপীগনি । হিরি থাদুনা লাইগী মপাও অমাহবনা লৌগনি ।

ঈশিংদগী হিকারোননা লাইবু নৌ থেমদুদা হিচিংলোন তমগীনি । ঈশাইফু ঈশিং কাগনি । লাই মখোং হাম্বীগনি । লাইমাই ওন্দুনা শঙলেন তমনা খোংশাল্লক্কনি । জগোয় মফম ৩ কৎকনিএ ! লৈতাই নুংতাই, তিদাইরোন জগোই কৌএ । ফৌদাং ঙারি পরেং ১ য়ুম কাগোক, মৈথাংনা মমাং থাগনি । মৈদি কানহৈদে, ফৌদাংদি কানগনি, লাইফম য়ৌরবদা হিগারোন, মাইবনা অহুমলক লাওদুনা, ঈবুংঙো ইবেম্মা অনিনা ফম্বাল কাগনি । ইশাইফু থাবীগনি ।লাইপোৎ সেনপোৎ লৌশিনবীগনি । অসুম্না থৌপাংববু ঈকৌখৎপা কৌই ।

লাইপৌলা করিগী থৌরমনো ?

লাই হরাওবদা লাইপৌলা থাবগী ৰাপু হায়কে লাইপৌলা থাবা হাইবা অসি লাই হরাওবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌরমনি। লাইপৌলা থাদনা লাই হরাওবদি হরাওবা কৌবা য়াদবগী মরম ৰাঙুউরোননা পিরি। লাইনিংথৌ লাইরেনবী অনিগী হরাও মাথোই কারিবা খুনবু কোনবা লমলাই হায়নসু মীয়ানা লৌনরিবা, ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী ফম্বালকোন লাইনুংদা হরাওবা পুরিবা লাইকোক অমাইবীনা চংবী লাতোন অমদা লৈরাং লৈচন লাংথ্রে, মাইকৈ মরি লৈথক লৈখারোন লৈচন লাইমাংদা লৈখোক লৈতোন কংলৈ লাইপুং লাইপৌলা লাংথ্রৈ লৈসুসিং হুননা লাতোনদা লৈচনগনি। করি নোংগী লাইপৌলাবু থাপনো হায়বদি, ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা খোয়ুম লাই হরাওবা হৌজিক হায়বদা শিদবা লাই মপুনা নহান নোংদা লাই ওইপনা মালেম নোংকুমদুনা ফম্বালকোন ফমদেংলবদা খোয়ুম মখৈ ফংনবা হরাওপদা লাইয়াম কৌবা ফম্বাল, লৈচন হাপতুনা কংলৈ পুংময়োনদা চংবী লানা লৈকোই শেমদুনা লাইপু খুথেক লাংজি হুরেনদুনা কোকনোকজনা লৈমা লৈশারেন,লৈমাতোন ৰাংবিগা অনিনা হোইয়াওননা মকৌথেন্দি মকাইরেন ওনদুনা খুলাম তোইনা খুৎশা নাওথেম লাইকৌববু লাইপৌলা থাপা হায়না কৌপানে হায় পপু হরাওপা নুংলোন ৰাঙুউরোননা পিরিএ।

খোয়ুম ফম্বালকোন লাংদাইবা লাইপু কোপতি হরাওবা পুকোই লাপতা মপুগী লৈচন লাইপৌলা থাপনে। লাইপৌলানা উমংলাই হরাওবদা মাইকৈ মরি শুমদাই নিপাল শিংখাই ৬৪গী লাইয়াম পুম্বাবু কৌপা লাই কৌরোন থৌসু থৌরম হেনলোইপতি উমংলাই হরাওপতা মরুওইবা থৌরমদি লাইপৌলানে। লাইপৌলনা হরাওপদা তেনপাংগী থৌশিন মপুং ওইবদি লাইপৌলা থাবদা থৌখাই পুবা লাইশিংনি। লাইপৌলাগী থৌরমলোন পাংদুনা কৌপা লাইয়ামনা লাক্তুনা হরাওপুংদা তিনদুনা লেংদনা লৈরবদা হরাওবা হৌগনি। হরাওবগী নুংলোন লাইতিন পুংকোই মাইকৈ ঙাকপা, খারৈকোন নোংপোক ঙাকপা, নোংচুপ পুবা, মৈরম ঙাকপা, চীংখৈ পুবা, অৰাং শনথোং ঙাকপা লাই পুম্বা কংলৈ পুংদা লাইয়াম শুনা তিল্লবদা লাইপোলাগী লৈচনগী মতিক ময়াইপু মপু ওইবা শিদবা লাইনালাইপৌ লাগী কোরৌ লায়া নোংতমখিএ। অসি নোংগী লাইপৌলানা থৌখাই মপুনা লৈচন মালেমদা ৰাইশিনখি। লাইয়াম পুম্বা থৌখাইমীনবা য়ানবা খোয়ুম লাইগী লৈচনলৈহুন লোনবু কংলৈ পুংময়োন হুনদুনা লাইরেনম্বা লাইরেনবী কয়া, হরাওরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী ময়াং থংলেন লৌজদুনা লাইপৌলা থৌখাই পাংগনি । লাইপৌলা য়াওদবদি লাইশিং শুদবনা, চুখোং ৰাৎপা লৈপনা নোং থৌগী থৌরমবু লাইহরাওপা কৌবা য়াদবনে। লাইপৌলা য়াওদবদি খুথেকলোন খোয়ুম নাওথেম হরাওরোননে হায়না ৰাঙুউরোন্না পীরি।

জগোয় খুথেক ৬৪ বু করি কৌবগে

উমংলাই হরাওবদা মরুওইনা খুথেক শুনা শাবা জগোয়দি য়ুমশারোন অমসুং মীতমলোননি ।য়ুমশারোন ৯বু মাইকৈ মরি চুকফাদুনা চুকলেন অদু চুহনদুনা মাইকৈ মাইকৈগী চুফারোন খূথেক তমই । মাইকৈ মরিগী চুকফা লাংকাই জগোই হরাওবদা মরুওইবা জগোইনে য়াইদা চুক লিংদুনা য়ুমশারোন জগোয় খুজোই পুথোকএ ।লাই হরাওবদা খুথেক ৬৪ উৎতুনা জগোয়গী য়াংবী তাকতুনা শাবা জগোইদি থৌঙম থৌসু থৌপাং জগোনে । লাইগী জগোয় ৬৪দি লৈতাই নুংতাই জগোইগী নুংলোননা লৈশেমলোননি হায়না হরাওরোন ৰাঙুউরোননা পীরি । য়ুমশারোন ৯গী ইনুংকোন য়াংবীরেন মরু ওইবা মশক তাকপা থৌপাংবা জগোয় ওইনা খুথেকতা তাকলিবদি ৫৫না ৯গী মতুং ইন্দুনা য়ুমশারোন জগোয়গী খুথেকলোন ৫৫দা পুনদুনা ৬৪গী খুথেক য়াংবীবু ময়েক সেংনা পিরি ।

লাই হরাওবদা থৌখাই পুবা জগোয়দি লাইচিং নাওথেম জরোই চুখোং লাংখোং জগোই, শুমলেন ফম্বাল জগোয় ইহাইরোন জগোই, মৈথাংলোই জগোই লাইপৌ জগোই,ফীবুন জগোই ,কাহুরোই জগোই, লৌয়ান জগোই লৌপা জগোই পাময়ান জগোই অনোইরোন জগোই মাইমাথৌগন জগোইনি । হায়রিবা জাগোইশিং অসি লাই হরাওবদা পাংদবা য়াদবা হরাওরোন জগোয়ইনি । হরাওবা জগোয়না পীরিবা নুংলোনগী ৰাবু তাকলি । হরাওবগী থৌওং মওং মতৌবু জগোয়না মশক মতৌ মওং মরিন থৌওং থৌদাবু জগোয়না ফোংদোক ঙমই হায়বসি ৰাঙুউরোননা তাকলি । লাই হরাওবনা হৌখ্রাবা মাংখিবা য়ানা লৈবা নিংশিংদুনা থৌরম ওইনা হরাওবদা মরু ওইনা উহনবা অমসুং ফোংদোকপা ঙমলিবদি জগোইনি । জগোই খুথেক্লা হরাওবা হৌরকখিবগী করিগীদমক ঙমংলাই হরাওরিবনো, হরাওবনা কদাই ফাওবা পীবগে হায়বদু জগোইনসু ইরাই লাইনা ফোংদোকতুনা থবক অদুগী থৌরমবু ময়েক সেংনা পীরি ।

উমংলাই হরাওবদা মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা অমাসুং খংজিনবদা কানরবা মী-পোং-সলাই হায়না খংনরিবা তাইবং পাংনবা মীওইবগী হকচাং কয়াৎলোন কয়াবু মতৌ করম্না পুনখৎলকপগে হায়ববু লাই হরাওবা মীতমলোন অনোইরোন্না হকচাং কয়াৎ শগৎলকপগী মওং মতৌবু ময়েক শুনা,খোংথাং অমসুং খুথেকনা ময়েক সেংনা তাকলি । মীওইবগী হকচাং কয়ালোনবু শেমগৎ-শগৎপদা থাজা ১০ নাওপুরোন নুংলোন,মীওইবনা ওইখিবগী হকচাং কয়াৎপু উৎতুনা পীরি । মীৎ, না,নাতোন,কোক,লৰাই লেনফু,লাতোন,চিনবা, য়াং, খোং, খুৎ,থবাক, থজিন, কয়াৎলোনবু করম্না পুনখৎলকপগে হায়বা ময়েক সেংনা হরাওবা জগোয়না পীরি ।

মীওইবনা শেৎনা ইননবা ফিরোন কয়া শাদুনা জগোয়না করম্বা ফীবু পুথোকপগে,ফীনা করিগীদমক কননা পুথোকপীরমবগে হায়বা ময়েক শেংনা তাকতুনা মীওইবনা লাইগী নুংলোনদা লৈবা ফীরোন পুথোরকখিবগী হৌখিবা কয়াবু অসুম্না পুথোকপীরম্মী হায়না জগোয়না পীদুনা খুথোকলোন কয়াৎপু মশিংশুনা তাক্তুনা জগোইগী থৌরম থৌদানা মীওবদা পীদুনা ওইদুনা পুথোকলিবা ফিবু লাইদা কৎচদুনা মদুগী মহৈনা মীওইপা সলাইনা ফংজৈ হায়বসু জগোইনা ময়েক সেংনা তাকলি। জগোয়দি মৈহৌরোন মশক তাকপা মরুওইবা থৌরমনি হায়না উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পিরি।।

হোইরৌ-হোয়া, অনোইরোন করিনে

লাই হোইরৌ হোয়া অমসুং অনোইরোনসু মরু ওইবা থৌরমনি হায়না ৱাঙুউলোননা পীরি ।হোইরৌ হোয়াগী নুংলোন ৱাহনথোক্তি অসুম্না পীরি । পুক্লীং অনিনা অমক্তা ওইনা পুন্না ৱাখন লমফাংনদবা অরেপ্পা থৌরম অদুদা মপুং ফানা তৌগদৌরিবা থৌরম অদুগী নুংলোন কয়াৎলোনবু শিনথা ওইনা পাংগদৌরিবা থবক থৌরম অদুগী অরেপ্পা পুক্লিংনা মমুৎ তানা খংলবদা তৌগদৌরিবা শেম-শাগদৌ পোৎশক অদু অসি কৌইএ! হায়দুনা থৌরম অদুদা য়াওগদৌরিবা মীলাই পুম্বাদা খংহনদুনা,মীয়াম পুম্বা হোই লাওনা থৌপাংগদৌরিবা থৌরম অদু ঙাইদুনা হোইরৌ থৌরম থৌদাবু অচেৎপা লেংদবা খোংফম্না অদুগী অদুবু ঙাইনরি । অরেপা ৱাখনলোনবু অমতা পুন্না থৌকাংমিনবা থৌরমবু কোরৌ মালেম লায়ারোন হৌইরৌ-হোয়া হায়না কৌই । হৌইরৌ হোয়ানা পীরিবা থৌখাইদি অনিনা অমতা ওইনা,অরেপ্পা লেংদনা থৌরমলোনবু হোইয়ারেন হোইরৌ হায়না খংনৈ ।

হোইরৌ লাংশিং ৱাবু হায়কে মপুনা মনাইবু য়েংদুনা মশাগী অরেপা থমদুনা থৌরম থৌদা থৌপাংজৌও হায়না হাইজরবদা, মপুগী মনাইনা অরেপা মপুগী থৌখাইদি লেংদ্রবা ৱানি হায়না খংনা,থৌদা থৌরম অদুবু অরেপা নুংলোন ৱানা থৌখাই পুদুনা থৌশিনকোন ওইনা থৌপাংবনি । হোইরৌ মশক খংলবদি হোয়ালোন শক উগনি হায়বা ৱাপু ৱাঙুউরোন্না তাকলি । হোইরৌনা শনথারোননি, হোয়াদি শিনথা অদুবু লেংদনা অরেপা অমা থমদুনা শিনপাংজরিবা অদুনি হায়না নুংলোন ৱাঙুউরোননা পীরি । শিনফমনে অমনা পাংলিংবা মীওই অদুনে । অনি অদু অমতনি হায়ববু হোই লৌ হোইলা হায়না খংনৈ । তাইবং পানবা মীওইবদা মীতমলগসু নুং অমসুং পানবুসু খংনৈ । পান লৈবনা নুং লৈবনে । পানগী কয়াৎলোন উবা ফংজবনে । হোই লৈবনা হোইয়া লৈবনে । মশাদি নুংলোন য়াংবীনে । অরেপদি শিনফমনে । শিনফম লৈএমদি মউ ওইবা হৌইলৌ লৈতবগা মান্নে হায়নসু ৱাঙুউরোননা পীরি । অসুম্না পীরিবা ৱাঙুউলোনগী থৌখাইনা লাই হরাওবদা হৌইরৌ হোয়াগী মশকসু ময়েক সেংনা তাকলি ।

অনোইলোন অহৌবনা শিনফম অমসুং থৌরম অদুগী মশক তাকখ্রবদা,শিনফম অমসুং পাংথোক্লদৌরিবা করিনা পোকশক অমা ওইনা মীয়ামদা খংহনদুনা পুথোকনবা,মীয়াম চংদুনা থৌরম অদুবু শরুক য়ামিন্নদুনা পুন্না থৌপাং মীন্নবা নুংলোন ৱাগী ৱাঙুউলোন্না অনোইলোন থৌরমলোন হায়না পীরি । থৌরমলোন থৌখাই পুম্বানা ময়েক সেংনা তাকপা ঙমলিবদি অনোইরোন অহৌবা অরোইবা নাইবা মরুওইবা, করিগুম্বা শেমগৎ শাগৎলকলিবা পোৎশক অমবু ওইনবা অমসুং মশক থোকনা মমিং লৈনা থৌখাই ওইনা পুথোকরকইবা পোৎশক অদুবু অনোইরোননা মশক তাকতূনা

মীওইবা সমাজদা মরুওইবা থানবা য়াদ্রাবা লাই হরাওবদা অনোইরোন্না তাক্লি। অহৌবনা হোইরৌ, হোয়া অনোইরোন, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ অহুম্না তিন্দুনা লৈশেমকোন মালেমদা লাই-হরাওবা উমংলাই খুঙ্গোক পুয়ানা হৌরৌ হোয়া অমসুং অনোইরোন থৌরম থৌদাবু ময়েক শেংনা নুংলোন ৰাঙুউলোন পীরি। মীওইবগা থানবা য়াদ্রাবা লাই হরাওবগী থৌরমদা হৌরৌ-হোয়া,অরোইরোনগী থৌদাংবু নুংলোন ৰাঙুউরোন্না পীরিএ।। ০০ ।।

মীকোন থাগোন কদাইবু কৌবগে

লাই হরাওবগী থৌরমলোন কয়াগী মনুংদা মরুওইবা থৌরম ওইরিবা মীকোন থাগোনবা থৌরম অমনি। মীকোন থাগোনবা ৱাখনবু পুক্লিংনা কৌশিনজদুনা থৱাইগা হকচাংগা থানবা য়াদবা লোইনদুনা লৈবা পোং সলাই মীওইবগী হকচাংনি। মীরেনবু কোল্লে হাইবদি থৱাইমি অদুবু কৌদুনা হকচাংগা অনিনা অমতা ওইনা পুন্না লৈববু মীকোনবা হায়না কৌএ। থাকোনলোনগী ৱাপু হায়কে কোইরেনশানা হেন্দোক্তনা মফম অদুদা থাগুম কোইনা লৈ হায়পপু থাগোনবা হায়ন খংনৈ। মীকোন থাগোনবা নুংলোন ৱাঙুউরোন্না ময়েক শেংনা মীওইবা য়েক তরেৎ সলাই ৯দা উমংলাই হরাওবনা ফোংদোকতুনা তাকলি। মীকোন থাগোনবগী সলাই চৎনরোনদা মমি তমলিবা ৱাহনদোকনা অসুম্না পীরি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী মথৌ খংজনা পুংফম অমসুং মতমবু য়েংদুনা থৌপাংজরিবা মহাককী থৌরমলোন অদুদা মশাগী লৈফমদগী অতোপ্পা মফম অমদা লাপনা চৎনা থৌরম অদুবু মহৈ য়ানবা থৌরম পুজরি। থৌরমলোন মশাগী শিঙ্গাবু মশানা খংজনা থৌরম অদু লোইশিল্লম্লগা, মহাক্না ময়ুমদা হলক্কদবা পুংফম অদু কাইদনা হনজিন্দুনা ময়ুমদা মহাককী তৌফম থোকপা থৌরম কয়া কয়া পাংজদুনা অৱা পোথাজনা মীওইবগী চৎনরোন কাইদনা থৌরম থৌদা থৌপাংলোন অদুবু মশক তাকলিবা লাই হরাওবগী মনুংচন্না মরু ওইবা মীকোক থাগোনবা থৌরমনি।

মীকোন থাগোনবনা ফোংদোকতূনা তাকলিবা নুংলোনগী ৱারোন্দি মীওইপোক্লা মালেমদা অচৎ-চৎতা জিবা কয়াগী মরক্তা অথোইবা অমনি হায়না লৌরিবা মীওইপোকনি। পোকপা শিবা নাইবা মপোকনি হায়নসু লাই হরাওবনা লৈথক লৈখারোনবু হোই লাওনরি। লাই হরাওরিবা ইবুংঙো ইবেম্মাগী মাংওইনা কংলৈ পুংয়াইদা মাইওন্না ফম্বালকোন ওন্দুনা য়াইদা পেনা অসৈবনা খুংকী য়েংনা চৈজিং পাই ওইনা থাবু পমদুনা পৈনা অসৈবগী নাক য়েংতা খুউ লৈতাদুনা খুন অদুগী মীয়ামগী হায়বদি সলাই ৭কী অপুনবগী থৌশিগনি। অদুগা পৈনা অসৈবনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিবু থৌনিজনা মীকোন থাগোনবগী থৌরমলোন পাংৱীগনি। সৈহৌরোনদি সলাই চৎনরোনগী থৌখাইদি মীওইবা য়েক তরেৎ সলাই মাপনদা কুমশিং কুমজা অদুদা য়েংলক্কদবা অমসুং তাইবং পানবা মীওইবগী হকচাংদা লাইনা তিননা, লাইথুং তিনথুং ,লাইচৎ তিনচৎ, পুম্বাবু মহাক্পু তাইনবা ঙম্বা লাই ওইবা অমদা শিন্দুনা ফৎত্রাববু মাংহনখ্রাবদা য়াইফা নুংঙাইবগা লোইন্না খুন অদুগী মপারি মমোম পুম্বাগী থৱাই মীকৌবগা লোইন্না অসুম্না খারৈ কোনদগী তু-খোং কয়া লান্দুনা থৱাই মীরেনবা,হরাওরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা পুখৎপীরকপা খুন অদুগী য়েক ৭ সলাই ৯ গী থৱাই অমা হামবোইনদনা মীরেন অমা হামচৎনদবা থৱাই মীরেন্না য়া.. য়া.. কারকপগী হরাও পুংদোই তমলিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী লাইপুংথেন য়ৌরকলে।

মীওইবা সমাজদা মরুওইবা থানবা য়াদ্রাবা লাই হরাওবদা অনোইরোন্না তাক্লি। অহৌবনা হোইরৌ, হোয়া অনোইরোন, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ অহুম্না তিন্দুনা লৈশেমকোন মালেমদা লাই-হরাওবা উমংলাই খুম্নোক পুয়ানা হৌরৌ হোয়া অমসুং অনোইরোন থৌরম থৌদাবু ময়েক শেংনা নুংলোন ৱাঙুউলোন পীরি। মীওইবগা থানবা য়াদ্রাবা লাই হরাওবগী থৌরমদা হৌরৌ-হোয়া,অরোইরোনগী থৌদাংবু নুংলোন ৱাঙুউরোন্না পীরিএ।। ০০ ।।

মীকোন থাগোন কদাইবু কৌবগে

লাই হরাওবগী থৌরমলোন কয়াগী মনুংদা মরুওইবা থৌরম ওইরিবা মীকোন থাগোনবা থৌরম অমনি। মীকোন থাগোনবা ৰাখনবু পুক্লিংনা কৌশিনজদুনা থৰাইগা হকচাংগা থানবা য়াদবা লোইনদুনা লৈবা পোং সলাই মীওইবগী হকচাংনি। মীরেনবু কোল্লে হাইবদি থৰাইমি অদুবু কৌদুনা হকচাংগা অনিনা অমতা ওইনা পুন্না লৈববু মীকোনবা হায়না কৌএ। থাকোনলোনগী ৰাপু হায়কে কোইরেনশানা হেন্দোক্তনা মফম অদুদা থাগুম কোইনা লৈ হায়পপু থাগোনবা হায়ন খংনৈ। মীকোন থাগোনবা নুংলোন ৰাঙুউরোন্না ময়েক শেংনা মীওইবা য়েক তরেৎ সলাই ৯দা উমংলাই হরাওবনা ফোংদোকতুনা তাকলি। মীকোন থাগোনবগী সলাই চৎনরোনদা মমি তমলিবা ৰাহনদোকনা অসুম্না পীরি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী মথৌ খংজনা পুংফম অমসুং মতমবু য়েংদুনা থৌপাংজরিবা মহাককী থৌরমলোন অদুদা মশাগী লৈফমদগী অতোপ্পা মফম অমদা লাপনা চৎনা থৌরম অদুবু মহৈ য়ানবা থৌরম পুজরি। থৌরমলোন মশাগী শিঙ্খাবু মশানা খংজনা থৌরম অদু লোইশিল্লগ্গা, মহাক্না ময়ুমদা হলক্কদবা পুংফম অদু কাইদনা হনজিন্দুনা ময়ুমদা মহাককী তৌফম থোকপা থৌরম কয়া কয়া পাংজদুনা অৰা পোথাজনা মীওইবগী চৎনরোন কাইদনা থৌরম থৌদা থৌপাংলোন অদুবু মশক তাকলিবা লাই হরাওবগী মনুংচন্না মরু ওইবা মীকোক থাগোনবা থৌরমনি।

মীকোন থাগোনবনা ফোংদোকতূনা তাকলিবা নুংলোনগী ৰারোন্দি মীওইপোক্লা মালেমদা অচৎ-চৎতা জিবা কয়াগী মরক্তা অথোইবা অমনি হায়না লৌরিবা মীওইপোকনি। পোকপা শিবা নাইবা মপোকনি হায়নসু লাই হরাওবনা লৈথক লৈখারোনবু হোই লাওনরি। লাই হরাওরিবা ইবুংঙো ইবেম্মাগী মাংওইনা কংলৈ পুংয়াইদা মাইওন্না ফম্বালকোন ওন্দুনা য়াইদা পেনা অসৈবনা খুৎকী য়েৎনা চৈজিং পাই ওইনা থাবু পমদুনা পৈনা অসৈবগী নাক য়েৎতা খুউ লৈতাদুনা খুন অদুগী মীয়ামগী হায়বদি সলাই ৭কী অপুনবগী থৌশিগনি। অদুগা পৈনা অসৈবনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিবু থৌনিজনা মীকোন থাগোনবগী থৌরমলোন পাংবীগনি। সৈহৌরোনদি সলাই চৎনরোনগী থৌখাইদি মীওইবা য়েক তরেৎ সলাই মাপনদা কুমশিং কুমজা অদুদা য়েৎলক্কদবা অমসুং তাইবং পানবা মীওইবগী হকচাংদা লাইনা তিননা, লাইথুং তিনথুং ,লাইচৎ তিনচৎ, পুম্বাবু মহাক্পু তাইনবা ঙম্বা লাই ওইবা অমদা শিন্দুনা ফৎত্রাববু মাংহনখ্রাবদা য়াইফা নুংঙাইবগা লোইন্না খুন অদুগী মপারি মমোম পুম্বাগী থৰাই মীকৌবগা লোইন্না অসুম্না খারৈ কোনদগী তু-খোং কয়া লান্দুনা থৰাই মীরেনবা,হরাওরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা পুখৎপীরকপা খুন অদুগী য়েক ৭ সলাই ৯ গী থৰাই অমা হামবোইনদনা মীরেন অমা হামচৎনদবা থৰাই মীরেন্না য়া.. য়া.. কারকপগী হরাও পুংদোই তমলিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী লাইপুংথেন য়ৌরকলে।

থৱাই য়াইবীরেননা খুনগী হরাও পুংকোই লাইপুংথেন য়ৌরকলবদা থৱাইনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা কদাইদা লৈগদগে হংলকলে। হেদা থৱাই মঙামক মীগা থাগা ৬মক মীরেনগা থাগা ৭মকনা, থৱাই মীরেনবু য়েংদুনা শিদবীনা মহাইএ। তারো থৱাই মঙামক থৱাইনা লৈগদবা মফম হায়গে। তাইবং পানবা য়েক ৭ সলাই ৯ গী অইংবনা য়ৌঙমদবা আশাবনা থুংদবা ফম তাইবং থোইপুং লকদা থৱাই ৫ মীগা থাগা ৬মক হনজিল্লো হায়বদা থৱাইনা খুনবীরেনগী পারি ইমোম অমতা ৱাক্তনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা থৱাই মীকোন থাগোনবিশ্লবদা সলাই পুংকোই শুনা লাংদাই পাওশখ্রবদা,পোং সলাই পুম্বাগী অসিথোং থোংথিবীগনি। অচংথোং সলাই থোংফাৎপিগনি। লনথোংলেন ৯ তাইদুনা মাগী মাগী মরায়াংদা হোইজিনবীগনি। অসুম্না লাই হরাওবদা মিকোন থাগোনবা থৌরমনা মীওইবা য়েক৭ সলাই৯গী মরুওইবা মীকোন নাওকোন থৌরমলোন থৌখাইবু উমংলাই খুন্দা পুয়ানা পীরিএ।

হিজিং-হিরাও ঔগ্রি-হংগেন করি থৌরমনো

হিজিং-হিরাও, অরেপ্পা ৱাখনবু থৌরম থৌখাই ওইদুনা পনথুংফম য়ৌরবদা মহৈ য়াল্লে হায়না ফোংদোকলিবা ৱারোনবু হিজিং হিরাও হায়না খংনৈ। হিজিং হিরাওগী খোনথোক্লা তাকলিবদি হিজিংনা থৌরমনি। হিরাওনা খোনথোকনি হায়না লাই হরাওবা ৱাঙুউরোনা ময়েক সেংনা পীরি। হিজিং হিরাওনা পীরিবদি মীওইপোকতা পোকলিবা সলাইশিংনা মপুগী থৌশিল থৌদা হোয়াজবা মীয়াম পুন্না থৌপাংমীনদুনা অৱাবা মতম শাংনা চংগদবা শিলম শিঙ্খাদা মীয়াম পুক্নিং অমতা ওইনা লেপতুনা থৌরম অদুবু পাংজরবদা মপু মনাইশিংনা হরাও তরামদুনা থৌখাইবদুবু মহৈ য়ানবনে।

হিজিংলোন-হিরাওনা ফোংদোকলিবদি মীওইবগী মপোক ওইদুনা অনেম্বা মালেমদা চাদা নাওদাদূনা সলাই লিংলিবা মীওইপোকতা হিজিংনা পীরিবা নুংলোনগী ৱারোনদি অপুনবনা পাঙ্গলননি হায়না ৱাহনদোপু হিজিং হিরাওগা পাংখক ওইনা পীরি। করিগুম্বা শিলমলোন অমদা মীয়াম চংদুনা থৌরম অদু পাংথোকমীনরবদা থৌরম অদু থৌকাংনবা শিলিবা থৌরম মপুনা থৌপাংলোইশিংগী থৌশিনবু উরবদা মপুনা পেনবীদুনা ময়ামগী থৌজালনদগী হিজিংলোন মহৈ য়াল্লে হায়না ময়ামনা হিরাওবু মপুনা থৌশিনবা থৌরমদা মীয়ামনা পুন্না থৌরমলোনগী মনুংদা থৌপাংলিবা হিজিং হিরাওনা ময়েক সেংনা ফোংদোকতুনা তাকলি। লাই হরাওবা হিজিং করিগুম্বা মাংবা য়াদবা মীওইবগা লোইনদুনা লৈরগদবা অপুনবা থৌনা লিংজেল মীয়াম পুন্দুবা নুংশি চান্ননা থৌপাংমিন্নবা অমসুং হিংমিন্নবা, মদুগী হরাও-নুংঙাইবা মীয়াম অপুনবা ওইদুনা মাই পাক্তুনা নিংথিরবা মালেমদা লৈমিন্নবা, চৎন্নিবা হনমিন্নরকপা, পুনমিন্নবা মদুগী মহৈনা হরাও তরম্বাবু মীয়াম খংনা থৌপাংমীনববু হিজিং হিরাওনা ফোংদোকলি।

ঔগ্রি-হংগেন হায়বা নুংলোনগী ৱারোনবু পানদা থৌখাই ওইনা ৱাঙুউরোন্না পীরি। হৌখ্রাবা থৌরম থৌদা কয়াবু নৌহৌন্না থৌকাংবা থৌরম থৌদাবু ঔগ্রি হংগেননাক ফোংদোকলি। সনামহি লাইহুই পুয়ানা অসুম্না পীরি। মপু ওইবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা খুঙ্গোক তমলিবা লাইয়ামবু, উমংলাই ফন্নালবু মতিন ময়াই খংহনলগে হায়দুনা মালেম লৈশেমকোনদা খাম্বী মৈনা হৌরকলবদা মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুম্বা লৈফম খংনা সনামহিগী খাম্বী আশাদু মৈবাসে করম্না মুৎথৎলসিগে হায়দুনা লাইয়াম পাউশানরকলবদা, শিদবা লাই সলাইরেন গা পুন্না পাউশানরকলে। মপু ওইবা সলাই শিদবনা থৌশিলকলে। তারো লাইয়াম পুম্বা, সনামহিগী খাম্বী মৈবাদগী লাইয়ামগী মৈবানা মশিং লাংঙমনা অনেম্বা মালেম লৈশেমকোনদা থৌপাংও হাইরবদা লাইয়াম পুম্বা হোইদুনা সনামহিগা লাইয়ামগা তাইনবা লমতাই থা ওইবা থানিগী লৈশেমকোনদা লাইয়ামনা খাম্বী মৈবা থাদুনা সনামহি থিরকলে।

লাইয়াম পুন্বাগী খান্বী মৈনা লৈশেমকোনদা মৈথাং লৌপা থারকলে। সনামহিন লাইয়াম মৈবা উরবদা লোৎঙমদনা লাইয়াম পুন্বা খান্বী মৈবা থাদুনা ঔগ্রি হঙ্গেন চোংবা উরকপতা সনামহিসু লাইয়ামগী থৌপাং ময়াওনা লাই মখৈ খংদুনা মালেম লৈশেমকোনদা ঔগ্রি হঙ্গেন হরাও মথোই কনা লাই থাপন চোংবী থৌরম থৌদা থৌপাং মহৈ য়ানখিএ। অসি নেংগী থৌরম থৌদা লাই হরাওবদা ঔগ্রী হঙ্গোল,লাই-হরাওবদা মরু ওইবা থৌরম-থৌদা ওইনা থৌপাং মহৈ য়ানখি হায়না ৱাঙুউরোন্না পিরি।

লাইরেন মথেক, পাতোন করিগী চৎলিবনো ?

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা, চকশিংকোনদি লাংবা কোনবা চকলোননে, উমংলাই খুঙ্গোকঙৈগী ৱানে। লাইরেন মথেক পাতোনা উমংলাই হরাওবগী মরুওইবা থৌরমনি লাই হরাওবদা লাইরেন মথেক পাতোনগী নুংলোন ৱাবু ৱাঙুউরোন্না অসুম্না পীরি । লাই হরাওবদা লাইরেন হাইপা ৱাদি অহেনবা লাইগী মতিক ময়াইবু লাইরেন নোং হায়না ৱাঙুউরোন্না পিরি। মথেক-মহায়বদি মহাক্না চৎপা লম্বীদা থেকনা-খোইনা চৎপবু,মথেক-নাইবা লাইরেনগী মথেকলোননি হাইনা হরারোন ৱাংঙুউরোননা পীরি। অসুম্না উমংলাই খুঙ্গোক পুয়ানা লাইরেন মথেক পুবগী থৌরম থৌদাবু সলাইদা অসুম্না নোংদমবীরি।

তাইবং পানবা মীওইবগী নুংলোনদা তাওরোই লাইরেন মথেক নাইনা চৎপগুম নুংলোন মথেক নাইনা তাওবী লাইনা লৈএ হায়না লাইরেন মথেকনা তাকলি। লাইশিংনা মাগী মাগী লৈফমদা হিরি কোন্দুনা মশাগী য়ুমফম লৈজবগুম অমুক থোকখিবা অমুক হনজিনবা,তাওরোইনাই মিহুনলোন ১১৮ না লাংশিং ওই। মৈরেন কোকয়াই মাইকৈ ৪ শুমদাই ৮ শিংখাই৬৪ দা মথেক চৎপা তাংগী নুংলোন তাওরোইনাই তিনবিরেন কয়াবু লাই হরাওবা লাইরেন লাইরেন মথেকনা তাকলি। মাগী মাগী মিহুনফম লেংদনা অহুমলক হুন্দুনা লৈবনা পাফন লাইরেন মথেক চৎপা মতমদা মফম অমদগী অমদা চৎপা, চৎলমলিবা মফম অদুসু অমুক হনদোকতুনা হান্নগী চঙলকমফম অদুদা অমুক থোকখিবা অসি নোংগী ৱাদি ৱাঙুউরোন্না পিরি । মীওইপোক সলাই মাগী মাগী মপোক পোকপা শিবা নাইবা মীওইপোক্না মানা মানা পামজবা শিনফম অদুদা তাইবং পুন্সি অদুমক, লোমনবা ঙাক্তনি। মীওইপোক্তা পোকতুনা মহাক্কী সলাইদা অমুক পোকতুনা মচা মশুগী মপোকক্তা অমুক হন্না মাগী সলাইদা পোকক্তুনা মীওইপোক ওইরকখিববু নুংলোন ৱাঙুউরোন লাই হরাওবা লাইরেন মথেকতা উৎতুনা তাকলি। লাইরেন মথেক্কনা মীওইবা সলাইগা থানবা য়াদ্রাবা থৌরমনি হায়না পিরি।

পাতোন চৎপা,লাই হরাওবদা পাতোন চৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা লাই হরাওবগী থৌরমলোন অমনি। করি নোংগী পাতোন চৎলিবনো হাইববু নুংলোন ৱাঙুউরোনা পিরি। মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা উমংলাই হরাওবদা লৈপাক অমাইবীনা পাতোন কোক পূনা থৌরম অসি থৌপাংঙি। লাই হাক্তগী লাইরেনবা লাইরেনবীগী লিথাংকোকপু ,লাইরেনুবীনা লাইকোক চিংদুনা খোয়ুম লাইরেনবীশিংগী লাইগী লিথাংলোন লিচৎপু মৈনা ৱাই তাংনা শমথরক্তুনা লাইরেনবী লিথাং পাতোন্না, মীওইপোক সলাইদা পী। পা গী চৎনরোন নুংলোন লিথাংবু ময়েক সেংনা ৱাঙুউরোনা

পীরি। মীওইপোক সলাইনা মাংলমচৎতা করি চৎনরমী। পারি পুরীগী পুথাংকোক কয়ানা লাই লৈপাক মালেম লৈশেমকোনদা করি করম্বা থৌওং থৌদা তাইবং পানবা সলাইগী পুথাং ওইরম্বগে হায়বা ৰাপু ৰাঙুউরোন্না তাক্লি ।পাতোন্না হাহরি, অপুনবা ওইরবসু অপুনবা লম্বী অমদা চৎমিন্নদ্রাবদি পুকোক অদু মশক খংবা ওইরোই। মীয়াম য়ামজরবসু লিংজেল মান্নদ্রবদি মদু অপুনবা কৌবা য়াদে। অমতগী লিরেন লম্বী অমতদা পুন্না মীয়াম চৎমীনদুনা মান্নমিন্নবনা সলাই মশেল নুংশিনবা, মশাগী থৌরম থৌদা কয়াবু ময়াম চংদুনা থৌপাংমিন্নবা, হায়বসি পাতোন্না অশোংবা মশক্লি হায়না তাক্লি। পাতোন্না অপুনবা অমসুং নুংশি চাননা চৎলিবা লম্বী অদুনা পুন্না খোংদাকিন্দুনা পাংথোকলিবা থৌরম অদু অপুনবগী লিংজেলন্না সোইদনা মাই পাকপা ঙমগনি হায়বসি লাই হরাওবা নুলোন ৰাঙুউরোন্না পাতোন চৎপগী থৌরমনা ময়েক শেংনা পিরি।।০।।

শাবা লমথোক কোইনা লময়েংবা করিগীনো

শাবা লমথোক-কোইনা লময়েং হাইপা ৰাদি লৈনা ৰাই তাংনা শমদুনা অসুম্না ৰাঙুউরোন পিরি । য়ুমফম অমদগী হোংদোকতুনা মফম অমদা মশাগী তৌফম থোকপা থৌরম অদু চপ মান্না থৌপাংবদি য়ুম অদুদা পাংথোকপদা ফংলিবা ফল অদু শাবা লমথোক কোইনা লময়েংদুনা পাংথোকপা ফল অদু চপ মান্ননা ফংবা ফল(কানবা) অসুম্না পাংথোকপা থৌরমলোনবু শাবা লমথোক কোইনা লময়েং হাইনা কৌই হাইদুনা লাই হরাওবা নুংলোন ৰাঙুউরোনা পীরি । নুংদা লৈরম্বা মশাগী মাংবা য়াদ্রবা থৌরম থৌদাবু মীয়াম খংনা পাংথোকমীনদুনা মদুগী কানবা ফলনা মীয়াম অদুমক ওইজবা হাইবসি শাবা লমথোকপগী নুংলোন ৰাহনথোকনি হায়না পীরি । পীরিবা ৰাহনথোকতি চৎনরোননি হায়নসু তাকলি ।

শাবা লমথোকপগী ৰাবু নংলোন ৰাঙুউরোননা পীরি ।শাবা হায়বতি ইশা য়াওনা লমথোকপা মফম অমদগী মফঢ় অমদা চৎপা হায়বনি । ইশানা ইশাগী থবক্তা ইশানা মাংজিল থাদুনা চৎককদবা মফম অদুদা মীয়ামগা লোইননা মহাক্লা পাংথোকলুগদবা থৌরম থৌদা অদুগী থৌওংবু শাবা লমথোকপা হায়না ৰাঙুউলোন্না পী । মীওইপোক সলাইদা তিনদুনা পোকলবা মীওইবনা, মশানা পাংথোকচবা মশানা পাংথোকপদা থৌবুরেন ওইগদবা মফমদি মহাক্লা লৈবদগী অতোপা মফম অমদা মশাগী মহুৎ শিনবা য়াওদনা মীয়াম লোইনদুনা মশাগী থৌরম অদু মশামক য়াওনা থৌপাংজবা হায়বসি থৌরম অদুদা মহাক্লা পাংলিবা থৌশিল অদু মীয়াম মতেং কয়াগা লোইন্না থৌপাংমিনবা থৌরমদি মহৈ য়ালে হায়বসি নুংলোন ৰাঙুউরোন, শাবা লমথোকপগী ৰাহনথোকনা পীরি ।

লমথোকতুনা মীওইবা সমাজনা মীওইপোক্কী থৌফম থোকপা থৌরম থৌদা কয়া লৈ । মীওইপোকতা পোকলিবা মীওইবদি য়ুমদা কৈদা শুবদি ১০০দা ১০নি । অতৈ অতোপা মাগী মাগী শিনফমগী মতুং ইন্না অরাপা, চীং মান লৈপাক লানদুনা অতোপা লৈপাক কয়াদা মানা হৈনজবা শিনফমদা থৌরম থৌদা কয়া ওইরি । মানা মানা হৈজরুবা শিনফমদা য়ুমফম ওইদুনা অরাপা মফমদা চৎতুনা মীওইপোককী শিনফম ওইরি । শাবা লমবু থোকনা থৌপাংবা হায়না লাই হরাওবগী নুলোন পুৰারি অসিনা মীওইপোককী শিনথা মফম অমদগী মফম অমদা লমথোকনা মশাগী থৌফম থোকপা পাংথোকফম থোকপবু শাবা লমথোকপনি হায়না পিরি ।মীওইবগী চৎনরোনবু লাই হরাওবনা ময়েক শেংনা তাকতুনা পীরি ।

কোইনা লময়েংবগী ৰাপু ৰাঙুউরোনা ময়েক সেংনা পীরি। কোইনা লমবু য়েংবা হায়বসি য়ুমফমদগী থোকতুনা মফম অমদা য়ৌরবদা মফম অদুগী ঈশিং নুশিৎ নিংথিবা হৈপান লৈপান খংনা, চান্না মরুপ মপাং কনা লৈবগে হায়বা কোইনা লমদুগী লমমিৎলোন লমদম অদুদা থুংলুরিবা মীওই অদুনা য়েংবা অদুবু কোইনা লময়েংবনি হায়না হৰাওবা নুংলোন ৰাঙুউরোননা পীরি। মীওইপোকতা পোকলিবা মীওইবনা ময়ুম লমলেন অদু থাদোকতুনা অতোপা মফম অদুগী হৰা নুংশিৎ লৈতেংলোন কয়াবু য়েংদুনা মশাগী তৌফম থোকপা শিঙ্গা কয়া পাংদুনা তাইবংগী মপোক ওইববু কোইনা লময়েংবনা পাংথোকপা থৌরম থৌদা কয়াবু ৰাঙুউরোনা ৰাহনদোকতুনা পীরি।

শাবা লমথোকপা কোইনা লময়েংবা মতম লোইরদুনা মহাক্লা পাংথোকলুরিবা থৌরম থৌদা অদুদা শারুক য়ারুরিবা মীওই কয়াগা লোইন্না ময়ুম মোংবা ময়াংয়াইদা ময়ামগা লোইন্না হৰাও তরামনা হনমিন্নরকপা, অসি নোংগী লাই হৰাওবা থৌরম শাবা লমথোক কোইনা লময়েংবগী নুংলোন ৰাঙুউরোন্নবু ৰাহনথোকনা সলাইদা অসুম্না চৎনরোন ওইনা পীরি।। ০ ।।

শারোই খাংবা অমসুং শারেন করিনো ?

মৈনা ৰাই তাংনা শমথরকপা হরাওবা ৰাঙুউরোন্না, শারোই খংবা অমসুং শারেন চনবগী ৰাপু অসুম্না পীরি । শারোইদি মপুগী মনাই মশনবু শারোই লালোই হায়না খংনরি । মথোয়বু মপুগী থৌদানা চিনজাক পীদুনা থৌরম পাংববু শারোই খাংবা হায়না কৌই । শারেন চনবগী নুংলোন ৰাদি তাইবং পানবা মীওইপোক ঈরেমলোন ঈৰাই শাবু উমংলাই ফাংখোং ইতাই ঈৰাই ঈসেংনা য়াইবী কোনফা ইতমবীয়ু হায়বা নুলোন ৰাবু শারেন চনবা হায়না কৌই হায়না উমংলাই খুন্দানা পীরি । থোয়ুম লাইওইবনা অনেম্বা মালেমদা অহানবা পোং হায়না মপুথোক্লে । পোংদগী সলাই ওইরক্লে । সলাইদগী মীওইপোক খংলক্লে । ৰাঙুউরোন্না পিরিবা তাংফম অহুম অসিবু মৈ-ঈশিং নুংশিৎ অহুমগী মরুম থুপ্লুনা মালেমদা চাদা নাওদাদুনা হিংনরি । মীওইবা কৌবা মপোক্লা অনেম্বা মালেমদা পুকোক পুয়াই পুতোন, মচা মশু শুথাংলোন কয়া নাইদুনা মালেমগী অচৎ চংতা, লেংলি পালিবা উজবা ফংজদুনা চাথাং শুথাংগী থৌরম কয়াবু য়েংজগে হায়না মপোক তানজরি । মীওইপোকতি পোকলগা শিবা নাইবা মপোকনি হায়না নোংদমবীরি । উমংলাইগী ফম্বালদি লেংদ্রবা মালেম লৈশেমকোনগী লৈঙাক মপুগী ফম্বালনি ।

শারোই কদাইদগী হৌরকপগে হায়বা নুংলোন ৰাবু ৰাঙুউরোন্না অসুম্না পীরিএ । থোয়ুম লাই মপু শিদবা উমংলাই ফম্বালদা ফমদেংলিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী ফম্বাললোন অকোইবা ঙাক শেন্দুনা লৈবা লাইয়ামবু শারোই হায়না কৌই । অসি নোংগী ৰাবু লৈবনা উমংলাই থোংহাংনিংবা মতমদা হাংদুনা থৌরম তৌফদবনে । উমংলাই অমগী ফম্বালকোনদা লৈবা নুংলোন অমসুং পানদা থৌখাইবা লাই মাপন অমসুং তরেৎ লৈ । মথোয়বু লাইবুংথৌ মপেন হায়বনে । তরেৎনা লাই নুরাবীনে । লাইবুংথৌ ৯ না লাইদা মমি তমলগা সলাই মাপন হায়পনে, তরেৎতি পোংনে । অদু নোংগী শারোই ৬১ না থৌখাই পুইএ । শারোইদি তাইনবা য়াবা মপুগী থৌশিল থৌদা য়াংবা লাইনে । শারোইনা মপুগী ময়াথংলেন ঙাইদুনা লাই হরাওবাদা থোপাংএ, অদু নোংগী শারোই খাংবনে । শারোইদি লাইনে লালোইদি পোংনে । মপুগী থৌরম অমা পাংবদা, অহানবদা শরোই-লল্লোই নুমিৎ অদুগী থৌরম অদুদা য়েৎলক্কদবা লাইয়াম তাহন্দুনা থৌরম পাংবনা থৌরম মহৈ য়াল্লে, হায়না হরাওবা ৰাঙুউরোন্না পিরি ।

মীওইবা সমাজদা সরোইগী থৌদাংনা পিরিবদি, মপুদগী মনাইনা হেন্না চাওবসু য়াওদবা নংতে। লাইগী সলাইদা শারোই লৈবগুম্না, মীওইবদসু অচৌ মচা কয়া থোকনা মাগী মাগী চানবা শিঙ্বা পুদুনা হিংনরি। মীওইপোক মচিন তোংবা, ফম্বাল তাইবা ফমনাইবা অমবু মীওই অমনা হেক উনবা হায়বসি মপু অদুবু ঙাক সেল্লিবা মনাইশিং অদুগী অয়াবা, মনুং-মপান পাওথাংদুনা, মনাইনা ৱারেপনা মপুবু উনজবা ফংএ হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। কৈগী মপান নাপিনা তাং, নাপিগী মপান কৈনা তাংবা হায়বসি মালেমদা লৈবা অচৎ চৎতা জিবা কয়াগী থৌথায়বু শারোই খাংবনা ময়েক সেংনা পীরিএ।

শারেন চনবগী নুংলোন ৱাপু হায়কে! শারেন চনবা উমংলাই হরাওবা মনুংগী শারেন লাইচা য়েংদুনা পাংবা থৌরম অনি। উমংলাই খুন্দা পুয়ানা অসুম্না শারেন মৈহৌরোনবু ময়েক সেংনা পিরি। কংলৈপাকক্তা ফম্বালকোন লাংদাইরিবা উমংলাই ৭৬১ মক শা, ঙা, শারেন চাবা লাই অমত্তা য়াওদে হায়না পিরি। কনাদা করি শা-ঙা কৎলিবনো হায়বদি উমংলাই ফম্বাল য়েৎওইদা, লাই ওইবা লৈনুংলোন লমঙান খারোবা খারোবী অনিনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী য়েৎকী ফাংখোং ওইগী ফম্বাল ফাংখোংনুংদা লৈএ। মপুগী হরাও মথোই কাবা থাদা মমিৎ পাংএ, মপুনা হংএ। খোরুম নংগী মরি চিন্জাক পীয়ুগে হায়বদা শা,ঙা,পীও। সলাই পুনসি খাইকে হায়না উমংলাইন্না খারোবা খারোবী অনিগা য়ানখিবদুনা পোং সলাই মঙাং, লুৱাং, অঙোম, মোইরাং, শরাংলৈশাংথেম, খাবা ঙানবনা উমংলাইদা হরাও মনুংদা শারেন কৎতুনা পুন্সি নিবা থৌরম্নে। অসি নোংগী য়াৱা লৈবনা উমংলাইগী লুকমাংদা য়েৎ ওই কাইদনা শারেন কৎপা হৌখি। খ্বঃ ৫১৮ পানবা মীতৈ নিংথৌরেন সামৈলাং সনা হাক্তা উমংলাই শারেন কৎপা হৌখি হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা পিরি।

তাংখুন নুরাবী কননো

মৈনা ৰাই তাংনা শমথরকপনা, লাই হরাওবা ৰাঙুউরোন্না তাংখুন নুরাবী কননো হায়ববু ময়েক সেংনা তাকলি, অসুম্না পিরি। নোংপোক নোংমাই মরমখৈদা শিদবা লাই মরুরেন লাইনিংথৌ নোংপোক অচিবনা মালেম লৈশেমকোনগী লাইয়ামবু খোয়ুম পাওজেন-পাওথাং পীদুনা নোংমাই মরম খৈরেনদা লাই হরাওবা ফম্বাল শেমদুনা হরাওগনি হায়না খোয়ুমগী পাওথাংনখ্রবদা, নোংপোক নোংমাই মরম লমলেন মদাইমদা লাইয়াম পুম্বানা লাইতি হরাও পুংদোই শেমলকলে। খোয়ুম ফম্বালকোন ৩৬১ শেমদুনা লৈতেংলোই নিংথিবা ফম্বালকোই ওইরকলে। নোংপোক নোংমাই মরম খৈরেননে। লাইতিন পুংকোই চীংনে, নোংমাই লৌতা চীংমাইথেননো। মপুগী লৈকোন অনেম্বা মালেমনে হরাও পুংকোই থাওইনরকলে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানা নোংপোক নোংমাই মরমখৈদা লাইয়াম লাইতি হরাও পুংকোইদা, নুমিৎ শিংকুমবু ঙাইদুনা ফাইদুনা লৈএ।

কৌব্রু, মারজিং, থাংজিং, ৰাংব্রেন, লোয়ারাকপা, খোতরফাবা, য়াংগোই নিংথৌ, সরাং নিংথৌ, ফম্বাল লাংদাইপা খোয়ুম কয়ানা নোংপোক নোংমাই মরমখৈদা লাংকোই ইতম্না, লাইতিন পুংকোই ওইরকলে। মশিং লাঙমদ্রবা চীংউপা লাইয়াম তিল্লবদা কৌব্রু মরমখৈদগী লাই ১১৮ খোংদোই হুল্লক্তুনা নোংমাই হরাওবা পুংকোইদা তিনলরে। চীংউপা লাইয়াম পুম্বানা মপুগী ফম্বাল শেমদুনা নোংমাই হরাওবা লাইয়মনা থৌপাংলকলে। অহানবা কৌব্রুদা শঙলেন হরাওবা হৌএ। অনিসুপনা নোংমাই হরাওপনে। নোংমাই হরাওপনা লাই মশিং হেন্দুনা লাই পুংকোই ওইখরে। লাই হরাওবা নোংমাইদা ইরোং শমদেং লাইরোই তানখ্রাবদা, ইনুং তৈরেন ঙানবদা, চীংউপা লাইয়াম পুম্বা মাগী মাগী মগাইফমলেন হনৰাইখরে। অৰাং খমলেন কৌবা চীংকোই পুবা লাই, নোংমাই মরমখৈদা হরাও তেংপং খোংদোই হুল্লক্তুনা, নোংমাই মরমখৈদা খোয়ুম শিনথা পাংদুনা খুনলাদুনা, ফাইদুনা লৈপবু, নোংপোক অচিবনা ঙমলেন শারম পাখংববু নোংপোক নোংমাই হরাওবা লোইরবদা শারম পাখঙবু কৌবা চিংদা হনহনদনা নোংমাইদা খোয়ুম লাংদাইকোই ওইদুনা অৰাং কৌব্রুগী লাইনা নোংপোক নোংমাইদা তাংজদুনা লৈখিএ হায়না উমংলাই খুন্দা পুয়ানা ময়েক সেংনা লালতম ১২১দা য়াওদুনা তাকলিএ। অসি নোংগী নোংপোক চরাই লৌঙানবা-লৌঙানবী অনিগী মপারি ওইনা নোংমাইদা তাংদুনা লৈখিবনা নোংমাই নিংথৌগী মমোমলোই ৭ কা লৌতা শিঙ্গা পাংদুনা খোয়ুমগী লাংদাইকোন ওইরক্লে। অসি নোংগী ৰাবু লৈবনা শারম পাখঙগী কোলোইপু তাংএ হায়পগী তাংখুন শারম পাখং হাইবনে হায়না ৰাঙুউরোন্না পিরি।

নোংমাই খুলং ৭ কী লুচিংবীদি নোংমাই নুরাপীনে। মাবু নোংপোক পলেম পঙ্গৌ অনিদি নোংমাই নিংথৌনে, নোংমাইরেনবীনে। নোংমাই নুরাবীনে, নোংপোক শারম পাখঙগী লাংওন খংগে হায়দুনা কংলৈদা নোংপোক শারম পাখঙনা চককি খুদোপ পুরকপা ঙমদুনা, লাংপা চকতা কৌব্রু চীংমাইথেনদা নোংপোক পাঙ্গোইবী ওইনা লাংওনদুনা নোংপোকনা পাঙ্গোইবীদা শিনখিবা চকশিং খুদোপপু, নোংমাই নুরাবীদা তাংবা শারম পাখঙ লাওনদুনা কংলৈ পাখঙবা কোন কোনবীদগী খুদোপ অদু তাওজা মমন পিদুনা লৌরকতুনা নোংমাই নুরাবীদা শিন্নদুনা তাংলোই শারম পাখঙ, নোংমাই নুরাবীগা অনিগী লাংদাইবু, লাইয়ামদা মশক তাকখি হাইববু, উমংলাই খুঙ্গোক পুয়ানা ময়েক সেংনা পীরি ।। ০ ।।

লাই হরাওবা মীওইবদা কদাই ফাওবা কান্নবগে

মৈনা ৰাই তাংনা শমথরকপনা, মীওইপোকতা হরাওবা মখল কয়া থোকনা লৈতবা নৎতে। অদু ওইনমকসু লাই হরাওবদা ফোংদোকলিবা হরাওবা অসি অতৈ মীওইবগী হরাও হরাতম্বা কয়া অমতা মওং মতৌ মান্নদবা তোপ তোপ্পা মরুওইবা, মীওইবগা থানবা য়াদ্রাবা, হরাওরোন উমংলাই খুন্থোক পুয়ানা ময়েক সেংনা হরাওবগী নুলোন ৰাবু পীরি। লাই হরাওবদা পিরিবা হরাওবদি, মীওইবা য়েক ৭ সলাই মাপন্না পোকপদগী খংবা ঙমখিদ্রাবা, পোকপদগী উবা ফংউ ফংখিদ্রবা, থিরুবদা খংবা লৈররোইদবা, তাইবং সলাই ৭ তা উমংলাই ফম্বাল ৯ অমসুং ফম্বাল ৭না উহনদুনা খংহনবদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী ফম্বালদগী ফংজখিবা তাইবংপান মীপোক হৌরকপগী, মীওইবনা করি থৌরম থৌদা পাংদুনা মালেমদা হিংগদগে, করম্বা চিন্‌জাক চাদুনা মালেমদা হিংগনি। অচুম্বানা করিনো করানবনা কদাইনো হায়না তাকলিবা উমংলাই ফম্বালনি। নিংথিরবা ইবুঙো ইবেম্মা ফম্বালনা ময়েক শেংনা মীওইবগী চৎনরোন, হৌরকফম, ওইখিবা, হৌখিবা, ওইরককদবা পুম্বাবু উৎলবদা পোং সলাই, তাইবং পানবা মীওইবা মপোকনা উমংলাই ফম্বালবু য়েংদুনা পেনজবা, লৈতানা হরাও ফোংদোকচবা, য়েক ৭ সলাই মাপনগী উমংলাই হরাওবনি। উমংলাই হরাওবদি (হরাওজবদি) মফম অমসুং মতম লৈ। মীওইবদা হরাওবনা মফম অমসুং মতমবুসু ময়েক সেংনা তাকলি।

উমংলাই হরাওবনা মীওইবদা কদাই ফাওবা কান্নবা পীবগে হায়বা নুংলোন ৰাঙুউরোন্না অসুম্না পীরি, অসুম্না হরাওরোগা পীরি। মীওই পোকনা লৌনরিবা য়ামনা মরুওইবা মীওইবা সমাজনা খংদবা য়াদবা নুংলোনগী ৰাখনলোন কয়াবু পানদা থৌখায় ওইনা পাংনরি, থৌরম থৌদাবু হরাওবনা ময়েক সেংনা পিরি। লাই হরাওবদা মীয়াম পুম্বদা উমংলাই ফম্বালনা পিরিবা য়েক তরেৎ সলাই মাপনগী থৌখাইরোন, থৌরম থৌদারোন, লিরেন লিখাংলোনদি মীওইববু মালেমদা খোয়ুম লাই ওইবনা মপুথোকলে। মীওইবনা করি থৌরম থৌদা পাংগদগে, করম্না মীওইবনা মালেমদা হিংদুনা লৈগদগে হায়বা উমংলাই ফম্বালনা মরিক চুম্না তাকতুনা পীরি। মীওইপোকতা পোকলিবা মীওইবনা মালেম অসিদা হেক মীৎ পাংদবদগী অরোইবা মপোক ওইরমদাই ফাওবা থৌরম থৌদা পাংবা হায়বসি মীওইবা কৌবা মাপক্লা থানবা য়াদ্রবা মীওইপোককী থৌদাংনি হায়বা নুংলোন ৰাঙুউলোননা পীদুনা তার্কলি।

মীওইপোককী মীওইপনা মালেমদা তৌগদবা শিলম শিন্নাদি, মখন মথেন য়াম্মী। মীওইবগী থৌরম থৌদা য়ামবগুমনা লাই হরাওবগী নুংলোনদা হরাওবা মশক তাকলিবা কয়াৎলোন থৌরমসু য়াম্মী। থৌরম থৌদা পাংদুনা মালেমদা থৌশিন লাংদাইরেন ওইদুনা তাইবং পুন্সি ওইরিবা মীওইপোকনা পোকপদগী মী অদুনা শিবা ফাওবদা থৌরম পাংবা, মালেমদা অচৎ চৎতা জিবা পুন্নাগী মরক্তাগী মীওইপোকনা অথোইবনি হায়বা হরাওবা ৰাঙুউরোনা ময়েক সেংনা পিরি। মীওইবদা লাই হরাওবনা কদাই ফাওবা কানবা পীবনো হায়বদি, মীওবগা য়াম্না নক্লনা লাই হরাওবা লৈবনি হায়না তাকলি। লাই হরাওবদা পিরিবা ৰাঙুউলোন্নগী নুংলোন ৰাদুনা তাকলিবদি মীওইবনা করিগী মালেমদা লৈরিবনো, কননা মখোয়বু থারকলিবনো, করিগীদমক লাকলিবনো, মীওইপোকনা করিগী উমংলাইগী ফম্বালগা নক্লরিবনো, লাই হারওবনা পিরিবা মীওইপোক্লা করি শিন্না পাংদুনা করম্না মালেমদা হিংগদগে ? পারি পুরি করম্না খংবা ঙমগদগে হায়বা হরাওবনা তাকলিবা, চুখোং লাংখোং, পুথাংকোক, হিজিং হিরাও, ঔগ্রি হঙ্গেন, অসিনচিংবা থৌরম থৌদা কয়া লাই ওইখ্রবা কয়াগী নুংলোন ৰানা তাকতুনা মীওইবা সমাজদা লাই হরাওবনা মপান নাইদনা কান্নবা পিরি হায়বসি ৰাঙুউরোন্না ময়েক সেংনা পিরি।।০।।

অইবগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং:-

১) ইমোইনু অহোংবী
২) ফৌওইবী লাইরেনবী
৩) সনামহি মীংখৈ লিশিংঅমা
৪) লৈমরেন মীংখৈরোন
৫) পাখঙবা মীংখৈরোন
৬) পান্থোইবী মীংখৈরোন
৭) ৱাকচিংগী তরানিথোইনি পানবা
৮) সনামহি ফম্বাললোন
৯) মীতৈ নিংথৌ মোংয়াম্বা
১০) খুমন লম্পাক পুৱারি
১১) সনামহি লাইহুই
১২) চাওখোং হিদেন
১৩) লাইরেনবী নোংকুমলোন
১৪) নোংকুম নোংকারোন
১৫) মীতৈ নোট পালা
১৬) সলাই অপোকপা
১৭) সাগৈ অপোকলোন
১৮) ফুংগা ৱারি
১৯) পান্থোইবী লিক্লাং
২০) লুহোংবা নুমিৎ
২১) মণিপুর লম্মিৎলোন পাফন
২২) খুবাক ময়ি য়েংবা
২৩) মীতৈ ময়েক মপি লাইরিক
২৪) জ্যোতিশকী মরুওইবা
২৫) খোইশারোন
২৬) হৈসৌই ঈপান থাবা
২৭) কংলা থেলোন ১৪০
২৮) যুমশারোন
২৯) যুমলাই খুরুম্বা
৩০) মনা মশিংনা লায়েংবা
৩১) ঈশিং পুকচৎপা
৩২) নুংশঙ লাইয়েং লাইরিক
৩৩) পেনা শৈশকলোন ৯
৩৪) লাইনিংথৌ থৌনিরোন
৩৫) কংলা শা পুৱারি
৩৬) শজিবু চৈথারোন
৩৭) পীশতাও থৌরমলোন
৪০) কংলা থেলোন ১৪০গী ৱাঙউরোন
৪১) ৱাংব্রেন খুন্থোকলোন
৪২) কৌব্রু থেলোন
৪৩) থাংজিং ফম্বাল
৪৪) তোলোংখোম্বা ফম্বাললোন
৪৫) লোয়ারাকপা মরললোন

লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন, পেনা লোয়শঙ